
সংস্কৃত সাহিত্যগী ইতিহাস
(VOL II)



হন্দোকচবা ঃ

ব্রহ্মচারী যোগ চৈতঞ্চ
পানিনি ব্যাকরণ শাস্ত্রী, শাঙ্কর বেদান্ত আচার্য

যোগ বেদান্ত একডেমিক প্রেস পন্ধেল।

সংস্কৃত সাহিত্যেগী ইতিহাস
(Vol II)



—: হন্দোকচবা :—

ব্রহ্মচারী যোগ চৈতন্ঞ
পানিনি ব্যাকরণ শাস্ত্রী,
শাঙ্কর বেদান্ত আচার্য

★ যোগ বেদান্ত একাদমিক প্রেস পলেন্ন। ★

ফোংদোকপা

যোগ বেদান্ত একেডেমিক প্রেস
পল্লেল বজার, ৭৯৫১৩৫



প্রাইঃ বিঃ একডেমিক প্রেস
অনিশুবা থৄংনম খ্রীষ্টাব্দ ২০০১

লাইব্রিক মশিং ৫০০/-

মমল নঃ ৭০/-

নম্ফম :- যোগ বেদান্ত একেডমিক প্রেস, পল্লেল - মণিপুর।



ব্রহ্মচারী যোগ চৈতন্য বেদান্ত আচার্য

হরি ওঁ

"বাহৌদোক"

"সংস্কৃত সাহিত্যগী ইতিহাস" কৌবা অনিশুবা ভাকক (VOL II) অসি মণিপুরী লোন্দা হন্দোকচত্নুনা মীয়ামগী মমাংদা থমজরিবসিগী মরমদা বাহৈ অম-অনিদং মথাদা অস্তুপ্পা থমজরী।

ভারতীয় সংস্কৃতিগী হৌরকফম অমদি হৌজিকী মতমগী ভারত বর্ষদা লৈরিবা লোন কয়া সংস্কৃতি কয়াগীসু মমা অমা ওইরিবা সংস্কৃত লোন অসুং মসিগী সাহিত্যগী মথমদা শিংথাংবদা লোইবা নাইবোই. অতম ওইনমক মসিগী হৌজিক্কী মতমগী চংনবী শইনা ইং. শেক নচিংবা ইতিহাসকী ওইবা মফম মতম ফিভম নচিংবগী মওংগী মায়দদা বর্ণন তৌবা অসিনা মীয়ামা থাক্কবা বাংনরকপা, খোইদোক্না নোংচুপকী বিদ্বানশিংনা মসিগী ঐতিহাসিক গ্রন্থশিং অমদি মহাভারত, রামায়ণ নচিবা ভারত বাসিশিংগী প্রাণগী মশক ওইরিবা লাইরিকশিং ফাওবা সুপ্পা করুনাগী লাইরিক অমগুম লৌনরকপা অসিনা হৌজিকী মতমগা চুনবা মওংদা আদরনীয় ডাং দ্বারিকা প্রসাদ সক্সেনা মহানুভাব অসিনা ইতিহাসকী মচাক-মথুম কয়া থীবদা বারবা কয়াবু খোমজিন্দুনা অমদি নোংচুপলোমগী বিদ্বানশিংগী নৈনরগা ইতিহাসকী মচাক কয়া খোমজিন্দুনা যাবিবা মথৈ প্রামাণিক ওইবা মওংদা থবীরগা অসিনা ঈখোয় পুরনক্কী চংইবক ফব অমনি।

Univercity গী বি. এ., এম. এ. পরিক্ষা ওরাবা মাসমশিংদা ভারতীয় কল্চর অমদি ভারতকী প্রাচীন সংস্কৃতী লৌদবা য়াদবা Subject ওইনা। প্রখোয়গী মণিপুরদগী ছাত্র ছাত্রশিংগী কান্নবা থন্দুনা ইমা লোন্দা ওজবনি, অদুগা অতোপ্পা রাক্ষম অমনা ভারতীয় সংস্কৃতিগী থাবায় ওইরিবা লাইরিকশিং অসিবু শক্তাকপা ওইনা থন্দুনা মীয়ামগী খুদোং চানবা অনুবাদ তৌজবনি তৌবদবু মসিগী টকনিঙ্কী ওইবা রাহে কয়া য়াওনা। পাঠকশিংদা মকওইনা হিন্দি সংস্কৃত তমহৌদবশিংদা খুঙবদা থরু য়ানা থোকদবা রাহে বয়া শিজিন্নখিবগী দমক ভাকপীগনি।

অহৌহবদা লাইরিক অসি ফোংবদা থাহেনা পুক্রিন অমস্তুং পাঙ্গল্লী মতেং পী ববকখিবশিংগী মফমদা অফোংবগী মাথংকদগী নোমলকপা উচ্চবগা লোয়ননা লাইরিক অসি নম্বদা থুদোং চানবা কয়াবু মায়োক্তুনা ... Y L A Press কা ... শাংবু ওল্লা ... ।

লাইরিক অসিদা বনান ... খুদিং ... রকপা। পুন্নমক্পু ওম্লা ... ওচনী।

অরিগুম্বা লাইরিক ... কান্নব ... ফোংজবগী মাথং ... ।

কাল্লেন পূর্ণিমা জনা কেন্দ্র ... ব্রজকুমার ...

তাং ৭/৫/২০০১

—ঃ হিরম লমায় ঃ—

অধ্যায় ৬ঃ লৌকিক সাহিত্যগী - কলা

'অধ্যায় ৬'

লৌকিক সাহিত্য কলা

ৱাহং ১৫ ঃ "প্রাকৃত লোনগী যুগনা, সংস্কৃত লোনগী যুগতগী মমাংদা লৈরম্ব্রা ?" মথক্তা হায়রিবসিগী মতিক চাবা প্রমাণ পীদুনা তাকউ।

পাওখুম ঃ মী অয়াম্বনা প্রাকৃত লোন সংস্কৃত লোনগী মমানি থাজনৈ। অদুবু বিদ্বান খরগী মতুদি, প্রাকৃত ভাষা সাধারন মীয়াম্না ঙাংনবা খুঙ্গঙগী লোন অমনি। অদুগা সংস্কৃত ভাষাবু অশেংবা অমদি সাহিত্যিক ভাষানি। অদুম্না হায়দুনা মসিবু অরিবা অমদি মমাংগী লোন্নি। তৌইগুমসুং অনিসিগী মরক্তা করম্বনা অহানবনো হায়বসি লেপ্পদা রানা থোকই। জৰ্জ গ্রিবর্সন্না প্রাকৃত ভাষাগী শরুক অহুম থোক্না খায়দোকলম্মী। অহানবদা প্রাকৃত লোনবু মহাক্না অদুম্না তাক্লম্মী মতুদি বৈদিক ভাষাগী হৌরকফম প্রাকৃত ভাষানি মসিবু সংস্কৃত হায়রগমু খঙনৈ। অনিশুবনা, প্রাকৃত ভাষা মসিবু কৌই মতুদি পালি ভাষাগী মংদো বৌদ্ধ সাহিত্যগী লোন ওইনা শিজিন্নব। উই, লোয়ননা মসিগী নাটকশিং, ব্যাকরণ অমসুং অতোপ অতোপ্পা সাহিত্যশিংদা প্রাকৃত ভাষা ফংই। অহুমশুবা, প্রাকৃত হায়বগী অর্থদি শেংদবা খুঙ্গঙগী লোন হায়বনি, মসিদগী হিন্দী লোন

ওইরকখিবনি। তৌঈগুমহুং গ্রিয়র্সননা মখক্কী শকক খায়দোকপা নিয়মশিং প্রাকৃত ভাষাগী মাশিংদা মওং খৎবা উমদে।

প্রাকৃত ভাষাগী ইহান-হান্না ফংখিবা গুন অসি অশোক মহারাজগী নুংদা ইরম্বশিংদা ফংখি। মখোয়শিংদুদা প্রাকৃতকী চাওবাক্লা মখল অহুমগী ওয়াংনরম্বগী প্রধান অশোক্কা মতমদা ফংই। ১। নোংপোক ভারতকী প্রাকৃত, ২। অরাং নোংচুপকী প্রাকৃত, ৩। নোংচুপ ভাবতকী প্রাকৃত ভাষা। নোংপোক্কী প্রাকৃতশিং হায়বদি অশোক্কী রাজধানীদা শাজিন্নে অমসুং লৈবাক্কা শোন ওইবগী। অনিশুবদা, অরাং-নোংচুপকী প্রাকৃত য়াম্না লৌবা মফংদা লৈরম্মী. মসিদা 'ঋ' গী মহুতা 'রি' শাজিন্নে, খুদম ওইনা মৃগ' 'মিবগ' ওতুগা নোংচুপলোমদা 'ক' গী মহুতা 'অ' ওইনা শাজিন্নে খুদম ওইনা, মৃগ' বু 'মগী' অর্থবু 'অৎথ' ওমসু' নোংপোক্কী উচ্চারণ-শাস্ত্রদা 'প' গী মফমদা 'ঈ' নত্রগা 'উ' ওইনা শাজিন্নে, খুদম 'কৃত' বু 'কিত' 'পত' ওইনা শাজিন্নে। মখক্কা পাবিবা প্রাকৃত ভাষাগী মখল অহুমগী মওং অসি ঐথোয়না অশ্ব ঘোষকা নাটকশিংদা শাজিন্নে। উদা। অশোক মহারাজগী মথংদা ঐথায়না অশ্বঘোষকী নাটকদা মওংদা প্রাকৃত ভাষাগী চাকুন লৈবন্না থেংনে। হায়রিবা নাটক অসি খংঙী অহানবা শতাব্দীদনি। মতম অসিদা হায়রিবা মখল অহুমগী প্রাকৃত লোনশিংবু প্রাচীন মাগধী, প্রাচী শৌরসৈনী নত্রগা প্রাচীন হায়না কৌনৈ। অধ মাগধী লোন্দা

জৈন ধর্মগী গুরু মহাবীর শামীনা মীয়ামদা পাওতাক পীখি। লোয়ননা বৌদ্ধ গ্রন্থসু লোন অসিদা ইবা থেংনৈ। প্রাচীন জৈন গ্রন্থশিং হৌজিক্কি ফংখিদ্রে; অদুবু শ্বেতাম্বরীশিংগী গ্রন্থ ফংই, মসিসু অরিবা অমনি অমসুং মসিদা খা অমসুং নোংচুপ মহারাষ্ট্রগী প্রাকৃত ভাষাগী মখি ভাবা উই। তুংদা ইবা শ্বেতাম্বরীশিংগী গ্রন্থশিং মহারাষ্ট্র প্রাকৃত ভাষাদা ইবা থেংনৈ, অদুগা দিগম্বরী জৈনশিংনা শৌরসেনী প্রাকৃত লোন্দা ইরম্মী।

বৌদ্ধশিংগী লাইরিকশিংগী ভাষা য়াম্না অরিবনি হায়না থাজনৈ। মরম অসিনা মসি অর্দ্ধ মাগধী ওইরমদবা য়াই, অদুগা মসি করিগুম্বা নোংচুপ ভারতকী প্রাকৃতকা মান্নবগুম তৌই। ওইথোকপা য়াবা অমনা অবন্তি অমসুং কৌশাম্বীদা ওাংনা শান্নবা মতমদুগী লোন ওইরম্বা য়াই।

প্রাকৃত ভাষাশিংদা মমাংঙগী মীওইশিংনা পৈশাচী প্রাকৃত হায়বা অমসু শীজিন্নরম্মী মসিদা গুনাঢ়াকৌবা অমনা মাগী 'বৃহৎকথা (বড্ডকথা) ইরম্মী। পিশাচ জাতি অসি হিন্দু কুশ চীঙগী মনাক্তা তাবা জাতিনি থাজনৈ তৌইগুমসুং কোনোব কোর। নোংচুপ-লোমগী বিদ্বান অমনা পিশাচী জাতি অসি বিনধ্যাচল চীঙগী ময়াদা তারম্মী হায়না তাকই অমসুং নর্মদাগী খাদা লোন অসি শীজিন্নরম্মী হায়না সিক্ক তৌই। মরমদি হৌজিক ফাওবদা পিশাচী ভাষাগা মান্নবা বাহৈ মকম অদুদা শীজিন্না য়াওই। প্রাকৃত ভাষাশিংদা 'ঋ' অমসুং 'ঌ' লৈতে। 'ঐ' অমসুং 'ঔ'

গীত শীজিন্নদে। মসিদা ব্যঞ্জন ময়েক খরমু অংলি মরম অসিদগী ঊশৈ ওইনা শকপদা অমসুং র। ভানেশানবদা খুদোংচাবা য়েংহন্না ব্রাহৈশিং অয়াংবা-অরাইবা শব্দ শীজিন্নবা। হৌখিবা ওইরমগনি মতৌ অসুম্না ব্যঞ্জনশিংগী মহুত্তা হ্রস্ব ওগ্রগ। দীর্ঘ শীজিন্নবা প্রাকৃত ভাষাগী অয়াম্বা মফমদা ফংই।

অনিশুবা শতাব্দী ফাওবদা হায়রিবা প্রাচীন প্রাকৃত ভাষাদা ধনগা নত্তবা সাহিত্য য়াম্না ইনবা। হৌখিবা উই, হৌইগুমসুং মসিগী তুংদা মহারাষ্ট্রীগী লোন অমা ওইনা শাতবাহনশিংগী লৈবাক্কী লোন ওইখি। মতম অদুদা মাগধী অমসুং শৌরসেনী প্রাকৃতসু শীজন্নরম্মী। ভাস, অশ্বঘোষ অমসুং কালিদাসকা নাটকশিংদা মসি উবা ফংই। হৌজিক ইকুই কুইদনা মহারাষ্ট্রীগী সতসই মফমসিদা প্রাকৃত ভাষাদা ইবা লাইরিক ফংই। অনিশুবা শতাব্দী অসিদা য়োরকপদা প্রাকৃত ভাষাগী ব্যাকরনগী লাইরিকসু ইনরম্মী অদুগা মাথ্রামগী ভাংনবা লোন ওইবদগা লাপথোকখিরগা। মসিদা সাহিত্য মতিক চানা য়াম্না ইখি, অতবু সংস্কৃত ভাষাগা মতোগুম য়াম্না শেংবা, ফজবা ইরাং ব্রাংলি। প্রাকৃত ভাষা পূম্নমক্তগী মহারাষ্ট্রী প্রাকৃত ভাষানা কাব্য অমসুং নাটকশিংদা হেন্না শীজরে। শৌরসেনী রাবেংদনা হেন্না শীজন্নে মসিদা কবিতাগী শরুক য়ান্না য়াওদে। লোন অসিদা সংস্কৃত নাটকশিংগী মুপাগী পাত্রশিংগী ভাংনবা শরুবা মতমদা অয়াম্বা শীজন্নে। জৈন-কাব্য অমসুং মখোয়গী ব্যারেং (গদ্য) সাহিত্য

মহারাষ্ট্রগী প্রাকৃত ভাষাদা য়াম্না ফংই। মহারাষ্ট্রগী প্রাকৃতগী শৌরসেনী প্রাকৃতনা সংস্কৃত ভাষাগা নক্কবা হেন্না। মসিগী হৌরকফমসু সংস্কৃত ভাষাগী হৌরকফম প্রাদেশতগীনি মাগধী প্রাকৃতকী প্রয়োগ স্মৃতি গ্রন্থশিং কহানিশিংদা ইরম্মী। ভরত মুনিগী নাটক শাস্ত্রদা অতোপ্পা প্রাকৃত ভাষাশিংগী প্রয়োগ তৌরম্মী। খুদম ওইনা থা ভাংতকী প্রাকৃত, অবন্তি,, ধাকী নত্রগা টাক্কীনচিংবা মখোয় অসি শৌরসেনী প্রাকৃতকী মসুং চল্লী অহুগা চাণ্ডালী অমসুং শাকারীগী প্রাকৃতশিং ইরম্বা থেংনৈ, মসি মাগধী প্রাকৃতনি. পৈশাচী প্রাকৃতকী প্রয়োগ নাটক সাহিত্যদ ইবা থেংনদে।

নাটকশিংগী অধ্যয়ন তৌবদগী খঙবা বিদ্বান খরগী মত মতুংইন্না অহানবদা নাটক সাহিত্য খুদিং প্রাকৃত ভাষাদা ইরম্মী। সংকৃত ভাষাদা শীজিন্নখিবদি প্রজা মীয়াম্না সংকৃত খঙনরক্কবা মতুংদা শীজিন্নখিবনি। তৌইগুমসুং ডাঃ কীথকী মিংয়েন্নদদি মসি করিগুম্বা অচুম্বা অমা নত্ত, মরমদি নাটকশিংগী হারী পুম্নমক সংকৃতকী মহাকাব্যশিংগা মরী লৈনৈ। হৌরকফম রাহ্নীনা সংকৃত ভাষা ওইরগা মতুবু কনানা করম্না প্রাকৃত ভাষাদা নাটক ইগনি। অসিদা নত্তনা ভাসকী নাটক অমসু সংস্কৃত ভাষাখক্তা ইরম্বা লৈ। লোয়ননা নাটক সাহিত্যশিংদা অসুম্না ইরম্বা থেংনৈ মহুদি মতম অহুদা সংস্কৃত সর্বসাধারনশিংন, ভাংনরম্মী। গ্রিয়সন মহোদয়না অসুম্না ইরম্মী মহুদি কনাগুম্বা বিদ্বান খরদি রামায়ন অমসুং মহাভারতকীসু অহানবদা প্রাকৃত ভাষাদা ইবনি হায়না

থাক্লে। কৌইগুমসুং মহাকাব্যশিং য়েংলগা খংবা ঙম্মী মতুদি গ্রন্থ অসি করিগুম্বা অতোপ্পা ভাষাদগী হন্দোকপা নত্তে। প্রাকৃত ভাষাগী প্রয়োগ বৌদ্ধ কালদনা য়াম্মী। ব্রাহ্মণশিংগী মায়োক্ত বৌদ্ধশিংনা ঙাংবা হৌখিল্লমী অমসুং মখোয়না সংস্কৃত ভাষাগী সর্বসাধারনগী ভাষা প্রাকৃত ভাষাদা পাওতাকনচিংবা পীরম্মী।

অনিশুবনা, পানিনিগী 'অষ্টাধ্যায়ী' দগী খঙবা ঙম্মী মতুদি মহাক সংস্কৃতকী মহাকাব্য মহাভারতপুসু খঙলম্মী। লোয়ননা রামায়নগীসু ইখিবসি অশোক নিংথৌগী য়াম্না মমাংদা ইখিবনি। মরম অসিনা প্রাকৃত ভাষাগী যুগ সংস্কৃত ভাষাগী যুগতগী মতুংদা ওইরকপনি। অহুমশুবনা, চরক সংহিতা পাকবদগী খঙবা ঙম্মে মতুদি চরক্কী মতমদা বৈদ্য (ডাক্তর) খল্লা-নৈনবদা সংস্কৃত ভাষাদা শীজিন্নে, প্রাকৃত ভাষা শীজিন্নদে। মরিশুবা, বাৎস্যায়নগী কামসূত্রদা চাওখৎলবা মীওইশিংনা সংস্কৃত খঙবা কে হায়রম্মী। মঙাশুবা, জৈনসাংগনা শতাব্দী তরেৎ অসুম্না ইবম্মী মতুদি বৌদ্ধশিংসু মখোয় শংদানগা মতমদা সংস্কৃত ভাষা ঙাংনৈ। তরুকশুবা জৈন গ্রন্থশিংদসু চাওখৎপা মীওইনা সংস্কৃত ঞান লৈবগী তঙাইফদবা হায়রম্মী। অহুগা জৈন সিদ্ধর্ষি (বিক্রম সংবত ৯০৫) না অসুম্না হায়রম্মী মহাক্কী সংস্কৃত লোন্দা ইবা লাইরিকশিং অসুক্কী মতিক লায়না ইরম্মী প্রাকৃত খঙবা মীশিংনা ফাওবদা মহাক্কী লাইরিকপু খংবা ঙম্মী। তরেৎশুবা, বৌদ্ধশিংগী সংস্কৃত লোনবু য়েংথীবা অসি খুঃ গী মঙাশুবা শতাব্দী মমাংদা হৌখিবনা তাকপদি সংস্কৃত ভাষানা

প্রাকৃত ভাষাদগী লৌবা হেন্নী তাকই। অহুম ওইনা অহানবা শতাব্দীদা প্রাকৃত ভাষা ঙাংবা মীসু লৈরম্মী অহুবু মতম অহদদি সংস্কৃত ভাষাগী অকনবা মমী তারম্মী। প্রাকৃত ভাষা খুঃ গী মরিগুবা শতাব্দী ফাওবা চংনরম্মী, অহুগী তুংদা গুপ্ত কাল য়েৌবকপদদি মসি পুম্মুং মুংখিরম্মী মথোন্নগী প্রাকৃত লোন্দ ইরম্বা লাইরিকশিং সংস্কৃত লোন্দা অনুবাদ তৌখি। জৈনশিংসু সংস্কৃত লোন শীজিন্নবা হৌনগংলকখি। নিপালগুবা, শতপথ ব্রাহ্মণ পাকবদগী খওবা ওম্মী মতুদি সংস্কৃত সূত্রগী ব্যাকরণ, ছন্দ, জ্যোতিষ, শিক্ষানচিংবনা শিজিন্নবথক্ত ওইরমদে, হায়বদি সাধারন মীগুইশিংগী বিদ্যা লাইশিংগী বিদ্যা, অসিগা নত্তনা জাতু তোনাগী মরমদা ইবা লাইরিকশিংসু ইরম্মী। মাপলগুবা ধনুর্বিদ্যা,' গায়ন বিদ্যা', শিলপ কলা অমসুং রাজনীতিগী শিক্ষানচিংবগীসু মহাভারতকী সংস্কৃত লোন্দা তম্নবম্মী অমসুং ওজাশিং অয়াম্বা ব্রাহ্মণশিংনা ওইরম্মী। তরাগুবা, পানিনিনা মহাক্কী 'অষ্টাধ্যায়ী' সূত্রদা সংস্কৃত রাহৈবু 'ভাষা' অসুন্না হায়রম্মী, মহাক্কী লাইরিকশিংদসু সংস্কৃত লোন মীয়ামগী লোন অমনি হায়বগী ইঙ্গিৎ কংই। মহাক্না শা-বন লোয়্নবা অমসুং অফবা মীশিংদা সংস্কৃত শেংনা পাবা ঙম্নবগীদমক 'ব্যাকরন' ইখি। তরামাথোই, কাত্যায়ন অমসুং পতঞ্জলিগী গ্রনথশিংদসু সংস্কৃত লোন মীয়াম প্রজাশিংনা ঙাংনরম্বগী রাফম্না থল্লা। মরমদি পতঞ্জলি মহাভাষ্যদা অসুন্না ইরম্মী মতুদি "ব্যাকরণ সুপ্পা রাহৈ খক্তং শেম্বগী নত্তে, মকওইনা ব্যবহারদা শীজিন্নবা রাহৈশিংবু

চুপ্পা কঙ্গনা ওাংহন্নবা অমসুনি।" ওরানিথোই, বিকহননা খৃঃ ১০৫ দা ইরম্মী মতুদি কাশ্মীরদা মুপাশিংদা নত্তনা মুপীশিং ফাওবা সংস্কৃত অমসুং প্রাকৃত ভাষা নীংথিনা ওাংবা ওম্মী অহংগা মখোয়না সংস্কৃত লোনবু মমালোননি হায়রম্মী। লোয়ননা পঞ্চতন্ত্র, কোবা লাইরিক্তশীংসু খুবা ওম্মী মতুদি রাজনীতি তন্ন-বগীদমক মতুং য়াম্না কুইনা লৈবা ফাওবা সংস্কৃত ভাষাবু ব্যবহারদা শীজিন্নরম্মী।

মথক্তা নৈনখিবা মখল কয়াগী প্রাকৃত ভাষানা প্রমাণ তৌহুনা তাকই, মতুদি বৌদ্ধ কালদা সংস্কৃতকী মহুত্তা অৰ্দ্ধ মাগধী প্রাকৃত ভাষানা খুদুম চন্নবা হোৎনখি মরমদি হায়রিবা মাগধী প্রাকৃত মতম অদুদা খুাইদগী য়াংবা অমনি মরমদি বুদ্ধগী লোন অমা ওইরম্মী। গৌইংগমশুং মতম খরগী তুংদা অমুক প্রাকৃত ভাষা মরাই চাইথখীরম্মী। অদুগা সংস্কৃত হান্নগা মওংদা হজিল্লকখি। রুদ্রদামনগী ইবগ্নশিং সংস্কৃত লোন্দা। ফংই, হায়রিবা অসি অনীশুবা শতাব্দীনি থাঙ্গনৈ। অদুবু মরিশুবা শতাব্দী য়োৱৱপদদি প্রাকৃত ভাষা পূম্মুং মুংখী অমসুং লোন অসিদা সাহিত্যচৰ্চ্চা তৌবনচিংবা তৌনখীদে। মতৌ অসুন্না স স্কৃত যুগনা প্রাকৃত যুগতগী অরিবা অমনি হায়বসি চুন্নবা অমনি।

য়াহং ১৬ ঃ ভারত নাট্য শাস্ত্রগী শম্নপ্না পীরগা সংস্কৃত নাট্য শাস্ত্রগী ইতিহাস তাকউ।

পাওখুম ঃ ভারতীয় সাহিত্যদা নাট্য-বিষয়দা খুাইদগী

মমিং লৈবা গ্রন্থ নাট্য শাস্ত্রদি ভরত মুণীনা ইবা অসিনি. ভরত মুণীগী মরমদা চপ-চাবা প্রমাণ ওইনা হায়বদি ঙমদে, মরমদি ভারতীয় সাহিত্যদা ভরত কৌবা মীওই কয়ামুক ফংই। খুদম ওইনা দুষন্তগী মচানুপা ভরত, দশরথ পুত্র ভরত, মানধাতাগী মশু ভরতনচিংবা। মসিগী তুংদা হায়রিব, নাট্য-শাস্ত্রগী মরুওইবা মীওই ভরতকী মরমদা ইরন্থসি আদিভরত, জড়ভরতকী অসি-নচিংবা মওংদা ফংই। মরম অসিনা বিষয় অসিদা নৈনদনা অসুম্না লেপ্প। অসিনা খুদোং চাগনি হায়বদি আচার্য ভরত নাট্য-শাস্ত্রগী অহানবা পুথোকপা অমনি।

নাট্য-শাস্ত্রগী মতম অসি বিদ্বানশিংনা খৃঃ মমাং চহি ৫০০ দগী খঃ মতুং চহি ১০০ ফাওবগী মনুংদা থাজনৈ। ভবতকী সাহিত্য পুম্নমক্কা প্রামাণ ওইবা য়াবা অহান অকোনগী ঙমখে লেপ্পুবনা মখোয়গী চপ চাবা মওম লেপ্প। ঙমদে। তৌইগুমশুং অতুম ওইনা মখল কয়াগী চাংযেং তৌরগা শম্নদ্না মথাদা পাঙবা অসুম্না বিচার তৌবা য়াই —

নোংচুপকোমগী বিদ্বান মৈকডানলনা ভরত খৃঃ মতুং চহি ৬০০ ত নি হায়। মহাক্কী মত অসি নোংচুপ্লোমগী বিদ্বানশিংনা রচনাগী মওং ভাষা অমসুং কাবিকাশিং য়েংলগা লেপ্পনিং তৌই-গুমসুং মহাকবি কালিদাসকী মতম নোংপোক অমসুং নোংচুপ বিদ্বান পুম্নমক্না খৃঃ মতুং চহি ৪০০ নি য়াই। কালিদাসনা মহাক্কী 'বিক্রমোর্বাশী' নাটক ভারত মুণীগী মরমদা পল্লমী। মরম অসিনা মথক্কী মতম অসি য়াম্না লাংগনি।

মহামহোপধ্যায় হরপ্রসাদ বাগচীনা মসিবু অনিশুবা খুৗপদনি হায়। অতবু মহাকবি কালিদাসকী মতম খৃষ্টাব্দ অহানবদনি থাক্লে।

প্রোঃ সিলবালেবীনা মাটয়দা ইবা 'স্বামিন' বাহৈ উরগা অম্বুন্না মতম লেপ্পী মতুং মসি খৃঃ অনিশুবদা ওইগনি।

বাচিকাভিনয় প্রকরনদা কাতন্ত্র ব্যাকরণগী য়াওদবনা বিদ্বান খরদি ভরতকী নাট্য-শাস্ত্রগী মতম খৃঃ মমাং চহি ৫০০ নি থ জনৈ। মথক্কী মতম লেপ্পগী মওং অসিনা চুমগদবা খল্লী। অতোপ্পা অমনা মম্মট ১১০০ বান তারেৎশুবা শতাব্দী, দশরূপকার ধনঞ্জয় শুবা শতাব্দী, পুন্নমক্না ভরত মুনীগী মমিং পনম্মী। মহাকবি কালিদাসনা য়াম্না শেংনা 'বিক্রমোর্বশী'দা ভরতকী মমিং পল্লী —

মুনীনা ভরতেন য়ঃ প্রয়োগো ভবতীষ্টরমাক্ষয় প্রয়ুক্তঃ।
ললিতাভিনয়ংতমদ্য ভূতাং মরুতাং দ্রষ্টুমনাং সলোক পালঃ। ২।১৮॥

মসি অম্বুন্না মৎসাদম্ব মওারক হন্না ভরত পল্লী। মহাকবি কালিদাসনা মরামশিদগী খুদম্গী ওয়িবা প্রাচীন অমনি, মরম অসিনা নাট্য-শাস্ত্রগী মতম খৃঃ মমাং চহি মওংশুবদগী খৃঃ মতুং চহি চাতুম কাণ্ডবগী মনুদা ওইবনা চুমগনি।

অতোপ্পা অমনা সমালোচকশিংনা কাচাম ভরত লৈবগী মতংবু য়াদে। মথোয়না হায়রিবদি শাহরিগা কলাকারনা মগাদু ভরত কৌবনি। মরম অসিনা কলাকারশিংবু ভরত হায়না কৌহনা চৎনৈ অমসুং নট (কলাকার) গী মরমনা ইবা মথোয়গী লক্ষন খোমজিনবা গ্রন্থশিংবুসু ভরত নাট্য শাস্ত্র কৌই। শ্রীপীঃ বাঃ

কানেন্সী মত মতুইন্না অসিগুম্বা গ্রন্থ অসিগী অহানবা অধ্যায় মতুং য়াম্না কোন্না ইখিবনি।

ডাঃ মনমোহন ঘোষকী মত মতুংইন্না, ভরত কলপনাগী মীশক্তি। মসি ওইজববসু ভরত নাট্য-শাস্ত্রগী মরমদা মওং অনিদা ইরম্বা থেংনৈ। অনির্সিগী মমংদা অমদনা শোক মশিং ১২,০০০ নি অমসুং অতোপ্পা অমদন', স্কুপ্পা ৫০০০ শ্লোক্তি।

এবং দ্বাদশ সহস্রৈঃ শ্লোকমেকং তদর্ধতঃ।

ষড়ভি শ্লোক সহস্রৈ, য়ো নাট্যবেদস্য সংগ্রহঃ ॥

মসিগী ন্তংগী সাক্ষীগী মতুংইন্না খঙবা উম্মী মর্হ্ অহানবদা মসি যাংাচাংবা গ্রন্থ অমা ওইরমগনি, তদবু মতুংদা মসি ৫০০শিংকন্দুনা শোক মশিং ৬০০০ গী নাট্য-শাস্ত্র এই ইরম্বা য়াই। নাট্য-শাস্ত্র হায়রগা শভশংনা নত্রগা পরম্পবা ওইনা নাটা, নৃত্য সংগীত, অভিনয়, ছন্দ, অলংকার মখল নয়াগা নাটকী পোৎ-চংশিং, অমসুং শিল্প কলাগী খোমজিন্নবা অমবু নাট্য-শাস্ত্র গ্রন্থ কাই। অতোপ্পা ফরা প্রমাণশিংদগী গ্রন্থ অসিদা অধ্যায় ৩৭ ফংই। হায়বিরা অধ্যায় ৩৭ অসিদা অহৈবনা মঙ্গলাচরনসু ফংই অমসুং শ্লোকশিংগী মশিং সু থোন্নৈ। হায়বিবা নাট্য-শাস্ত্র গ্রন্থ শ্লোক, গদ্য, অমসুং বক্ত অমুক্তা মখল অতম থোক্না খায়-দোকই। গ্রন্থ অসিবু থাগৎ বাহৈ ওইনা নাট্য-শাস্ত্রগী শ্লোক অসি করম ওইনা পীরা য়াই --

ন তজ্জ্ঞানং ন তচ্ছিল্পং ন সা বিদ্যা ন সা কলা।

ন স য়োগো সৎকর্ম য়ন্নাট্যস্মিন্ন বিদ্যতে ॥

মতৌ হম্মক্না নাট্য শাস্ত্রগী কায়াং থুদিং মপুংফাবা অমনি হায়ত্বনা লেখক মশামক্না লাংথোকই। অশেংবা মসিগী নিয়ম অসি অচুম্বনি. মরমদি লাইশ্নিক অমা বিশ্ব সাহিত্যদা হৌজিক ফাওবদা লৈব্রি। ডাঃ রাঘবনা গ্রন্থ অসিগী বিষয়দা মখাদা পীরিবা রাইহেশিংনা মহাক্কী ভাবনা ফোংদোকই। নোচুমলোমগী দেশশিংদা অরম্বনা ইবা 'পেরীপোয়টিকস' কৌবা রচনা অসি বিদ্বানশিংনা পাম্বা অমনি অত্বু মসি স্থপা অরাবনা লোয়বা (ছ: খাস্ত) নাটকশিংগী বিবেচন তৌই। অতগা অমরোমদা নাট্য শাস্ত্র মপুং ফাবা লাংরিক অমনি।

"The Natya shastra in 36 chapters is marecomlete then the work of Areslotte, ann provedes a full view of Sanskrit drametic poetry."

মতৌ অসুম্না প্রোঃ এলাডর্না অসুম্না ইরম্মী মতুদি প্তানগী অহানবা হৌবনপা। মতমদগী হৌনা ভবতনা নাট্য শাস্ত্রগী নিয়মশিংগী মরমদা মপুং ফাব মচ নশিং ইরমী। মরম অসি হায়বদা অমসুং য়াবদা কবিগুম্বা চীংনবা লৈবেই মরমদি ভরত-নাট্য শাস্ত্র নাট্যগী মরমদা ইবা মপুংফাবা অমসুং প্রমানিক ওইবা গ্রন্থনি।

সংস্কৃত সাহিত্যদা নাট্য-শাস্ত্রগী ইতিহাস

ভারতবর্ষগী নাট্য-সাহিত্য মপুং ফাবা অমনি, মসিদা চিংনফম থোকই। সাহিত্যগী পরম পর যায়া পাক শন্নী ভারতবর্ষদা নাট্য শাস্ত্রগী মরমদা ইবা গ্রন্থশিংগী মসংদ ভর কী

নাট্য শাস্ত্র নত্রগা নাট্য বেদনা খুইদগী অরিগা লাইরিক্কি অহুবু মসিগী মমাং বিষয় অসিদা অতোপ্পা রচনা লৈতে হায়বনি ঐখোয় হায়বা ওমদে, মরমদি আচার্য ভরত মক্না মহাক্কী অহুগুম্বা খুদম পীরিবশিংনা থওবা ওম্মী মহুদি মসিদগীসু মমাংদা অতোপা আচার্যশিংন বিষয় অসিদা খুং থারম্মী হায়বসিনি। পানিনিনা মহাক্কী 'অষ্টাধ্যায়ী'দা সুত্র অনিদা আচার্য অনি লৈবগী ইরমী, মখোয় অনি নট-সুত্রগী প্রনেতা ওমা ওইনা পল্লম্মী—

পারাশর্য শিলালিভ্যাং ভিক্ষুনটসূত্রয়োঃ ৪। ৩। ১১০

কর্মন্দ কৃশাশ্বাদিনি ৪। ৩। ১১১

সুত্র অনিসিদা নট সুত্রশিংগী প্রনেতা শিলালিন অমসুং কৃশাশ্ব অনিবু ময়েক শেংনা পল্লী। মখোয় অনি শায়দনা ভরতকী মমাংগী নট সুত্রশিংগী অইবা অমা ওইগনি।

ভরত নাট্য-শাস্ত্রগী অরোয়বা অধ্যায়দা ভরত মুণীগী মচম তুগী অতোপ্পা আচার্য মরি লৈরবগী খুদম যংই। মখোয়-তুদি - কোহল, বাৎস্য, শাণ্ডিল্য অমদি ধূর্তিল—

কোহলাদিভিরেতৈর্বা বাৎস্য-শাণ্ডিল্য-ধূর্তিলৈঃ।

এতচ্ছাস্ত্র প্রয়ুক্তং তু নারানাং বুদ্ধি বর্দ্ধনম॥

মখোয়শিংগী মনুংদা কোহলগী মমিং মকম কয়াদা তোক্লনা পল্লী 'শেষং প্রস্তার তন্ত্রেন কোহলঃ করিষ্যতি।' অসুম্না হংই। অভিনবগুপ্তনা মহাক্কী 'অভিনব ভারতী' দসু মহাক্কী মমিং পল্লম্মী। মসিদগী থওবা ওয়ে মহুদি মহাক অতোপ্পা

আচার্য শিংদগী হেল্লা মমিং চৎপা আচার্যনি

নাট্য-শাস্ত্র অমসুং অভিনব ভারতীগী সংগীতকী পরাশিংদা আচার্য দত্তিলগী মমিং কয়ারক হল্লা পল্লী। দত্তিলগী মরমদা অভিনবগুপ্তগী মশানা পীবা খুদম মখাদা পীরি — দত্তিলাচার্যেন সংক্ষিপ্যাক্তম।

নরবকুল অমসুং অশমকুন অমসুং কদরায়ন কৌবা আচার্যশিংগী মিংশিংসু অহানবা অধ্যায়গী ভরতকী মচা চায়গী মরক্তা য়াওই অমসুং মখোয়গী খুদম কয়া মফম কয়াদা পীর'। সাহিত্য দর্পন ইবা বিশ্বনাথ, 'নাট্য-লক্ষণ রতনকোশ' গী লেংবা সাগরনন্দিনচিংবা বিদ্বানশিংগী খুদম পীবা মরম্না থওপা ওয়ে মতুদি মখোয় অসি নাট্য শাস্ত্রগী আচার্য ওইরমগনি।

শাতকনী কৌবা আচার্য অমখক্কী অহানবা শতাব্দী অদু-বাইদা মুওশিংদা হক্তুনা ইরগী থেংনৈ, অমসুং 'নাট্যলক্ষনরতন কোশ' দা মহাক্কী খুদম তমসু ফংই, মসিদগী লেপ্পা উম্মী মতুদি মহাক্না শোয়দনা করিগুম্বা গ্রন্থ ইরমগনি। অতুম ওইনা শাতকনী কৌবা মীওই অসিগী মফম কয়ামুক্তা পল্লম্বা থেংনৈ। মরম অসিনা ঐখোনা ইন্নাই লাইনা অনুমান তৌবা উম্মী মতুদি মহাক অসি মমিং য়াম্না চৎপা মীশক অমনি।

মসিগী মতুংদা অভিনবগুপ্ত অমসুং শারদাতনয়গী 'অভিনব ভারতী' অমসুং 'ভাব প্রকাশন' দা ঐখোয়না নন্দি তুম্বুরু, নিশভখিল, চারায়ননচিংবশিংগী মুওশিংদা ইরম্বা থেংনৈ — মসি-দগী মহাক্কী গ্রন্থ. লৈরম্বগী ঞ্জান ফংই - তথাচ নন্দিমতম

উত্তম।

মতৌ অসুন্না তুম্বরুনেদমুক্তমনচিংবা মওংদা মহাক্কী খুদম পীরম্মী। সাগরনন্দি মহাক্কী গ্রন্থদা চারায়ন কৌবা আচার্য অমগী মমিং পল্লম্মী।

সদাশিব, পদ্মভূ দ্রৌহিনী, ব্যাস, আঞ্জামেয় কৌবা আচার্যশিংগীসু অভিনবগুপ্ত অমসুং শারদাতনয় অনিনা মখোয়গী গ্রন্থদা পল্লম্বা থোংনৈ, তৌইগুমসুং মখোয়গী লাইরিকশিং হমল্লা ফংদ্রে।

কাত্যায়ন, রাহুল, গর্গ, শক্তি গর্ভ, ঘন্টক অসিনচিংবা বিদ্বানশিংগী মিং অমসুং খুদম আচার্য অভিনবগুপ্তনা মহাক্কী 'অভিনব ভারতী' দা পীরি — "য়থোক্ত কাত্যায়নেন,

বীরস্য ভুজদন্ডানাং বর্ননে সগধরাভবেৎ।
নায়িকাবর্ননে কার্য বসন্ততিলকাদিকম॥

খুদম হসিনা অনুমান তৌবা ঙম্মী মহৌদি মহাক্না নাট্যশাস্ত্র অমসুং ছন্দ অনিগী মরমদা শোয়দনা ইরমগনি। কাত্যায়নগী মমিং সাগরনন্দিনসু পল্লম্মী। খুদম ওইনা -

"য়থোক্তং রাহুল কেন"
"শক্তি গর্ভানুসারেন"
"ঘন্টকাদয়স্তবাহ"

অসিনচিংবদা খুদমশিংসিনা মহাক আচার্য ওইরম্বগীময়েক শেংনা তাকই।

আচার্য মাতৃগুপ্তগী খুদম নাটক, লক্ষন, যবনিকা, নান্দী

সূত্রধার, ৎচিংবা পারিভাষিক শব্দশিং খুদম ওইনা য়াওই। মহাকপু 'শবুস্তল' কী টীকা ইবা রাঘবনা পনম্মী। মসিনা শেংনা খণ্ডল মচুদি মহাক্না নাট্যগা মরি লৈনবা গ্রন্থ শোয়-দনা ইরমগনি, তৌইগুমস্সুং ওনিদি মহাক্কী গ্রন্থ ঐখোয়না ফংবা ওমদ্রি। মরম অসিনা খোংদোক্না মখা তানা নৈনকদনা মহাকী খুদমশিংনা মহাকসু আচার্য অমনি হায়বা ওচুম্বা ওইগনি

নাট্য-শাস্ত্রগী বিষয়দা পুরাণশিংনসু থবক তৌরম্মী, হিরম অসিদা অগ্নি পুরাণ মাইদগী মমিং চংলি। মসিদা নাট্য নৃত্য, রসনচিংবগী বিবেচন মতিক চানা ফই। বিষ্ণুধর্মোত্তর পুরাণগী অহুমশুবা খণ্ড, শ্লোক ১০০০ দা নাট্যশাস্ত্রগী বিবেচন তৌই।

মথক্তা নৈনখিবা আচার্যশিংনা নাট্যগা মরি লৈনবা কার্য তৌখি। মখোয়গী নাট্যগা মরি লৈনবা খুদমশিংদগী লাইনা অনুমান তৌবা ওম্মী, অহুবু মখোয়গী সাহিত্য মতমগী মতুং ইন্না অমদি রাজনিতীনা মরম ওইদুনা অয়াম্ব মাংখ্র নত্রগা নাট্য শাস্ত্র মবাং কাইনা ইনরকপদগী অমসুং পাকখোক চাওখৎনরক-পনা মরম ওইদুনা মখোয়গী মমাংদা কান্নবা শক্তি লৈরক্কু-বদগী মাংখিবা ওইরম্বা য়াই। মসিনা হায়রিবা গ্রন্থশিংগী তম্বা তম্বীনবনচিংবা তৌনরক্তবনা মতম খরগী তুংদা গ্রন্থশিং অসি মুৎ-থীবা ওইরমগনি। অসুম্না অনুমান তৌবা ওম্মী। মরম অসিদগী গ্রন্থশিং অসিগী ঐখোয়না করি করিগুম্বদা শীন্নবা খুদম খব নত্তনা ফংবা ওমদ্রে।

নাট্য-বিধয় অসিগী মথংগী পরমপরাদদি টীকা তৌবা ওইনা ফংই, মখোয়হুগী মনুংদা অভিনবগুপ্ত কৌবনা মমিং ইহেন-হেন্না চংলি, মহাক্কী মিং মফম থুদিংদা পীরম্বা থেংনৈ। মথাগী শ্লোক অসিদা অতোপ্পা টীকা তৌরম্বশিংগা লৈন্নবগী মথাদা পীরি —

ব্যাখ্যাতারো ভারতীয় লোল্লটোদভট শংককাঃ
ভটোভিনবগুপ্তশ্চ শ্রীমত কীর্টিধারো পরঃ ॥

গ্রন্থ কয়াদা রস বিবেচনগী মতাংদা আচার্য ভটটনায়ক কীসু পল্লম্বা থেংনৈ। মখোয়শিংহুদি লোলট, শঙ্কুক, অভিনবগুপ্ত, ভটটনায়ক, ভটৌটাভটট নচিংবগী মম্মটাচার্যনা রস সূত্র ব্যাখ্যাকারশিং ওইনা শীংথাহনা ইরম্লী। মরম অসিনা মখোয়বু খোযনা নাট্য শস্ত্রগী আচার্যগী ক্ষমদা পীবা য়াই।

মতুংদা লাকখিবা নাট্য-শাস্ত্রকারশিংদা ঐখোইনা পীরিবা আচার্যশিং মখায় পুন্নমক্কী মশাগী গ্রন্থ ইরম্বা ভমম্তুং নাট্য শাস্ত্রগী বরিথনা মওংদা লম্মন তৌরীরনি। শাস্থরিবা গ্রন্থ পুন্নমক মুপ্পা নাট্য শাস্ত্রগা মনী লনবদ, নত্তনা রস, রীতি, অলংকার, ছন্দনচিংবা অতোপ অতোপ্পা বিষয়শিংসু বিবেচন তৌরম্মী, তৌইগুমম্তুং নাট্য শাস্ত্রদম্ম মখোয়না বিবেচন খরা তৌরম্বা য়াওই। মরম অসিনা মখোয়বু নাট্যাচার্যশিংগী মযুংদা চনবদা করিগুম্বা দোষ লৈরোই।

মথং মনাও নাইনা মখায়শিংগী তেল্লপ্পা বিচার তৌসি —
ধনঞ্জয় - মহাক্কী গ্রন্থ নাট্য বিষয় অসিদা য়াম্না মমিং

ৎেপা অমনি। মহাক্কী গ্রন্থগী মিংনা 'দশরূপক' কৌই। মহাক্কী মতম খৃঃ ৯৭৪-৯৯৫ গী মন্থুংদনি। মহাক মালবাগী পরমার বংশকী মুঞ্জ নিংথৌগী সভাপণ্ডিত ওইরম্মী। মহাক্না গ্রন্থগী বাহৌদোক্তা মশাগী পরিচয় মথাগী শ্লোক্তা পীরম্মী

বিষ্ণোঃ সুতেনাপি, ধনঞ্জয়েন বিদ্বনমনোরাগ নিবন্ধ হেতোঃ।

আবিষ্কৃত মুংজমহীশ গোষ্ঠী বৈদগধ ভাজা দশরূপমেতত।

শ্লোক অসিদা মহাক্না বিষ্ণুগী মচানি হায়। মহাক মুঞ্জ নিংথৌগী রাজ সভাদা য়াওন্থনা বিদ্বানশিংগী মুঙাইহন্নবা 'দশরূপক' কৌবা লাইরিক ইখি, অসুম্না ময়েক শেংনা থঙবা উম্মী।

দশরূপক গ্রন্থকার ধনঞ্জয়না খুদম অসিদা নাট্য-শাস্ত্রগী মতিক মগুণ য়াখি —

নাট্যানাং কিন্তু কিংচিত্ত প্রগুণ রচনায়া লক্ষণ সংক্ষিপ্সামি।

মতৌ অসুম্না য়ায়া চাওবা নাট্য শাস্ত্রবু অংেনবা ওইনা ইনবা হোৎনখিবগী মমি তারি।

দশরূপক গ্রন্থ প্রকাশকী মরিদা ইদা কারিকাগী গ্রন্থ অমনি। মহাক্কী ইরিবাসদ, নাটকী বস্তু-বিভাজন, অর্থ প্রকৃতি সন্ধি, অথোপক্ষেপ, নায়ক-নায়িকা ভেদ, রস অসিনচিংবা নিরুপন তৌই।

গ্রন্থ অসি ধনিক কৌবা অমনা ইবা অবলোক টীকাগা লোয়ননা অরায়বা, ৰুঙদা লাইবা, য়ান্না নুঙাইবা গ্রন্থ অমনি। গ্রন্থ অসিগী মরু ওইবদি মসিনি মহুদি মংম অহুগী নাটকশিংদগী

খুদমশিংস্থ পীরি অমসুং অহানবা খুৎথাবা ওইনা বিবেচন তৌই।

বিবেচনা অসিদা মহাক্কী অনৌবা মত পী, মহাক থাঙ্গ হাযরিবা সাহিত্য অলংকার অসি নৈ হায়বা য়াদে। রসবু নটকী হৌরকফম খল্লগা ভাবনা তৌই হায়স্তুং হুড়াইবা অতু নট মশা-মক্তা য়াওই হায়না থাজে। নাটক শান্নবনা গ্রান ফংনবগী নত্তে মসি হুড়াইবা পীনবা অমনি হায়না মহাক্তা থাজে।

ধনিক ঃ মহাক ধনঞ্জয়গী মনাওনি। মহাক্তা দশরূপক অসিগী টীকা 'অবলোক' কৌবা ইখি। মরম অসিনা মহাক্কী মতম ওরাওবা শতাব্দীগী অরোইবা তাঙ্কক্তনি। মহাক অফা-ওবা কবি অমনি, মরম অসিদগী অবলোক টীকাদা শ্লোক্তা অয়া-মনি অমসুং মসি মশানা ইজবা ডাক্তনি। মহাক্কী অতোপ্পা রচনা অমস্ত লেরম্মী, মসিগী খুদম মরিওবা প্রকাশতা 'যথা বোচামকাবানির্ণয়' পীরম্মী।

সাগরনন্দী ঃ মহাক্কী রচনাগী মিং 'নাট্য লক্ষণ রত্ন কোশ' কৌই। মসি কারিকাগী মওংদা হবনি। মসিবু নৈনহনা পাংথা-কপা অমসুং মশক খংখিবদী খু ১৯২২ দা 'সিংগাং লেবী' কৌবনি। মহাক্তা ইরবসিদা নাট্যগী মর-দ ওইবশিং কয়াগী মিং য়াওই।

করি করিংস্বদা 'নন্দিকেশ্বর' - অমমা কৌনবস্ত য়াওই অমসুং মসিগী অহবনা (অভিনয় দপন' কৌই। লাইরিক অসিদা হকচাং কয়াংক্তা অভিনয (Acting) - মাই অমসুং হকচাংগী অকায়বগী বর্ণন তৌই। মহাক্কী মত মতুংইন্না নাট্যগী অভিনয় মপুং ফানা অভিনয় তৌবনি অমসুং অভিনয়গীস্ত পুক্নক্কি হকচাং

কয়াৎকী অভিনয়, অতোপ্পা অভিনয়শিং 'সাত্বিক অভিনয়ন' দা কায়দোংহন্না লৈগদবনি। নন্দিকেশ্বরগী রাজশেখর অমসুং দামোদর গুপ্তনা 'কটটন্নী মত্ত' অসিদা পল্লম্মী। রস, তন্ত্র, কাম, য়োগ, অসি-চিংবা শাস্ত্রশিংগী অইবা অমগী মওংদা মখোয়না পল্লী।

মহাক্কী পরিচয় থোইদোক্না ফংদে। পুরাণশিংগী মতুং ইন্না মহাক শৈব (শিবভক্ত) অমনি, মমা শিলাক মমিং তাংবীনি। মহাক্না অমব ওইগদবা মচাহুপা অমথক্তুং পামজখি অসুন্না ইরম্মী।

রাম কৃষ্ণ কবিগী মতুংইন্না মহাক খা-ভবতকী বিদ্বান ওই-রম্মী অমসুং মহাক্না 'নন্দিকেশ্বর সংহিতা' গ্রন্থ ইখি, অদুগা 'অভিনয় দর্পন' মসিগী শরুক অমনি। রাম কৃষ্ণ কবিনা হায় মতুংদি মহাক খু মমা চহিগী তহানবা শতাব্দী ওইগনি তাংমিলী গ্রন্থগা অইবা মঙ্গ মনিশুন শতাব্দীনি। মহাক্না নন্দিকেশ্বরবু মহক্কী গ্রন্থনা হরম্মা।

মবম তসিনা ওইথোকপ যাবা অমা মহাক খু, মমাং চহি মতাংশুবা নত্রগা তরুকশুবা শতাব্দীদা ওইরম্বা যই। অদুবু মহাক ভবতকী তুংগা মীওইনি। বিদ্বান কয়ানা সাগবন্দি অমসুং নন্দিকেশ্বর তনিসি মা অমতনি থাজনে, মসি থোয়ত্ত য়ানিংই।

রামচন্দ্র গুনচন্দ্রঃ মখোয় অনিমক গুজরাত প্রদেশকী। মমিং লৈরবা নিংথৌ সিদ্ধরাজগী মচা কুমার পালগী দরবারী

কবি বিদ্বান ওইরম্মী। মখোয় অনি হেমচন্দ্র আচার্য্যগী শিষ্য ওইরম্মী। মখোয়গী ইরবা লাইরিকী মীং 'নাট্য-দর্পন' কৌই। লাইরিক অসি অইবা অনিনা হোৎনজুনা ইবনি। রচনা অসি কারিকাত্মক নি। লাইবিক অসিগী টীকাসু মখোয় মশানা ইরম্মী। মখোয় খুঃ তরাগুবা শতাব্দীনি। লাইরিক অসি বিচার মতৌ থোক্না খায়দোকই, মদুদি নাটক নির্ণয়, লক্ষন সন্ধি, রুপকশিংগী খেন্নবা, রস, নায়ক-নায়িকাগী বর্ণন তৌই।

রুয়্যক ঃ মহাক কাশ্মীরী বিদ্বান অমনি। মহাক্না নাটক মীমাংসা' কৌবা রচনা নাট্য শাস্ত্র' দা ইবম্মী, তৌইগুমসুং ওসিদি বচনা অসি ফংদ্রে। মহাক্না রহিম ভট্ট কী 'ব্যক্তি বিবেক' কৌবা গ্রন্থগী টীকা ইরম্মী। মসিদগী মহাক মরিং চৎপা অমা ওখীইবনি। টিকা অসিনা খুদম ওইদুনা মহাক্কী নাটক মীমাংসা' লাইবিক অসি ইবম্মী হায়বা খঙবনি।

শারদাতনয় ঃ মহাক্কী রচনাগী মীং 'ভব প্রকাশ' কৌই। লাইরিক অসি শৈবেং অমনি অমসুং প্রকবন তরা থোক্না খায়দোকই, মখোয়দুদি ভাষা, রস, গাযক, সঙ্গীত, নৃত্য, রুপক, উপরুপক, নচিবর্গা পাকশন্না ব্যাখ্যা তৌবম্মী। ভাবশিংগী মরক্তা মক ওইনা অভিনযদা সাত্ত্বিক ভাবকী বিবেচন তৌবম্মী। মহাক্কী মতম অসি তরাতুমদোইগুবা খুঃ হৌরকপগী অতরাইদনি। লাইরিক অসি য়াম্না চাওই।

রাজা ভীম ঃ মহাক 'শৃঙ্গার প্রকাশ' অমসুং 'সরস্বতী কণ্ঠাভরন' গ্রন্থশিংগী অইবনি। 'শৃঙ্গার প্রকাশ' য়াম্না চাওবা গ্রন্থ

অমনি। মহাক্না মসিদ। প্রকাশ অমথক্তদা নাট্য গা মরি লৈনবা হিংমদা ইরম্মী। অতোপ্পা লাইরিক অমদা অহানবা অধ্যায় অমদা নাট্য-বিষয়দা ইরম্মী। মহাক্কী মতম তরামাথোইশুবা খৃঃ নি।

শিঙ্গভূপাল ঃ মহাক্কী অনি ইরম্মী, মখোয়গী মীংদি নাট্য পরিভাষা' অমসুং 'রসার্ণব সুধাকর' নি। 'নাট্য পরিভাষা' সুপ্পা নাট্য-বিষয়গা মরি লৈননা ইবনি হায়বা য়াদে মরমদি মহাক্না গ্রন্থগী অরোইবথক্তদা নাট্য-বিষয়দা ইরম্মী। মহাক্কী মতম খৃঃ তরাশুবদনি।

রূপ গোস্বামী ঃ মহাক্কী রচনা 'নাটক-চন্দ্রিকা' অমসুং 'হরিভক্তি রসামৃত সিন্ধু' নি। অহানবা লাইরিক্তা মমাংগী আচার্য ভরত অমসুং শিঙ্গভূপাল গী মমি তাবা উই। মসি সুপ্পা নাট্য বিষয়থক্তদা ইবা গ্রন্থ অমনি। মহাক বৈষ্ণব ভক্ত আচার্য অমনি। মহাক্কী মতম খৃঃ তরামরিশুবনি।

বিদ্যানাথ ঃ 'প্রতাপরুদ্রীয়যশোভূষণ' লাইরিক্কী অইবনি। গ্রন্থ অসিগী অহুমশুবা অধ্যায়দা নাটক্কী সংলগ্ন বিবেচন তৌরম্মী। খুদম পুম্নমক মহাকপু আশ্রয় পীবিবা প্রতাপ রুদ্রদেবগী থাগৎ রাইবা শৈরেং শৈথহনা ইবনি। মহাক্কী মতম তরামরিশুবা শতাব্দীনি।

বিশ্বনাথ ঃ আচার্য বিশ্বনাথ কা 'সাহিত্য দর্পন' খুইদগী চাওবা সাহিত্য গ্রন্থ অমনি। মহাক্কী লাইরিক অসি অশেংবদি অলংকার শাস্ত্রদা ইবা লাইরিক্নি, তৌইশুমসুং তরুকশুব পরিচ্ছেদদা

নাট্য বিষযগী মপুং ফানা বিবেচন তৌই। মহাক্কী লাইরিক্তা ভরত মুণী অমসুং ধনঞ্জয় অনিগী মমি ফজনা তাই। রস নিবপতিদা মহাক ব্যক্তিবাদী অমনি। তৌইগুমসুং মহাক ধ্বনি দগী রসনা কাব্যগী আত্মানি থাজে। ধনঞ্জয়গী মতুংইন্দুনা মহাকপূ 'অবস্থানুকৃতি' বু কাব্য নাট্যগী লক্ষণ অমনি থাজে। মহাক্কী লাইবিক অসি কারিকাগী মওংদা ইবা পরিচ্ছেদ তরাদা খ'য়'দাকুনা ইবনি। লোয়ননা মসিগী বৃত্তিসু মশানা ইজবনি। লাইবিক অসি ঙসি খ্বাইদগী হেন্না মমিং চংপা গ্রন্থনি।

বিশ্বনাথ কবিরাজ উডীসাগী মহাপাত্র শাগেদা পোকপনি। মহাক্কী মতম অসি ৺রামমরিগুবা শতাব্দীনি। বিশ্বনাথ কবিগী মতুংদা নাট্য শাস্ত্রগী বিষয়দা ইরম্বা কনাগুম্বা অমত্তা থেংনদে। অসুম্না যাম্না শম্না নাট্য শাস্ত্রগী ইতিহাস লোইশিঞ্জবি।

য়াহং ১৭ নাটকশিংগী উৎপত্তি-লক্ষণগা মরমদা মতশিংগী বিবেচন তৌবগা লোয়ননা সংস্কৃত-নাটকশিংগী মরু ওইবা বিশেষতা ইয়ু।

পাওখুম ঃ সংস্কৃত সাহিত্যদা 'নাটক' পীদমক্তা রুপক' শব্দ শীজিন্নখ। 'রুপক' মখল তবা থোক্পা খাংদোকই অমসুং মাসগী খ্বাইদগী হেনব অমসুং অহানবা থেম্নবনা 'নাটক নি। তৌইগুমসুং ঙসি ঙবাং রুপক' য়াহৈদগী 'নাটক' য়াহৈগী প্রচাবনা হেন্না শিজ্জাইনৈ অমত্তং মখা খুদিংগী রুপক য়াহৈশিংগী মহুত্তা 'নাটক' য়াহৈ শিজ্জাইনৈ। শম্না হায়ববদা রুপক্কী মফমদা নাটক য়াহৈনা শিন্নে। হায়রিবা নাটকশিংগী হৌবকপসি য়াম্না কুই-

য়বা অমসুং মমাংঙৌদগী হৌনা শিঙিন্নবা হৌগ্রবনি। ভারতবর্ষদা মমাংঙৌদগী ফংবা নাটকশিং পুন্নমক্তা কালিদাসনা। ইবা 'অভি-জ্ঞান শাকুন্তলম' না নোংচুপ লোমগী বিদ্বানশিংবু অমুক্কী মতিক অঙকপা পোকহনখি মতুদি মখোয়না য়াংনা পাম্বগা লোয়ননা মফমদিগী নাট্যকলা গী অধ্যায়ন তৌব। হৈনগংলকখি অমসুং অতোপ্পা অনৌবা তত্ত্ব কয়াগী থীজিন-হুমজিনবা হৈনগৎলকখি। নাটকশিং অসি করম্বা অমসুং করন্না হৌরকখি হায়বগী মতাংদা বিদ্বানশিংনা খেন্নবা মত পীনখি। বিষয় অসিদা নোংচুপলোমগী বিদ্বানশিংনা খন্না হেন্না থীজিন্নি অমসুং মখল কয়াগী বাদ (চৎ-নবী) লিংখৎখি। হায়রিবা বাদ (চৎনবী) শিংদা খরা অমনা ধর্মগা মরি লৈনৈ অতুগা খরা অমনা সাধারন লীলা অমসুং মতমতুগী সমাজগী চৎনবীগা মরি লৈনৈ। মতৌ অসুন্না নাট্য কলা অমসুং নাটকী হৌরকফমদা মখল কয়াগী বাদগী সৃষ্টি তৌখি। হায়রিবা বাদ পুন্নমকপু ঐখোয় শরুক অহুম থোক্না খায়দোকপা য়াই —

ক) পরমপরাবাদ

খ) ধার্মিক ভাবনাবাদ

গ) লৌকিক লিলাবাদ

লৌকিক মখৎ-মনাও নাইনা বাদ (চৎনবী) খুদিংগী মরমদা বিবেচন তৌত্নুনা য়েংশি অতুগা করম করম্বা। ফিবমদা মখোয়না মখোয়গী মত থম্বগে অমসুং মখোয়শিংতুদগী করবা মত নত্রগা বাদনা খরা হেন্না চন্নবা য়াত্রা হায়বনচিংবা য়েংশি। অহুম

ওইনা মত খুদিং মখেয় মখোয়গী বিজিন হুৎজিন্দুনা হায়ব ঙাক্তনি, তৌইগুমশুং অসিগুম্বা মত কয়াসু য়াওই মহুদি অতো প্পা মত কয়াদগী লৌবা য়াওই, অমসুং মত খুদিংগী হৌরক ফম করিগুম্বা অরেপ্পা অমা পুথোকপদা মতেং ওইগনি।

ক) পরমপরাবাদ

১। দ্যুলোকবাদ ঃ সাম্প্রাদায়গী মত মতুংইন্না ভারতকী ধর্ম প্রাণ প্রজাগী বিশ্বাসনি মহুদি নাট্য-বিজ্ঞান হেৎরকখিবসি দ্যুলোক হায়রিবহুদগীনি। মসিগী হৌদোরকখিবা মতম ত্রেতা যুগনি থাজনৈ, মরমদি সত্যযুগতা মী খুদিং য়াম্না নুঙাইরম্মী অমসুং মতমহুগী মীশিংবু করিগুম্বা মথলগী নুঙাইবগী দরকার ওইদে। তৌইগুমশুং ত্রেতাযুগ হৌরকখিবগা সংসারগী অরাব মীয়ামদা থংলবা হেৎরকখি। মরম অসিদগী লাইশিং অমসুং ম ওইবা অনিমক্না ব্রহ্মাজীগী মকমদা চত্তুনা অমুম্না হায়জরম্মী মহুদি জগৎকী অৱাবা অসি থরা কোক্লবা উপায় তৌহনা করিগুম্বা পোৎ অমা পীবাহনা ঐখায়গী পুন্সিং নুঙাইহন্নবা অম সুং মতম থরগী ওইরবস্নু সংসারগী অৱাবা পোৎলুম কাওথোকহন্নবা। ব্রহ্মাজীনা ধ্যান তৌহনা সংসারগী প্রানিশিংগীদমক 'নাট্য-বেদ' পুথোকখি। মসিগীদমক্তা মহাক্না বেদ মারিগী মতেং লৌখি। ঋগ বেদদগী নৃত্য, সামবেদদগী সংগীত, য়জুর্বেদদগী অভিনয়, অমসুং অথর্ববেদগী রস লৌহনা নাট্য কলাগা সৃষ্টি তৌখ অবসুং মসিবু মঙাগুম্বা বেদ অমুম্না সংসারদা মন্নিং চংখি। মসিদা শিবজীনা তাণ্ডব নৃত্য, পার্বতীজীনা লাস্য নৃত্য অমসুং

বিষ্ণুনা বৃত্তি মরি শেমহনা অমুক্তা কনাপুর্ণ ওইহন্দুনা মপুং ফাহনখি। মসিদসু নন্তনা, স্বর্গলোক্কী লৈশেমহন্নবা য়াম্না হৈ-শিংবা বিশ্বকর্মানা য়াম্না ফজবা রঙ্গমঞ্চ (Hall) অমা শেমখি অমসুং মচুদা লীসা শান্নবা হৌখি। হাইদগী অরিবা অহানবা নাটক ত্রিপুর-দাহ, অমসুং সমুদ্র মন্থন না ওইরম্মী, মসি ইন্দ্র ধ্বজ চাওদা শান্নখি অমসুং মসিদা সুপাসী অভিনয় সুপানা অম-সুং মুপীগী অভিনয় মুপীনা তৌখি। রারি অসিবু মৃত্যু-লোক (পৃথিবী) দা য়ৌহনবগীদমক ভরত মুনীদা পীন্নখি। অমুন্না দ্যু-লোকতগী নাট্য-কলা অসি পৃথিবীদা পুথরকখী। হায়রিবা রা-রাশিং অসিনা ঐখোয়গী লাইদগী হৌরকপগী রাখল্লোন্না মপুং ওইজরবসু মসিদগী খঙবা অমদি পোৎ খুদিংগী চাওখৎ-খোঙথাং লাইশিংদগীনি থাজনৈ। তৌই-হুমসুং ঐখোয়না মসিদি শেংনা খঙবা ঙমী মচুদি মখাদা পীরীবা রারন মসিগী জ্ঞান য়াম্না নীং-থিনা য়াওই।

১) নাট্য-কলাগী নির্মাণদা বেদ মরীগী য়োগ-দান ওইবগী।
২) অহানবদা নুপা অমসুং নুপী অনিমক অভিনয় তৌরম্মী।
৩) অহানবদা নাটক পুম্নমক ধার্মিক ওইরম্মী অম-সুং লাই তিন খুরুম্বা হরাওবা মতমদা নাটক শান্নবগী চেৎনরম্মী।
৪) বৈদিক যুগতা নাটক অমত্তা লেংলমদে। মরম

অসিনগী লাইশিং অমসুং হিংচাবশিংনা ব্রহমাদা হায়জখিরম্মী।

খ) ধার্মিক ভাবনাবাদ।

২) অশিবগী পূজা তৌবা — ডাঃ রিজবে গী বিচারদা সংসার পুন্নমক্তা নাটক হৌরকখিবগী রারীদি শিগ্রবা আত্মাগী শ্রদ্ধা (নুংশিবা) ফাওবনা। হায়রিবা শ্রদ্ধা অসিনী চংনবীসি অয়াম্বা দেশ গ্রীস, ভারতনচিংবদা য়াম্না লীরবা মতমদগী লৈরকখি। অমুক্তমু হায়রিবা 'শ্রদ্ধা' অসিনা ধর্ম পুন্নমক্কী হৌরকফম য়ুমকম্নি। লোয়ননা শ্রদ্ধা অসিবু অতোপ্পা পোৎশিংদা ভাবনা তৌবগী মতুংদা জীব বর্না তৌবা সিদ্ধান্ত মরু ওইবনি। মতৌ অহন্না নাটকশিংগী অভিনয় মৃত আত্মাশিংগী পেন্নবা ওইনা তৌবম্মী। রামলীলাদা হায়রিবা ভাবনা অসি য়াওই মবমদি মখায়গী মপা-মপুশিংবু শ্রদ্ধা কোংদাক্রবগীদমক ধার্মিক লীলাশিং পাংখোকই। মরম অসিনা মৃত-আত্মা পূজাগী মরমদগী তপ্না-তপ্না নৃত্য, গ্যান অমসুং অভিনয় পাংখোক্লম্মী অমসুং মথং মথং নাটক ইবগী মওং অসি হৌরকখি। ডাঃ বিজবে মখোয়সিবু ইউরোপকী বিদ্বান খরদি য়াদে।

৩) মে পোলবাদঃ মথক্তা পীখবা মত অসিবু খণ্ডন তৌদুনা নোংচুপকী বিদ্বানশিংগী মখোয়না নাটককী হৌরকফম 'মে পোল নৃত্যগী হৌবনি। নোংচুপলোমদা লৈবা লৈবাকশিংদা মে থা অসি য়াম্না নুংগাইবা থা অমনি লৌই। থা অসিদা লৈবাকশিংসিদা উৎসব কয়া পাংথোক্লি। মীশিংনা জগোই

পাংখোক্ল। তৌইগুমস্থং মসিদ। দোয় অমা লৈ মহুদি মে-পোল' নৃত্য কী মরী ইন্দ্রধ্বজ পর্বগা লৈনহ.বসিনি, মসিদ পোল উৎসব বসন্ত ঋতুদা পাংখোকই অহুগা ইন্দ্রধ্বজ পর্ব ভাবতরষ দা লোংজু থাগী মমৈদা পাংখোকই মরমদি মসি ইন্দ্রনা-বৃত্র (মেঘ) বু বিজয় তৌবগী থুদম্নি।

কৃষ্ণ-উপাসনাবাদ — বাদ অসিনা হায়বসি নাটক পুন্নমকী হৌরকফম সুপ্না কৃষ্ণ-উপাসনা খক্তদগীনি হায়না থাজে। মসিদা চিংনরোইদনা অমনা কৃষ্ণ উপাসনাগী ভয়াম্বা একশিংদা অচৌবা মচাকশিং য়াওই। থুদম ওইনা হায়রদা রথ-যাত্রা তৌবা, নৃত্য, বাদ্য অমস্থং গীত অমদি লীলানাচিংবা নাটককী মচাকশিং অসিনা সংস্কৃত নাটকশিং লেংবদা অচৌবা মতেং ওই। মত অসিগী মতুং ইন্না বিদ্বানশিংনা অসুম্না হায়রম্মী মহুদি জগোই শাহুনা চোং-কন্দুনা অমস্থং ঈশে শকুনা হুংঙাইবা কোংদোরই। মসিদা নত্তনা, মখায়না য়াম্না শাংবা রা অমা যুংহুনা মহুগী মখাদা সুপী-সুপা পুনশিন্দুনা জগোই শই। ভারতবর্ষ দগী ইন্দ্রধ্বজ উৎসবসু মসিগা মান্নবা মওংদা পাংখোকই। মসিনা তাকপদি নাটকশিং ইবা হৌথিবা অসি বসন্ত থা ভসিদা পাংখোকনবা কুম্মৈশিংগী মরমদগী হৌখবিা ওইরমগনি। মসিদি য়াম্না শেংলবনি মহুদি সংসার পুম্বা বসন্ত থা অসি য়াম্না নুঙাইব কুম্মৈ-উৎসব পাংখোক্লবা থা অমনি। মসিগী মরমদি য়াম্না হংবা রাকচিং-উরেন লানখোক্লগা বসন্ত লাকপা অসি প্রানি খুদিংবু নুঙাইবা পীবা মতমনি। মরম অসিনা মতম খসিদা জাতি পুন্নমক্না হরাও কুম্মৈ

নাটকী অহানব। বিকাস কৃষ্ণ-উপাসনাগী মরুওইবা মফম শূরসেন প্রদেশতা ইখিবনি। সংস্কৃত নাটকশিংদা শৌরসেনী প্রাকৃত ভাষাগী মরুওইবা থোদাং য়াখিব। অসিনসু প্রমাণ ওইরে। তৌইগুমসু্ং কৃষ্ণ-উপাসনা বাদ অসিদা অচৌবা দোষ অমনা কৃষ্ণগা মরী লৈনবা নাটকশিংনা খ্বাইদগী অরিবনি হায়বসিনি। মসিগী মতিকচাবা প্রমাণ ফংদে। অনিশুবনা রাম, শিবনচিংবা অতোপ্পা লাইশিংগী মখিং চৎসবা উপন্যাস কয়ানসু ভারতীয় নাটক-সাহিত্যদা শোয়দনা অচৌবা সহয়োগ পীরমগনি।। অহুবু বাদ অসি মখোয়না লায়থোপদগীনা করিমক্তা পল্লমদবসিনী।

গ) লৌকিক লীলাবাদ

৫) লোকপ্রিয় স্বাংগবাদ — প্রো° হিলব্রেট অমসুং স্তেনকোনো অনিগী বিচারদি — ভারতবর্ষদা হুগুনবা মতমদ। মীয়াম্না পান্নবা অসি ফাগি জুগাই, য়াম্না চৎনরম্মী অমসুং হায়রিবা স্বাঙ্গ অসিদগী নাটক সাহিত্য হৌরকখীবনি। হায়রিবা স্বাঙ্গ অসিদ। রামায়ন অমসুং মহাভারতকা বারী কয়া য়াওই মসিনা নাটকশিংগী কথাবস্তু শেমখীবা ওইরমগনি। তৌইগুমসুং মত অসিবু থওন ডা° কীথনা তৌখি। মহাকী মত মতুং ইন্না নাটকী প্রচার তৌবগী মমাংদা স্বাঙ্গগী প্রসিদ্ধ ওইবগী মতিক চাব। প্রমাণ অমত্তা ফংদে। মি° কোনোনা পীরিবা প্রমাণশিং অহুদি মহাভাষ্যকী মতমদনি নত্রগঃ মতুংদনি। মরম অসিনা স্বাঙ্গ অভিনয়গী প্রাচীন ওইবগী সিদ্ধ তৌদে। হোয়! প্রো° হিলব্রেটনা মসিদা যুক্তি কয়া পীরম্মী, মতুংশিংদা শক্তি খরদি লৈ।

মহাক্রা — ১) নাটকশিংদা সংস্কৃত কা লোয়নবা প্রাকৃত ভাষা য়াওবা, ২) গদ্য-পদ্য অনি য়ানশিন্নবা, ৩) রঙ্গশালাশিংদা য়াম্না হেনজিনবা মওংদা নত্তনা ইচম চম্না শেম্বা, ৪) বিদূষক (জোকর) অসিগুম্বা মকওইবা পাত্র য়াওহন্দুনা নাটকশিংদা লোকপ্রিয় স্বাঙ্গ শেম্বদগী ওইখিবনি। মথক্তা পীখিবা রাফম মরীশিগী মখুংদা অহানবা অহমদি য়াম্না লাইনা থওবা ওন্মী অমস্তুং নাটকশিংগী হৌরককমগী মরম ধার্মিক সংস্কারশিংগা শম্নে। তৌইগুমস্তুং নাটকশিংদা বিদূষকুম্বা পাত্র অসি য়াওবা মহাব্রত সংস্কারদা শুদ্র পাত্রগী মরুওইবা মরমদগী হাপচিনখীবা মাল্লী অমস্তুং মহাব্রত ধার্মিক সংস্কার অমনি। অনিশুবা কাংবুদদি করিগুম্বা প্রমাণ অমত্তা শংদে মহুদি নাটকশিংদা বিদূষক থম্নগী নিয়মগী মরম করিগুম্বা লৌকিক লীলাগা মরী লৈনে য়াওদে।

৬) পুত্তলিকা নৃত্যবাদঃ জর্মন বিদ্বান ডা॰ পিকলনা নাটকশিংগী হৌদককম কঠপুতলী (লাইথী জগোই) গী জগোইদগীনি হায। নাটকশিংদা শীজিন্নবা 'সূত্রধার' অমস্তুং 'সথাপক' নচিংবা রাহৈশিং মসিগী শোগংপা অমনি। মসিগা লোয়নবা মসিবু পুত্তলিকা, পুত্রিকা, দারুময়ীনচিংবা মিংশিং মহাভারতকী কথাসরিতসাগর অমস্তুং রাজশেখরগী বাল রামায়নদা মফম য়াম্না ফংই। তৌইগুমস্তুং বাদ অসিদা অশোয়বা য়াওব উই, মরমদি প্রো॰ হিলব্রেন্টকী মত মতুংইন্না কঠপুত্তলিগী জগোইগী ইতিহাস য়েংলগা মসি থওশা ওন্মী মরমদি নাটকশিং হৌবা হৌখিবা অসি লাইথী নাটকতগী মমাংদা হৌখি। অনিশুবা, রস ভাব

সংচালিত নাটকশিং হৌরকখিবগী মতমগা অসিগুম্বা ইচম চম্বা লাইধী জগোইদগী হৌদোকখীবনী হায়বসি য়াম্না মতিক চাদে অমসুং অসংগত ওইগনি।

৭) ছায়া নাটক ঃ ডা° লূডর্স অমসুং কোনোগী মত মতুংইন্না নাটকী হৌরকখিবগী অমসুং মসি চাওখৎলকপগী মরোদা ছায়া নাটকশিংগী অচৌবা মতৌং য়াওই। অহানবদ ছায়া নাটক য়াম্না শান্নরম্নগী চৎনরম্মী। ৱাফম অসি কাওব য়াররোইদবা অমনি মতুং দি 'রূপক' ৱাহৈ অসিনা সিদ্ধান্ত অসিগী অর্থগা চানবগুম অইত অতোপ্পা অম্বগা চানবা ওমদে। তৌইগুমসুং মসি ডা° কীথ কী মত মতুংইন্না বাদ তসি মহাভাষ্যগী ময়েক শেংদবা মফমদগী লৌবনি। বাদ অসিদা খ্বাইদগী চাওবা দোব ত.মনা নাটকশিংগী গদ্য-পদ্য য়ান্নবা অমসুং সংস্কৃত প্রাকৃত লোন অনি-গী শিজ্জীন্নবগী চপ চাবা প্রমাণ অমত্তা পীবা ওমদে। অনিগুবা-অতোপ্পা বাদশিংগী মতৌগুম বাদ আসগী থাজবা কাংবুগীসু নাটকশিং হৌরকখিবা অসি মনি ওইনা শান্নবশি লৈত্রিউে মমাং-দগী হৌনা নাটক সাহিত্য হৌরকখি; য়াবা তাবনি। অদুম ওইনা 'হুতাং গন' কৌবা ছায়া নাটক সংস্কৃত সাহিত্যদা অরিবা অমনি। কৌইগুমসুং মসি য়াম্না লীবসু নত্তে লোয়নননা য়াম্না কান্নবা অমসু নত্তে। মরম অসিনা ছায়া নাটক অসিগুম্বা ইচম-চম্বা নাট্যগী পোৎচং (উপকরন) দগী ভারতীয় নাট্য-কলাগী হৌরকফম অমনি। থাজবা য়াম্না লানবা ওইগনি।

৮) সংবাদ সূক্তবাদ ঃ ঋগবেদদা ৱারী শান্নবা সূক্ত

২৬ তগী হেন্না ফংই মসিদা ধার্মিক ভাবনা থক্তা নহনা লোক ব্যবহারগা মরী লৈনবা সংবাদ য়াওই। খৃঃ ১৮৩১দা প্রো৹ মৈক্সমুলরগী রাখল হায়রিবা সূক্তশিং অশিনা চিংশিল্লম্মী অমসুং মহাক্না সূক্তশিং অসি নাটকশিংগী হৌরকফম্নি তাক্লম্মী। মসিগী মতুং থরা লৈব্রগা প্রো৹ লেবীনসু রাকম অনিবু য়ারম্মী। অমসুং বাঁণ শ্রীধরনা হায়রিবা রাকম অসি মূল্লা থীজিল্লুনা বিচার তৌখি অদুগা মহাক্না মসিবু প্রমাণ পীনবসু হোৎনরম্মী মদুদি সূক্তশিংসিদগী য়াম্না থুপ্পা ইঙ্গিৎ ফংই। ডা৹ হরনৈনা খোঙকাপ অমা চংখৎনা হস্নুন্না হায়রম্মী মদুদি বৈদিক নাটকশিং চাওখলকপগী মওং ঐখোয়াদা শুপনা অধ্যায়দা উবা ফংই। অতোপ্পা অমনা বিদ্ব নশিংনসু ঋগবেদগী অনিগুম্বা রারী শান্নবগী মওং অশিদা নাটকশিংগী হৌরকফম ওইবা পোৎচংশিং থীনবা হোৎনখীবম্মী অদুগা অমনা নাটকশিংদা মকওইবা পোৎচং অহুমথক লৈ নৃত্য, গীত, সংবাদ। অহানবগা সংবাদশিংসিদা নৃত্য অমসুং গীতনচিংবসু লৈরমগনি, অদুবু ঙসিদি মখোয়গী মওং উবা ফংদে। অহুমকপু ঋগবেদগী বিবাহ-সূক্তগী মমুংচনবা নবদমপতি অনিগী মমাংদা প্রবংঋি (হোমো) শিংগী জগোই শান্নবগা রাকম য়াওই, অমসুং গীত শিংসিদি ঋগবেদগী মফম কয়াদা থন্না য়াওরী। মরম অসিনা হায়রিব সংবাদশিংদা সূক্ত থরদি য়াম্না ফজবা রারী শান্নবগী মওং য়াওরী।

৯) বৈদিক অনুষ্ঠানবাদঃ মথক্কী সংবাদ সূক্তশিংদা নত্তনা বিদ্বান থরদি বৈদিক অনুষ্ঠানদা নাটক হৌরকফমগী

মরয়্নি থাক্নে। বিচার তৌরবদি বৈদিক অনুষ্ঠানশিংদা নাটক-শিংগী তৌরককম ওইবা পোৎচং খুদিং শুন। য়াওই। ঋগবেদগী সংবাদ সূক্তশিংগী বর্ণন মথক্তা পীখ্রে। হায়রিবা সংবাদশিং অসিসু অনুষ্ঠান শরুক অমনি। মসিগ। লোয়ননা বেদগী মতমদা মহাব্রত অনুষ্ঠান য়াম্না চৎনরম্মী। অনুষ্ঠান অসি মথল অমগী নাটক কুম্বা অমনি মরমদি অনুষ্ঠান অসিদা কুমারি মুপী মচাশিং মৈগী অকোয়বদা জগোই শাই। শূদ্র অমসুং বৈশ্য জাতি অনি ওইর-কখিবগী কলহলগী বর্ণনদা তশেংনা নাটকী ওইব। মসিগা লোয়ননা যজ্ঞ সূক্তশিং দা যজ্ঞ মণ্ডবগী মনুংদা ফম্বা য়ুজমান অমসুং ভিক্ষারা শিংগী মরক্তা ওয়াংন শান্নবা সূক্তশিংসু নাটকী কথোপ-কথনগী মওংদা ইঙ্গিৎ তৌই। বিদ্বান কয়াগী মত মতুং ইন্না নাটকশিংগী হৌরেংগী ওইবা সম্বাদ মহাব্রত অনুষ্ঠানা য়াওবা সম্বাদশিং উবদগী হেনগৎলকখিবনি। বরিগুম্বা বিচার অসিবু অচুম্বনি লৌরবদি নাটকী উৎপাদন ওইবা খুদিং এখোয়না বৈদিক অনুষ্ঠানশিংদা য়াওবা থেংনগনি। মথক্তা নৈনখিব। মথল কয়াগী বাদশিং য়েং-লগা মসিগী অবেংবা খুঙলে মতুদি নাটকশিংগা উৎপত্তিদা প্রা-চিন নৃত্য গীত অমসুং সম্বাদশিংগী অচৌবা থৌ য়াং য়াওই। জাতি খুদিংদা নৃত্য, গীতনচিংবা য়াম্না লৌরবা মতমদগী হেন্না চৎনর-ক্লমী। ভারতবর্ষদা চাওখৎ থোক্লগা তৌরকখিবগা লোয়ন লোয়ননা হায়রিবা নৃত্য, গীতনচিংবাশিংসু চাওখৎলকখি অমসুং মসিগী চাওখৎলব। মওংবু নাটক হায়রন কৌনখি, মসিদা অভি-নয় তৌবনা অমুক্কা হেন্না নাটকী পুন্সি মপুং ফাহনখি। মতৌ

অসুম্না ভারতবর্ষদা ইহান হান্না নাটকশিংগী হৈরকপগী মরম ওইরকখি।

সংস্কৃত-সাহিত্যদা ভ.স কালিদাস, শুদ্রক, বিশাখ, ভবভূতি, নারায়ন, শ্রীহর্ষ, নচিংবা অরাংবা থাক্কী নাটককারশিংনি মথোযগী লাইরিকশিংদি মথংশিংনা স্বপ্নবাসবদত্তা, অভিজ্ঞান শকুন্তলম, মৃচ্ছকটিক মুদ্রারাক্ষস, উত্তররামচরিত, বেণীসংহার, রত্নাবলিনচিংবা য়াম্না মশিং লৈরবা অমসুং অরাংবা থাক্কী নাটকি মথোয়শিং য়েংলুবদা সংস্কৃত নাটকশিংগী মক ওইবশিং মথাদা পীজরিবা মওংশিং উসিনি।

১) সংস্কৃত নাটকশিংদা অয়া'ন' নান্দী প্রাস্তাবনা অমসুং ভরত বাক্য য়াওনা হৌই।

২) নাটক খরদা অঙ্ক-নাইবা বিসদৃত্তক নচিংবগীসু য়াওবা থেংনৈ।

৩) অযাম্বা নাটকশিংদা অঙ্ক নাইবা অসুং অঙ্কগী ম রোয়বা খুদিংদা পাত্র পুরুমক স্টেট-ফেদগী চংথোকখি।

৪) নাটক খরদি য়াম্না চাওই, খুদম মৃচ্ছকটিক নাটক মতামতনা গ্রীক্কী নাটকার একশিলগী নাটক অহুমগা মান্নে।

৫) নাটকশিং অসি সংস্কৃত অমসুং প্রাকৃত লোন অনিসিনা য়ান্নহনা ইবা অরাংবা জাতিদা পোকপা রাজা, পণ্ডিত নত্রগা অতোপ্পা বিদ্বান সংস্কৃত লোন্দা শীজিন্নবা যংই, মুপী পাত্র অতোপ্পা অনেম্বা থাক্কী পাত্রশিং হায়রবদি বিদূষকনচিংবা প্রাকৃত লোন্দা শীজিন্নহনল্লি।

৬) নাটকশিংদা বিচুধকী কলপনা অঙক-া অমনি। বিচু-ধক অসি নিংথৌগী মরুপ নত্রগা সখা অমনি, মীনাইদি নত্তে।

৭) নাটকশিংগী ৱারীগী হৌরকফম নাটক্নাগী মশাগী নত্রগা ভারতীয় ইতিহাসকী গ্রন্থশিংদগী লৌবা ঙাক্তনি। মসিদা বিদেশী ৱারীশিং য়ুওবা থেংনদে।

৮) নাটকশিং অসিগী মপুং রঙ্গমঞ্চ (স্তেজ) দা হাংপা, লুহোংবা, হিহোনবা, লান শোক্লবনচিংবা উত্তে।

৯) মফম মতম হাপ্পগী ৱাখল মখোয়দা কৈত্তে।

১০) নাটকশিং অসিদা গদ্য অমসুং গেয় পদ্য (ঈশৈ) গা য়ানশিন্দুনা ইবদা য়ায়া মায় পাক্লা ইথি।

১১) নাটকশিং পুম্নমক্তা য়েংলিবশিংগী পুক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনবা অমসুং রস পরিপাক (মপুং ফানা মুঙাইবা) কী মরম দা মপুং ফাই।

১২) মফম অসিগী নাটকশিং সুখান্ত নাটক (নুংাইনা-লোইবা) অয়াম্বনি দুঃখান্ত নাটক য়াওদরগুসনি।

১৩) সংস্কৃত নাটকশিংগী মরুওইবা পান্দম — মীয়াম্বু নুঙাইহনবনি।

১৪) নাটকশিংদা ইতিহাসিক নত্রগা মশাগী ওইজবা ৱারীগা লোয়নননা নাটকারগী মতমগী সমাজিক, রাজনীতি অম-সুং ধার্মিক দশাগী জ্ঞানসু য়ায়া চংখান্না য়াওই।

১৫) নাটকশিং অসিদা মীওইবগী পুন্সিগী ৱারীগা লো-য়নননা প্রকৃতিগী পুন্সিবুসু ফজনা য়াওবা থেংনৈ।

মথক্তা নৈনখিবা মরুওইবা বয়াশিংদা নওন। নাট্য কলাগা মরি লৈনবা ৱাকম কয়া য়াওবসিনা ঙসিসু বিশ্ব সাহিত্যদা ভারতগী সংস্কৃত নাটকশিংনা অথোইবা মফম লৌরিবনি। 'অভি-জ্ঞান শকুন্তলম' মথক্তনা সংসারা পুম্বু ঙকহনবা ঙমখি। হায়-রিবা পৃথিবী শিন্দুংনা এনিং চংলবা নাটক অসি সংসারগী চাওরাক্লা অয়াম্বা লোন্দা অনুবাদ তৌখ্রবনি অমসুং দেশকী নত্রগা বিদেশী বিদ্বান পুন্নমক্লা মসিগী থাগৎপদা অপেনবা লৈতে। মতৌ অসুম্না সংস্কৃতকী নাট্য-সাহিত্য খ্বাইদগী অরাংবশিংগী মক্তংদা অমনি।

ৱাহং ১৮ — সংস্কৃত নাট্য-সাহিত্যগী চাওখৎলক-খিবগী শন্নপা তাকপগা লোয়ননা সংস্কৃত সাহিত্যগী মরু ওইবা নাটক্কারশিংগী পরিচয় পীয়ু।

পাওখুম ঃ বিশ্ব সাহিত্যদা ভারতীয় বাঙময়গী খ্বাইদগী অরাংবা অমনি। ভারতীয় বাংময়গী মক্তংদসু মাইগৈ খুদিংদা মপুং ফাবা সংস্কৃত সাহিত্য দেব বানী সাহিত্যদসু অনেক পৃথিবী শিন্দুংনা মমিং চংলবা নাট্য-সাহিত্যনি। হায়রিব নাট্য সাহিত্যগী হৌরকখিবা অমসুং চাওখৎলকখিবগী মরী খ্বাইদগী লীরবা অমনি। ভরত মুনীনা হায়রগী মতুংদা নাটক্কী তত্ত্বগা হৌরকক্কম বৈদিক সাহিত্যনি অমসুং নাট্য-শাস্ত্র মথাঙ্গুবা বেদ বোই। মীওইববু মুত্তাইহন্নবা বেদ মরীদা মথংশিংনা ৱাদী শান্নবা, অভিনয়, সঙ্গীত অমসুং রস অসিনচিংবা লৌতুনা নাট্য-বেদগী হৌরকফমনি।

মতুংদা ইবা সাহিত্য-গ্রন্থশিংদা মহাভারতকা বিরাট পর্বদা

রঙ্গশালা (ড্রামা হোল) গী মরমদা ইরম্মী, মসিদা 'নত' রাহৈ অসি ইরম্বা থেংনৈ। শ্রীধর স্বামীগী মত মতুংইন্না নট রাইনা খংনরিবদি আনৌবা রসকী অভিনয়গী হৈশিংবনি। রমা-য়নদস্থ 'নট' রঙ্গ, নর্তক, নাটকনচিংবা রাহৈশিং লৈরম্বগী খুদম লৈ, মসিদা 'কুশী লব' রাহৈগী অর্থ নট নত্রগা অভিনেতা অম্মা তাকই। হরিবংস পুরাণদা রামায়নগী রারী অমসুং না-টক্কী অভিনয়গী মরমদা ইরম্বা থেংনৈ। পানিনিনা মহাকী অষ্টা-ধ্যায়ীদা "পরাশর শিলালিভ্যাং ভিক্ষু নট সূত্রয়ো চ" অম-সুং "কর্মন্দ কৃশাশ্বাদীনি" অনি অসিদা নট সূত্র রাহৈ হায়বদি নাট্য শাস্ত্রগী অমসুং শিলালিন অমসুং কৃশাশ্ব কৌবা নটশিংগী মমিং মথা ইরম্মী। মরম অসিনা য়েংনবা লৈ না হায়বা ওম্মী মতুদি পানিনিগী মমাংদগী নাটক্কী রচনা ইবা হৌখ্রবনি। মসি-গী মরমদি লক্ষণ গ্রন্থশিংগী রচনা ইবা হায়বসি লক্ষণ গ্রন্থ ইরবা মতুংদতা ইনবনি। মসিদস্থ নত্তনা শতাব্দী ২০০ খৃঃ মমাংদা পতঞ্জলিগী মহাভাষ্যগী 'কংসবধ' অমসুং 'বলি-বধ' কৌবা লাইরিক ইরম্বা থেংনৈ "কথম বর্তমান কাল কংসবাতয়ন্তি বহি বধয়ন্তি ইতি" চিরহতে কংসে চির-বদ্ধেতু বলি ···· প্রত্যক্ষ কংস ঘাতমন্তি প্রত্যক্ষং চ বলি বধয়ন্তি।" অম্মা ফংই মসি নাট্য-শাস্ত্র য়ায়া লীরবা অমনি তাকপা খুদনি। কৌটিল্য অর্থশাস্ত্রদস্থ কুশীলবনচিংবা রাহৈ য়াওরি।

জন সাহিত্য অমসুং বৌদ্ধ সাহিত্যদস্থ নাটক সাহিত্যগী

বর্ণন তৌবস্নু থেংনৈ।

মতৌ অসুম্না মথক্লো নৈনরিবশিংগী মতুংইন্না নাটকশিং ইবা হৌরকখিবগী মতম খৃঃ মমাং অহানবা শতাব্দী মমাংদগী ওই-গনি। মসিনস্নু খঙবা ঙম্মী মহুদি নাটকশিংগী মথং মথং চাও-খংলকখিবগী মওং অসি থরন্না বৈদিক সাহিত্যদগী, থরন্না ইতিহাস অমসুং পুরাণ অহুগা থরন্না লোকগীত অমসুং মীয়াম গী হন্নাও কুম্মৈশিংদগী ওইরকখিবনি। মরম অসিনা ঐখোয়না মসি লেপ্পা ঙম্মী মহুদি খৃঃ মমাং অনিশুবা শতাব্দী ফাওবদা নাট্য শাস্ত্র মপুং ফানা ইবা লোয়রে। মতৌ অসুম্না ভারত বর্ষদা নাটকশিংগী মপুং ফানা চাওখৎলকপদা চইংগা কয়া চংখী অমসুং হৌরকপা অমসুং চাওখৎকলপদা মথন কয়াগী পোৎচং চংখী।

'ভাস কবি'

মহাকবি ভাস কু ১৩ নাটকশিংগী শকাব্দ ১১০৯ দা স্বর্গীয় মহামহোপধ্যায় টী: গণপতি-শাস্ত্রীনা ত্রাবনকোর রাজ্য দা ফংহুনা ফোংখি। হায়রিবা লাইরিকশিংগী মিংদি —

১। প্রতিভা নাটক, ২। অভিষেক নাটক মসি রাম কথাগা মন্নী লৈবনি, ৩। পঞ্চরাত্রম, ৪। মধ্যম ব্যায়োগ, ৫।

দুত ঘটোৎকচ, ৬। কর্ণভার, ৭। দুতবাক্য, ৮। উরুভঙ্গ, মহাভারতকা মরী লৈনৈ, ৯। বালচরিতকী কথা ভাগবত কী মরি লৈনৈ, ১০। দরিদ্র চারুদত্তম, ১১। অবিমারকম, মসিগী ৱারী মীয়াম্না পাম্নবা অচম্বা লোক-কথাগা মরী লৈনৈ। ১২। প্রতিজ্ঞা যৌগন্ধরায়ণ, ১৩। স্বপ্ন বাসবদত্তা, ৱারী অসি মহাভারতকী নিংথৌ উদয়নগা মরি লৈনৈ। মহাকী লাই রিকশিংদা 'স্বপ্নবাসবদত্তম' অথোইবা নাটক্নি, হায়রিবা নাটকী মরমদা রাজশেখর পণ্ডিতনা অসুম্না হায় — মৈনা ফাওবা চাকুনা মাংহনবা ঙমদে।

ভাসনাটক চক্রকো অপিছে কে: ক্ষিপ্ত পরীক্ষিতুম।
স্বপ্নবাসবদত্তস্য দাহকো অভূন্নপাবকঃ।

মথক্তা পীখিবা নাটকশিং পুন্নমক বিদ্বানশিংনা মত অমদা মহাকবি ভাসনা ইবনি হায়বা য়াই। মহাকবি কালিদাসনসু 'মালবিকাগ্নি' নাটকী ৱাহৈদোক্তা ভাস কবিগী মীংশিং রাহৈ ইরম্মী।

প্রথতি য়শসাং ভাস সৌমিল্য কবিপুত্রাদীনাং প্রবন্ধানতিক্রম্য কথং বর্তমানস্য কবেঃ কালিদাসস্য কৃতৌ বহুমানঃ।'

নোংচুপলোমগী বিদ্বান মহাকবি কালিদাস গুপ্ত কালগী কবিনি তাকই; সিদ্ধান্ত অসি য়ারবদি অমসুং কালিদাসনা ভাস কবিবু পল্লবনা ভাসকী মতম অনিশুবা শতাব্দী লেপ্পী অহুম ওইনা কবিগী মতম অসি য়েংনবা লৈতনা লেপখিবনি হায়বদি

য়াদে।

অতুম ওইনা ভাসকী ভাষা আর্য অমসুং পানিনিগী ব্যাকরণী ওইদবা মরম্না মহাকপু প্রাচীনতম নাটকার অমনি লৌবা য়াই।

ভাসকী নাটক নাট্য-কলাগী অয়েৌবী থাক্তা চাওথৎপগী থুদম ফংই, ভাসকী নাটকশিংদা মথল মথা য়াম্না, মাইগৈ য়াম্না অমসুং বুদ্ধিগী হৈশিংবগী দর্শন ঐখোয়না উবা ফংই। থৌদোক অমথক্তা ওইবা অর্থচেনবা. ঘাত-প্রতিঘাত কী মীংয়েংদা মপুং ফাবা কবিগী গুণ চেনবা চরিত্র চিত্রণ মরম চাবা, স্বাভাবিক ওইবগী ঐখোয়না বিচার তৌরবদি ভাসকা মান্নবা নাটকার অমা লৈতে। অভিনয়গী ওইবা মিৎয়েংদা ভাসকী নাটক মাই পাকই। নাটককী গতিমান ওই, ৱাহৈ-ৱাতা মপুং ফাই। পাত্রশিংগী ওয়াংন-শান্নবা তেন্না শান্নবনা কই। ৱারী শান্নবদা ভাস মপুং ফাবা কবি অমনি। ভাষা অরায়বা মওংদা ইহুনা লাইনা থংবদা লুহন্দে অমসুং ৱাহৈ পরেং য়াম্না চম্না, ফিবমগা চান্নবা মওংদা যোংদোকই। ভাসকী পাত্র পুংমক চীঙ লেম্বা অমদি অচম্বা মী অমা ওই। নাটকশিং অনিদা বিষয়গা চানবা মওংদা রস লৌকহনবা উম্মী। মহাক্কী মরুওইব, রস বীর অমসুং শৃঙ্গার নি। মহাক্কী নাটকশিংদা মমিং লৈরবা অলঙ্কারশিং মাইপাক্না শিজীন্নৈ। শম্না হায়রবদ, ঐখোয়না শাস্ত্রগী মিংয়েংদা য়েংলবদি মহাক্কী নাটকশিং লাইবা, খওবদা ৱাদবা অমসুং অভিনয় তৌবদা ম্নাবা অমদি ৱারীগী পরিচয়, চরিত্র উৎপদা

ভাস কবি য়াম্না হৈশিংবা অমসুং মায়পাক্লবা কবি অমনি।

‘কালিদাস’

নাটক ইবা মহাকবি কালিদাস সংস্কৃত সাহিত্যগী বিশ্ব পুংমক্ত মমিং চংলবা অমনি। কবিসিনা ইবা ‘শাকুন্তলম’ নাটক বিশ্ব পুম্নমক খ্বাইদগী হেন্না পাল্লবা নাটক অমনি। মহাক্কী অতোপ্পা নাটকশিংদি ‘বিক্রমোর্বশীয়ম’ অমসুং মালবিকাগ্নিমিত্রম নি।

নাটক্কার কালিদাসকী মতম খ্বাইদগী হেন্না বিদ্বানশিংদা য়েংনবা অমনি. মরম অসিনা তশিংনা অসিদা য়াম্না নৈনরুদনা এখোয়না কালিদাসকা মতম অসি মরিশুবা শাতব্দীদা বিক্রমাদিত্য উপাধি লৌবা অনিশুবা চন্দ্রগুপ্ত কী মতমদনি থাজনৈ।

কালিদাসকী রচনাশিংদা নাট্য-কলাগী অয়োবী থাক্কী চাওখৎলকপা উব, ফংই। মৌলিক্তাগী মিংয়েংদা মহাক্কী নাটকশিংগী মপা লৈতে। নাটক্কার অসিবু মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না পাম্নবা অমা ওইবগী মরমদি লুঙাইবা অমসুং রাহৈ মেংবা, বৈদর্ভী শৈলী অসিননি। বৈদর্ভী শৈলীগী মরমদা অস্ুন্না হায় ‘বৈদর্ভী রীতি সন্দর্ভে কালিদাসো বিশিষ্যতে।’ কবিগী

শৈলী ব্যঞ্জনাবৃত্তিদা ইবনি। করিগুম্বা ভাব অমবু ইনবা তোং-নবদা অওকপা মখৈগী শৈলী অমদা লৌরগা ইবগী মতম্তা ব্য'ঞ্জনা বৃত্তিনা ইঙ্গিং তৌহনা ফোংদোকই হায়বদি য়াহৈ খরতনা য়ায়। লূবা ভাবশিংবু ব্যঞ্জনা তৌহনা ফোংদোকই।

রস কী মিৎয়েংদা মহাকবি কালিদাস রস সিদ্ধ কবীশ্বর অমনি। মহাক্কী নাটকশিংদা শাকুন্তলা নাটক্কী অঙ্গী শৃঙ্গারনি মসিদা শৃঙ্গারগী সংয়োগ অমসুং বিপ্রলম্ভ মওং অনিমক মপুংফাবা রস (রসপরিপাক) ওই। তৌইগুমসুং মহাক্কী শৃঙ্গারদা ময়াইকাদবা অশেংবা অমসুং মুঙাইহনবা মপুংফানা য়াওই। শৃঙ্গার রস ফজবা মওংদা য়াওই। হাস্য (ফাগী) রসকীসু মহাক্কী নাটকশিংদা য়াওই। তৌইগুমসুং মসিদা অশেংবা মওংদা ফাগী তৌনবা চাওখৎপা লোন শীজনবা য়াওই। হাস্য রস অনিবু য়াওহনবগীদমক মহাক্কী নাটকশিংদা বিদুষক (জোকর) গী মফম পাত্র থমই। শাকুন্তলা নাটক্কা লোংশা মচা শান্নহনা সর্বদমন ভরত য়াওরিবা অসিনা বাৎসল্য রস হায়বা অদুনি। লোয়ননা ভয়ানক (অকিবা) বীর অমসুং অদ্ভুত (অঙকপা) রসশিংগীসু নাটক অসিদা চিত্রণ তৌবা ঙই

প্রাকৃতি বর্ণন (মহৌশা) শিংথাবা হকালিদাসকী নাটক্কা মায়পক্না যাওই। মহাক্কী প্রকৃতি বর্ণন, শরেংবা জীব অমা নত্রবসু চচ'বা অমগুম অরা'অনা যাংবগী মওংদা তৌই। কবিগী প্রকৃতি চিত্রনদা অকুপ্পা থীজিনবা, নৈবা পোত্তুগী মওং-মক মকম খুদিংদা চপ-চানা উবা ফংই। শাকুন্তলম নাটক

প্রকৃতিগী ফোটো অমগুম্বনি। কবিগী প্রকৃতিগী চিত্রণ শঙশংনা উহনবগুম তৌহনবদা মপুং ফানা মায় পাকই।

লোন্দা মহাকবি কালিদাস মপা লৈতনা হৈ। ভাষা য়াম্না লাই, স্বভাবিক ওই, খোংলি ময়ুং চংশি অমস্মুং মুঙাংইংত্রি মশিদা অখোইবা কবি অমনি। লোন্দা রাহৈ তপশিন্নবা শুঙয়াও য়াওদে। ভাষা মফম খুদিংদা পাত্রশিং অমসুং বিষয়গী মওংগা চান্নৈ অমসুং ভাব ফোংদোকপদা য়াম্না মায়পাকই। লেংয়ননা পুস্তিগী অচুম্বা থৌদোক অমসুং প্রকৃতিগী শাশ্বত সিদ্ধান্তগী ইবদা কবি মশাগী শৈলীদা য়াম্না পুক্নিং হুহনবা মওংদা মায় পক্লা ইরম্মী।

মহাকবি কালিদাসকী অলংকার প্রেম অকক্পা থবথক্তদা ওইরম্মী। অহবু করিগুম্বা মওং চানা শিজন্নবা অলংকারশিং অঙকপা ফংনা নিংথীজনা অমা ওই। মহাক্লা অলংকারগী শীজন্নবা অসি করিগুম্বা ভাব অমা ফোংদোকপদা ফজহনবা অমসুং রস পোকহন্নবগীদমক শীজন্নৈ মতুংসু স্বাভাবিক ওইবা মওংদা।

কবিগী উপমাদি জগৎ প্রসিদ্ধনি, 'উপমা কালিদাসস্য' অস্মুম্বা পাওরো তৌনৈ। অথাংগী রুপ্যান কী মওংদা পুস্তিগী অচুম্বা থৌদোক্না বর্ণনা তৌবদা শীজন্নৈ। শম্না হায়রবদ, অস্মুম্না হায়রবনা চুমগনি খল্লি মহৌদি কদিনা অলংকারনা ভাব ফোংদোকপদা অমসুং রস হেনগৎহন্নবগীদমক শীজন্নহনা য়াম্না মায়পাকপা ওই।

কবিগী চরিত্র-চিত্রন্দদি মপা হৈশিংবা লৈতে। কবিনা ইবা চরিত্র চিত্রণ মতম খুদিং নৈতুনতা লৈবা অমসুং মতম খুদিং ক্তনতা লৈবা অমা ওই। ভারতীয় সংস্কৃতিগা চাননা মহাক্কী পাত্রশিং জগৎ-কল্যাণগী অপাম্বা ফোংদোকই। কালি-দাসকী নাটক্কী মরু ওইবা শীংথাবদা মোনিয়র বিলিয়ম না অসুম্না হায় —

"কল্পনা শক্তি য়ায়া লৈবা অমসুং মীওইশিংগী খেন্নবা গুণশিং ফোংদোকপগী জ্ঞান, নুঙাইহন্নবা হৈশিংবা অসিনচিংবা গুণ কালিদাস কবিদা তস্লী মতিক ল্লাংনা য়াওই মদুদি মহাক অসি সংসারগী অমত্তা ঙাইরবা মহাপুরুষ অমনি অমসুং ভারতকী সেক্সপীয়র কৌবদা মতিক চায়।"

বিলিয়ম জোন্সনা মহাকপু ভারতকী সেক্সপীয়রনি হায়না তাক্লম্মী।

কালিদাসকী 'অভিজ্ঞান শাকুন্তলম' বির্শ্বগী সমালোচক শিংনা হায় মহাদি মমল নাইদ্রবা রত্নম অমনি। জর্মন মনিং চংলবা কবি গেটেনসু কালিদাস কী নাটক অসিগী থাগত্নু-না অসুম্না হায় —

"করিগুম্বা মথোক ফারকপগী বসন্তগী লৈনমগী নুংশিবা মনম অমসুং চসি মপুং ফারকপগী কালে-নগী মমুল ফারবা উহৈ মফম অমত্তদা উগে নিং-লবদি নত্রগা পুক্লিংদা অমৃতকী মতৌগুম পেলহনবা

অমদি শুমহৎপা ভঙ্গা পোৎ অমা উনিংলবা নত্রগা স্বর্গগী নংঙাইবা অমসুং পৃথিবীগী মপু ওইবগী অনি অশিগী পুম্না ফংবগী নংঙাইবা উবা ফংগে খল্লবদি অমুক্তং 'অভিজ্ঞান শাকুন্তলম'বু পাদ্লনা য়েংবীয়ু।"

শুদ্রক

সংস্কৃত সাহিত্তদা যথার্থ বদী সাহিত্যগী ইরম্বা অসি শুদ্রক কবিনি। শুদ্রক কী সংস্কৃত সাহিত্যদা য়াম্না মমিং চৎপা কবি ওমনি। সংস্কৃত গ্রন্থ কয়াদা মহাক্কী মমিং পল্লী। স্কন্দ পুরাণ বৈতাল পঞ্চবিংশতি, কথা সরিৎসাগর, কাদম্বরী, হর্ষচরিত্র, দশকুমারচরিত, রাজ তরঙ্গিনী অদুগুম্বা গ্রন্থশিংদা মহাকপু মখল কয়াগী মীওই অমনি শাংলই রাহুং হংনিলিবনি মনিন্নি মহুদি মৃচ্ছকটিক ইবা শুদ্রক কা শুদ্রক অনিগা মী অমত্তা ওইব্রা নত্রগা অতোপ্পা মীওইব্রা? রাহং অসোমদা চংলুদনা ঐতোগনা মসি য়ুবনা রেন্না ফংগনি। মহুদি শুদ্রক অচোবা অইবা অমনি, বামন না মহাকপু লেখক অমনি হায়রম্মী। নাটক অসিগী মনুংদা য়াওবা সাক্ষী য়েংলগা খঙবা ঙম্মী।

মতুদি মহাক নিংথৌ অমনি অমসুং ঋগবেদ, সামবেদকী বিদ্বান অমনি অমসুং অঙ্ক, মখল কয়াগী কলা, থুংশা হৈনবচিংগী হৈশিংবা অমা ওইরমী। মহাক্না অশ্বমেধ যজ্ঞসু তৌখি অদুগা মচাদ। লৈবাক্কী নিংথৌ থুবম শিন্নরম্নগা মৈদা চংহনা শিখি। কলহন্না শুদ্রকপু বিক্রমাদিত্যনি হায়না থাজে। মহাক্কী মতম লেপ্পবগী মরমদা হায়বা তারবদি দণ্ডি, বাণ, নচিংবা মহাক্কী মরমদা ইরম্বনা মহাক অসি মখোয়গী মমাংদ, লৈরম্ব মীওইনি হায়বা তাকই। ভাস কবিগী চারুদত্ত নাটক্কী মপুং ফাবা মওংগী নাটক মৃচ্ছকটিকনি হান্নবা বিদ্বানশিংনা থাজে মরম অসিন। শুদ্রক ভাস কবিগী মতুংদা পোকখিবনি।

মৃচ্ছকটিক অঙ্ক ১০ য়াওবা অচৌবা ড্রামানি। নাটক অসি মশাগী তোপ-তোপ্পা গুণশিংনা সংস্কৃত সাহিত্যদা অমত্তা ডাইরবা অনিশুবা অমনি। নাটক অসি চরিত্র চিত্রণ মরু ওইনা যথার্থবাদী নাটক অমনি। নাটক অসিদা অতোপ্পা অতৈ নাটকশিংগী মতোম্মম মমং থোইনা লৈংবা মীওইশিংগী ম্বারী নাঙ্গো মসিদা সমাজ অমদা মপুংওইবা মীওই ২৭ কী পাত্রশিংগী চরিত্র চিত্রণ য়াওই, মখোয়শিংদুদি— রাজকর্মচারী, হুরানবা, জলোনবা, সিপাই, সন্যাসী, বৈশ্য দাসী নচিংবনি। নাটক অসিদা সাধারন প্রজাগী পুন্সিগী চিত্র পুন্নমক য়াওই।

নোংচুপলোমগী বিদ্বানশিংনা মখোয়গী মীৎয়েংদা 'মৃচ্ছকটিক' চরিত্র চিত্রণ, পোৎশিংগী বর্ণন, অমসুং রাজনৈতিক ফিবম

শিংগা লোয়ননা মীওইবা জাতিগী প্রেম ভাবনা য়াওহনবা মথলগী নাটক্নি। নাটক অসিদা প্রেম অমসুং শৃঙ্গার রসকী মরমদা ইবা নাটক্নি। নাটক অসিগী মরু-ওইবা রস 'শৃঙ্গার' নি। রাজনীতিগী চৎনবা মরক্তা মুংশি-মুংওনগী ফজন্নবা বাতা- বরন নাটক অসিদা উবা ফংই অদুবু মসিদা ভবভূতিগী মতৌ- গুম আদর্শ ভাবনা চেনবা প্রেমগী চিত্র অমসুং কালিদাসকী শকুন্তলাগী মধুর প্রেমগী ভাবনা য়াওদে। অদুবু সমাজনা অপমান তৌহনা তান্থোকপীরবা বেশ্যা শাগৈদা পোকপা বসন্তসেনাগী গুণ অমসুং মশক মংগী ফজবদা মপা নৈত্রবা চারুদত্তদা মুং- শিকবগী পার্থিব প্রেমদা কংথোক্লবগী ঙাম্নি।

ভাষা অমসুং শৈলীগী মিৎয়েংদা নাটক অসি মাই পাকই। নাটক অসিগী শৈলী ইচম-চম্না হৈদেন চুম্বা বৈদর্ভী শৈলীনি, প্রাযরিবা ইচেল য়াংবা রাবী গমগী নাটক ওইবনা চানে। কাবগী শবা ভাব ফোংদোকহনবদা মায়পাকই। হৌইগুমসুং কালি- দাস অমসুং ভবভূতি গুম্না লোনগী অরাংবা আদর্শ ঙাকপা অমদি ওইহনে অমসুং মাওংবা পুন্সিগী অচোবা অচুম্বা পুবক্ল- বগী খুদম নাটক অমসু হৌদে অদুম ওইনা ভাবা ভাবনাবু ফোংদোকপা জমস সমাস (বাইহ ভশশনা) য়াওরবসু মুংশিবা পোকপা অমদি মুশাইগনন যেংনিংবা পানিংবা পোকহল্লি। নাটক অসিগী লোনগী মগ্রাদা পনবা য়াবা মক ওইবা তামনা সংস্কৃত সাহিত্যগী অতোপ্পা নাটকশিংদা শিজন্নবা লোনশিংদগী ইয়াম-য়াম্না লোন শিজন্নবা লাইরিক অমনি। মসিদা টীকাকার

পৃথিবী ধবগী মতুংইন্না মসিদা মথল তরেংকী প্রাকৃত ভাষা শীজিন্নখি।

অলংকারগী মতাংদা কবিনা লোন অসিদা অলংকারগী একম্ব য়াম্না হোপচিন্না য়াংন থম্লবা হৌরংনৈ। মহাক্না অলংকার শীজিন্নবা মতমদা অর্থ অক্নহন্নবগীদমক স্বাভাবিক ওইবা মওংদা পুবকই। নাটক অসিদা য়াওবা অলংকার খুদিং ফজৈ অমসুং মুন্তাইহল্লি।

নাটক অসিদা রসকী মতাংদা বিচার তৌবদা, শৃঙ্গার রসকী সংযোগ অমসুং বিপ্রলম্ভ অনি অসিনক্কা মাইপাক্না বর্ণন তৌই। শকুন্তলাগী মথংদা করুণ রসকীসু মসিদা যাম্না নীংথিনা চিত্রণ তৌবা উই মতুংদি চারুদত্তনা যাম্না লাইরবা মতমদা বসন্তসেনা গী মওকশম মেৎলগা হাংনবা তৌবদা অমসুং চারুদত্তবু শিবগী দণ্ডি পীবা মতমদা করুণ রস যাম্না ফজৈ। ফংগীগীদমক নাটককারনা বিদূষক (জোকর) গী পাত্র য়াওই। শকার মথল অমগী বিদূষকী পাত্রনি। নাটকী মফম খুদিংদা নোক্নবা অমসুং নোক্নিংবা রা ওাংই। নাটক অসিদা ভয়ানক অমসুং শান্ত, অদভুত, বীর রসনচিংবগী চিত্রণ য়াওই।

কবিগী প্রকৃতি-চিত্রন পুক্নিং হুই, মসি শকুন্তলাংবদি নাটক অসিদা স্বতন্ত্র ওইনা য়াওদে অদুম ওইনা শৃঙ্গার রস অসিবু উদ্দীপক অমা ওইনা শীজিন্নরবসু ফজৈ। তৌইগুমদুং কবি করিগুম্বদা নাট্য কলাগী মিৎয়েংদা প্রকরনগী অপনবা পীবনা দোষ ওইরকপা য়াওই। হিরম অসিদা নাটক অসিগী মতা-

শুবা অঙ্ক দোষপুর্ণ ওই।

কবিনা নাটক অসি ইবদা কবিগুম্বা কার্য অমা সিদ্ধ তৌই মতুদি — মতমম্বুগী সমাজগী ফিভম শেংনা উংলি, হায়বসি সংস্কৃত নাট্য সাহিত্যদদি অহানবা অমনি। মন্নম অসিদগী নাটক অসি মখিং চৎপনি। শম্না হায়রবদা নাটকীয় নিয়মগী তুংইন্না নাটক অসি মায়পাকপা অমসুং ফজবা লাইরিক্তি।

হর্ষবর্দ্ধন — শ্রীহর্ষনা ইবা নাটক অহুম য়াম্না মমিং চৎলি মখোয়শিংদুগী মরক্তগী 'রত্নাবলী নাটীকা' সংস্কৃত সাহিত্যদা থোৎইদোক্না মমিং চৎপা অমনি মসিদা অইবনা নাট্য-শাস্ত্রগী চৎনবী যারিবমথৈ চাংনা চংনবা হেংদনৈ, ফল ওইনা মতুংদা লাকপা কবি লাক্ষণিকশিংনা মখোয়গী গ্রন্থশিংদা অসিগী গদ্য-পদ্য অনিমক খুদম লৌহুনা ইখী।

রত্নাবলী নাটক কী লেখক ইতিহাস প্রসিদ্ধ নিং.থৌ অমনি। নিংথৌ অসিগী মবমদা লাইরিক কয়াদা ইবা থেংনৈ। হায়রিবা লাইরিকশিংদগী লৌরগা মহাক্কী মতম অসি খৃঃ ৬০৬ তগী ৬৭৮ ফাওবান, নিংথৌ অসিগী মখাদা কবি কয়াসু মহাক্কী মখাদা লৈরম্মী, নিংথৌ মশামক সরসতীগী উপাসক অমনি, সমালোচকশিংনা রত্নাবলীনচিংবা লাইরিকশিংগী অইবগী মরমদা চীংনবা ফেংদোকই মহু পুন্নমক তরানবনি। বাণ ভট্ট কবিনা হর্ষকী কবিতাগী হৈশিংবা থাগৎপদা হর্ষ চরিত কৌবা লাইরিক্ত, মকম অনিদা ইরম্মী — "রাজ সংভাষণে পরিত্যক্তমপি মধুবর্ষন্তম, 'কাব্য কথাস্বপীতামৃতদ্রুমমন্তম,' বিমলকপোল

প্রতিবিম্বতাং চামর গ্রাহিণী বিগ্রহিণীমিব মুখবাসনী সরস্বতীমাদধানম,, অপি চাস্য প্রজ্ঞয়াঃ শাস্ত্রানি কবিত্বস্য ৱাংচ ...... ন প্রয়াপ্তো বিষয়ঃ'।

জয়দেবনা মহাকপু কবিতা কামিনিগী হর্ষ (হরাওবা) হায়না শীংথাই। সোউচলনা হর্ষবু শ্রীহর হায়না মিংথোল পীখী। মসিগী অর্থদি হর্ষ মশামক য়াম্না হৈশিংবা বুদ্ধি চেনবা বিদ্বান অমনি মবম অসিনা মহাক্কী গ্রন্থশিংগী অইবা ওমা ওইবদা চিংনফম থোক্ত।

ভাষা শৈলী— কাব্যগী হৈশিংবা অমদি শৈলীগী মিংথেদা হর্ষ পুংভদগা চেনবা কবি অমনি। মহাক্না কলিদাসকী শৈলীবু মপুং ফানা মফম থুদংদা ইন্দুনা চংলী। মরম অসিনা কালিদাসকা মমি মতোন্দা তাবা উগনি। হর্ষনা মহাক্কী মংমগী কাব্যনা ভৈনাচংবগী কবিশিংগী ফিদম লৌখীদে। হর্ষকা শৈলী মফম থুদিংদা লাইব, খঙবনা বাদবা বাটৈ থোক্পা ওমস্তং মথক শেংনা হাযবা অমদি পাবদা নুডাইবা অমা ওই। কবিনা পাক্লশন্না লৌই, মরম অসিনা পাবা মীশিংনা বিবয় খঙবদা ৱাদে হর্ষনা য়াম্না চংনদব ৱাহৈশিং খক শীজন্নদে। সমাস (ৱাহৈ তপশনবা) অসি হর্ষনা পামদে। অহুম ওইনা মথম ওমা অনিদা বীব রস ওহবা মফমশিংদা সমাস ৱাহৈ শীজিন্নৈ, অদুবু লেখনা মসিদগী লাপথোক্লবা হোংনৈ। নাটক অসিনা য়াম্না কেথোক-মৌথোকপগী মওংদা বর্ণন তৌজন্নবসু সংয়মগা লোয়নবা মহাক্না

খক কাণ্ডথোক্তে। কলিদাসকী পরমপরাশিংদ। মাগুন্না লাইনা খঙহনবা অমসুং মু-াইহনবগী মওং তু'দা সাকপা ভবভুতি, ভট্ট নারায়ন, মুরারিনচিংবদা উবা ফংদে। মথোম্নদদি ঐখোয়না উবদা রাইহেশিংগী অ'শেম্বা অলঙ্কারগী মরিং মরাক অমসুং সংবর্ধন য়াগ্না হাপ্পা থেংনৈ। মরম অসিনা ঐখোয়না অসুম্না হায়বদা লাল্লোই মতুংদি নাটক কবিশিংগী মতুংদা মাধুর্য অমসুং প্রসাদ গুণ য়াওবা বৈদর্ভী শৈলী অসিদা শ্রীহর্ষ খুাইদগী হেনবা অমনি।

রত্নাবলী নাটিকাগী ভাব। বিষয় অমসুং রস অনিমক্তা য়াগ্না চাংনবা অমনি। কবিনা ভংমডে হোৎনহনা চিত্রাত্মক অমসুং ধ্বনি আত্মক রাইহেশিংগী প্রয়োগ তৌখী।

করি কবিগুম্বদা অন্যোক্তিগী ওইবা ব্যঙ্গসু শীজিন্নৈ। হর্ষগী বাক্য তেল্লা মসিনা রা ভাংন-শানবদা অমসুং অভিনয় তৌবদা য়াম্ন চানৈ। লেখককী লাইরিকশিং অভিনয়গী মিৎয়েংদা য়াং। মায়পাকই। কবিনা ভাষাবু অলংকার তৌনবা হোৎনদে, অতুম ওইনা মফম কয়াদা স্বাভাবিক ওইনা অলংকারশিং য়াও-জরকপনা প্রসিদ্ধ অলংকার খুদিংগী দর্শন মহাকী লাইরিকশিংদা য়াওবা থেংনগনি।

শম্না হায়রবদা, ঐখোয়না মসি য়াবা তাবনি মতুংদি মহাকী নাটকশিংগী লেংবা মতমদা মঞ্চ (স্তেজ) দা শান্নবগী মওংদা য়েংহনা ইবনি, লোয়নবা মসি শাস্ত্রীয় সিদ্ধান্তগী ওইবসু মায়পাকপা লাইরিক অমনি, অদুবু শাস্ত্রীয় নিয়মশিং মরম ওইহনা

নাটক অদি লুব। অমসু ওইদে মরম অসিন লেখক্কী অচৌব। পবমপব। অমনি

নাটক শাস্ত্রগী নিযম মতুং ইন্না নাটিকাগী নায়ক ধীরললিত ওইগদবনি অমসুং মক ওইবা রস শৃঙ্গার। নাটীকা অসিদা শৃঙ্গার রসকী সংযোক্তা অমসুং বিপ্রলম্ভ, অনিমক চিত্রণ তৌই, অদুবু বিয়োগ শৃঙ্গারনা নম্না মরু ওইনা শীজিন্নে। নাটক অসিদা হাস্য, অদ্ভুত, করুণ অমসুং বীর রসকীসু মতিকচান চিত্রণ তৌই। অন্তঃপুর (রাণী শিংগী শঙ্গাই) দা মৈ চাকপা মতমদা ভয়ানক রসকী মাযপাকনা বর্ণন তৌই। মরম অসিনা শৃঙ্গার রসকী মাযপাকপা প্রয়োগ তৌবগী লোয়নন *তেপ্পা রসশিংগীসু য়াম্না মযম মতম চানা শীজিন্নবা যাওই

অন্তঃপুরগী নিংথৌগী রাণীশিংগী নুংশি চিংলোকরবগী বর্ণন নাটীকাগী বিষয বস্তু অমা ওইববু করিনা যাম্না তৈশিংনা প্রকৃতি চংথোনবগী চিত্রণ লৌতুনা অমকা হেন্না ফজহল্লে। মসিদা প্রকৃতি ফজরবনা নিংথৌ অমসুং রাণীগী নুংশি পাওদনবদ, উদ্দীপনগী মওং লৌতুনা প্রকৃতি চিত্রণ তৌই। লোযননা কবি লেখকনা প্রকৃতিনা উদয়ন অমসুং সাগরিকা অনিগী মিলনগী ওইবক্কনবগী থৌদাক্কী ইঙ্গিত অমসু তৌহল্লী।

হর্ষবর্দ্ধননা সংস্কৃত সাহিত্যবু নাটীকাগী চংনবী অমা হৌদোক্লুনা থম্লমবনা ঐথোযনা মাগী তুংদা লাকপা অইবশিংনা ইবা সাহিত্য ফংই। মিংযেং অসিদা হর্ষবর্দ্ধনগী মযম সাহিত্যদা

যাত্রা বাংই মহাক্কী 'প্রিয়দর্শিকা' অমসুং 'রত্নাবলী' কৌবা লাইরিক অনি অসি যায়না মান্নে। "নাগানন্দ" তসিনু মশাক্তী মায়পাক্লা ইবা লমনি।

বিশাখদত্ত— মহাক্কী অমত্তা তৌ ইরুব রচনা 'মুদ্রারাক্ষস' রাজনীতিকী মিৎয়েংদা য়াম্না মনম য়াম্লবা অমনি। বিশাখদত্ত সামন্ত বিশ্বেশ্বরদত্তকী মচা অমসুং মহারাজ পৃথ্বী মচানি। নাটক অসি ইখীবা খৃঃ ৮০০ তনি থাজনৈ। লাইরিক অসি রাজনীতিক পুথিগা মরী লৈবা অমনি। মহাক্কী রাবীন্দ্র ইতিহাসিক লমনি। মসেৌ অমা রস যাক্দবা বিষয় অমা ওইজব মু রদিমা ফঙ্গিরবন পাবদ চুঙাংলবা অমসুং মাইপা যাদবা লমনি হায় দি যদে। লেখক চাবক্রচি লেং যাম্না ময় পকই। মাসদা মক অইবা পাণিনিগী চিত্রাদন অমুক্কা হেনলেংনা যতনা হৌরক্লী

নাটক অসি মচং ওইব থল্লা লে মহুদি মসিদা নাটক শাস্ত্রগী নিয়মশিংগী চপ চাবা মখেৎদা লৈতে, অহুবু মসি যাম্না করবা অমা ওই। নাটক অসি নাটকবাদি মক হেৎদনা থোদোক্না মাপ গুন নাটক অসিনা কুম মুদিদ রাজনীতিগী ভুম্নাগী থৌদাং লাক্তনা থম্লা।

নাটকবা দাদোর পুম্নমক চপেংন থোকখিব অমসুং যাম্না চাংলেংনী থোদোকশিংগা লিপুন অখংদা চেপনা মসি কজকনী। নাটক অসিনা ইখোযদ কলিদাস, ভবভূতিগী মতৌগুম মুঙাইবা পোক্তে।

থোদোক্পা মক ওইব নাটক ওইবনা হুঙাইবা রাংচরবসু মসিদা থোনা অমসুং পুকধার্থকী চিন্‌ যাম্না মায়পাকপা অমনি। নাটক অসিদা ঐথোয়না অঙ্ক ওইনা খাইদোক্লুনা ফংই মসি সংস্কৃতকী অতোপ্পা সাহিত্যদা ফংদে। নাটক অসিগী খুাইদগী মক ওইবনি. নাটক অসি থোদোক্পা মপুং ওইবা লাইরিক্লি, মরম অসি.। নটক্কার রস পরিপাককী মরমদা থোইদোক্লা পুক্লিং চংবা ঊাদ, অদুবু বীর রসকী বর্ণন মসিদা ময়েক শেংনা উই।

করুণ রস অমসুং শৃঙ্গার রসসু করিগুম্ব মফম থরদা উবা ফংই তৌইগুমসুং য়াম্না ময়েক শেংদে। অশেংবদি মসিনি মতুদি নাটক কথা-বস্তু রাজনীতিক ওইবননি, মসিনা রস পরিপাক ওইবা য়াদবনি। মথৌ অসিমক প্রকৃতি চিত্রণগীসু অংহানি, অদুম ওইনা নাটককার প্রেমী অমনি। মহাক্পা মফম কয়াদা প্রকৃতি চিত্রণ তৌনবা হৌংনে। প্রকৃতি চিত্রণ মফম অয়াম্বদা অলঙ্কারগী মওংদা তৌই, আলম্বন নত্রগা উদ্দীপন অলঙ্কার নাটক অসিদা য়াওদে।

মুদ্রারাক্ষস নাটক বিষয় বস্তু য়েংবদা লুবা অমা ওইবনা, মসিগী ভাষা শৈলীসু গম্ভীর ওই, অদুবু নাটকী ফিভম্না মরম চানা ওাক্পা চংদ্রী। লেখক কালিদাসগুম্না রস পোবহনবা অমসুং পানা হুডাইহনবা। ওমদে অমসুং ভবভূতিগী মতৌগুম ভাষাদা সামাজিক ওইবা অমসুং ভট্টনারায়নগী অলংকারগী মওাল পীবা ওমদে। তৌইগুমসুং ভাষা শৈলী মফম থুদিংদা বিষয়গা চানবা অমসুং গম্ভীর ওই। অদুওইদুনসু লোন মসিদা প্রসাদ

ংগুণ য়াওই। বাহৈ পাওরো পিক্লা-পিনা গদ্য পদ্যগী মওংদা শক্তি লৈনা পুক্লিং চিংশিনবা ওমী। মারী শানবা স্বাভাবিক ওই। রাহৈ খরদংদা যাম্না শক্তি অমসুং প্রভাব লৈনা হায়বা ওম্মী। নাটককার রাজনীতিদা নত্রনা জ্যোতিষনচিংবগীসু বিদ্বান অমনি। মসিগী ফল ওইনা করিগুম্বনা জ্যোতিষগী পরিভাষিক শব্দ ফংই। লেখক অলঙ্কারগী চক্করদগী লাপনা লৈনবা ঙম্মোংই। করিগুম্মদা স্বাভাবিক ওইনা অলঙ্কার নাটক অসিদা য়াওবকই। যমক অসিদা উপমা, শ্লেষ, অপহ্নুতপ্রশংসা (অন্যোক্তি) নচিংবা অলঙ্কার নাটক অসিদা ফংই।

শয়া হায়বদা, নাটক অসিদা রস অলঙ্কার, প্রকৃতিনচিংবগী রস পরিপাক ওইদে, অহুম ওইনা বিষয় অমসুং নাটককারগী অপাম্বা পান্দমনদি নাটক অসি মাযপাকপা অমনি।

ভবভূতি – সংস্কৃত নাটক সাহিত্যদা বিশ্ব-খ্যাতি ফংলবা কালিদাসকী থাক্তা মান্নবা মিংচৎ ফংবদি মপনগী ভবভূতি খক্তনি। ভবভূতিনা মহাক্কী অশংবা পরিচয় মহাক্কী 'মহাবীর চরিত' কৌবা লাইরিক্তা মশানা পারম্মী। মহাক্কী মতম অসি তরেৎশুবা শতাব্দীগী অরোইবা অমসুং নিপানশুবা শতাব্দী হৌরকপদনি। কাশ্যপগোত্রদা জতুকর্নীগী মচা ভবভূতি বিদর্ভ দেশতা পোকখী। মহক্কী অশেংবা মমিং শ্রীকণ্ঠ কৌই অমসুং ভবভূতি হায়রিবা মিংসদি মহাক্কী উপাধি অমনি 'মসি সম্বা পুনাতু ভবভূতি পবিত্র মূর্তিঃ' রাহৈ পরেং সিগী মওংদা কনাগুম্বা মিংথোনা মিংথাস পীখীবনা। অতোপ্পা খবনদি মহাক্কী কাব্য কলাদা

পেল্লহন। ভগবানন মহাকপু মিংচংকী বব পাবিবনি হায় মহৌদি—
"ভাগবতো ভবাত, ত্তুতিয়ঁস্য স ভবভুতি" অসুয়া মিংথোন
ফংখী।

হক্ষুমগুবা মত অমনা অসুমা হায—

ভগত্রী কাং গতোঅবস্থামিতি স্মেরাননাবিব।
গিরিজায়াঃ স্তনৌবন্দে ভবভুতি সিননৌ ॥

শৈবেং অসিদা য়ান্নবিবা ভবতুতি মিং অসিনা মহাকপু
শৈবা (শিব। নিংবা) খাজনৈ মবমসিদগী ভবভূতি কৌনবনি।
নোংপোক সমস্ত নৌ চুপলোমগী বিদ্বানশিংগী মরক্ত টিকাকার
বীর-রাঘব অমসুং ডাঃ বে.ন.বলকব অমসুং ডাঃ বাপ.চি বসু
'ভবভূতি' মহাগী উপাধিগী মিংনি হায।

ভবভূতিগী লাইবিক অহুমনি—১) মালতী মাধব, ২) মহা-
বীর চবিত, ৩ উত্তরবামচরিত মমিং চৎলি। মহোয়সিগী মন্তদা
তহানবা রূপক কী। অদিগুবা ভেদ ককবণনি সমহুং অনিক
নাটক ভাক্তনি। মহানা চেয়বা শেরে হরস্ত শর্ম্মা অসুনা
'শঙ্করধর পদ্ধতি' দগী হঙবা থৌ। থুনবি।নাটক হক্তা
'উ.বরাম চবিত' খাইদগী অংথোইবান মহাবা লাইরিকশিদা
ভবভূতিগী ব্রাহ্মেশিংদা সরস্বতী নৈয়ংদা তোনগুম অসুং মাথা
মাইগে হক্তদা চনবগুম ওই। বুক্কেত্রগা মাক্ত। সরস্বতী
তুরেল থার (ইথোং) মচ অনথক্তুং চেনী অহুগা খব চেক্লগা
মাংখী, অহুগা ভবভূতিগী প্রতিভাদা গঙ্গা, যমুনা সরস্বতীগী থার

ভত্তিমূলক স্বভং অথম নাইদনা চেনবগুম ওইহৌদুদি 'মালতী মাধব' দা শৃঙ্গার রসকী, 'মহাবীর চরিত' তাসদা বীর রসকী মতংদা অমসুং 'উত্তররামচরিত' না করুণ রসকী প্রবাহ তারপা অমসুং অথবা নাইদনা রসিক ওইবশিংগী থম্মোয়বু চিংশিল্লী।

উত্তররামচরিত অঙ্ক ৭ তা অনৌ অনৌবা মওং কয়াদা নাইবিক তাসি থোংখী। মসিদা করুণ রসনা প্রধান ওই হায়বসি নাটককার মশামক য়াই। অতোপ্পা রস অইংদি রস ওইবু মপুং ফাহনবা ওইনা ওই। চিত্রদর্শ, গর্ভাঙ্ক অমসুং ছায়া সীতাগী ফজবা সপা লৈবা অমনি। ভাষাগী মরমদা সংস্কৃত সাহিত্যগী হনাগুম্বা নাটককার অমগুনা মগাকী মাননা ফজবা ওমদ্রী। মহাক প্রেমগী শেংলবা আদর্শ ইন্দা অথেইবা অমনি, মসিদা কৃত্রিমতা চিংনাংনাই লৈতে। রসশিংগী মনুংদা বীর শৃঙ্গার, করুণ রসনা চিংবদা চপ মনবা অধিকার লৈ। লেখকী চরিত্র-চিত্রণ য়াম্না মপুং ফাবা অমনি।

ভাষা শৈলী দা য়েংবা তারবদি ভবভূতিগী মাইপাকপা অমনি। মগাকী লোন খজিত্রং ঝঙ্কৃত মাত্রদা ভাব অমসুং ফোংদোকপা ভক্সী। ভাব অমসুং বিষয়গী মতংদা ভাষা শৈলী মথম খুদিংদা তুং ইন্না চৎলি। মাহৈগে অমদা করুণ রস বর্ণন তৌবা মতমদা লাবদা চুপ্তাইবা বৈদর্ভ রীতিগী প্রয়োগ অতুগা অমরামদা বীর, রৌদ্র, ভয়ানক রসশিংদা অমসুং প্রকৃতিগী অকনবা বর্ণন তৌবদনা য়াম্না অয়াকপা র্হেফিং অকল-অথৌ শকপগী মওংদা অমসুং

সমাস । রাইে তংবা) য়াংবা ভাগাগী প্রয়োগ তেই। মতৌ অমুম্না ভাগাগী অকনবা অমসুং হথোংপা মাইগী অনিংক্তা ববিগী হে-শিংবা তয়োবী থাক্ত। লৈ। মংাক্কী লোনগী অতোপ্পা রাক্ষম অমন, ধ্বনি ওংবা ময়েকশিং শিজিন্নে। কবি মথল কংাগী হিদ্ব ন অংনি। মসিগী ফল ওইনা মংাক্কী ভাষা বৈদর্ভি শৈলীগী প্রভাব ময়েক লানা মমি তাই অমসুং অনৌবা রাইে অার কোশতা য়াওদবা তহু মংক্কা শীজিন্নে। গদ্য-পদ্যদা কবিনা অলঙ্কর থোইদোক্লা পামদবা উই। মহাক্না অলঙ্কারগী প্রয়োগ অরয়বা লোন্দা শীজিনৈ, অতুবু কবি-কবিগুম্বদা স্বভাবিক ওইনা মহাক্কী কবিতাশিংদা য়াওই অমসুং হায়রিবা অলঙ্কার খুদিং ফজে অমসুং স্বভাবিক ওই।

রসকী মতাংদা মথক্তা নৈনখে কবিগী করুণ, বীর, শৃঙ্গার নাচিংবদা চপ-মান্নবা অধিকার লৈ। লোয়ননা রৌদ্র (তমথীবা) ভয়ানক (অকিবা) অদ্ভুত (অঙকপা) হাস্য (ফাগী) নচিংবা রসসু মফম কয়াদা উবা যংই। বিদ্বান থরগী বিচারদা উত্তর-রামচরিত নাটককা মরু ওইবা রস বিপ্রলম্ভ শৃঙ্গারনি নোই-গুমসুং বিচার তাসি চুনদে, মমদি অরোইবদা রাম-সীতাগী মিলন ওইথী অমসুং নাটককার মশামনা করুণ রসনা মহাক্কী মরুওইবনি হায়খী, অমসুং অতোপ্পা রসশিংগী লেখক মশানা করুণ রস থক্কদা লোইশিনী। নাটক্কী মফম খুদিংদা জনক মহারাজনা চংখিবগা নাটক লোইবা ফাওনা করুণ রস থক্কদা লুপ্তনা লে। অতে রসদি মতেং পাংবা রসনি।

উত্তররামচরিতকী নটকীয় অমাং। একা প্রকৃতি চিত্রণ খ দা থোদোকশিং থোকই, ভবভূতিগী প্রকৃতি চিত্রণ যাদি সুবা মওংদা স্বতন্ত্র অবলম্বন বিভাবগী মওংদা ইবখা। স্বপ্না মতিং শুবা অঙ্ক প্রকৃতি উদ্দীপনগী মওংদা ইবনি। কবি সাধারন মীয়াম্না খঙবা পুথিং হুংবা লম্ফমশিংদগী হেন্না ওকপা তুচুংবা দৃশ্যশিংগী বর্ণন তৌবনা মোন্না পাম্মী। কালিদাস সুংগী পুক্লিং হুনা ফজ-ববা মফমশিংদগী বর্ণন তৌবদা ভবভূতি অথোংবা অমসুং অকনবা মওং ইনিমক্কী বর্ণন তৌই। অসুম্না তৌবসিনা মহাক ঃপুং থাগা মায় পাকই। মহাক্কী প্রকৃতি চিত্রণ যাংবা শংশনা মিংশী মমাংদা লৈবা ভবভূতিনা মানন। প্রকৃতিগী রূপ স্বরূপ উবা ওইনা চাং অতে কবিশিংদা উবা ফংদে। প্রকৃতিদা কবিগী ডাম্বুজবগী মি মহাক্কা বর্ণন অসিনা শেংনা খঙই।

নাটক শাস্ত্রগী নিয়মশিং যেংলু গনা ভবভূতিগী নাটকশিংদা মথানা পাম্নবা একাংবশিং খঙবা ওইগনি — নাটককারনা নাটকনী অংহোংদা নাটকগী মচিনগী হয়দুনা নাটক ভাসি শ্ৰ মঙ্গলাচরণ হায়না তাকখী “সর্বথা ঋষয়ো দেবতাশ্চ শ্রেয়ো বিধাস্যন্তি” ভাবতে যস্তৃতি অমসুং সাহিত্যদ দেখাস্ত নাটক-শিংনু ঐকঙহন থাগৎলে। লেখকনা নাটককী মাইদগী অথোইবা গম্ভীর অমসুং হৌবক্কম ওইনা যাম্না মবিক্রুপ। এমুংকাবা ওই-হন্নবগী মওংদা খনজবগী অহুপা মহাক মমুং ফানা মায় পাকখী। নাটককী রাজৌদোম্কা লেখাক্কা ধাকম অনি অহুম অসুম্না পীবা —

১) প্রজাশিংগী থৌনায়দা সীতাগী চরিত্র চিংনা লৈবা,

২) রাম সীতাগী চিত্রা মথমদা পুম্নক থাজব। ৩) রাম মশাগী কর্তব্য তাকুবা খোননবদা মশাবু বলিদান তৌবা মগনি। খুদম ওইনা বশিষ্ঠগী পাওদুগুম্ন। "ঐখোয় যজ্ঞদা পুক্রিং চংলী, মহাক্কী লৈবাক তানোবনি, মরম অসিনা মহাক প্রজাশিংনু পেমনবা কয়া হোৎনৌ মসিনা মিংচৎ হেনগৎলি, মসি নংখোয়গী পরম ধর্মনী"॥ (১১১১) মসিগী পাউখুম রামনা গুরুদা হায়জবা — প্রজা মীয়ামবু নুংশিহনবদা প্রেম, দয়া নুংশিবা অমসুং সীতা ফাওবা থাদোকপদা অৱাবা ওইরোই। স্নেহ দয়াং সৌখ্যংচ যদিবা জানকীমপি। আরাধনায় লোকস্য মুঞ্চতো নাস্তিমে ব্যথা॥ ১/০২

মথক্ত নৈনখীবা অসিদা লেখক্না পাকবশিংগা থম্নোয়দা বনু থাজব, অমসুং সীতাবু থোয়দা হওদুংগুংশিব হেনগৎপা ওকনা ভাব অসি পোকহনখী। মসি নাটককারগী নাটক কলাগী ওইবা অচৌবা মাইপাকপা অমনি। অহানবা হক্কী চিত্রদর্শনগী দৃশ্য অসিসু কবিগী লেখক্কী বাকমদা মতৌং ওইবা অমনি। চিত্রদর্শনগী মতাংশিংদা অতোপ্পা মফম কয়াদা ইঙ্গিত বয়া অমসুং য়াওই. মসিনা মতুংদা থোরক্কদবা থোদোক কয়াগী মাংজোননা হায়দুনা মসং মথং চৎহরকপা থোদোকশিংগা মতেং ওইহল্লী। অনিশুবা অহুমশুবা হক্কগী নাটকী খোঙচেল তপথবা অসিনা নুংদংনবা ওই শিং। তেনবনী অনিগী ফল চানহল্লী। নাটক অসিদা "ভবভূতিনা নামগী মিংচৎ পী মমম চাদনা থক তাহনখিদে। তশেংনা হায়রবদি রামগী শানথখীবা পীনা

রাম অমসুং সীতাগী উনবগী উখোংদ। ঈশিং চাইবগুম্মী, মসিগী মতুংইরবা উকম্বদা নাটকপু য়েংবশিংগী ফংডমদ্রবা শান্তিবু পীনে। মহাক্কী সীতা কায়নবগী তরাবগী পীসিনা ভবভূতি কবিনা য়াম্না হৈশিংনা অবাবসি মপুং ফানা কে কংনখী''।

রামনা সীতাবু থাদোকখী, মপু'রাইবা কায়নরবী সীতাগী থম্মোয়না রামদা ৱারৌখী অমসুং শাওনিংখী। মরম অসিদগী রাম মহাক্কী 'আর্য় পুত্র' ওইরম্বদগী, হৌজিক সুপ্পা রাজা রাম খক্তং লৈরৌখী — "দির্ষ্ঠয়া অপরিহোন রাজধর্মঃ খলু স রাজ"। তৌইগুমসুং রামগী করুণা গী সাগরদা সীতাগী থোয় শান্নবা পুম্বা চামথোকখী অমসুং তম্মোইবদা সীতাগী থম্মোয়দগী থাদোকপগী ইকাইবগী তিঙথংদু কোকখী।

হায়রিবা 'তিঙথং'গী লৌথোক্লবগীদমক্তা শেমখীবা অসি মহাক্কী তোপ তোপ্পা গুণ অমনি, মসিদা স্বাভাবিক ওই, হায়রিবা স্বাভাবিক ওইবগী স্বজন নাটককারগী থাইদগী চাওবা মাইপাকপা অমনি। মসিগীদমক্তা লেখকনা সোপান অহুম শেমখী, মহাক্কী সীতা অহুম অসিনা মথং মং মাইপাকপা ফংখী—

১। রামনা বানথখীবগা সীতাজী য়েংশিন্নবা চেনকই, তৌইগুমসুং "এতাবাদেবেদানী মে বহুতরম্" অসিন্না হন্দুনা অরুক চংখী, মায়মদি মহাক থাদোক্লবীনি, মহাক্কী মশাগী হজং অমসুনি, মর্য়াদা সুনি অমসুং ভাগাগী লীলা সুনি মসি নওবা কনানা কল্পনা তৌশিনি মতুদি 'হাদেব! সম্বময়া বিন অহমপ্যেতেন বিনেতি স্বপ্নে অপি কেন সমভাবিতভাসীত''। তৌইগুমসুং রামগী

রানথবা অমসুং ফগৎলকপা মতমদা রাম সীতাগা লৈমিন্নবগী নুঙাইবা ফাওই (৩।১১।১২), অমসুং সীতাবু কৌদুনা রাম 'হা প্রিয়ে জানকি! হায়না কৌদুনা নীংশিংই। মতৌ অসুম্না নাটককারনা মসি শেংদোকই মহুদি রামনা সীতাবু মতম চুপ্পদা কাওথোক্তে। মসিগী মতুংদা বাসন্তী রামদা সীতাবু নুংশিহৈত্তবা অমা ওইনা ফোংদোকই (৩।২৯), তৌইগুমসুং সীতা মশামক্লা রামগী মায়গৈদা লেপ্পী। মসি অনিগুবা কিতমনি অসুম্না মথং মথং সীতাগী নুঙাইতবা চামথোকখী। অঙ্ক অসিনা মসিসু খণ্ডবা উম্মী মহুদি রাম অতোপ্পা অমা লুহোংলরোই, রামগী থম্মোয়দা সীতাবু য়াম্না নুংশিজে। মক্কম অসিদা সীতা মীনুংশিগী রাহৈনা অসুম্না হায় —"নমো নমো অপুর্ব পুন্য জনিত দর্শনাভ্যার্যপুত্র চরনকমলাভ্যাম'। নাটক তসিগী তঙমগুবা অঙ্কদা অমরোমদা বকশাগী ঈচেল অমসুং ভাবগী অ.য়োবী থাক তদুগা মঙাগুবা অঙ্কদা বীর রস, তরুকশুবা অঙ্কদা অশ্ব মধ যজ্ঞ পাংথোকপা অমসুং হায়রিবা অশ্বমেধ যজ্ঞ রাম পরিবারগী উনবগী অচৌবা মরম অমা ওই। নাটক অসিগী তরেংগুবা অঙ্ক মক্ক ওইবা অমনি। গর্ভাঙ্ক অসি নাটক কলাগী মীংয়ে দা অমুক্ত ইখীদ্রিবা অমসুং নাটককী নুঙাইবনা লোইশিনবা (সুখান্ত) ওইখীবগী অচৌবা মতেং ওইবা তাঙ্কক্লী।

উত্তররামচরিত অসিদা বিষকুম্ভক পাত্রগীসু মাইপাক্লা বর্ণন তৌই, রাল্লীগী পল্লিং কায়দনা চৎলবগীদমক হায়রিবা বিসকুম্ভক (জোকর) শিংগী থৌদাং অচৌবা অমনি। ভবভুতিনা পতাকা

স্থানক (Dramatic Irony) গী্স্ব বর্ণন ফজনা তৌই। মসি য়েংবা যাবা অমনি — রাম সীতাগী মরমদা অস্থন্না হায় — মহাক্কী করম্না পোৎনা পাম্বা হেনবগে? তৌইগুমস্তুং মসিগী কায়নবগী অরাবা খাংবা ভমদে — কিমস্যা ন প্রেয়ো য়দি পরমসহ্যস্তু বিরহা " (১৩৮)। মতম অহুমক্কদা শত্রী লাক্নুনা অস্থন্না হায়রে — "দেব! উপস্থিথিঃ' রাম অকিবগা লোয়ননা হংলকই "কৌন? আয়িকঃ"? মসিদা প্রতিহার (শত্রী) না খুমকই — "আসন্নপরিচারিকোদবস্য দুর্মুখঃ" অসিগুম্না পতাকা স্থানক (Dramatic Irony) না তুংদা ওইরক্কবা থোদোক ফজবা ইজিংকী বর্ণন তৌই।

নাটককারগী ওইবা য়াবা গুণ খুদিং ঐথোয়দা ভবভূতি কবিদা ফংগনি অমস্তুং ওইবয়াবা নাটককী মকওইবশিং উত্তর-রামচরিত নাটক্তা ফংগনি। খুদম ওইনা প্রসাদ গুণ (নুঙাইবা) কালিদাসকী কাব্যদা থন্না য়াওই, মতৌ অসিগুম্না থোনা ফবগী বাক্‌গী ওইবা অনৌ-অনৌবা উক্তিশিং ভবভূতিগী উত্তররামচরিত অসিদা ফংগনি। নাটককী আদর্শপ্রেম চিত্রণগা লোয়ননা পাত্র খুদিংদা কর্ত্তব্য-পালনগী মক ওইনা চিত্রিত তৌই মসিদা রাম অমস্তুং সীতাগী বর্ণন দিব্য ওইনা ইরম্মী। নাটক সুখান্ত (নুঙাইনা লোইবা) রস মপুং ফানা ফোংদোকই। চিত্র দর্শন, ছায়া সীতা অমস্তুং গর্ভাঙ্ককী বর্ণনস্থু অনৌবনি। ভাষা, ভাব, অলঙ্কার নচিংবগী মিংয়েংদা নাটক মপা নৈতনা ফজবা অমনি। মথক্তা নৈনখীবা মকওইবা কয়া অসিনা পেন্নহনা সাহিত্যবু

নীংথৌনা খংলবা মীশিংনা। ভবভূতি মহাকবিবু কলিদাসংগী হেন্না ঙাখোইবনি থাজনৈ।

রয়ং বা ভবভূতির্বা নাটক বয়মেব বা।
উত্তরে রামচরিতে তু ভবভূতির্বিশিষ্যতে ॥

ভটনারায়ন— বীর রসপুর্ণ 'বেণীসংহার' নাটকশী কৌবা ভট্টনারায়ন নি। মহাক্না হৌরককমদি কন্নৌজনি। বঙ্গালগী নিংথৌ আদিশুরনা কৌহুনা থবা ব্রাহ্মণ মঙাগী মনুংদা মহাকসু অমনি, হায়রিবা অসিমক তু'দা। টেগোর জাতিগী পারী-পুবী ওইরকখী। মহাক্না ভট অমদি মৃগরাজ নচিংবা উপাধি কয়া ফংখী মসিনা মরম ওইদুনা মহাক্না চপচাবা জাতি তোকপদা রানা থোকই। অহুম ওইনমক মহাক বিদ্বাননিংনা ব্রাহ্মণ জাতিনি থাজনৈ। মহাক্না মতম অসি লাইনা খঙবা ঙম্মী। মরমদি মহাক্না আশ্রম ওইবীবা আনন্দ পাল শাগেগী নিংথৌগী মতম শতাব্দী ৮০০ গী অহুবাইদনি। তুংদা মম্মট, ধনঞ্জয়, আনন্দবর্ধন, বামন নচিংবা কবি সাহিত্যকার পুংমক্না মখোয় মখোয়গী গ্রন্থশিংনা খুদম পীরমী।

বেনীসংহার — বীর রসনা মপুং ওইব অঙ্ক ৬ ক্না শাবা নাটক গ্রন্থনি। নাটক অসিদা মহাভারতকী মরু ওইবা মতাং দ্রৌপদী অপমানদগী থোক্নখীবা বেনীসংহার কৌবা রারাদগী লৌইবনি।

নাটক অসিগী নায়ক (Hero) চপ-চাবা অমা হৈদে। সমালোচক কয়া অমনা সাত্বিক ভাবনা থল্লবা ধীরোদাত্ত যুধিষ্ঠিরনি

হায় অদুগা অতোপ্পা কয়া অমনা ধীরোদাত্ত কৌবা নাটককী নিয়ম গুণ চেনবা ভীমসেনী হায়নৈ খরা অমনা দুর্যোধনসু নায়ক অমনি শীংথানৈ। তৌইগুমদুং শাস্ত্রগী ওইবা নিয়ম মতুং ইন্নদি অমসুং অইবা মশামকী মত মতুং ইন্না যুধিষ্ঠিরনা নাটক অসিগী নায়কনি, মরমদি মহাক্না রাজ্যসিংগী নিংখো ওইবগী ফল ফংখী। ভাষা, শৈলী, নাটক শাস্ত্রদা বীর নত্রগা শৃঙ্গার রসনা মসিগী মকওইবা রসনি হায়নৈ। ভট্টনারায়ননা বেনীসংহার নাটক বীর রসনা মপুং ওইবা য়াম্না মুওাইবা নাটক অমনি, মসিদা অবাংপা খর লৈজরবসু য়াম্না মমিং চংনি। নাটককী রচনা অসি বৈদর্ভী শৈলীদা ইরম্বনি খর ওয়্ন মাইপাকপ্নমগনবনি অদুম ওইনা মসিগী ওন্নবা য়াম্না শাংবা সমাসান্ত ৱাহৈশিং ওইবরসু বেনীসংহার নাটক থোনাফবগী থোইদোকপা গুণ হাপ্পা মাইপাকপা নাটক অমনি। নাটক অসিনা পীবা রা চাংবশিংগী পরেংদা ভীম, দুর্যোধন, অশ্বথামা নাচিংবনি, মখোয় অকল অথৌবশিংগী মওং ইন্ন ময়েক তকবা তপশিন্নবা ৱাহৈ-শিংগী পনাবগী নাটক অসিনা শিজন্নখী, হায়রিবা ৱাহৈশিং শিজন্নবগী মরমদা মম্মট নচিংবা লক্ষণ হৈবশিংনা অসুন্না হায় "বক্তৃবাচ্য প্রবন্ধধামমৌচিত্যেন ক্বচিত্-ক্বচিত্। রচনা-বৃত্তিবার্ণানামন্যথাত্ব মপীষ্যতে" ॥ হায়দুনা প্রমাণ তৌখী। মসিগী ওন্না তৈননদা মদম কপামক্তা য়াম্না শেংনা অমদি প্রসাদ গুণ (পাবদা মুওাইবা) মওংদা খোংথুনবা ৱাহৈশিং শিজন্ন-বসু কবি মতিক চানা হৈবা অমনি। হায়রিবশিং পারগা

ঐখোয়গী পুক্লিংদা অসু.। ফাণ্ডই মহুদি কবিগী লোন মপুং ফাবা হৈশিংবা অমনি। ম:াক চ্য অমদি ময়েক শেংনা ইবদা হৈবগুম হায়্না লৌবা অমসুং সদা। বাহৈ যাওবদসু মাইপাকপা কবি অমনি।

নাটককারগী "ম-ায়ন্তার্ণরাস্ত থা চএভূভ্‌মিচণ্ড" নচিংবা পদ্যশিং য়েংলুবগা ঐখোয়না মসি লেপ্না ওর্ম্মা মহুদি মহাকাব্যগী পবিংদা ভাব বি ফবিনা ইরম্বা শেলী, মাঘনা অমুক মখোং ঈশিং চায়খীবা অমসুং মসিগা মমুন ফাহনবীবা শ্রীহর্ষ কবিগী, হৌ-দো চখীবা অমনি হাযবা য়াহ মসিগা মপূং মরৈ ঐখোযন মুবাবি॥ ন-ট চশিংদ, খেংনগনি। শৈলী অসি সুপা পদ্য-(শৈ.বং) খক্তদা শিজমধ ব নংত্রি হায়বদি গদ্য (রাবেং) দসু মখল অনিমক্কী শেলীদা ইবা য়াওই। শৈলী অসি সুপ্য, সংস্কৃত লোন খক্তদা ইবা নত্তে, প্রাকৃত ভাষাদসু মসিগী প্রভাব উবা ফংই। ভটনাবায়নগী শৈলী ভবভূতিগী মতোংম বিশ্লেষনাত্মক অমসুং অভিধা প্রধান ওই। বাি-দাসবী ব্যঞ্জনাত্মক শেলী, হায়বদি খর হায়রগা পাাবা মীহু। মশান, খগুকবগী নৎংদা ইবা যাওদে, মরমদি ভত্তনাবাযন পাঠকশিংদা মসিগী অরাবা পীনি দে। খগুগদবা অমনা মহুদি বীর রস প্রধান ওইবা নাটক-শিংদা ব জন বৃত্তি কবিতাগা দোব ওই হায়বসিনি। মবম অসিনা বিষয়গা চান্নবা ভাবা শৈলীদা ভট্টনাবায়না পীজিংহুন। সাহিত্যগী হৈশিংবা অমসুং মুক্তাইবা পোকহনবগা পবিচয পীবী। সংবাদগী ভাষা মফম খুদিদা স্বাভাবিক ওই অমসুং য়ান্না

হকচিনবা অমদি রারী বাতাইগী রাহৈ-রাতানা ব্যঙ্গ ওইবা অমসুং অকনবা মওংদা শিজিন্নখী। কবিনা নাটক শাস্ত্রগী কাকুবিশিষ্ট ধ্বনিগী প্রয়োগ তৌই। সাহিত্য শাস্ত্রগী সমালোচকশিংনা মখোয়গী গ্রন্থশিংদা মহাক্কী খুদমশিংবু ভাবাগী মরুওইবদা প্রমাণ পীরী।

মহাকবিগী ভাষা মফম খুদিংদা পাত্রশিংগা চানৈ, মফম অমওদসু স্বাভাবিক ওইদবা যাদ্রে। অর্জুন খণ্ডদে, লমহৈলবা ভটম খণ্ডদে, অচাংবম কাবা দুর্যোধন খণ্ডদে অমসুং ব্রাহ্মণ জাতিগী গুণ যাদ্রবা অশ্বত্থামা খণ্ডদে, অমদি কর্ণ খণ্ডদে পুরমক মগোয় মখোয়গী চানবা লৈন অমসুং হকচিনবা রাহৈ শিজিন্নে। বেনীসংহার নাটক অসিদা শৌরসেনী অমসুং মাগধী প্রাকৃত ভাষা কবিনা শীজিন্নখী। অলঙ্কারগী মাহৈদদি কবিনা থোইদোকপা অঙকপা অমা পুখোকখীদে, অদুম ওইনা মফম কয়ানুক্তা রূপক, অনুপ্রাস, উৎপ্রেক্ষা নচিংবা অলঙ্কারশিং মশানা লাকপগুম উই। বীর, ভায়ানক অমসুং রৌদ্র রসকী বর্ণন তৌরগীদমক শার্দুল বিক্রিডিত, শিখরিনী ছন্দ খন্দনা শীজিন্নবা কবিগী সহিত্যগী মহাগুণগী পরিচয় পীবদা ডন্নে।

প্রকৃতি বর্ণন — কবি প্রকৃতি বর্ণন পামদবা মীওইনি, মবমদি নাটক অসিদা মসিগী চাঙ্ক্তা কয়া লাক্লবসু কবিনা মহুবু চিত্রণ তৌখীদে অদুম ওইনা মহাক্না নাটক অসিদা মফম অমা অনিগী শ্লোকশিংদা প্রকৃতি বর্ণন তৌখী মহুসু য়াম্না ফজে, মহুগী মনুংদা শ্লোক অনিদা প্রকৃতিগী মখোৎপা বর্ণন তৌই

অহুগা লোক অমসুনা প্রকৃতিগী অকনবা অয়াকপা বর্ণন তৌই।

'বেনীসংহার নাটক'— রস-পরিপাকী মাইগৈদা য়াম্না মাইপাকপা নাটক অমনি নাটক অসিগী মকওইবা রস বীরনি। মসি তৌবদগী লাইবা ফাওবা নাটক অসিদা যাওই। বীর রসকী মতেং পাংবা রস রৌদ্র না। রস অসিগী পরিপাক মাইপাকই। অহুমশুবা অঙ্ক গী অহৌবদা রাক্ষস-বানসী অসিগী বাবী বাতাইদা বিভৎস রসমু যজনা য়াৎই নাটকবী অনিশুবা অঙ্কদা শৃঙ্গার রসকা শকুমনা নাটক বারনা ইরম্মী মসিবু সমলোচক-শিংনা কন্না সমলোচনা তৌবী। নাটককী অহানবা অঙ্কদা কবিনা শান্ত রস কীম্না লোক অমা ইরম্মী মসি দল অগী মিৎয়েংদা ফজবা ওন্নি। নাটক অসিদ করুণ রসকা বর্ণন ধৃতরাষ্ট্র, গান্ধারী অমসুং যুধিষ্ঠির গী রাজশিংগা লোয়ননা দ্রৌপদি, ভানুমতী দুঃশাসন অমসুং জয়দ্রথকী মমাগী রাজে কবগ গী অহৌবা থাক্কা মশক্তি। অবোইবদা নাটককী অঙ্গী রস বীরনি। হাযরিবা রস অসি নাটক শিনবা রুননা য়াওই। মক ওইনা ভীম, দুর্যোধন, অশ্বত্থামা, কর্ণ মখোয়গা মরী অ সন। বীর রস অসিগী মপুং ওইবা পাত্রশিংনি। সুন্দরকী বাহৈশিংসু য়ামনা যৰে।

নাটক অসিগী অতোপ্পা মকওইবা ফজবা থরনা পতাক স্থান অমসুং গণ্ড শুধ, নাটককী ওইবা অঙ্গশিংগী প্রয়োগসু তৌবগী, মসিগী মওং অমা ঐখোংনা 'উত্তররামচরিতদসু যংই'

চরিত্র-চিত্রণ গী মথৈগৈদসু নাটক অসি মপুং ফাই। নাটক অসিগী পাত্রশিংগী বর্ণন চাংদঙবা মওংদা ইখা। অমবোমদা

ভীমগী অকন-প্রথৌগী মৈরী, কর্ণগী মাংহনবগী শক্তি, অশ্ব-থামাগী ব্রাহ্মন ওইবগী মশাওবগী মওং দুর্যোধনগী মশাগী ওইজবা থীবা অমসুং নুঙাইথোকপগী বর্ণন নাটক অসিদা অয়েবা ওইনা তৌই অদুগা অমঙোমদা যুধিষ্ঠিরগী মচিন মওং সুংশিনবগী অমসুং শ্রীকৃষ্ণগী লাইগী গুন চেনবগী বর্ণন তৌরী। মূশীগী পাত্রশিংদা দ্রৌপদী অমসুং ভানুমতীগী বর্ণনস্থ চাংদমনবা মখল অমনি পাত্রশিংগী চরিত্র ইবদা লেখক ফজনা মায়পাকই।

নাটক অসিগী ফজবা কয়া য়াওরবস্থ, নাটক-শাস্ত্রগী নিয়ম-শিংগী মীৎ উইহিন্দুনা ইবনা অশোয়বা কয়াস্থ লাকই- মখোয়দুদি—

১) দুর্যোধন ভানুমতীগী শৃঙ্গার বর্ণন, মসিবু মম্মট অমসুং বিশ্বনাথনা আলোচনা তৌদুনা দোষশিং ইবদা অসুম্না হায় — 'অকাণ্ডে প্রথমম,' অসুম্না কবি ভট্ট-নারায়ননা পরমপনা ঙাক্লনবগীদমক্তা মসিনা মরুওই-বনি খদ্‌না বর্ণন তৌখীবনি। অসুম্না অলোচনা তৌখী।

২) মফম খুদিংদা বীর রসনা মপুং ওইরবস্থ থৌনা লৈবা উৎপগী মতাং চাবা মতমদা উৎহৌদবা দোষ কয়াস্থ য়াওই। অশ্বত্থামাগী য়াম্না শাওবা মতমদা "য়োঃ যঃ শস্ত্র বিভর্তি" শ্লোক অসিদা প্রসাদ গুণ য়ুক্ত পদ অসি দোষ ওই।

৩ নাটক অসি অভিনয় ওইগনবনি, তৌইগুমসুং নাটক অসিদা সুন্দরক কী হাঙাংদা অশাওবা য়াহৈ শিজিন্নবা, অভিনয় ওইগদবা থোক্লেন নাটক ওইনা তৌই।

৪) লোনগী ওইবা দোষ হায়রগদি ব্যাকরণগী মতুং ইনা 'দ্রৌপিয়নি' অসি লাই়ী, 'দ্রোণায়নঃ' ওইগদবনি।

৫) য়ায়া পীকপা নাটক অমদা অচৌবা লাইরিক মহাভারত কী কথা লৌদুনা ইবা দোষ অমনি। নাটক অসিগী মওং য়ারী মানবা লাইরিক ওইনা তৌই। ডাঃ কীথনা গরম অসিদগী নাটক অসি আলোচনা তৌদুনা মখাদা অসুয়া পীরী —

" The play is on the whole undramatic for the action is choked by narrative and the wast abundance of detail served upon the from confuses and destroys interest ".

ত শংনা হায় বদা মশি ওচুম্বা খবদি যাওদবা নাত্ত, মবমদি বারীগী ওইবা মথং মনাও লাক্কদবদা মকম কযাদা অকাঃবা যাওই। নাটক অসিগী অভিনয় ওইবদ অকায়বা কয় য়াওই। মথক্কী দোষ কয়া যাওরবসু নাটক অসি ফজবা অমদি মপুং ফাবা অমনি।

য়াহং ১৯ — " কাব্যেষু নাটকং রম্যং তত্র রম্যা শকুন্তলাঃ " হায়রিবা পাওরো অসিগী শদোক্তা ব্যাখ্যা তৌ।

পাউথুম — রসনা মপুং ওইবা য়াক্যবু কাব্য কৌই। অতোপ্পা য়াইহ্ অমদা মীওইবগী থম্মোয়দা নুঙাইবগী পুদম অদুবু কাব্য কৌই। ব্রহ্মানন্দ অমসুং কাব্যানন্দ অনিসিদা সুপ্পা খেন্নবা হায়ববু ব্রহ্মানন্দ হায়বসি সংসার থাদোকপা অমসুং

অ।ম্বাগী মুঙ।ইববু কৌই অদুগা কাব্যানন্দ সংসার থা:দোকপগী মহুন্না সংসারদা লৈনা সাধারণ মুঙাইবদগী অৱাংবা থাক্তা য়োববু কাব্যানন্দ কৌই। মসিদা মশাগী চিং-লেন্বা য়াওজরবসু অনেম্বা স্বার্থবগী লাপ্না লৈ। কবিগী থম্মোয় জন-সাধরন গা লোয়নননা মীয়ামগীদমক্তা কৎথোকপনিং মখোয়গী মিৎয়েং সংসারগী ওই। মরম অসিদগী কাব্যদা প্রকৃতিগুম্বা অহিংবা জীবা নত্রবসু মীওইবগী মতৌগুম মখোয়বু ভাবনা চেনবা অমগুম্না বর্ণন তৌই। মরম অসিননি কাব্যদা মশাগী মতিক মগুণ অমসুং মুঙাইবগী শকক্লা হল্লীবনি। ভারতীয় সাহিত্য-শাস্ত্রদা কাব্যগী য়েংলগা অমসুং তারগা অম্মা অনিথোক্লা খায়দোকই। কাব্যগী বর্গ খাংদোকপগা হৌরককমদ মসিবু লৌশিনবা খেন্নগী হায়বনি ইন্দ্রিয়গী খেন্নবা মওং লৈবননি। য়েংব। য়াবা কাব্যদা মিৎ অমসুং নকোং ইন্দ্রিয় অনি অসিনা কাব্যগী মহাও লৌই ব্রহ্মা-জীদগী লাইশিংনা অসিগুম্বা মওংগী লীলা অসি নীথীবনি। দৃশ্য অমসুং শ্রব্য অনিমক "ক্রীডনকীয়মিচ্ছামো দৃশ্য শ্রব্যং চ যদ্ভবেত" অমরোমদা শ্রব্য কাব্য নাকোংনা তাব। য়াবা নাটকনি। দৃশ্য কাব্যদা কাব্যগী মহাও মিৎ অমসুং নাকোং ইন্দ্রিয় অনিনা লৌব। য়াই। 'ক্রিডনকীয় ইচ্ছামো দৃশ্য শ্রবং চ যদ্ভবেত' অমরোমদা শ্রব্য কাব্য অসিসু মতম অদুদা নাকোংন তাবগী তাক্লা ফদে। দৃশ্য কাব্যদ। কাব্যগী মহাও মাল অনিথোক্লা লৈ। মসিগী ফল ওইনা মিৎনা উব, অসিনা কল্পনা তৌবগী অৱাবা কোকই, অদুগা মসিগী মহাওনা হেল্লী।

অনিশুবনা অঙাংশিং অমত্তং সাধারন মীওইশিংদা ঽরুবা অমনি। ঽরুবা রাইদেগী মঙং-শরুম নাইবা তসিনা পান্নবা অমদি খঙবদা লাইবা ওইংল্লী। মীওইবনা ঙাংহনা নত্রগা ইতুনা তাকপা অসি য়ান্না অরাইবসু ওইসনু নত্রগা নুঙাইবা ওইসনু মিৎনা উবা অসিগা চাংদম্নবা খক য়াদে। কহ্নিংত্না ইমাংদা চেন-চোংহনা শান্নবা উরগা, অমরোমদা নাকোংনা নত্রগা পাংগা ফাওবা নুঙাইবা চাংদঃবদা উরগা নুঙাইবা ফাওবনা হেল্লী মরম অসিনা দৃশ্য কাব্যনা অখোইবনি হায়নরিবসিনি।

নাটক— দৃশ্য কাব্যদা রূপক নত্রগা নাটকনচিংবা লৌগনি। দৃশ্য-কাব্যগী লৌশিন্নবগী মঙ অনিনি মিৎ অমত্তং নাকোং। নাটক হায়বসি মিৎনা উনা শাঃবনি, মসিবু দৃশ্য কাব্য হায়নসু বৌই, মসি মপানগী সংগারগা মরী লেনদে। মসি ভাব খক্তা সৌবা য়াই। ভাব জগৎ ঽনিমক কাব্যগী আত্মা 'রস' কী হৌরকফমনি। অসুম্না হায়নবা মতুংদি নাটক অসি অরাবা, নুঙাইতবা রাখল ৎবক শুবগী অরাবা পোকহন্দনা নুঙাইহন্নবগী সাধন ওইগনি নাটক অসি মরোল অহুৎদা ভাব পুন্নককী লৈফম্নি "ত্রৈলোকস্য সর্বস্য নাটকং ভাবানাং কীর্ত্তনম"। নাটককী ভাব ফোংদোকপগী মঙং অসি সমাজদা চংনরিবা হিরমশিংদা লৈবনি।—

নানাভাবোপসমপন্নং নানাবস্থান্তরাঞ্জকম।
লোকবৃত্তানুকরণ নাটকমমেতন্ময়া কৃতম্‌॥

(নাঃ শাঃ ১।১০৮-১০৯)

অশোঙবা অমনা গীতি-কাব্যদগী ভাব য়াম্না ফোংদোকই, লৌইগুমদগুং হায়রিবা ভাব অদু চন্নাই মীওই ওইনা লৌই। নাটকশিংগী ভাব অসিদদি মী-ওইবগী পাক্ন্না য়াওই। দশ-রূপক ইবনস নাটক অসি ফিবমশিং মকুওইবা পুক্নিংগী ওইবা মওংদা মমি তাকনি হায়রম্মী অদুগা। সাহিত্য-দর্পণকার নসু অভিনয় (Acting) না মকু ওইনদুনা মওং মতৌ উৎপগী ওবনি। রূপকপু দৃশ্যকাব্য কৌরম্মী। নোংচুপলোমগী বিচারক অরিস্টটলনসু ভাব গম্ভীর নাটকশিংবু কাব্যগী অশেংবা শক্তম ওইনা লৌখ্রম্মী। মসিগী নাটকশিংবু ভাবশিংগী লুপ্পা, মপুং ফাবা, শারণ, মীশিংবু শুকাইহনবা। থৌদোকশিং মমাং মকু ওইনা পাবগী মতেক থৌংহনবানি ভাবনীয় সাহিত্যদ। ভাবনাগী মকু ওইবনা অয়াম্বনি। লৌইশিংসু ভাবনাগা সিমনা অরোইবা লৌশং মসিদা ফলগী ওই। জ্ঞান, নৈতিক নচিংবা ওই খুদিং য়াওই —

লোকোপদেশজননং নাটকমেতদ্ভবিষ্যতি।
নতজ্ঞানং ন তচ্ছিল্পং ন সাবিদ্যা ন সাকলা।
নস যোগী ন তত্কর্ম নাট্যেঽস্মিন যন্ন দৃশ্যতে॥

ভরত মুনিনা নাটকতা হুডাইহনবা অমসুং পোৎথাহনবগী তত্ত্বসু কান্না হায়রম্মী —

দুঃখার্তানাং শ্রমার্তানাং শোকার্তানাং তপস্বিনাম।
বিশ্রান্তিজননং কালে নাট্যমেতন্ময়া কৃতম॥

ভরত মুনিগী নট-শাস্ত্র অসিদা ধর্ম, অর্থ কামগীসু সাধন

ওইবা অমসুং ফত্তবা মীওইশিংগী বুদ্ধিবু চুমথোকপা অমসুং নপুংসক, ইকাইথীবা, পাংবা মীওইশিংবুসু শক্তি-পাংল পীনবা অত্তুগা থোনা লৈবশিংবু থোনা হাপ্পা অমনি। লোয়নননা জ্ঞান লৈতবশিংবু জ্ঞান পীনবা অমসুং পণ্ডিতশিংবু অশুবা ঙাকপা ঙমহনবা, অপাম্বশিং পীবা, অরাবশিংবু পুক্নিং ফাথনা ঙম্বা অমসুং শান্তি পীনবা অমনি —

ধর্মো ধর্ম প্রবৃত্তানাং কামঃ কামোপসেবিনাম।
নিগ্রহো দুর্বিনীতানাং মত্তানাং দমনক্রিয়া॥
ক্লীবানাং ধাষ্টর্য়করন্যুত্তসাহঃ শূরমানিনাম।
প্রবুধানাং বিবোচ্ছু বৈদুষ্য বিদুষামপিচ॥
ঈশ্বরানাং বিলাসচ্ছু স্থৈর্য দুঃখার্দীতস্য চ।
অর্থোপজীবিনামর্থো বৃত্তিরুদ্ধিচেত সাম॥

মথক্তা হায়খীবা কান্নবশিং ভাবুকশিংবু সুপ্না শাবন পীবগী থাখক্তা নত্তনা মসিগী অশেংব কান্নবা অমসুং লৌশিনবদা কান্নবা ঙম্বশিং ৱানি। মরম অসিদগী মসি ফাওনা হায়রিবনি ' বেদানাং পঞ্চম বেদম ' অসুম্নসু হায় — " তস্মাত সৃজাপরং পঞ্চম সার্ব বর্ণিকম "। নাটক, মহাকাব্য, উপন্যাস অহুম অসিমক কাব্যগী রস পীবগা লোয়নন্না প্রজ্ঞা মীয়ামগী হৈনবা অথাবা হিদাকপু লৌবদ য়াননবা উপায় অমা ওইনা লৈরমী, তৌই-শুমসুং অহুম অসি মশা-মশাগী ওইবা কান্নবা অমমম লৈজে।

গদ্য-পদ্য - কাব্যগী মথক্ত অনিমক সংসারগী বর্ণন তৌই। পদ্য কাব্যদা বর্ণন তৌবশিংদা অয়াম্বন মহাকাব্য ওইনা তৌই।

মহাকাব্যদা পদ্য (শৈরেং) শীইবতা নত্তনা জাতি অমগী রাবী নত্রগা যুগ অমগী ভাবনাগী মওংনা মক ওই। মসিগী নায়ক (Hero জাতিগী নায়ক অদুগা মক ওইবা মীশক্ত ওই। মহাকাব্য সংস্কৃতিগী মপুং ওইবা নায়ক ওই; বাল্মীকি রামায়নদা ভারতীয় সংস্কৃতিগী মপুং মাব ফাবা উই। রঘুবংশদসু "শৈশবে অভ্যস্ত বিদ্যানাং যৌবনেবিষয়েষিনাং" তসুম্না হায়দুনা ভারতীয় সংস্কৃতিগী মওং মতৌ নায়ক লানা তাকই। নাটক গদ্য-পদ্য শিনমক হনে মরম অসিনা অমগা-অমগা রা উা নবগী অয়াম্বা শরুক ওইনা গদ্য (বারেং) শরুক্তা য়াম্না লৈ। কথা (উপন্যাস) দসু মসিগা চপ মান্নে। রামায়ন অমসুং উত্তররামচরিতকী বাম্বগা খেন্নে। রামায়নগী রাম জাতিগী নেতা অমসুং আদর্শ পুরুষ অমনি, আর্য সভ্যতাগী থিদমফম অমনি; তৌইগুমসুং উত্তররামাচরিতকী রাম ইচম চম্বা অঙাং অমগী মওংনি। মহাক নিংথৌ অমানি, মহাক নিংথৌ ওইবগা লোয়নননা মশাগী অরা নুঙাই মাথোক্নে। উত্তররামাচরিত অসিদা রামগী ভাবনা অসিনা হেন্না য়াওই। মহাক্না অসুম্না হায় — মহুদি রামগী পুন্সি আসিমক অরাবগীদমক্তনি মসিদা নত্তনা মহাক প্রজা নুঙাইহনবা প্রেম, দয়া নুঙাইবা অমসুং সীতা ফাওবা থাদোক্লবসু করিমত্তা অরাবা ওইরে ই —

স্নেহং দয়াং চ সৌখ্যং রদিবা জানকীমপি।
আরাধনায় লোকস্য মুঞ্চতো নাস্তি মে ব্যথা॥ ১।১২

হায়রিবা মফমশিংসিদ রামগী মতিক মগুণ য়াম্না শেংই।

উপন্যাস অমস্তুং নাটক অসিদা মী অমদা মরু ওইবা থন্মী, অদুবু অনি অসিদা মিংথেং মায়ে। উপন্যাস মথল খুদিংদা ফৌখবা মীওইবগী মওনদা ইনৈ। নাটককী মবমদসু ফৌখবা মীওইবগী ওইববসু নাটক ইরিবা মহাক্কা উবন্দৌন, থোদোক খুদিং মাংদা উনা লৈবন্দৌনা ইনৈ। মসিদা হৌখবশিংবু মিংকী মাংদা উইমী। মহাকাব্যদা বিষয়গী পাকশংবা উপন্যাসকা মান্নে অদুবু মহাকাব্যদা আদর্শনা মপুং ওইনা লেই; উপন্যাস পুনিগী থোদোক খুদিং উ নববা ফোংবনৈ; তৌইগুমসু নাটক অসিদা মকম খরথকুং খন্দোক্তুনা মথেক শেংনা তাকবা ফোংনৈ। মসিদা অসিংদুবা দৃশ্য খল্লগা ইনৈ মহুদি লালাগী মংগং কাহন্দনা পাত্রানিংগী চবিত্র বর্ণন তৌই অমসুং মত্রদা রস মাংখিন্দনবা ফোংনৈ। নাটক অসিগী মও মথল অহুম লে — বস্তু, নায়ক অমসু বস নি। উপন্যাসতগী নাটক অসিদনা রসনা মপুং ওইবা হেল্লী। "নাটক অসিদা মহাকাব্য অমসুং উপন্যাসগুম্না মপানগী ওইবা হিবমদা য়াওই অদুম ওইনা পাওগী মওপস্ত কাব্যগী মথৌগুম ভাবনাদা লুনস্ত য়াওই। মিংকা কুঃস্ম ভুওইংনবগা লোয়ননা শিক্ষা অমসুং পাওতাক — "কান্তা সম্মিতেয়োপদেশমুতে" গী পাওবৌবু ঙাক্কা চংসি। নাটক অসিদা উপন্যাসগী অশেংবা বারী অমসুং মহাকাব্যগী মথৌগুম আদর্শকী বর্ণন তৌই। নাটক অমুক্তদা তুঙাইহনবা অমসুং শিক্ষা পীবনচিংবা ঙমী।

মহাকবি কালিদাসকী কাব্য সরস্বতীগী খুইদগী অথোইবা

রূপা "অভিজ্ঞান শাকুন্তলম' নি কালিদাসস্য "সর্বস্বমভিজ্ঞান শাকুন্তলম" রঘুবংশ মহাকাব্যদা কবিনা ভারতীয় নিংথৌশিংগী প্রজ্ঞা প্রেম মহাক্কী বর্ণাশ্রম ধর্মদা থাজবা, মাইগৈ মথৌদা শব্দাকপা। মিংচং অমসুং মুত্তাই য়াইফবগী বর্ণন তৌই; অদুগা কুমারসম্ভবদা ভগবান শঙ্কর অমসুং পার্বতীগী মুংশিনবগী ৱারোলা কবিগী মক ওইবা পান্দম ওইরমী তৌইগুমসুং 'শাকুন্তলম'গী শকুন্তলাদি য়ম্মা পাক-চাওই অমসুং ইনাক খুল্লা, লৌনা লৈশাং তম্লক্লীবা মথোং কাবক্লীবী আশ্রমদা লৈবী লৈশাবী, রাজ মাহৈগী ফজাল তেংথিবগী ৱারীনি। মসিনি নাটক অসিগী থৌরাং। অমসুং তরোংবা অনিমক্কী কেন্দ্র বিন্দু ওইরী। তৌইগুমসুং পীক্লবা লাইবিক মচা অসিদা থোদোক খরখক্লল। মহাকবিনা মতাংদা কলমনা আর্য পূর্বগী মর্যাদা অমসুং সংস্কৃতি য়াওহন্দুনা ভারতীয় সাহিত্যবু বিশ্ব পূর্ব। মিংচং পুবকখী। নাটক অসিদা শকুন্তলা রজাগী অশেংবা, অমসুং শুংহংবগী, প্রেমগী অচেংপা কীবম অমসুং উপায় লৈতবা, পৃথিগী ইচম চম্ব। অমসুং পুক্রিং হুনা, ঋষিকুলগী পুকচেল চাওব অমসুং মীন্নংশি হওবগী, মহর্ষি কণ্বগী আদর্শ বাৎসল্য প্রেম, হুন্দসানা অহাকপা দত্তী, মুংশিনগী এপাম্বা শকুন্তলা সদাগী কঙ্কবা অমদি আত্মাগী ইং-তপা। মুংশিনবগী কথোকপা। অমদি সংসারগী অপাম্বা থাদোকপগা পুক্রিং হুনা কজরব। গ্রন্থনি হাংদ্রিবা মীওইবগী মক ওইবা গুণাশং পুংমক য়াওবা। অসিবু মহাকবি কালিদাসনা "শাকুন্তলম" কৌনা নাটক অসিদা রস মপুং ফানা য়াওবা আসনা মাওইব, সমাজগী নমক্ত। মমল য়াম্মব, অমনি।

নাটক অদিদা অহানবা অঙ্ক মরী 'ভোগ ভূমি' ময়াইগী অঙ্ক অনি 'দণ্ড ভূমি' অমসুং হরোইবা অঙ্ক অসিনা 'সিংহ ভূমি' অসুম্বা কৌই। 'ভোগ ভূমি' গী অহানবা দুষ্যন্তগী শা তানবগী অমসুং আশ্রমদা শহ খুত্তনবগী মফম অদুদা তপস্বী কন্যাশিং উরগা দুষ্যন্তনা অসুম্বা ফোংদোকই —

অহো, মধুরমহাংদর্শনম।

শুদ্ধান্তদুর্লভমিদং বপুরাশ্রমবাসিনো য়দি জনস্য।

দূরীকৃতাঃ খলু গুণৈরুদ্যানলতা বনলতাভিঃ॥

মসি অন্তঃপুর (রাণি লৈফম) গী রাণিশিংদা ফংদবা নীংথাজরবা শকুন্তলা দুষ্যন্তগী প্রেমগী অহানবা দুত অমনি। নিংথৌনা থম্মোয়গী শান্তিগীদমক শকুন্তলাগী মজনবু নংথিনা ... য়ান-বগীদমক উনা মফমদা লোননা অমসুং হায়রিবা ফজরবা শকুন্তলা উরগা অসুম্না হায়রকই—

সরসিজমনুবিদ্ধং শৈবলেনাপি রম্যম।

মলিনমপি হিমাংশোর্লক্ষ্ম লক্ষ্মীং তনোতি।

ইয়মধিকমনোজ্ঞা বল্কলেনাপি তন্বী

কিমিব হি মধুরানাং মণ্ডনং নাকৃতীনাম॥ ১।২৯

বন সুন্দরী অসিগী মজবা উবদা নিংথৌগী পুক্কিং চরাংনখীরগী। মখম দুদা মরাক্লা থল্লী মতুদি ঋষি কন্যা উরগা করিগীদো ক্ষেত্রিয় মচা অমদা পুক্কিং থেংনরিবা নরিবা কবিনা মসিগী উপায় অমা ওইনা অন্তঃকরণ (পুক্কিং) গী হৈনবগী মংনা হায়— অন্তঃকরণ (পুক্কিং) না করিগুম্বা পোৎ অমা উবরগা খোয়দাবা

ফাওরবদি পোং অহু নী অহুগী মতিক চাবা অমনি —

"সতাং সন্দেহপদেষু বস্তুষু প্রমাণমন্তঃকরণ প্রবৃত্তয়ঃ"

অমরোমদা নিংথৌবু ঙকবদা শকুন্তলাগী পুক্নিংদসু লাংতক্লবা পোকই, শকুন্তলা৷ শুমহৎখিরম্মী —

"কিমনু খল্বিমং প্রেক্ষ্য তপোবনবিরোধিনো বিকারস্য গমনীয়মস্মি সংবৃত্তা" ॥

মতৌ অসুম্না বর্ণন তৌবদিনা তাকপদি শকুন্তলা বনদা লৈবী সঙ্গ লৈতবী অমা৷ ওইরবসু প্রণয় শক্তি (নুংশি মুংঙন) ঙমদ্রুং বাম ভাবনা ফজনা খবই। কবিনসু সত্যাশি খঙহুনা অসুম্না হরম্মী মতুংদ মথোং কারকপগা মংমদা নুপামচা-নুপী-চাশিংগী পুক্নিংদা নুংদা মৈচাক অমা ফাংই। মসিদা নত্তনা মসিমসু খঙবা ঙম্মী মতুংদি কবিনা মথোয় অনিগী থম্মোয়দা নুংঙন্নবগী ময়েক শেংনা তাকই, হান্নবা অমগী লোইশিন্নকপদা শকুন্তলা মশাগী ভাবনা অনিংবা অপাম্বা খুদিং দুষ্যন্তদা ফোংদোকলম্মী। অনিশুবা অমদা "কাম" নুংশিনবগী পন্থং য়োৌথী। নিংথৌনা শকুন্তলাগী নীংথীজবা শক্তমবু থাগৎলহুনা অসুম্না হায় —

ব্রহ্মানা মহাকপু শেমগ্রিঙৈদা মহাক্কী থম্মোয়দা হান্না য়োক্লগা সংসারগী ফজবশিংগী গুণ পুন্নমকপু অমত্তদা (শকুন্তলাদা) পুনা শেমখিবনী।

মরমদি ব্রহ্মাগী লৈশেমগী হৈশিংবগা শকুন্তলাগী ফজবগা চানিসিদা হন্না-হন্না বিচার তৌহুনা অসুম্না থল্লা মতুংদি মসিগী শেমদা লোপ-তোন্না হৈ-শিংবা উৎকুন শেমখী।

চিত্র নিবেশ্য পরিকল্পিত সত্ত্বযোগ—
রূপোচ্চয়েন মনসা বিধিনা কৃতা নু।
স্ত্রীরতনসৃষ্টিরপরা প্রতিভাতি সা মে,
ধাতুর্বিভুত্বমনুচিন্ত্য বপুশ্চ তপস্যাঃ ॥ ২৯॥

রাজা শকুন্তলাগী ইমচৎ ফজবদা খুমহৎখিদুন মহাকপু ফংদিংবগী থাখল তৌবনী -

অনাঘ্রাতং পুষ্পং কিসলয়মলূন কররুহৈ—
রনাবিদ্ধং রত্নং মধু নবমনস্বাদিতরস।
অখণ্ডং পুণ্যানাং ফলমিব চ অদ্রূপমনঘং।
ন জানে ভোক্তারং কমিহ সমুপস্থাস্যতি বিধিঃ ॥
১১০।

"কনান খঙগনি, বিধাতানা মহাক্কী নিংথাজববা চংগৌ শকুমগী যাংনা ভগ্নীনৌ" শৈবে অসিদা নিংথৌগী ভবনা দু শেংনা ওাক্রে। তমগুবা তক্কদা 'ভোগ' নু শিপ নুংগী বিবান তৌই। নিংথৌ শান্তুলা উদবা খাঙমদবা উংনি অতুগা অবোইবনা 'ভোগ' না লোইশিন্নী। চৎনবী মঙবপগী চিন্তা লৈজববস, চম্নী শাবুত। নিংথৌ দুান্তগী নুংাশ লাংনা পুনখিদুনা পুক্লিং ৎকচাং এনিমক কথোকখি তৌইতমসু মহাক্কী আত্মা সমর্পণ মহাক্কী থাজবগী শাংগী খুংম্নি মতাদ প্রেম বন্ধন হাবর্বসি তৌনব ফতুগা তমা নঙে লোয়ননা মহাক্কী নুংশিনবা শেংবনি। কবিগুম্বা মংমদ লৌনম্বীবোই ভায়ংনিনি। "নাটককী মরীশুনা অক্কদা কাবা খঙহেবনশিংনা য়াম্ন থাগনৈ"।

মসিদা গর্ভবতী শকুন্তলা কণ্ব ঋষি আশ্রমদগী বিদায় পীবগী থন্নোয় শোক্লা মুংশিল্লবা মতাংগী বর্ণনা তৌই। অহানবগী অঙ্ক অহুমদা মখোৎ কায়বকপা, যজ্ঞবা অমস্থং হুংশিনবগী য়াম্না ময়াই-কাবা, গুমহংপা অমস্তং পুমকাওংকাওহনবগী বর্ণনা কবিনা তৌই। শকুন্তলা গান্ধর্ব-বিবাহগী মরমদা অনসূয়া অমস্থং প্রিয়ম্বদা মখোয় অনি চিংনরম্মী, অদুবু কণ্ব ঋষি শকুন্তলাগী ওসিগুম্বা মরী লৈ-নবসিবু অয়াবা পীরম্মী। উসিংম্বা তপোবনগী চৎনবীগী য়াংমদা চৎপগী বনাগুম্ব। অমত্তনা অক্ষ-ফত্তবী ভাংনখিদে, অদুবু মসিগী অশেংবা মওং মরাগুবা অঙ্কগী মনুংদা দুর্বাসা মুনিনা শাপ চায়বগী মতাংদা থত্তী। মরম অসিনা শকুন্তলাগী বিদায় য়াম্না য়াবা অমদি থন্নোয শোকপা অমনি। "মরাগুবা অঙ্ক পুম্বা স্নেহ (মুংশিবা) সদভাবনা অমস্তং আত্মীয়তা ওইবগী অয়োবী থাক্তা ইরম্মী। শকুন্তলা মপুক্লোইবগী যুমদা খিল্লগনি, মরমদি মহাক অত্তোপ্পা মীগী ওইথ্রবীনি। মতম অসিদা মপোন্দা মাইগে খুদিংদগী মঙ্গলাশীর্বাদকী বর পীনরকী, মহাক মুপ্পা আশ্রমদা লৈবশিংগী পুনচেন্না চাংরুবশিংগী মতেং থক্তা নত্তনা, শকুন্তলাগী ইচম-চমজ্জবী, অপাম্বা লৈতবী অমস্তং লোনম লৈতবী অমা ওইবগী ভায়াবা কয়াম্থ য়াওগী। তপস্বীশিংনা পীরীবা আশীর্বাদশিং অসি কয়া চুম্লিবা, হয়াদা পুক্লিং হুরিবা অমস্তং কয়াদা মুগাইবা পীবিবা —

"জাতে ভর্তুর্বহুমানসূচমং মহাদেবীব্দং লভস্ব" ॥

"বৎসে, বীর প্রসবিনী ভব"।

"বৎসে, ভর্তুর্বহুমতা ভব" ॥

"সখি সুখ মজ্জনং তে ভবতু"।

ময়ামসিগী মরক্তা অমুক্তা উপা৽শিং, বন দেবীশিং অমসুং লৈ-শু উরী-বারী নচিংবগী মখল রাহৈ কয়া ফংবগা লোয়ননা শকুন্তলাগা বিদায়গী মতমদা কণ্ব ঋষিনা নীংশিংজনা অসুম্না হায়—

য়াস্যত্যদ্য শকুন্তলেতি হৃদয়ং সংস্পৃষ্টমুৎকণ্ঠয়া।
কণ্ঠঃস্তম্ভিতবাসতি কলুষশ্চিন্তাজড়ং দর্শনম ॥
বৈকলব্যং মম তাবদীদৃশমিদং স্নেহাদরন্যৌবসঃ।
পীড্যন্তে গৃহিনঃ কথংনু তনয়াবিশ্লেষদুঃখৈঃনবৈঃ ॥
৪ ৬।

করম্বা মপা অমনা মসিদগী হেন্না পুক্নিং চংবা নুংশি হৈবা অমসুং লাউংরবাগা লোয়ননা মচানুপীবু মপুরোইবগী মথুমদা চংখ্রগনি? বগ্ব ঋষিগী ওাংন্তনা ডাংবা, বনগী দেবীশিংগী আশীর্বাদ, শকন্তলাদা হুবাস্ত উনিংবগা লাওতংবা, আশ্রম থাদোকপগী অবাবা, আশ্রমদা লেবা লতা উরী বারাশিং উচেক উযাশিং মীগুংশি খোদোক পুন্নমক অশি যায়া নুংশিবা পোকহনবা অমনি। "মহাক্কী বিদায়গী পুংফম য়োরক্রবদা, শজি অমোমশিংনা শায়বম্বা কুশ অতু যোংশিল্লগ। তুমিন্না লৈখী, বাতোংশিংনা জগোই লেপখী, লতাশিংদা শাৎলম্বা লৈশিং কংশিনবা অমদি মমিৎতগী মপী শিন্তরা। শকুন্তলা মখোয় পুন্নক। উনরম্মী অমসুং মখোয়দগী বিদায় লৌরম্মী। কপ্পদা বাজরবী শকুন্তলাবু কণ্ব

ঋষিনা য়ুগ্বানবগী নিয়মশিং তাপ্পীরম্মী। শকুন্তলা চৎখ্রবা তুংদা কণ্ব মুনিনা অসুম্না খল্লম্মী —

হন্ত ভোঃ শকুন্তলাং পতিকুলং বিসৃজ্য লব্ধমিদানীম স্বাস্থ্যম। কুতঃ

অর্থোহি কন্যা পরকীয় এব, তামদ্যসম্প্রেষ্য পরিগ্রহীতুঃ জাতো মমায়ং বিশদঃ প্রকামং, প্রত্যর্পিতন্যাস ইবান্তরাত্মা ॥ ৪২২॥

ওহ! শকুন্তলাবু ঙসি মপুরোইবগী য়ুমদা খাথিবসিদা ঐগী পুক্লিং য়াম্না পেন্নে মরমদি কন্যা হায়বসি ওশেংনা অতোপ্পগী লন্না। ঙসি ঐগী পুক্লিং অসুক্কী মতিক নুঙাই মহুদি কনাগুম্বগী পোং থনম্ববু মপুদা শিন্নখীবদা নুঙাইবগুম নুঙাই। মরিগুবা অঙ্ক অসি নুংশিবগী শেংলবা মন্দাকিনী ঈচেল চেংবগুম, মসিদা এখোয়না সংস্কৃতিগী সনাতন সন্দেশ থন্না য়াওই।

নাটককারনা মরিগুবা অঙ্ক অসিদা দুর্বাসাগী শাপকী প্রভাব অনসুয়াগী বাহৈনা ফোংদোকই মসি মথংগা শরুক্তা থন্না হন্না শেংই।

মঙাগুবা অঙ্কদা দুষ্যন্তগী মানুশি খঙদবা উৎলি। মফম অসিদা দুর্বাসাগী শাপকী মহৈক শেংনা উই। মসিগী ফল-ওইনা নিংথৌ দুষ্যন্ত গর্ভবতী নুপী অমবু লৌবগী মিংচৎ মাংবা পাম্লমদে।

" অনির্বচনীয় পরকলত্রম "

" জনায় পরদার-ব্যবহার "

মহাক্না অস্থুম্না ভায়বসি থমনা য়াবা অমনি মসি মহাক্কী অশেংবা ভাবনা হমা ওইবগী মওংনি নিংথৌনা শকুন্তলাবু মী-য়াইবীরে লৌশিনবীদরে। মরীশুবা অঙ্কগী মতুংদা মওাশুবা অহদা লাকপদদি এখোয় অনৌবা সংসার অমদা খোংদারকপগুম ত্তৌই। আশ্রমগী আদর্শ সংসারগী ঐখোয় থংোয় য়াম্না কনবা অমদি প্রেম ব্যবহারগী নুরবা ভাঙ্গা অমদা রাজ শাসন চলইবদা চংলকই, মতাং ভাসিনা আশ্রমগী ইং-তগ্নবা বাতাবরণগী মও পুম্নাং মাংখীরম্মী। শকুন্তলাবু থিল্লকপদা ঋষি মচা অনদা অস্থুম্না মপ্রিংদা ফাওই, মহুদি মৈতনা শাবা নিংথৌগী শঙ্গাই অমদা চংলকপগুম ফাওই "হুতবহরীতং গৃহমিব"। হায়রিবা ফিবমশিংদিগী মিংয়েং তংহন্দুনা কাবনা ঐখোয়দা অঙ্কগী অরোইবদা থোক্কদবা শকুন্তলাবু মীবাইবীবগী পোদোক নিংশিংহল্লী। অম-য়ে মদা অমুক কবিনা মরীশুবা অঙ্কদা সনগয়া না মঙ্গল-আনন্দগী মরক্তা করিগুম্না হারাবগী মমি লমা উংখিবগী, অমস্তুং মসিদনা য়াম্না অরাবা অমস্তুং নিংবা কায়বগী অমুক কবিনা আশাগী সংসার অমুক উলি। হংসপাদিকাগী গীত (৫।১) দা লৈহৌ পাম্বা খোইমুনা লৈহৌ চুপ্লবা মতুদা থম্মলবু কাওথোকপী মসিগী সমস্যা কোকহনবদা হৃষ্যন্তগী মনাই-লোইনবনা মথাগী য়াহৈশিংদা কোকহন্দুনা কবিনা য়াম্না হৈশিংবা অমা উৎলি। মসি মনোবৈজ্ঞানিক অমস্তু ওই। মফম অসিদা মহাক্কী মনাই মংশল পুন্নমক লৈরিবনি অহুবু ঈশৈ তারগা মহাক্কী পুক্রিং করিগী অস্থুক লাওতক্লবা পোক্লিবনো? ফজরবা পোৎ অমস্তুং হুংশিবা

ঈশৈ ঃমদ বাহৈশিংগী তবগা •াং•মোকী মপাকী ঃঙাইবগী সংস্কাব তমু• ফাঙংকখঙন ৌী —

> রম্যাণী বীক্ষ মধুরাংচশনিশম্য শব্দান
> পর্যুৎসুকী ভবতি য়ৎসুখিতে পিজন্তুঃ।
> তচ্চেতসা স্মরতি নূনমধো ব
> ভাবাস্থিরাণি জ.ান্তর সৌহৃদানি। ৫২॥

ৌ বুদি োক অসিদা তুংাগ মশাবু মথন্তা অশাবগা। ২বমদা হংজবা ওইববস্থ. তাশংবদি ‍িদা কবিনা শকুন্তলাগী হৌজ অমা তৌবী মহুদি শ পংগা তু।স্ত বাঙজনথীবা ওইবনানি, তহুবু থড়দগা মবম তম মহেক শংদবা মনি হবা হুবাগুগা পুিংদা কাওহ মরুম তসিনা ৄমাংনা তস্তুম্না হায —

'নিকংনু খল্ গী ভমেববিধার্থমাকন্ত্যো িনবিরহাতে অপি বল-ব্রদুৎকণ্ঠিতো অস্মি"।

অশেংবদি শান্দা স্থাযাভাব।ভবেগ্না ভান ,গী মুংগী অাাত্মগী সংস্কা মীওইবগী পুিংদা তকহ ‍াযনশি যানে, তাযবিনা মশাক্ক দবা পুনগা অপাস্বগী সংাবনা হুবাংবু বাবংম্না থ হুমবগী মরুম ওইহল। মাস ‍চুং অমনি —

"সভাং হি সন্দেহপদেষু প্রমাণমন্তঃ করণ প্রবৃত্তয়ঃ"।

‍নিংগ্না কি মদিদা হুবাগুগা পুিং চশাগম্ভ বকনা যাম্না মযেক শেংনা হৈলি।

ঙসি এ ‍িস চপ চান লেম্না ঙমদে মচদি ‍হীজিক দাক্ষগী সুন্দরী (শকুন্তল) ঐনা ল বনী ‍ারা নদ্রগা লোবমদবীর।

মথম অসিনা অাক অঙনবদা লৈগৎদা ভাবা শিক্ষানা মথম গুইহুনা পাইবক্‌না শোইমুশিং লৈশিংদ ভৈংসু ভোংদ অতুগা পাংবসু পাইখিদে, মতৌ অসিগী ওন্নু মসিবু কৌশিনবসু ওমদে অতুগা থাদোকপসু ওরাগা ভৈবী —

ইদমুপনতমেব রূপমক্লিষ্টকান্তি
প্রথমপরিগৃহীতং স্যান্ন বেত্যব্যবস্যন্
ভ্রমর ইব বিভাতে কুন্দমন্তস্তুষারং
ন চ খলুপরিভোক্তুং নৈবশক্নোসি হাতুম ॥ ৫।১৯॥

শকুন্তলানা য়াম্না শাওনা চৈথাংখিবা পুন্নমক নিংথৌ মহাক্কী শাওবদা অতুম্বা থর যাওবগুম থল্লী। (৫।৩১) ওহগী অরোইবদা শকুন্তলা মফম থডনা মহাক্খবগী পাও তাবগা দুষ্যন্তগী চিন্তা হেনগংলম্মী অমসুং মহাক্না রাইশিংবু ওচুম্বনি থল্লকনা —(৫।৩১) কালিদাসনা তুমহুনা লৈবা নিংশিংবগু অমক য়াকাই-হনা রাক্সী মপুং ফাংলী। অসবোমদা মাহাকনীরবী শকুন্তলাবু কণ্ব আশ্রমদা থখিদনা কাবাগী অাম্বা ওইনা থম্মোয়গী পরিচয় পী কবিগা কল্পনাবু রবীন্দ্রনাথজী অথাকপা য়াওদনা থাগংখ্বা।

শকুন্তলা অঙ্কদা দুষ্যন্তগা চুনাবা উৎপগা বর্ণন তৌরী। হায়গিবা শরাবা কেংকাপসি চুগী অদাবা নত্তে, মদিদা যাম্না হাংডনদবা উৎলি। মথোয় ওনিমক ওপকী অকননা মৈরীদা চাৎই অমসুং ওবোইবদা মৈদ। হৈরবা সনাগী মতৌগুম মথোয় অনিগী চরিত্রগী বর্ণন কবিনা তৌখী অমসুং অরোইবা অহদা দুষ্যন্ত শকুন্তলা অনিগী উনবগী শুংতাইবগী বর্ণন তোই। নোংশা

মা। অমা শান্নহন্না হৈলো সর্বদমন ভরতপু ইবনা দুষ্যন্তগী পুম্নিংদা নুংশিবনা থুগাইজম্মী - মসাক অদু মরাইসক কয়াদা ফজিগবা মচুনি মহাক্কী মতম্বাক্ত যমহন্না, হায়না নুংশিবা নোক-নবা মাংথাং নৌনা চাংকপা থরদ। থিনগংলম্নিবা য়াশিং মমসুং থাব হৈতানা ডাবা পাংথং মশিং। মাংলবা উক্লনা মনাবী হকচাং মোংহত্নিলা মহাক এনো—(৭।১৭)। মসিবু কনাগী মগালো থঙদে কনা। শাগৈগী থাইনৈ ওইদ্রিগবা। চুমুন্তং শোক্লবদা গ্রেডোন্দা অসুক নুঙাইবা ফাওরিবা হসিনদি লাইবক ফবা। মগাক অহুদি কয়াদা নুঙাইবমগনি — (৭।১৯)।

ভরতকী নুংশিবগী ময়াই বাববা দুষ্যন্তগী মচা নুংশিবগী রস অসিদা অসুক যান্না ফোংদোকপনি তায়বসি নাটককী অহৌবদা কনান থাজবা ওইগনি? মসিদি ভারতীয় সংস্কৃতিগী লমজিংবা নদি অসিমক্কী নুংনা থত্তদা ঊবা ফংগনি। মসিদসু নওনা মনাইদক থীবী চোওইবনবা শোংবী নমা ওইবগী মতিক চংবী শকুন্তলাবু নারাবগী হৈবীনা থাওবা মংমবু কাবনা কন্বগী আশ্রমদা খিন্দনা কবিনা অকপা। অশিংবা চেকনি ওইগা। মসিগী পাঁচগা নুদিনা মরীংগী অশংবদা শকুন্তলাগী অরা-মৈ-চাকশিংগী পাংথং উন্দনা বণন তৌগী চেংশিংন উংগী।

কবিনা অলোপ্না য়ান্না অংগনিবা বান অকস্থ অঙ্ক অসিদা উন্নী। প্রসঙ্গ অহুদা শকুন্তলা কায়নগী মৈচাক্না চোকথরবা দুষ্যন্ত্ম মাংকী নুংশিজরবী শকুন্তলনা থ বা ওমথিদে, নসিংগী হেনবা নুংশিজরবা মপুরোইববু পীবা অকনবা দণ্ডী অমা লেরমখিদগে।

অবাইবদা মখোয় অনি শকথঙবী, মখোয় মনিগী অহানবা উনখীবা অচুম্বা হুন্দোক্লবা মংখিবগী হৌদনা উনবগী হৌনবা অমসুং হুমাম্ত্রগী অবাবা ফোংদোকপগী বর্ণনা কবিন যাম্না হুকচিন্না ইবী।

থওদবদগী শকুন্তল বু মীবাইকবর্গদমক ডাকপীনবা তাযরী। মখোয় অনিগী হন্দক উনবিবা অনি প্রেমী-প্রেমীকা উনবগী থৌ অদুবু মইংমনাও উনবগী নুঙাইবান। মসিগী ফল ওইনা অনিগী অাখা অমত্তা ওইখিবগী থাবানিং মবানবু যাজবা অমসুং মসিগী শেংদোক্লবগী শক্তি চুযান্দা যাওবদুম, ওবানবা কাওথাকপা অমসুং ডাকপীইবগী ভাবন শকুন্তলাদসু যাওই। শকুন্তলাগী মনিদগী রট্ট অমাফাওবা নুঙাইতবা ফংদোকপা যাওথদে।

ভারতীয় সংস্কৃতিদা প্রেমগী শেংলবা মওং ঐ বাবা তাযবাদি জগৎকী মঙ্গল পানবা মসিদা যাওবি ভাবাবু ফোংদোকপগী নটক অসিগী মরু ওইবনি। মসিদসু নপন নীতি নিযমগী অথুপগী বাগ্যাস্থ প্রান্ত সমসু শকুন্তলাগী চাবনা খুদম ওইনা লাকই বর্ণাশমদা ধম আদর্শ রাজ্য, সমাজ ব্যবস্থা নচিংবা মীওইবগী হৌনবী অমসুং পান্দম নাটক অসিদা যাওই। মরম অনিদগী মুঙ ইমনখিহুন জননগী নিৎান কাব গেটেন অমুং হায়—“করিওম্বা নংনা বসন্তগী ঋতুগী লেশিং অমসুং নীংথমগী উই মহৈবা পাম্লবা অমসুং আম্বাবু শুৎপা পোকহনবা, নুঙাইবা পীবা অমসুং য়েকপা ঙম্বগী মহাও পীবা অমদি পৃথিবী অমসুং স্বর্গগী নুঙাইবা মফম অমত্তদা

ফংনিংলবদি চৎলসি "শকুন্তলাগী" অধ্যয়ন তৌরগা অমসুং পারগা মসিদা নংনা পাম্বা খুদিং ফংগনি।

"শকুন্তলম'গী মীয়াম্না পাম্নবা অমদি ওথোইবা নাটক কাব্যগী তত্ত্বশংদা নত্তনা নাটক-শাস্ত্রগী মিংয়েংদা ঐথোয়না হায়বা ঙম্মী মতুংদি মসিগী মপুং ওইবা রস শৃঙ্গারনি; শৃঙ্গার রস অসিমক য়াম্না ফজবা অমসুং খোইথুম্নবা রস অমনি, মরম অসিনা কাব্যদা মুংশিবা পোকহল্লী। করিগুম্বা কবি শৃঙ্গার রসকী ওইরবদি কাব্য অহু রস চেনবা অমা ওইগনি, নত্রবদি রস য়াওদবা অমনি —

শৃঙ্গার এব মধুরঃ ! পরঃ প্রহ্লাদিনী রসঃ।
তন্ময়ং কাব্য মাশ্রিত্য মাধুর্য্য প্রতিতিষ্ঠতি।
শৃঙ্গারীচেৎকবি কাব্যে জাত রসময় জগত।
স এব বীতরাগশ্চেন্নীরসং সর্বমেতত।

(ধ্বন্যালোক)

অভিনবগুপ্তগী মফম অসিদা শৃঙ্গার রস হায়বিবসিগী অভিপ্রায়দি শৃঙ্গার রসকী নাটক-শাস্ত্রগী নিয়মশিং ভাব-বিভাব নচিংবা মতুং তানা শগুলব মীবুনি, স্থুপ্পা মুপাদা হৈনবী অমগী মওংহু নাও—

শৃঙ্গারোক্ত বিভাবানুভাব ব্যভিচারি —
চর্বনারূপ প্রতীতিময়ো ন তু স্ত্রী ব্যসনোতি মন্তব্যম।

মহাকবি কলিদাসনা মশাগী কলা উথোকপা দমক শৃঙ্গার রস অদিবু খন্দুনা হখী — মশাগী অনুভব, য়াম্না থৌর বুদ্ধিনা

মরম ওইদুনা মহাক্কী পুন্সিদ মপা লৈতনা মাইপাকপস্থু ফংখী। সুপ্না শৃঙ্গার রস শকুন্তলা মাইপাকপগী রাদা নত্তে অতৈ রসশিংদসু মপুং ফানা মাইপাক্লা বনি তৌখী। রসপারিপাক হায়রিবা নাটককী মিংয়েংদসু নাটক অসি খ্বাইদগী অথোইবা অমনি। মসিদা নাটককী মফম খুদিংদা থোংনা-মেংনা থুংশিবগী ভাবনাগী মপুং ফানা ফোংদোকই। কালিদাস মুনি মুংওনগী ফজবরা লৈতেংগী পামজবা অমর কবি অমনি; তৌইগুমসুং কবিগী অসিগুম্বা প্রেম ভাবনা অসিদা মর্যাদা চাক্লা চৎপা অমদুং সংয়ম য়াওবা অমনি।

শকুন্তলা নাটককী কথা-বস্তুগী হৌরকফমদি মহাভারতকী শকুন্তলোপখ্যান দনি; তৈইদমসুং কানিগী বুদ্ধিগী হেশিংদনা মসিদা চহংবা চৎবা বথা অমা য়াওর মসিগী ফলনা নাটক অসি শান্না ফজবা, মহাও লৈবা, থদোয়দা মমি তাহনবা ওম্বা অমা ওই। নাটক অসিদা মথল কয়াগা থো দোকশিং য়াওদনা হেন্না মপুং ফানা ফজহল্লী; য়েংলিবা অমসুং পারিবা মীশিংদা হেন্না-হেন্না মথ হওনিংবা পোকহন্দুনা মথংদা করি থোবক্দোরী অদুম্না হওনিংবা হেনগৎহল্লী।

প্রসংগ খুদিং দৃশ্য খুদিং য়াম্না মায়পাকই. মংাক্লা রাহে অমমম খুদিং ভাবনান পীকখল্লী। নাটক. পাত্র অমসুং মথায়গী চিত্রণ পুন্নমকসু য়াম্না অরাংবা থাক্কী ওাক্তনি। নিংথৌ দুষ্যন্ত নাটক-শাস্ত্রগী মতুংইন্না ধীরোদাত্ত মখলগী নায়কনি, মহাক 'লৌশং লৈবা গম্ভীর লৈবা মীওইনি'। আদর্শ অমসুং

মর্যাদা ওাঙ চংপা মানি। আদর্শ ওাক্পা চংপা ওইরবসু স্বাভাবীক ওইনা ফুংঙাইহনবা মীওই অমনি অমসুং ভারতীয় সংস্কৃতিগী যোকখংখিবা অমনি। বনিগী কলমদগী পাত্রশিংদ মনো-বৈজ্ঞানিক ওইবা বিবেচনা পৌরম্মী। শকুন্তলা নাটককী বারী শাকবা মায় পাক্পা বর্ণন তৌখী। য়াম্না শত্রা বারীগী চাংখংহনবদা মসেং পাংই অমসুং পাত্রশিংগা চরিত্র থোংদোকপদা য়াম্না নিং-থীনা মাই পাকই।

লোনগী মর্যাদা নৈনবা খরবসু নাটক অসিগী ভাবা য়াম্না যজবা অমদি ব্যাকরণগী নিয়ম ওাক্পা চংলি। কালিদাস বেদভী বাতিগী আদর্শ কবি অমনি। মহাকবী খাবা যথা লায়রবা থুগা অমদি অচৌবা অমনি। মখোয় অমসুং পানখোং বয়াশিংনবা অমুক্কা হেন্না মপুং ফা দ্রা। অদুবানশিং যজবা ধন্দ শিঙ্গিয়নবা নাটক অসিগী চংখ নবদা সনাবু ফুংশিবা মনম চলহনবগুম হজহল্লী, পক্কাংগী চিত্রণ তৌবদসু নাটক অসি খুইদগী অথোইবশিংগী মরক্তা অমনি। লীলা ওইনা শরন্নগী মওংদদি হাশিকফাওন্দা কয়ারক হ.। পৃথিবীগী লোন অয়াম্বদা শান্নরি অমদি শাম্নথরে। শম্না হায়রবদা নাটক অসি নাটককনাগী মিংয়েংদা মপা লেংনা যজব অমসুং মাইপাকপা অমান। ‘সংস্কৃত সাহিত্যগী রূপরেখা’ ওইবা অদন নাটক লোগা থাগৎপা হৈনা রচৈশিংনা ফাংদোক্নি —

“কালিদাসকা মপা লেভনা ফজরবা নাটক অসিগী নাটক-প্রতিভা (হৈশিংবা) ফজরবা কল্পনা কঙ্খা য়াওবা ভাষাগী

য়াংহ মেংবা রস মপুংফাবা ত্রমসুং মীওইবগী পুক্নিংগী হৈনবীশিংগী বিশ্লেষণগী অঙকপা শক্তিগা লোয়ননা পাক শন্না বর্ণন তৌই"। হায়রিবা থোইদোকপা গুণশিংনা 'শকুন্তলম' জগত অপুন্ন পান্নবা ওইরি। মরম অসিনা অস্থুন্না হায় —

কাব্যেষু নাটকং রম্যম
তত্র রম্যা শকুন্তলা।

য়াহং ২০ ঃ— কালিদাস ভবভূতি অনিবু চাংদম্নৌ।

পাউখুম ১)— সংস্কৃত-সাহিত্য অতিযাগী লংলবা থৱান মিচাকশিংদা মীওই কয়াগী দগন মথল কয়াগী হিবমদা ঙান্নবা, স্থপ্না নাটক-সাহিত্যদা ঐখোয়না কালিদাস অমসুং ভবভূতি অনি অসি মপা লৈতনা যাম্না হেন্নিংবা নটককার ওইরী। অনিসি চাংদম্নবা তান্নবদি মখোয় অনিমক মশা মশাগী মফমদা অথোক্নবা ঙাক্কনি। নাটক-সাহিত্যদা বিশ্বপুম্নমক্না চংলবা কবি-কুলগুরু কালিদাস কা মান্নব মিংসং কন্নিগুম্না থীবা তারবদি মহাক করুণ রসকী আচার্য ভবভূতি থক্কনি। কালিদাস ফজবা অমসুং প্রেমগী বর্ণনদা মহাক্কা মান্নবা কবি অমনা লৈতে। চাংদম্নবগী চংনবী অনৈবা নত্তে — হিরম তাশিদা মমাংদেগী হন্নচনা লাকপনি। ফল ওইনা কবিশিংগী মরমদা খন্নবগী মতাংদা ইহান হান্না কালিদাস কবিনি। ঙাসিসু মহাক্কী মান্নবা কবি অমা লৈরমদ্রোই — ভাবনা অসি মথাগী শ্লোক অসিনা ফোংদোকই—

পুরা কবিনাঃ গননা প্রসঙ্গেকনিষ্ঠিকাধিষ্ঠিত কালিদাসঃ।

অদ্যাপি তত্তুল্যেকবেরভানামিকা নাহ্ বর্তী বভূব ॥

তৌইগুমসুং অতোপ্পা সমালোচকশিংগী মিংয়েংদা -

সুকবিদ্বিএয় মন্যে নিখিলে অপি মহীতলে।

ভবভূতিঃ শুকশ্চায় বাল্মীকিস্তু তৃতীয়ঃ ॥

হায়বদি সংসার পুম্বদা সুকবি অহুমথক্তনি অহানবদা ভবভূতি, অনিশুবদা শুক্র, অহুমশুবদা বাল্মীকি কবিনি।

অমুকস্থ ভবভূতিবু থাগংপা কাঙবুনদি কালিদাস কবি অমনি অহুবু ভবভূতিদি মহাকবিনি

তরবঃ কালিদাসদ্যা ভবভূতির্মহাকবিঃ।

মসিদা কালিদাসকী শোগংপা কাঙবুনা অসুম্না হায —

তরবঃ পারিজাতাদ্যঃ স্নুহীবৃক্ষো মহাতরুঃ।

হায়বদি অপাদা খেন্নবদগী অমসং মথল কয়াগী চংনবী লৈবনা। ববি অনিগী মিংয়েংসু খেন্ননা উই। শন্না হায়রবদা ভবভূতিবু শোগংপা শিংদদি কালিদাস গুপ্না কবি অমনি, অহুগা ভবভূতি মহাকবিনি, মসিদা কালিদাসকা শোগংপনা অমুক অসুম্না হায়-ফরে স্বর্গগী পারিজাতনচিংবদি সুপ্না উ মথল অমনি, অহুগা (সেংহুড) মহাবৃক্ষ কৌই (আবেদদা সেংহুড় পাম্বীবু মহাবৃক্ষ হায়না খোঞ্জী) মসি সিংথং পাম্বা পাম্নীনি।

কালিদাস অমসুং ভবভূতি, মনিমক সংস্কৃত সাহিত্যগী খ্বাইদগী অথোইবা কবি অমসুং নাটককারনি। অনি অসিবু চাংদন্নবা ভারবদি কালিদাসকি রচনাদা বাক্য অয়াম্বা ব্যঞ্জনা থক্লেনা মহাকী অনিংবা ফোংদোকই, মসিদসু ব্যঞ্জনা বৃত্তিনা মপুং ওইনা তৌই; অহুগা ভবভূতিগী রচনাদা বাচ্যার্থনা মপুং ওই। হায়বদি কলিদাসকী রচনাদা বাহৈ খরনা অর্থ য়াম্না

ফোংদোকই অতুগা ভবভুতিগী কবিতাদা মহাক্না হায়নিংবা ঙোংদোকরবগীদমক য়াবিবনখে ৱাতৈ য়ায়া শিজিন্নে। খুদম ওইনা হায়রবদা শকুন্তলাগী মশক ফজবা টিকরগা তুবা ঙবা অসুম্না হায় —
'অয়েসধবং নেত্র নির্বাণম' মফম অসিদা নেত্র নির্বাণ (আনন্দ) দগী পোকপা রসকা মন্থও ৱাকা অমখত্তদা খওলবসু মসি অন্নভব ওইরবা মীশিংগী দরকার ওই, অতুগা ভবভুতিনা মথাগী শোক অসিদা অনুভবক বা পুন্নমক মচ ক শেংনা তাক্লি —
মালতিগী মরমদা মাধবগী ৱাহৈশিং মখাদা —

অবিরলমিব দাম্না পৌণ্ডরীকেন নদ্ধঃ
স্নপিত ইব চ দুগধ সেবতসানির্জরেন।
কবলিত ইব কৃৎস্নশ্চক্ষুষা স্ফাবিতেন
প্রসভমমৃত মেঘেনেব সান্দ্রেন সিক্তঃ ॥

শোক অসিদা মিংনা টবা অনুভব কবিন মযেক শংনা ব ন তৌবী ভঙৈবা লৈ পরেংনা ঐবু পোথেদগী ঙাক ফাওবা কপ- শিন্দনা থম্বগুম শঙ্গেমতনা স্নান তোইনবাবে. লাপান্দবা শন্দোক্লীবা মালতীগী মিংস্না অনি ঐবু উতল্লী, সোয়নদা ঐনা অসুম্না ফাওই মগদি ঐবু অমৃতগী ঈশিংনা হুকজবারে।

শম্না হায়রবদা কালিদাস পারীবা মীশিংগী ওইনা মশানা কল্পনা তৌদুনা খওজনবা জগ কয়া থাদোকই; অতুগা ভবভুতি কনাগুম্বা পারীবশিংগী অৱাবা পীনীংদে পুন্নমক মশানা শেংনা ইত্না তাকই।

২) কালিদাসকা উপমাগী মকওইবা অমনা মহাক্না

নাযিকাগী অঙ্গ বর্ণন তৌবদা উপমা অলঙ্কারগী মগুদা ইত্তুনা নাযিকাগী দর্শন ফংহন্নি হায়গা অমবোমদা ভবভূতি নায়িকাগী গুণ খক্তং বর্ণন তৌই 'উপমা কালিদাসস্য' — পাওরো অসি প্রসিদ্ধি ওইবী. কালিদাসকী অয়াম্বা উপমাশিং শেংলবা স্বরূপ অশেংবা মগুদা ফোংদোকই অদুগা ভবভূতিগী অয়াম্বা উপমা অশেংবা শক্তমবু গুণশিংনা ফোংদোকই। কালিদাস উক্ত শেংপী শকুন্তলাগী উপমা নাপী মবক্তা তৌবা থম্ব লগী লৈনান ফোংদোকই। অদুগা ভবভূতি সীতাগী উপমা করুণাগী মূর্ত্তী ওইনা অমসুং মপান্নাইবা কাযনবগী বাবনী শক্তম ওইনা উপমান ফোংদোকই।

৫। কালিদাস অমসুং অমগা কবিশিংনস্থ নায়িকাগী বর্ণন তৌবদা মাগী থবাকী মপানগী ওইবা ফজবগী বর্ণন তৌইনা ফোংদোকই। কালিদাসকী কাব্য রূপাগী ফজবা মগংবু অসুম্না ফোংদোকই "শকুন্তলাগী থবাক্না চৌংদ্রম মাত্রীবা, মশা সুমংদা তপ্না চংজ্রীবী, চিনবাগা যিম্না উইহেগী অঙাংবী" অসুম্না ফংদোকই। মহাকী কাবগী মফম থুদিংদা মহাকী অসুম্না বর্ণন তৌই শেংন হায়ববা কবিগী রূপ সৌন্দর্য্য বর্ণনদা আদর্শ বাইপবে হায়ববু — 'হায়! মফম মতম থুদিংদা ফজবগী ফজবা ওাক্তনি। হায়বদি কালিদাস ফজবা শীগাবা মপানখোংগা ফজবা খগুনা ফোংদোকই। অদুগা অমবামদা ভবভূতি সীতানচিবগী ফজবা বর্ণন মখায়গী গুণ বর্ণন তৌতুনা মহাকী অপেনবনি। শম্না হায়রবদা ভবভূতি রূপংগী ফজবা ফোংদাকপনা মহাকী চেনজবনাই থুদন ওইনা। — সীতা

'ইয়ংগেহেলক্ষ্মীরিয়মমৃতবর্ত্তিয়নয়োঃ' এতানিতানি
রচনানি সরোরুহাক্ষ্যাঃ কর্ণামৃতানি মনসশ্চ রসা-
য়নানি, "সঞ্জীবনৌষধিরসো নুহৃদি প্রসক্তি",
বিনিশ্চেতুং শক্যো ন সুখমিতি ব দুঃখমিতি ৱা"।

মফম অসিদা হংবা য়াবদি ভবভূতি মপানথোংগী বর্ণন ববয়া ত্তোগনি, মরমদি কবিগী থাম্মোয়দা সীতাবু মমা ওইনা লৌই মমাগী অশেংবা শক্তম মতৌ করম্না উবা য়াগনি? মসিদসু নত্তনা, রাম মশামকসু সীতাগী শক্তম অমুক্তা উথিদ্রি, মহাক্তি সূপ্ন সীতাগী গুণশিংদা চৌংশিন্নকথিবনি। লোয়নবা কবিনা মহাক্কী কাব্যদা মফম খুদিংদা আদর্শ পুবক্না হোংলথোকনি। মবন শান্ন, কবি অনিশিদা থেন্নবা উবিবসি স্বাভাবিক ওইবনি। মরম অসিনা অপুন্না লেপ্না তাবনি মতুমদি কবি কালিদাসকী কবিতাদা শংশংনা উবগুম অমসুং স্বাভাবিক ওইবগী মগুণ যাওই অদুগা ভবভূতিগীসু আদর্শ ওাক্কা চৎপা অমসুং গম্ভীর ওইবা নাটক অমনি।

৪) লোনগী মখাং হায়রগাদি ভাষাগী বিষয় হায়বসি, নাটকী ভাব অমসুং পাত্রশিংগী চানবা মখংদা ইবা তাবনি। আসিগুম্না ভাষাগী আদর্শ য়েংদুনা বিচার তৌবদা কালিদাস অমসুং ভবভূতি অনিসি কনানা হেন্না হায়বদা য়াম্না ৱানা থোক্কনি, মরমদি মখোয় অনিমক ভাষা অসিদা অচৌবা অধিকার লৈবা ওাক্কনি, অদুম ওইনমক লোনগী অরায়বা মওং স্বাভাবিক ওইবা কোমলতা (থোং-নেংবা) কালিদাসকী কবিতাদা য়াম্না লৈ,

অহুগা অমরেমদা ভবভূতিগী ভাষা য়াম্না মচং ওইবা বাহৈশিং, অশাংবা সমাস য়াওবা বাহৈ, খঙবদা খরা বাদা মপুং ফাবা বাহৈনা য়ামই। অহুবু মগী ভাষা বিষয় ভাব, অমসুং পাত্রশিংগী চানবা মওংদা লৈ। কবিগুম্বা খরা কুপ্না নৈনবা ওৎলগদি কালিদাসকী ভাষা অয়াম্বনা মীয়াম্না শীজিন্নবা বাহৈনা য়ামই অহুগা ভবভূতিগী কবিতাশিংদা মসি মাওদে। মখাক মীযাম্না খঙনবা বাহৈ শীজিন্নবা পামদে. মহাক্তি কম্না হোৎনহুনা অনুপ্রাস অলঙ্কার শীজিন্নে। হিরম অসিদা ভবভূতি কালিদাসকী থাক নৌবা হেমদ্রবক্ত ভবভূতিগী ভাষা শাস্নগী হৈশিংবা মওং বিষয় অমসুং ভাবগী চানবা লোন হমসুং কবিগুম্বা অথোং-অমেংগী মতাংদা ভাবকী চানবা বাহৈ শিজীন্নবা অহুগা য়াম্না গম্ভীর বিষয় ওইরগম্সু মহুগা চানবা গম্ভীর ভাষা শিজিন্নবদা মপা লৈতে। হায়বদি সংস্কৃত ভাষাগী মপুংফানা ফোংদোকপদা ভবভূতিগী কবিতাশিংদদা উবা ফংই কালিদাসকী ভাষা খঙ-বদা লায় অহুবু ভবভূতিগী ভাষা খঙবদা খরা লুই অহুবু মযেক শেংই, শম্না হায়রবদা, কালিদাসকী ভাষা লায়বা স্বা-ভাবিক ওইবা, পুক্তিং চুই, অশম্বা বাহৈ য়াওদনা. অমরোমদা ভবভূতিগী ভাষা রচনাদা অনিমক শুনা য়াওই।

৫। কবি অনিগী প্রকৃতি বর্ণন — কালিদাসকী প্রকৃতি চিত্রণদা বিষয়গী অকুপ্পা উবগী শক্তি, অনৌবা ওইহনবগী মওং থম্মোয়গী ইচম-চম্বা মওং অমসুং কল্পনাগী ফজবা উবা ঙম্মী। কবিনা প্রকৃতিবু মরান থোক্তবা, থনায় পান্দবা অমনি হায়না

লৌদে অতুবু মহাক্না মসিবু মী অমগুম্না লৌই। মসিগী ফজ ওইনা প্রকৃতিদস্ু অরা-মুডাই ফাওবগী ভাবনা য়াওই। কা-লিদাসনা প্রকৃতিবু প্রেমিকা অমগুম শিংথাই। মরম অসিনা প্রকৃতি অমসুং প্রকৃতিগী নত্তবা মনিমক্তা থাক অমদা পুবকপগী ফজরবা ভাবনা কবিগী লাইরিকশিংদা থেংনৈ। মেঘদূত কাব্যদা কবিগী প্রকৃতিগী চিত্রণ মপুং ফাবা কাবা অমনি। ভবভূতিগী প্রকৃতি বর্ণনদস্ু মপা লৈত্তবা অমনি। প্রকৃতি মওংবু ঙাহনা কোংদোকপদা ভবভূতি সিদ্ধ যংলবা অমনি।

ভবভূতি প্রকৃতি বর্ণন মাংদা শংশংনা উবগুম অমসুং অয়েকপা লাইগুম তৌই তমসুং মহাক্না প্রকৃতি বর্ণন আলম্বন বিভাবগী নাটক কলাগী নিয়ম ইন্না চংলি। সাধারন মীয়াম্না উরিবা প্রকৃতিবু বর্ণন তৌবগী মহুত্তা সাধারন ওইদবা অমসুং যাম্না অমথীবা দৃশ্যগী বর্ণন তৌবনা কবিগী পামজবনি। বি-দর্ভদা পোকপা মরম্না মহাক য়াম্না হকচিনবা অকনবা প্রকৃতিগী চিত্রণ তৌবনা পামই। প্রকৃতিগী পামজবা কবি অমনি হায়বসি মহাক্কী নাটকশিংদা শেংনা উবা ফংই।

চাংদম্নহনা য়েংলবদি ভবভূতি অথোৎপা প্রকৃতি অমসুং অকনবা অনিমক্তা মপুং ফানা হৈবা কবিনি। কালিদাসকী পুক্নিংদা প্রকৃতিগী অথোৎপা মওংদস্ু পামজে। মহাক্তি চীংগী ইচম-চম্বা, অইংবা অমসুং মতম চুপ্লদা কোয়হুন লৈবা খোয়শিং, শজি-শঙাই, শামু নচিংগী উজবনা প্রকৃতিগী ফজবনি। ভব-ভূতি কবিদি লুববা ঈশিং ইয়াইদা শাৎপ, থরো থম্বাল মরক্তা

শায়ব। কাঙাশিংগী শঙ্গ নত্রগা ঈগী উশাশিংদা পরেং কম্লিবা চোঙা-চেনরাশিং; কোকিলগী মুংশিরব, খোঞ্জেলগী মুঙাইবা অহুগা অমরোমদা শারবা কালেনগী মুংশাদা লাইরেনগী মুংশা য়াইহুনা লৈবা, য়ায়া লাবা পাম্না মুমিংয়ুংবী নচিংবগী দৃশ্য উবা ফংই। লোয়ননা দন্দকারন্য বন্দগী শুরবা বনগী অকিবা শক্তম হায়বদি মখল অনিমক্কী প্রকৃতিগী নীংথিবা উবা ফংই। কালিদাসকী প্রকৃতি বর্ণন ইচম চম্বা মওংগীনি অহুগা ভবভূতিগী প্রকৃতিসু য়েংবগী পেনবা নাইদবা ফজবগা লোয়ননা অকক্কার য়াওরবসু কা হেনক্রিন্দনবা হোংনৈ। অসুম্না তৌহুনসু ফজে।

৬) কালিদাস কী কবিতা কামিনী য়ায়া স্বভাবিক ওইনা তৌবা কল্পনানা কোংদোকই অমসুং মসিদা মহাকপু প্রমাণ পীরী মহুদি কালিদাস কবিগী কল্পনাদা অধিকার লৈ হায়বদি উংলি। অমরোমদা ভবভূতি কবি মীওইবগী ধমগী মখল কয়াগী মওংবু শিংথাবদা মপা লৈতবা কবিনি পাকই।

৭) কবিগুরু কালিদাসকী কবিতাশিংদা শৃঙ্গার রস কী য়ায়া মায়পাক্না মপুং ফায় হায়রবদি ভবভূতি বীর অমসুং করুণা রসকী আচার্যনি। কবি অনিমক রসশিং উৎপদা য়েংলীব-পারীবশিংদা মাংদা শং-শংনা উবা ঙমহল্লী। শৃঙ্গার রস অসিদসু কবি অনিমক্কী বর্ণন য়ায়া স্বভাবিক ওইনা মায় পাকই। কবি অনিমক্কী শৃঙ্গার রসকী চিত্রণদা পুমথেন থেনৈ, মরমদি কালি-দাসকী শৃঙ্গারগী হৌরকফম করি-কবিগুরুদা। শেংলবা প্রেম ভাবনা অহুগা করিগুরুদনা কাম-ভাবনা য়াওবা উই, অহুগা

ভবভূতিগী শৃঙ্গার রসনা স্বভাবিক ওই অমসুং আদর্শ ওাক্পা প্রেমনি।

বীর রসকী মন্নুংদা লানগী বাতাবরন ইবদা মথা লৈতনা হৈবা কবিনি। মথিগী শৈশব শক্তম উত্তররামচরিতকী লব অমসুং চন্দ্রকেতুগী লান্দা উব ফংগনি। অমরোমদা কালিদাস লানগী বর্ণন তৌবা য়াবগী তাঙ্গা ফংলবসু (ইন্দ্র অমসুং দুষ্যন্ত অনিগী মতাং) মশাগী পামদবনা মায় পাক্লোই হন্দুনা মথিগী চিত্রণ তৌদে। ফাগী-জুগাইগী বর্ণন কবি কালিদাসনা হেল্লী, মরমদি ভবভূতি কবি মথিগী মতাংশিং নাপ্পোক্লবা হোৎনৈ, সুপ্পা উত্তররামচরিতকী মতাং অমদা সীতা লক্ষ্মনদা য়াম্না চিং-চে ম্না ফাগী তৌদুনা ' ইন্নমপরা ' অসুম্না হংদুনা উর্মিলাগী মরমদা ফোংদোকই। কালিদাসকী নাটকশিংদা ফাগী জুগাইগীদমক বিদুষক য়াওহন্দুনা লৌকনিবা রাজাংশিংনা গম্ভীর বাতাবরনবু অরাবা ওাকলো ওইনা শীজিন্নরী। ফাগী-ফরাংগী মরমদসু কনি অসিনা খেন্নবগী অচোবা মরম লৈ, মরমদি ভবভূতিনা নাটক কর্তৃবগী আদর্শ ওাক্লা চৎলিঃ মথিগী ফল ওইনা অকনবা অমদি গুরুবা রাহৈ শীজন্নবা তাবনি, লক্ষ্মন মশামক কর্তব্য পালন ওাক্লা চৎপনা রাহৈ-রাতা চাওখৎপা লোন শীজিন্নে।

৮) কালিদাস শাস্ত্রগী নিয়ম মপুং ফানা ওাক্লা চৎলি অদুগা ভবভূতি কবিনসু শাস্ত্র নিয়ম চপ-চানা ওাক্লা চৎলি মরম অসিনা মখোয়না অতিথি ওকপনচিংবদা বধুপর্কনা তৌহল্লী।

৯) ভবভূতিগী পাত্র-থুদিংমক মতমদুগী সমাজগী রীতি-নীতি,

আচাব-বিচাবগী চপ চাবা মীশক অমনি. মশিদা ঐখোয়না ম•মচুগী সম্বাক্তদা চৎনবুম্বা অমসুং তৈনবীশিংগী জ্ঞান ঐখোয়না ফংই। তৌইগুমসুং কালিদাসকী পাত্রশিংনা অসুম্না ময়েক শেংনা ফোংদোক্ত।

১০) কালিদাসক, পাত্র খুদিং মসানবগী চপ চাবা বিজ্ঞানগী আদর্শ ওাঃ রাম-সীতাগী চাংদম্নবদা য়াৎনা চংলি।

১১) মুপাগী শক্তমগী বর্ণন তৌবদা ভবভূতি খরা হেন্না মায়পাকই, কালিদাস মশিদা খরা খিং য়াৎলি। খুদম ওইনা সীতা রামগী শক্তম টুকরগা অসুক্কী মতিক ফজবা অমদি পুক্নিং হুবা মওংগা বর্ণন তৌখী। —'অহো দলনবনীলোৎপল শ্যামল স্নিগ্ধ শ্রী বনাদরখণ্ডিত পকরশরাসনঃ শিখণ্ড মুগ্ধ মুখ মণ্ডল আর্য পুত্র আলিখিতঃ। হায়বদি - মপুং ফানা শাৎ-লিবা নশংবা থবোগী মতৌগুম শ্যাম বর্ণ হকচাং, চুং-ফিরাল চুম্ব হকচাং অসিগুম্বা থম্মায়বু শুম্বাৎপা নহাক্কা হকচাং য়েংবদা মিংফম হোংদনা লৈর্রা, অমরোমদা অসুম্না হৎ-তপ্পবা অমসুং ফজরবা শক্তম অতৈগা অমুকপু কনবদা মপা লৈবা উৎলহনা শঙ্করগী পিনাকী লিকংবু হৈরাই-লাইনা থুপেক্লুনা মায়ামবু ওক-হনখিবা অসিগুম্বা পুক্নিং শুমৎপগী শক্তম অমসুং মবোই-মনাই কয়ানা কোয়না লৈবা আর্য মচা অমগী বর্ণন তৌরী। মতাং অসি পাবদা মসিদা বর্ণন তৌরিবা মীওইগী শক্তম ইমাং মক্তা শংশংনা লেপ্পগুম তৌই।

অনবরত ধনুর্জ্যাস্ফালন ক্রূর পূর্ব

রবিকিরনসহিষ্ণু স্বেদলেশৈরভিন্নম
অপচিতমপি গাত্রং ব্যায়তত্বাদলক্ষ্যং
গিরিচর ইব নাগঃ প্রাণসারং বিভর্তি ॥

হায়বদি— " শাদানবগী হৈনবনা মতম চুপ্পদা লিরুং থাঙ্কতুনা লৈবনা মশাদা ইকচাং শাজেন ওইখ্রবা মবন্না পাঙ্গল লৈরবা অমসুং মশা ফব্রবা ওইরে অমসুং মুমিংকী মৈশা খাঙবনা অখাঙ কনবসু ওইরে, মরম অসিনা হোৎনবা কনবা অমদি মৈশা খাঙবা হৈনরবনা অবাবগী হুমাং থোক্তে। তৌইগুমসুং মহাক্কী ইকচাং হোৎনবা কনবা অমা ওইবনা থরা শোল্লবত্থ, মশা-মউ-চুং শিন্নাল চুম্বনা অশোনবগী খুদম লৈতে। মরম অসিনা বোন্দা লৈবা শামু লামচা চংকনবনা শোক্তক্লা উরবত্থ য়ান্না পাঙ্গল লৈবা অমসুং মশা ফৈ. অহুগুন্না তুষ্যন্তগী ইকচাং শোনজরবসু পাঙ্গল মতিক চানা লৈ "।

মথক্তা পীখীবা নুপাগী শক্তম ওাকপ, শ্লোক অনিসিদা সীতাগী মচিনদগী ফোংদোকখিব। বর্ণন সমাজদা রামগী মরমদা রতি ভাব ফোংদোকহনব। ওসুগুম, কালিদাসনা নুপাগী বর্ণন তৌবদা ফোংদোক্তে।

১২) অঙাংগী শক্তম বর্ণনদসু ভবভুতিনা কালিদাসকী বর্ণনদগী ফজবা হেল্লী। কুশগী বর্ণনদা অসুন্না " অথ কো অ য়মিদ্র মনিমেচকচছবিধ্বনিবদত্ত পুলকংকরোতিসাম ॥ অমসুং তুষ্যন্তনা ফোংদোকপা " ধন্যাস্তদংগ রজসা মালিনী ভবন্তি "।

শ্লোক অনিসিদা 'ধ্বনিনৈবদত্ত পুলকম' অসিনা ফোং-দোক্লিবসিদা মচা নুংশিবগী ভাবনা শেংনা ফংই, অতুগা 'ধন্যা' শ্লোক অসিদা অহুক-হকনা য়েংদোকপা ঙমদে, দুষ্যন্তগী পুক্লিংগী নুংনাংবা ফোংদোকপনা হেল্লী অমসুং কালিদাসকী বর্ণনশিংদা সর্বদমন ভরতকী চিত্রসু ময়েক শেংদে। অমরোমদা ভবভুতিগী লব কুশকী শক্তম মাং-মক্তা উবগুম তৌহল্লী। অসুক্কী মতিক পারীবা মীশিংগী থম্মোয়দা। শেংনা মচা মুংশিবগী ভাবনা ফাওহল্লী অমসুং লব-কুশ কী মুংশিবা মওংবুসু ঐখোয়না শেংনা উবা ফংই।

১৩) শজি, শগোল নচিংবগী বর্ণন তৌবদা ভবভুতিদগী কালিদাসনা হেল্লী; খুদম ওইনা "গ্রীবাভঙ্গাভিরাম" অমসুং "মুক্তেশরশ্মিষু নিরায়ত পুর্ব কায়া" অহানবগীদা। শজিগী অমসুং অনিশুবদা শগোলগী বর্ণন ফজবা মওংদা তৌই; অতুগা ভবভুতিগী বর্ণন কয়া ফজদে; খুদমদি "পুচ্ছাৎপুচ্ছ বহতি বিপুলং" মসিনা শগোলগী বর্ণন কয়া য়ৌনা ফজদে, অমরোমদা অখোইবা অমগী গুণ শিংথাবা ওইনা তৌই অমসুং ফাগী-জুগাইগী রস ফোংদোকই।

ভবভূতি অমসুং কালিদাসকী নাটকশিং নৈনকুরগা খংবা ঙম্মী মহুদি ভবভুতিনা কালিদাসতগী তমজে মরমদি ভবভুতি তুংদা পোকপা। কবিনি, মরম অসিনা মসি স্বাভাবিক ওইবা রানি।

১৪) উত্তররামচরিতকী অহানবা অঙ্কগী চিত্র-দর্শনগী কল্পনা

ভবভূতিনা রঘুবংশকী ১৪ শুবা সর্গগী ২৭ শুবা শ্লোকতগী লৌরম্বা য়াই। ২) মতৌ অসিগুম্না উত্তররামচরিত রাম অমসুং লব-কুশকা লোয়া উনবা শাকুন্তলমগী ৭ৱেৎশুবা সর্গদগী মতেং লৌবনি। ৩) সীতাগী শকুমগী বন্নরা শাকুন্তলমগী তকক্শুবা অঙ্কদগা অপনারানা দুষ্যন্তবু য়েংবগী মতাংদগী লৌবা ওইরমগনি ৪) মালতী মাধবগী মাপনশুবা অঙ্কগী বিক্রমোবশীগা মন্নাশুবা অঙ্কগা য়াম্না মান্নবা মওং লৈ। ৫) নুপী কায়নবগী মাধবগী সন্দেশ অসিসু মেঘদূতগী লৌবা মাল্লি। তৌইগুমসুং ভবভূতিনা ফংলিবা অমসুং মতেং লৌরিবা অসিসু অসুক্কী মশক ফজে।

শাকুন্তলম অমসুং উত্তররামচরিত অসিদা মফম খরদা য়াম্না মান্নবা উবা ফংগনি; খুদম ওইনা নাটক অনিমক্তা নায়কশিংনা মখোয় মখোয়গী নুপীশিংবু বন্দা থাদোকখী। অমদনা শাপতগী পোকপনা অনিশুনা সমাজগী রাজাংদগী থাদোকখা অমসুং অনিমক্তা নায়িকাশিংগী য়োকপসি মহার্ষগী আশ্রমদা য়োকখী। অনিমক্তা নায়ক অমসুং নায়িকাশিংগী নুপী কায়নবগী অরাবং য়াওই তৌইগুমসুং দুষ্যন্তগী মমুক্কিং নুংঙাইনবা উপায় কয়া লৈ অদুবু রামগা সীতা কায়নবগী অরাবা য়াম্না গম্ভীর ওই। মনো-বিনোদ ফংবদি লায়রবদনা রাম সীতাগী সখী বাসন্তীগী রাহৈদি মেংবা অদুগা ভাবদা চুঙাইতবা রাহৈশিংসু ভাবা ফংই।

ভারতীয় নাটক সাহিত্যগী মথক্কী কবি অনি নাটক ইবশিংগী চাংদমনবদা, লৈখিদ্রবা দ্বিজেন্দ্রলাল রায়না অসুম্না ইরী "বিশ্বাস কী মহিমাদা, দুঃখিবগী ৎশেংবা ধমদা, ভাবনাগী

ইপোমদা শান্নবদা, ভাবাগী রাহৈ-গম্ভীর ওইবদা অমসুং থম্মোয়গী মহিমাদা 'উত্তররামচরিত' অথোইব। অমনি অমসুং থৌদোকশিংগী অওকপা অমসুং কল্পনাগী ইংবা তপ্পদা, মীওইবগী পুন্সিগী তকুপ্পা উংদা, ভাবাগী লায়বা অমদি রাহৈ মেংবা থোংপদা 'অভিজ্ঞান শকুন্তলম' হেন্না ফজৈ। সংস্কৃত সাহিত্যদা নাটক অনি অসি অমগা-অমগা তান্নবা য়াবা মওং লৈতে, ছায়বদি অনি অসি অমনা অমগী মপুং ফাহনবগী থৌওংনি। 'অভিজ্ঞান শাকুন্তলম' শরদ ঋতুগী মপুং ফারবা শাবলনি অদুগা 'উত্তররামচরিত' থরান মিচাকশিংগী তগুপ-তরেংনা থল্লবা অাকাশনি। অমনা লৈকোনগী গুলাবনি, অতোপ্পনা লৈকোন্দা শাংপা মলতী অমনি অমনা য়েংশাং মথেনদনি, অনিশুবনা হোমগী অরেম্বা প্রসাদনি। অমনা বসন্ত ঋতুনি, অতোপ্পনা বর্ষা ঋতুনি। অমনা জগোইনি, অনিশুবনা পীগী ঈশিনি। অমনা সংসারগী মুঙাইব ংবনি অনিশুবনা অসিগী পুক্সা চৌবনি।

অাপোইবদা ঈখোয়না অস্তা হায়ব য়াই মতুংদি অনি অসি অশা মশাগী মাযগেপ। অাহেংবা অখোয়ব উক্তিনি— কাব্যেষু নাটকং রম্যং তত্ররাম্যা শকুন্তলা' অমরোমদা অমুক অহুম্না ইরী

'নাটকেষু রম্যং শ্রেষ্ঠা বয়ং বা বয়মেব বা,

উত্তররামচরিতে তু ভবভূতিৰ্বিশিষ্যতে'।

ৱাহং ২১—কৌটাল্যগী অর্থশাস্ত্রদা সমালোচনা তৌদুনা ইয়ু।

পাউথুম ঃ— কৌটিল্যগী অর্থশাস্ত্র রাজনীতি অমসুং অর্থশাস্ত্রগী

মকওইবা গ্রন্থ (লাইরিক) অমনি মসি হৌবদগী খা ভারতকী মীশিংনা সংস্কৃত-শাস্ত্রিশিংগী য়ুম্না চাওবা উপকার তৌখি। খা ভারতকী পুরাইদগী মকওইবা লাইরিকশিংগী মনুংদা অর্থশাস্ত্র হায়রিব কৌটিল্যগী অসিনা অথোইবনি, মরমদি লাইরিক অসি থেংনরুবদগী প্রাচীন মতমদগী ভারতকী সংস্কৃতি অমসুং চাওখৎখিবগী মরমদা অচৌক-অচাপা কয়া খঙবা ঙম্মে। লাইরিক অসি ফোংথোক্লিবদা ভারতবাসীশিং রাজনীতি-শাস্ত্রদা শুকদ্ধ-গঙদবা ওইরম্মী। নোংচুপলোমগী বিদ্বান অযাম্বনা অসুম্না খল্লম্মী মতুংদি ভারতীয় মচাশিং স্টেট বিচারগী অরাংবা থাক্তা যেংবস্তু মতৌ থবক ওইবা মওংদদি য়াম্না শোংথবা অমনি; মতিক্তমক কৌটিল্যগী অর্থশাস্ত্রনা নিংথৌশিংগী পরমপরা অমগা নিযমসক তাকপদা নংনা, দৈত্তাধৌগী মরমদা য়াম্না কুপ্পা রা কয়ামতম বর্ণন তৌখিবাসিনা মসমু পকবা ভুংদি সংসারগী বিদ্বান পুমক্না য়াম্না ঙক্না লিংয়েং ওম্মী। শাস্ত্র অসিদ পুরাইদগী মকওইরিবদি মসিনি মহৌদি ত্রিখোয়না মসিদা সিদ্ধান্ত অমসুং থবক ওইবদা য়াম্না ফজবা মওংদা হৌরম্মী। মবম অসিদগী ওসিদি গ্রন্থ অসিগী কান্নবা গ্রীককী অরস্তু নত্রগা অফলাতুনগী গ্রন্থশিংদগীসু মসিনা কান্নবা ওহৌ।

লাইরিক অসিগী অওবা অসি সম্রাট চন্দ্রগুপ্তগী মন্ত্রী বিষ্ণুগুপ্ত চানক্য নি হায়জনৈ, মহাক্কী অতোপ্পা মমিং কয়া অমসু ফংই। 'অভিজ্ঞান চিন্তামনি' কৌবা কোষ (দিবসনারী) তা, বাৎস্যায়ন, মল্লনাগ, কৌটিল্য, চানক্য, দ্রমিল, পক্ষিলস্বামী,

বিষ্ণুগুপ্ত, আমসু নচিংবা মমি, নিপাল কৌটিল্যগী মমিংশিংনি। মমি চনককী মচা ওইবনা চাণক্য অমসুং কূটনীতিগী হৈশিংবা অমদি পাম্বনা 'কৌটিল্য' কোবনি। অতোপ্পা মমিংশিং থোইনা থৌনদে। লৈবক ফবদগী মশামক্কা মহাক্কী অর্থশাস্ত্রগী অরোইবদা হায়রি — 'স্বয়মেব বিষ্ণুগুপ্তশ্চকার সূত্রঞ্চ ভাষ্যঞ্চ'। হায়বদি বিষ্ণুগুপ্ত মশামক্কা শাস্ত্র অসিগী সূত্র অমসুং ভাষ্য শাম্লমক ইবনি। মপানগী ওইবা প্রমাণ কয়াদা যুক্তম ওইরগা বিচার তৌরগা থৌবা উম্মী মহুদি ইহান হানবদা কামন্দকনা মহাক্কী নীতিশাস্ত্রদা নাগরিক অসিগা মরমদা হায়রক্লে। অর্থশাস্ত্রগী শরুক্না অমসুং উৎনবা তেকশননি তাক্লগী লোয়ননা গ্রন্থগী অহেনবদা বিষ্ণুগুপ্তবু খুরুমজবনী। অনিশুবদা দণ্ডী হায়বনা 'দশকুমারচরিত' কৌবদা মথম অনিদ কৌটিল্যগী অর্থশাস্ত্রবু পল্লনী অমসুং মাসদ পীনিব। লিংথোগী নীতি নিয়মশিংবু চপ-মান্নবা মওংদা ইবনী। লোয়নন মাসিমসু শ্রীখোয়না ২৮০ দণ্ডীগা কৌটিল্য অর্থশাস্ত্রগা লোক ৬০০০ পাসিদসু মহাক্কী পারচয় পীবনী। অতোমপবন জৈন ধর্মগী নন্দি সূত্র (৫ শুব শতাব্দী)। পঞ্চতন্ত্র, সোমদেবনা ইবা 'নীতিবাক্যামৃত' তদা অমসুং কালিদাসনা ইবা লাইরিকশিংগী মরমদা মতিনথকী টীকাশিংদসু মথম কয়ামুক্তা কৌটিল্য অর্থশাস্ত্রগী মরমদা ইবনী।

বিদ্বানশিংনা খবনদি মখেযগী মত মত্তু ইন্না চন্দ্রগুপ্তগী মন্ত্রী চানক্য কৌবা কনাগুম্বা অমত্তা লৈরমদে হায়। মসিগী মরম

অস্থুন্না পী মহুদি চন্দ্রগুপ্তগী মতমদা মেগস্থনীজ কৌবা অমা লাক্লম্মী, মহাক্না চন্দ্রগুপ্তগী শাসনকালগী য়াম্না শন্দোক্না বর্ণন তৌরম্মী, তৌইগুমস্থুং চানক্য কৌবা মী অমত্তগী মমিং পল্লমদে। অদুম ওইনমক চন্দ্রগুপ্ত অমস্থুং চানক্যগী মরী লৈনবগী মরমদা লাইরিক কন্নাদা ফংই। ইহান-হানবদা বিষ্ণুপুরাণ, বামনপুরাণ অমস্থুং ব্রহ্মপুরাণদা চন্দ্রগুপ্ত অমস্থুং চানক্যগী য়াম্না চেংপা মরী লৈনরম্বগী বর্ণন তৌরী। অদুগুবদা, জৈন অমস্থুং বৌদ্ধ গ্রন্থশিংদা মখোয় অনি মরুপ শান্নরম্বগী বর্ণন তৌই। অহুমশুবনা বিশাখদত্তনা ইবা 'মুদ্রারাক্ষস' নাটক অনিসিদা মখোয় অনি য়াম্না নকবা মরী লৈনরম্বগী বর্ণন তৌরী।

গ্রন্থ অসিবু য়াম্না চিংনকবগী খুাইদগী চাওবা মরম অমদি মসিনি মহুদি অর্থ-শাস্ত্র অসিমক্তা চাওবাক্না ৭২ ব্লক হল্লা 'ইতি চানক্য' অস্থুন্না ইম্মী। মরম আসন শ্রী হিলব্রৈণ্টকী মত মতুং ইন্না, মথক্তা অস্থুন্না ইবনা মসি 'কৌটিল্য অর্থশাস্ত্র' চানক্যগী ইবা লাইরিক নত্তে হায়বসিনি। মসি চানক্যবু খাঙবা কন্নাগুম্বা বিদ্বাননা ইরম্বা লাইরিক ওইরমগনি। মরমদি নিরুক্ত' অমদি মহাভাষ্য'দা হৃতি য়াস্কঃ' অমহুং 'পতঞ্জলি' — অস্থুন্না ইবা থেংনদে। মরম অসিনা গ্রন্থ অসি ওশেংনা মখোয় অনিনা ইবনি। অদুবু মাসবুস্থ য়ানিংদবা শ্রী জেকোবীনা গ্রন্থ অসি চানক্যনা ইবনি হায় অমহুং অস্থুন্না হায় মহুদি ভরত নচিংবা অইবা কয়ানা মশাগী গ্রন্থশিংদা মশাগী মিং প্রথম পুরুষ কা এক বচনদা ইনবা থেংনৈ। মসিগী মরম অমনা মখোয় মশাগী

স্বাভিমান লৈবা য়াওহন্নীংদে। হিন্দী সাহিত্যদসু কবীর দাদু, তুলসী নচিংবগীসু মথক্কা অসুম্না ইরম্মী। মসিদা নত্তনা কামন্দকীয় গ্রন্থ অসিগী মইবা অমথক্তনি হায়রম্মী। অনিশুবনা চানক্যনা হায়রিবা অর্থশাস্ত্র অসি করিগুম্বা মকুইবা পান্দম অমদা ইথীবনি। মসিগী শুদম অহানবমক্তদা মহাক্না অসুম্না ইরম্মী—
"পৃথিব্যা লাভে পালনে চ য়াবন্ত্যর্থশাস্ত্রানি পুর্বাচার্য্যৈঃ প্রস্থাপিতানি প্রমাণস্তানি সংহৃত্যৈকমিদমর্থ শাস্ত্রং কৃতম্"॥
মসিদা কবিগুম্বা মশাগী অচাওবম উৎপগী রাফম লৈতে। অদুগা, কবিগুম্বা মসিবু চানক্যগী মতুংদা কনাগুম্বনা ইবা ওইরগদি 'ইতি চানক্যঃ,' "নেতি চানক্যঃ," "ইত্যাচার্য্যঃ" হায়না নচিংবা বাক্যশিংগী অর্থ তমনা লৈতে, এরমদি মসি চুবনি চানক্য মশামক আচার্য্য ওইবা হায়বনি। মবিশুবদা, গল্প অসিদা চানক্যনা ১১৪ রক তম্না চানক্যনা মমাংগী আচার্য্যশিংগী মশক লৈহুন মতৌগী মতমশিংবু কম্না সমালোচনা তৌই। মতোংবদা, গল্প অসিদা থবক পুনিংদা ওইবগী মিং নত্না মহাক্কী মতমদা হায়দুনা কে বান থন্দা হাঙ্গী। তেককুবা, অর্থশাস্ত্রগী অচৌবদা মসিগী হিবনশিং চুম্মী। মসিগী মতুং ইন্না লাইরিক লেপনা ইথী। মতে অসুম্না মথংগী রাফম কয়া অসিনা থবা লেপ্পা মতুংদা লৌরিবা অর্থশাস্ত্র অসিবু অমথক্তনা ইবনি হায়না থাজবা লৈরম্মী। অদুম অইনমক মসিগী মমাংদা অর্থ-শাস্ত্রগী গ্রন্থ কয়ামকম ইথীরম্বা য়াই, অদুবু চানক্যনা অদুশিং অসিদগী সামগ্রী কয়া লৌরম্বা য়াই অতগা মসিদা অহোংবা কয়া তৌদুনা ইথীবনী।

কৌটিল্য অর্থ-শাস্ত্রগা রচন কালগী মরমদা বিদ্বান ময়াম্নগী মরু মতু ইন্না মসি খৃ মরীশুবা খৃঃ পূঃ ওইদমগনী থাজনৈ। অদুবু ডাঃ প্লেটোনা ৩২১-২২৬ খৃঃ মমাং চহিদা মসি ইখীবনি থাজনৈ। প্রোঃ জেকোবী, ডাঃ টামস নচিংবা নোংচুপকী বিদ্বান কয়ানম্বু মসিবু যাম-থাজে। অদুবুম্বুসু প্রোঃ জোলীগী বিচারদি মসিনি মতুদি লাইব্রিক অসি কাম-সূত্রগা য়াম্না মান্নে অমসুং কাম-সূত্রগী ইখিবা চাহি খৃঃ গী মরীশুবা শতাব্দীনি, মরম অসিনা অর্থ-শাস্ত্রগীসু মরীশুবা শতাব্দীদা ইখনি। প্রোঃ বিণ্টরনিটজ অমসুং প্রোঃ কীথ অসিসনসু চুম্নগী নিংথৌগী পুরোহিত অমনি হায়রী। অদুবুমসুং মহাভারত নচিংবদা পুরোহিত অমসুং রাজনীতি অসিমক খঙবা মীওই অমা ইবগুম অমসুং মাধব অমদি সায়ন নচিংবা চন্দ্রগুপ্ত অমসুং চানক্যগী য়াম্না চেংপা মরী লৈন-বনম্বু মথক্কী মায়াংগী শতাব্দীগী মমাংদা ইবা ওইরমগনি হায়বসি সিদ্ধ ওই। মসিগী প্রমাণ দি ‘নবেন্দ্রার্থ’ ‘মৌর্যার্থ’ বাক্যশিংনি, মসি কৌটিল্যগী অর্থ-শাস্ত্রদা য়াওবনি। মসিগা লোয়নননা যুক্তা, রাজকা, পাষণ্ডবৃ, মহামাত্র নচিংবা পরিভাষিক বাক্য কয়া অমসুং কৌটিল্য শাস্ত্রগুপ্ত। অশোক নিংথৌগী শাসন-কালগী নুংদা ইরম্বশিংদসু যাওই। অনিশুবনা, কৌটিল্য অর্থ-শাস্ত্র অমসুং অশোক নিংথৌগী শাসনগী সংবিধানশিংগী মান্নবা য়াওই মতুদি চোডা, চেনম্বা, সারিকানচিংবা উচেকশিংবু হাংপা তৌরোইদবনি হায়। হিদাক ওইবা মনা-মশিংবু পাম্বীশিং থাগদবনি অমসুং সড়ক অমসুং খোং লম্বী শেমহন কুবানচিংবা তৌগদবনি তাকই।

মথক্কী নৈনখীবা অনিবগী কৌটিল্য অর্থ-শাস্ত্র অশোক্কী মমাংদা ইখীবনি হায়বা খঙবা ওঙী। বিদ্বান খরদি কৌটিল্য-অর্থশাস্ত্র অঙনবা মতমদা সুখা (শক ৩০০ থক্তং ইরম্মী. মতম অদুদা মসিদা য়াবেং (গদ্য) গী শরুক য়াওরমদে তৌইগুমসু বিষ্ণুগুপ্ত মশামক্না অর্থ-শাস্ত্রগী অতৌবমক্তদা অহুম্না ইরী মহুদি ঐনা সূত্র অমসুং ভাষ্য অনিমক ইশানা ইবনি, মরম অসিনা মসিদা শঙ্কা লৌরগী কাম্নবা নৈতে। অতোপ্পা অমনা মিং কানবা শ্লোককী অর্থ মীয়ক ৩২গী অপুনবদ, তৌই অমসুং সুপা ছন্দনা শ্লোক শাবগী চংনবা য়ারমদে। মরম অসিনা শ্লোক মরক্তসু গদ্য স্বাভাবিক ওইবা তাবনি। করিগুম্বা মসিদা অহাংবা খরা য়াওরকপা হায়বসি থোক্লোক্তে। মরমদি গ্রন্থ অম্মাখক্না মরক্তা হাপচিনবা থেংনে। অদুম ওইনা মসিগী রচনাগী মওং য়েংলগা হাপচিনবা শরুক য়াওদে। কৌটিল্যগী অর্থ শাস্ত্রগী রচনা শৈলী আপস্তম্বসূত্র, বৌধায়ন সূত্রনচিংবগা সূত্র-গ্রন্থশিংগা নক্নবা মওং লে। মসিদা গদ্য-পদ্য অনিমক্কী শিজিন্নবা উই। গদ্য-পদ্য অনি অসি অমনা অমগী মপুং ফাহল্লী। মসিদা নওয়া সূত্র অমসুং ভাষ্য অনিমক অক্কবা অমত্তা মওংনি অদুবু করি-পরিগুম্বদা ভাষাদা উপনিষদ অমসুং প্রাচীন মতমগী ব্রাহ্মণশিংগী লোন্দা শীজিন্নবা মরক্তা থেংনে। গ্রন্থ অসিদা হৌবদগী লোইবা ফাওবা, মথং মনাও নাইবা অমদি গ্রন্থগী মফম খুদিংদা করি-গুম্বা য়োজনা অমগী মথাদা ইবনি। মতৌ অসুম্না লাংগ্লিক অপুম্বদা য়াম্না তঙকপা মওংদ, অমত্তা ওইবগী মওং ফংই। রাহৈ

খবদি পানিনিগী ব্যাকরণগী নিযম কায়না চৎলি খুদম ওইনা ওপনিষৎকগী মফমদা ওপনিষদিক, রোমৈকুগী মহুত্না বোচক্তে অমস্তুং চাতুর্বাশ্রিকাগী মফমদা চতুর্বাশ্রিক। অস্মুয়া পাঠ তৌবা থেংনৈ। অহুবু অয়াম্বা মফমদা ব্যাকরণকী নিয়ম ইম্না চৎলি। মাইৎ খবদা হুৎবদা মসি নম্বা, ইবদা অশোযবা য়াওখিবদগী অলঙ্কার খেংবা ওইরম্বা য়াই। লোয়নন্না পরিভাষিক য়াম্না মাবা বাহৈ খবস্তু য়াওই। ভাষা করি-করিগুম্বদা য়াওবস্তু থেংনৈ।

কৌটিল্য অর্থ-শাস্ত্রগী মফম পুম্নমক্তা অচৌ-অচৌবা অধি-কার ১৫ অমস্তুং প্রকরণ ১৭০ দা খাযদোকই। অহানবা অধি-কারদা নিংথৌগী শিক্ষাগী মবী লৈনবা বর্ণন তৌই, লোযননা মহাক্কী তৌগদবা নিযমস্তু তাকই। নিংথৌ অমদা সাখ্য, যোগ, লোকাযতগীদমক দর্শনগী বিচার; বেদগী বর্ণ-মশীনা চৎকদবা নিয়মশিং; দেশকী অর্থ-ব্যবস্থা, রাজনৈতিক অমস্তুং ধার্মিকদবা, সেবকশিংগী কর্তব্য, ললোন-ইতিক অমদি পুং-শা হৈবগী নীতি, দণ্ড নীতি নচিংবগী জ্ঞান লৈবগী কান্নবশিং তাকই। লোয়নন্না নিংথৌগী মন্ত্রংগী অমস্তুং মপানগী তৌগদবশিংগী বর্ণন তৌবগা লোয়নন্না মন্ত্রীশিং অমস্তুং অরোনবা সিপাইশিংগী খনবগী নিয়ম বর্ণন তৌই। অনিশুবা অধিকরণদা নিংথৌগী লাম্নীশিংগী মবমদা বিচার তৌই। অহুমশুবা অধিকরণদা লো কান্নুনগী পাক শন্না বর্ণন তৌই। মরীশুবা অধিকরণদা পুলিসনা হুরান-চীন্তি তৌবশিংবু যাবা অমস্তুং ছল-কপটকী থবক পুম্নমকী মরমদা ইরা।

মঙাশুবা অধিকরণদা ফগুবা মন্ত্রীশিংদগী নিংথৌবু কন্নবগা উপায় অমসুং টেকস লৌবা অমদি বেঙ্কদা পৈশাশিং থম্বগী নিয়মশিং তাকই। তককগুবা অধিকরণদা রাজনীতিগী অঙ্গ নিংথৌ, মন্ত্রী, ভূমি, দুর্গ, বেঙ্ক, লাশ্মী অমসুং সনা-লুপানচিংবা ধাতুশিংগী বিবরন পীরি। তরেৎশুবা অধিকরণদা শান্তি, লান, নাইতোম লৈবা, লানগী তৈয়ারী, সন্ধি, চিংনবনচিংবা ব্যবহারগী মরমশিংগী বনন তৌই। নিপালশুবা অধিকরণদা শা-তানবা, জুরার, নুপী, থু থকপা, মৈ, ঈশিং নচিংবনা নিংথৌদা করম-করম্না ফগুবা থৌদোক রাথোক ওইরকপগী মরমদা বর্ণন তৌই। মপাল শুবদা লানগী অকুপ্পা রারোনগী বর্ণন তৌই। তরাশুবা অধিকরণদা লানগী তোরকপা য়াবগী থুদমশিংগী বর্ণন তৌই। তরামাথোইশুবদা নুপীশিংনা যেংবা খুতুম চন্নবা উপায় তাক্রী। তরানিথোই শুবা অধিকরণদা য়েক্রবশিংবু মায়থীবা পীনবা উপায় কয়াগী মরমদা শুগাইনা তাকই। তরাহুমদোই শুবদ নিংথৌনা মঙাকী য়েক্রবশিংগী নগা জয় মতৌ করম্না তৌনবগীদমক মশাবু য়াম্না কনশেৎবা অমনি লাওথোক্লুনা খুঙহন্নবগী সাধরন কয়া তাকই। তরামরি শুবদা সাধরন ওইদবা রাগা বর্ণন তৌই মতুদি মী শনা থা অমা চুপ্পা চাক চাদনা লৈবা ওন্নগী মতৌ করম্না মৈনা খোঙনা চৎপা ওমগনি অনিনচিংবগী তরামঙাশুবা অধিকরণদা কার্য-ক্রমগী য়োজনানচিংবা পাক শন্ন বর্ণন তৌই।

মতৌ অসুম্না কৌটাল্য অর্থ-শাস্ত্রগী মতুংদা রাজনীতি অমসুং ব্রাহ্মণ কালীন বিচারনা মপুং ওইনা তৌই। অইবনা ধর্ম,

অর্থ অমসুং কাম অহুম অসিনা পুন্সিগী মরু ওইবনি তাকই, মসিদগী অর্থনা হাইদগী মরু ওইবনি হায়না তাকই অহৌবা বেদ বেদাঙ্গ, মহাকাব্য, পুরাণ, ইতিহাস য়ারী অমসুং মখল কয়াগী ধাতুশিংগী জ্ঞান, লাম্নাগী মরমদা বিজ্ঞান নচিংবগী মগুং ফানা জ্ঞান লৈরম্মী। লোয়নননা মহাক্কী মনাংগী আচার্যশিংগা মত নীংথীনা খণ্ডনম্মী। মরমদি মহাত্মা ব্রহ্মী-খন্নবগীদমক্তা ভরদ্বাজ বিশালাক্ষ, পরাশর পিশুা, বা-ব্যাধি, বাহুদন্তীপুত্র নচিংবগী মরমদা বিচার তৌই অমসুং মরে হৈবদা বাহুদন্তীপুত্রগী বিচারবু মহাত্মা য়ানিংলম্মী।

শগ্নহা হায়রবদা চাণক্যনা থাখোইবা গ্রন্থ ইহুনা মতমগী নিংথৌশিংগী নীতি-সংবিধান নচিংবগী অৱাংবা ব্যবস্থা লৈরম্গী খুদম তাকই মসিদা প্রাচীন ভারতকী সভ্যতা অমসুং সংস্কৃতিগী বর্ণনস্থ তৌই। লাইরিক অসিগী মমংদদি ভারতীয়শিংবু অতোপ্পা দেশকী মীশিংনা স্থপ্পা দর্শনগী বিচরগী খণ্ড-হৈব অমদি থাজ-নরম্মী, তৌইহৌমনুং ঐজিদ্রি ভারতপু বিশ্ব অপুম্বনা রাজনীতি অমসুং দর্শন অনিমক্তা মপুং ফানা হৈরবা পণ্ডিত অমনি লৌনরে। মসিদা লৈবাক ঙাকলোনগী য়ারো ঢুপ্পা বিষয় কয়াগী য়াম্না মপুং ফানা বিবেচন তৌবনা ভারতবাসিশিংগী শাসন-ব্যবস্থা অমসুং লৈবাক ঙাকপগী অণুপা শক্তিবু পৃথিবী পুম্বনা য়ারী। গ্রন্থ অসিদা নিংথৌগী মখল-মখাগী কর্তব্য খুদংশিংগী শেম্বগী নিয়মশিং, ভূমি লৌউশিংগী অমসুং লন্লোন-ইত্তিকী সমস্যা কয়াগী ফজবা বর্ণন তৌবনিনা ভারতবাসিশিংগী ব্যবহারিক

জ্ঞান লৈবগী মতিক চাংনা প্রমাণ ফংই। মসিগা কলাশ্রীশে গোঁসাই, খুংশা তৈবা (শিল্প) হংলবা বিদ্যা কযাগী বিধি তাকই। অমদি মযাইকব নিশাশিংবু লাকশিন্দুনা থৌরবগী নিযমশিং. জঙ্গল অমসুং খোংনাংদগী কান্নবা ফংনবা লৌশিংদা। চশিং পীনবা গোঁসাং অমসুং চাক তাংননচিংবা চাববা মতমদা শীংগিন্নগদবা উপাযশিংগী মবমদা বর্ণন তৌবমী। মসিগা নংনা দণ্ডপীবগী নিযম অমসুং তোপ্পা রীতি নীতি কযাগী যান্না নাবংরাব ওইবা মওংদা বর্ণন তৌই। খ্বাইদগা মকওইবা রা যংদি মসিগী অর্থ শাস্ত্রদা বিধি অমসুং বাহাব অনি চসি খল মাংনা বর্ণন তৌবসিনি। মবম অসিদগী গ্রন্থ অসিগা নহিম ওসিংদ অবসুনচিংব য়ুরোপী দার্শনিকশিংগী থবদগাসু হেন্না মনিং চংলি।

ব্রাহ্মণ — মনুস্মৃতি অমসুং যাজ্ঞবল্ক্য স্মৃতিগী শন্নগা পরিচয পীবু।

পাউ ন্নম — ভারতীয সাহিত্যগী ইতিহাসতা ধম গ্রন্থশিংগী লাইরিক মরুং ওইনা তৌই। ভারতীয সংস্কৃত ধর্ম-প্রাণ ওইবা সংস্কৃতিনি। লৌশম শিগা সাহি। পুরাণক বনগী চংনবা মরুংদা চ হংথিনি বন খক্কনা ভারতীয জন-জীবনগা লানবীনবনি মবম অসিনা ধর্ম-শাস্ত্রগা মমল হাংবা অথোংবা গ্রন্থশিংগী মফম যাসিদ পুখোকখিবা চবিবনি। স্মৃতি-সাহিত্য ধমতত্ত্বগী মশা খুদিগী মতিক চানা বর্ণন তৌই। স্মৃতি শিত্যাগী তেক মতাংদা স্মৃতি গ্রন্থশিং ইখিবনি। ধর্মগী মতিক চাবা প্রমাণ

পীবা ওম্ব। জ্ঞানগী লাইরিকতি হায়রিবা স্মৃতি গ্রন্থশিংসিনি। 'স্মৃতি' রাহৈ অসিগী অর্থ অনি থোক্লা শীজিন্নৈ। অহানবগীদা বৈদিক (রাঙময) সাহিত্যগী তোপ-তোঙ্বা সাহিত্য হায়বদি পনিনি ব্যাকরণ, শ্রৌত, গৃহ্য অমসুং ধর্ম সূত্র, মহাভারত। মনু অমসুং যাজ্ঞবল্ক্য নচিংবগা। মবি লৈনবা গ্রন্থশিংবু স্মৃতি হায়না খঙনৈ. অতুগা অনিশুবনা খরা হন্থবা মওংদ। স্মৃতি নত্রগা ধর্ম শাস্ত্র অর্থ অনওদা লৌনৈ। মনু মশামক্তা মাগী মনস্মৃতিদা অসুম্না ইবম্মী — - (২।১০)

"শ্রীতিস্তু বেদোবিষয়ো ধর্মশাস্ত্রং তু বৈ স্মৃতি"। আরন্যক সহিতাদসু মতম খবদা স্মৃতিগী মরমদা পল্লী।

প্রাচীন স্মৃতিশিংগী অইবশিংদি — মনু, যাজ্ঞবল্ক্য অগ্নি, বিষ্ণু হারিত, উশসন, অঙ্গিরস, যম, আপস্তম্ব, শাতপত, বশিষ্ট, অত্রি শেখ, সম্বর্ত, পারাশর, প্রচেতা, যোগীশ্বর, অত্রিরা, গৌতম, দক্ষ, বৃহস্পতি তসিনচিংবনি। উপস্মৃতি বয়া ত মসু ইরম্মী। মতো অসুন্না স্মৃতি সাহিত্য অপুন্বনা ধমগী মপু ফাবা জ্ঞান ঐখোযদা ফংহল্লম্মী।

স্মৃতি-সাহিত্যগী লেংখীবা মতম অসি যু। অমগা মতমদা ইখিবা নত্তে যুগ কয়া মসি ইবদা চংখী। স্মৃতিশিংসিদা খবনা গদ্য (বারেং) দা, খরা অমনা গদ্য-পদ্যদা। ইখী তৌইতমসুং অয়াম্বনা শৈরেংদা ইবনি। খ্বাইদগী অরীবা স্মৃতিশিংগী মনুংদা গৌতম, আপস্তম্ব, বৌধায়নগী ধর্মসূত্র অমদি মনুস্মৃতিনি। বীংবী: কানেকী মতুং ইন্না মথক্কী সাহিত্যশিং ইখীবগী মতম

খ্'গী চৎিচ; কয়ামকমগী নমাংদা ইখিবনি। খৃ:গী অহানবা শতাব্দীদা ইখিবা গ্রন্থ শিংদি যাজ্ঞবলক্য, পারাশর অমসুং নারদ-স্মৃতি শিংনি। মসিদা নত্তনা অযাম্বা স্মৃতিশিংগী ইখিবা মতম খৃঃ ৪০০ দগী ১০০০ খৃঃ কী ময়াই ফাওবনি। স্মৃতি-সাহিত্য পুন্নমক্কী মনুংদা খ্বাইদগী মীয়াম্না পাম্নবা স্মৃতিদি মনুস্মৃতি অমসুং যাজ্ঞ-বলক্যস্মৃতিনি। মখক্কী স্মৃতি অনিসিগী শম্নপ্পা পরিচয় মখাদা পীরী।

মনুস্মৃতি ঃ- প্রাচীন ভারতীয় সাহিত্যদা মনুগী রারি সাহিত্য গী মযম খুদিংদা য়াওই। মনুগী চর্চ্চা য়াওদবা গ্রন্থ ভারতীয় সাহিত্যদা লৈতে। মতৌ অসুম্না মনু ইতিহসিকী ওইবা মী অমনি। খ্বাইদগী অরিবা মনুস্মৃতিগী ওসিদি বয়ারক হন্না ফোংখ্রে। হিন্দী, ইংগ্রাজী, সংস্কৃত লোন্দা মনুস্মৃতিগী টিকা কয়ামুক ফংই। নারদ স্মৃতিগী মতুং ইন্না মনুনা শ্লোক লাক্ষ তমা, অধ্যায় লিশিং অমগা মরিফু অমসুং প্রকরন কুনমরিগী ধর্ম শাস্ত্রগী রচনা ইরম্মী, মতুংবু নারদনা অমগা লিশিং তরানিথোই শ্লোকশিং ইহনা মার্কণ্ডেয়বু তম্বীখি। মাকণ্ডেয়না অমুক শম্না লিশিং নিপানথক্তদা ইহনা বুদ্ধি করবা ভার্গবদা তম্বিখি, সুমতি ভার্গবনসু অমুক্কা শ্লোক লিশিংমরীথক্তদ। চেনশিন্দুনা শেমখি। ওসি ফংলিবা মনুস্মৃতিগী মতুংইন্না ব্রহ্মাদগী বিরাট পোকখি, বিরাটতগী মনু পোকখি, মনুদগী ভৃগুনচিংবা ঋষিশিং পোকখি (১/০২/৩৩) ব্রহ্মানা মনুবু শাস্ত্র তম্বীরম্মী, মনুনা বিম্বি তরা (১/৫৮) বু জ্ঞান পীখি। ঋষি কয়ামুক্না মনুদগী শাস্ত্র তম্বা পাম্মী হায়বদগী মনুগী য়াথংদগী ভৃগুনা ঋশিংবু শাস্ত্র তম্বীখী। মনুস্মৃতি

দা মনিপী জ্ঞানগী চর্চা মক্কম কযাদা বর্ণন তৌই।

মনু-স্মৃতিগী অইবা কনানা হায়বগী চপ চাবা প্রমাণগা লোয়ননা হায়রবদি ওইথোক্লোই তৌইগুমমসুং মীওইবা জাতিগী অহানবা মনুনা মসিবু ইরমগনি হায়বসি থাজবা থজিক্কুং য়াৎলি। ভারতীয় সাহিত্যগী মরমদা সমস্যা অসি মক্কম খুদিংবা নৈ. করিগুম্বা লাইরিক নত্রগা গ্রন্থগী অইবা কনানো? মসিগী মওম্বা করম্নো? মৈকসমুলর অমসুং ডাঃ বুলহরগী মত মতুংইন্না মীওইবগী হোৎকপগী য়াবী ওইবা ধর্ম-সূত্রগী শেমদোক্কুবা মওং 'মনুস্মৃতি' অসিনি। মহাভারত তা স্বায়ংভুব মনু অমসুং প্রাচেতস মনু অনিসিদা খেন্নবা তাকই। মতুংদা অম্বুম্বা ইরি মতুংদি স্বায়ংভুব মনুনা ধর্মশাস্ত্র ইবনি অদুগা প্রাচেতস মনুনা অর্থশাস্ত্রগনি। করিগুম্বা গ্রন্থ খবদা মনু রাজ-ধর্ম নত্রগা অর্থ-বিদ্যাগী ওইবনি তাকই। মমাংগী মতমদা মনুনা ইবা লাইরিক অমি শংবসু য়াই। অদুগ, মতুংদা মনুস্মৃতিগী অইবনা ধর্ম-শাস্ত্র অমসুং অর্থশাস্ত্র অনিগী অমত্তদা পুনশিন্দুনা ইখিবনি, মতুংদগী অনিমক্কী অমুক শমজিন্দুনা মসিগী ওসি ফংলিবা অসি ওইরকখীবা ওইরম্বা য়াই।

হৌজিক মনুস্মৃতি অসি অধ্যায় ১৫ অমসুং শ্লোক ২৬৯৪ থক ফংই। মনুস্মৃতিগী ভাষা শৈলী, অরায়বা মংং-মনাও নাইবা অমসুং পানিনি ব্যাকরণ য়াবা লোননি। মসিগী সিদ্ধান্ত গৌতম বৌধায়ন, আপস্তম্ব, ধর্ম সূত্রগা মান্নে। স্মৃতি অসিগী শোক্ল কয়ামুক বশিষ্ট অমসুং বিষ্ণু ধর্ম-সূত্রদসু ফংই। ভাষা অমদি সিদ্ধান্ত য়েংলগদি মনুস্মৃতি অমসুং কৌটিল্য অর্থশাস্ত্র য়াম্না মান্নে।

মনুস্মৃতিগী মুংগী প্রমান শিংদা মনুগী মমাংদা ইখিবা সাহিত্য খুদিংগী পবিত্রয় ফংই। মনুনা বেদ অহুমগী মমিং পল্লম্মী অমসুং অথর্ববেদবু অথাঙ্গিরসী শ্রুতি (১১/৩৩) অমুম্না ইরম্মী। মনুস্মৃতিদা তারনাক অমসুং বেদাঙ্গশিংগী মরমদস্ু ইরম্মী। অত্রি, গোতম, ভৃগু শৌনক বশিষ্ট অমদি বৈখানস নচিংবা ধর্মশাস্ত্র ইবশিংগী মরমদা ইরম্মী। আখ্যান, ইতিহাস পুরাণ অমদি খিল কৌবা বাবীগী পুইবশিংগী মরমদস্ু মনুস্মৃতিদ, ইবা থেংনৈ। মনুগী "বেদ-বাহ্যাঃ স্মৃতয়ঃ বাক্য সিদগী নাস্তিক সিদ্ধান্ত অমদি মখোয়না ইবস্বশিংগী মরমদা চাওবাক্না খঙবা ঙম্মী। ধর্ম-বিরোধিশিংগী অমসুং বেদ নিন্দা তৌবশিংগা (নাস্তিকো বেদ নিন্দকাঃ) মরমদস্ু তস্নুম্না ইঙ্গিত তৌরম্বা থেংনৈ। মনুনা লাইরিক অসিদা (অপরে) ' অন্যে ', ' কেচিত ' নচিংবগী শিজিন্নবনা মতমহুগী মথক্ল কয়াগা মত ইনবা কাংবুশিংগী সংকেতস্ু ফংই।

মনুস্মৃতিগী ইখিবগী মতম লেপ্নগী মতাংদা ঐখোয়না মপানগী পুইবা প্রমাণশিং অমসুং মুংগী প্রমাণগী মতেংনা বিচার তৌসি। মনুস্মৃতিগী খ্বাইদগী অরিবা টিকা 'মেধাতিথি' গীনি, মেধাতিথিগী মতম খৃঃ ৯০০ দনি। যাজ্ঞবলক্য-স্মৃতিগী ব্যাখ্যা তৌবা বিশ্বরূপনা মনুস্মৃতিগী চাওরক্না শ্লোক ২০০ লৌথুনা ইরম্মী। মখোয় টিকা তৌবা ওনিনা মনুস্মৃতিগী হৌজিক লৈরীবা সংস্করন অসি শিজিন্নখী। বেদান্ত-সূত্রগী ভাষ্য ইবা ভগবান শঙ্কর নহুমনুবু মফম কয়াদা পল্লম্মী। বেদান্ত সূত্র ইবনস্ু মনুগী মতেং কয়ারক হন্না শীজিন্নখী। কুমারিল ভট্টগী তন্ত্র-বার্তিক অসিদা

মনুস্মৃতিবু খ্ৰাইদগী লৌরবা স্মৃতিনি হায়রম্মী। মৃচ্ছাকটিক কী শ্লোক অমা।

"অয়ং হি পাতকো বিপ্রো ন বধ্যো মনুরব্রবীৎ" ৯/৩৯ দা পাগী ব্ৰাহ্মণগী দণ্ড বিষয়দা মনুগী প্ৰমাণ লৌরম্মী অমসুং মনুগী মতুংইন্না প্ৰাণ দণ্ড লৌদনা মহাক্কী লন থুম লোয়না মংপগা লোয়ননা মহাকপু নৈব,কুগী তান:থাকপনা মহাক্কী দণ্ড লেপ্পী।

"রাষ্ট্ৰাদস্মাত্ত নির্বাস্যো নির্বিত্তৈরক্ষতৈঃ সহ।"

বলভী গী রাজা ধৰসেন গী ইরম্বা অমা (৯/৩৯) গী মতুং ইন্না খঙবা ঙমলে মতুদি সন ৫৭১ খৃঃ দা মনুস্মৃতি অসি কংলম্মী জৈমিনী সূত্ৰগী ভাষা ইবা শবর স্বামী (খৃঃ ৫০০মমাং) না মনুস্মৃতিবু মহাক্কী ভাষ্যদা লৌহনা ইরম্মী। অপরার্ক, কুলুক ভট্ট অনিনা ভবিষ্য-পুৰাণগী মতুংইন্না মনুস্মৃতিগী প্ৰমাণ ওই হায়না তারম্মী বৃহস্পতি (খৃঃ ৫০০) অশ্বঘোষ নসু মনুস্মৃতিবু মহাক্কী মমাংদা লৈরম্বনি হায়রম্মী অমসুং মনুস্মৃতিগী শ্লোক কয়া মকম-মফমশিংদা শিজিনরম্মী।

মথক্কী নৈনখিবা বাহ্য-সাক্ষীশিংদগী খঙবা ঙমলে মতুদি মনু-স্মৃতি খৃষ্টাব্দ অনিশুবা শতাব্দিগী মমাংদা ইখিবনি হায়বা খঙবা ঙম্মী। শ্ৰী পী০ বী০ ক্যানে মনুস্মৃতিগী মতম বিচার তৌবদা ধর্ম-শাস্ত্ৰ গী ইতিহাসতা ইরি — "বর্তমান মনুস্মৃতি য়াজ্ঞব-লক্যদগী য়াম্না প্ৰাচীন ওইবা হেন্নী," মরমদি মনুস্মৃতিদা নাৰগা মরী নৈনবা ৱাযম মপুং ফাদে অমসুং যাজ্ঞবল্ক্য-

স্মৃতি হিরম অসিদা য়াম্না মপুং ফাই । যাজ্ঞবলক্যগী তিথি য়াম্নদ্রবদা অষ্টমশুবা শতাব্দিনি। মরম অসিনা মনুস্মৃতিবু মসিদগী য়াম্না হান্না ইরবা তাবনি। মহুনা যবনশিং, কম্বোজশিং শকশিং, পহ্লবশিং অমদি চীনাগী মিং লৌরম্মী মরম অহুনা মহাক খং: মমাং চহি শতাব্দী অহুমগী মমাংদগী হেল্লোই। য়োন কম্বোজ অমসুং গন্ধার জাতিগী বর্ণন অশোক নিংথৌগী মতাংশুবা প্রস্তর অহুপাসমদা ইরম্লে — "বর্তমান মনুস্মৃতিগী লেংখিবা অমদি সিদ্ধান্তশিংদা প্রাচীন ধর্মসূত্রশিং, হায়বদি গৌতম বৌধায়ন অমদি আপস্তম্বগী ধর্ম সূত্রদগী য়াম্না হান্না ইখিবনি। মরম অসিনা চিংনবা লৈতনা মসিগী রচনা ধর্মসূত্রগী মতুংদা ইখিবনি। মরম অসিনা শেংনা খঙলে মহুদি মনুস্মৃতিগী রচনা খং: মমাং অনিশুবা অমদি খংষ্টগী মতুং অনিশুবা শতাব্দীগী মরক্তা ইখিবা ওইগনি"। (ধর্ম-শাস্ত্রগী ইতিহাস, লমাই ৪৬) শেমদোক্লবা অমদি হা-পচিল্লবা মনুস্মৃতিগী রচনা-কালগী মরমদসু বিদ্বান কয়ানা বিচার তৌই। বিদ্বানশিংগী মত মতুংইন্না মহাভারত অমসুং মনুস্মৃতিগী মরক্তা মরী য়াম্না লৈনৈ। শ্রী বী০ এন০ মাড়লিককী মতুংইন্না মনুস্মৃতিদা মহাভারতকী মচং-ওইবা য়াকন্ন কয়া য়াওই। বুলহুরগী মতুংইন্না মহাভারতকী ১২ শুবা অমসুং ১৩ শুবা পর্ব-শিংদা মানব-ধর্ম-শাস্ত্র অমা ইরম্বা থেংনৈ অমসুং হায়রিবা মানব-ধর্মশাস্ত্রগা মনুস্মৃতিগা নক্না মরী লৈরম্বা য়াই। হপকিন গা মতুংইন্না মহাভারতকী ১৩ শুবা পর্বদা হৌজিক কংলিবা মনুস্মৃতিবু লৈনরী।

মনুস্মৃতিদা ঐতিহাসিক ওইবা মওংদা পল্লম্মী, খুদম ওইনা অঙ্গিরা, অগস্ত্য. বেন, নহুষ, সুদাস. নিমি. পৃথু, মনু, কুবের, বশিষ্ঠ রক্ষ. বামদেব, ভরদ্বাজ, বিশ্বামিত্র। তৌইগুমম্নুং মনুস্মৃতি দা মথক্কী মিংশিং অসি মহভারতগী লৌহুনা। ইবগী মরমদা করিমত্তা পন্দে। মসিগী ওয়্যৈতেনবদা মহভারতকী মফম কয়াদা 'মনুরব্রবীত,' 'মনুরাজ ধর্মঃ' 'মনু-শাস্ত্র' অসিগুম্বা য়াহৈ মদি বাক্যশিং য়াওই. মসিনা মনুস্মৃতি প্রমাণিক ওইবগী অমদি পাচীন ওইবগী য়াফম সিদ্ধ ওই। মসিগী নত্তনা, মহাভারত শ্লোক কয়া মনুস্মৃতিগা মান্নৈ। মনুস্মৃতিগী সিদ্ধান্তগী য়াস্ক, গৌতম বৌধায়ন, অমদি কৌটিলানা পল্লম্মী।

অস্মুন্না অনুমান তৌনৈ মহুদি প্রাচীন মতমদা গ্রন্থ অমা লৈরম্মী মসিদা ধর্ম অমস্যুং রাজ-শাসনচিংবগী হিরমশিংদা য়ান্না পাকশন্না চর্চা তৌই, মহুগী শ্লোকশিং মফম কয়াদা চাইহুনা লৈরম্মী. হায়রিবা গ্রন্থ অসিনা মনুস্মৃতিগী হৌরকফমনি, মসিবু নারদ স্মৃতি হায়না কৌনৈ মহুবু অমুক স্মৃতিনা শন্নপ্পা ইহুনা পুথোকখি

মনুস্মৃতি ধর্ম-শাস্ত্র অমস্যুং আচার-বিচারগী য়ুমফমদা শন্দোক্লা বিচার তৌই। মসিদা অধ্যাই ১২ লৈ। মনুস্মৃতিগী অহানবা অধ্যায়দা সাংখ্য মতকী মতৌগম বিশ্ব সৃষ্টিগী বিবরন পীরী অমস্যুং বিরাটতগী বিশ্ব পোকখী হায়বসি য়ারম্মী। অধ্যায় অসিদা মনু ৬ কী চর্চা তৌই যুগ মখিগী বর্ণন, যুগ মখিগী ধর্ম, বর্ন মখিগী তৌগদবা অমস্যুং অধিকারগী বিচার তৌবগা লোয়ননা য়চনা পল্লমকী মরুওইবা তাকই। অনিশুবা অধ্যায়দা ধর্মগী

পরিভাষা, মসিগী হৌবকফম বেদ, স্মৃতি অমসুং মীশিংগী হৌন-লোনগী চর্চ্চা গী মথক্তা ব্রহ্মাবর্ত, ব্রহ্মর্ষি, দেশ আর্যবর্ত্ত গী সিমনা গী বর্ণন তৌই। মথল কয়াগী সংস্কার অমদি ব্রহ্মচারীগী কর্ত্ত-ব্যগী বর্ণনসু তৌই। অহুমশুবা অধ্যায়দা আদিত্য, রুদ্রনচিংবা ব্রহ্মচারী, ব্রহ্মচর্য্যগী মপুন্সি, বিবাহ তৌবগী মতম, মথল নিপালগী লুহোংবা, মুপী মুপাগী তৌগদবা নিয়ম, গৃহস্থ জীবন, মসিগী থাগৎপা, গৃহস্থ অমগী ওাক্লা চংকদবা বিচার তৌই। মরিশুবা অধ্যায়দা গৃহস্থ পুন্দি অমসুং গুরুকুলবাস লোয়রগা তৌগদবা বিধি, থাদোক্কদবা অমসুং থাদোকওদইবা, চা-থকপগী নিয়মশিংগী চর্চা তৌই। মঙাশুবা অধ্যায়দা চাব-য়াবা পোৎশিংগী বিচার তৌবগা লোযননা করম্বা থাদা অমসুং করম্বা য়েঙ্গ্নাংগা চাক চাগনি, পোকপ শিবগী শেংদবা মতম, পিণ্ডদান, পথী অমসুং লুখ্রাবী গী তৌগদবশিংদা বিচার তৌই। অধ্যায় তরুক্তা বানপ্রস্থ আশ্রমদা চংবগী মতম, মহাক্কী লৈবগী ফিবম, সন্ন্যাসীগী থবক থৌরম অমসুং গৃহস্থগী থাগৎ ফোংদোকপনচিংবগী বর্ণন তৌই। তরেৎশুবদা রাজ-ধর্ম, দণ্ড, স্তুতি নিংথৌগী গুণ অমসুং ফত্তবা গুণ, মন্ত্রিপরিষদ লিংবগী, দূতকী গুণ, লানবন অমসুং কোন্সুং, লানগী নিয়মশিং, সাম-দামনচিংবা মথল মরিগী নীতি, লৈঙাকপগী মতেং ওইগদবা অধিকারীনচিংবা বিষয়শিংদা বিচার তৌই। নিপানশুবা অধ্যায়দা ন্যায়গা লোয়ননা লৈবাক ঙাকপগী মরমদা নিংথৌনা চংকদবা অমসুং ব্যবহার, শাসনচিংবদা বিচার তৌই। মাপন-শুবা অধ্যায়দা নিংথৌকম শিনবগী মতাংদা মরম বিচার তৌই।

নিংথৌ অমগী লৈগদবা অদ তরেং. বৈশ্য অমসুং শুদ্র জ.তিনা চংকদবা নিয়ম নচিংবগী বিচার তৌই। তরাশুবদা ব্রাহ্মন অমসুং জাতি কয়াগী তৌগদবা নিয়মশিংদা বিচার তৌই। বর্ণ মরীগী মরুওইবা অধিকার অমসুং তৌগদবা তাকই। তরামাথোইশুবা দান তৌবগী থাগৎপা, পাপ কোক্রবা উপায়, হকচাংগী দোষ নচিংবগী বিচার তৌরগা তরানিথোইশুবদা কর্ম, ক্ষেত্রজ্ঞ, ভূতাত্মা; জীব, নরকী অবাবা, গুণ অদুম, মোক্ষ কনবগী উপায়, আনন্দ অমসুং আত্মা জ্ঞান, বেদকী থাগৎপা, মীওইবগী শাস্ত্র তম্নগী কান্নবা নচিংবা বিষয়শিংদা বিচার তৌই।

মতৌ অসুম্না ঐথে য়ন: খণবা ওমী মহৰ্ষি মনুস্মৃতি মীওইবগী পুন্সিগা মরি লৈনবা অয়াম্বা বিষয়শিংদা বিচার তৌই। মীওইবগী পুন্সিদা ব্যহবার জ্ঞানগী মসিনা শিক্ষা পী। ধর্ম শাস্ত্রগী শিক্ষা পীবগা লোয়ননা লৈবাক ওাকপগী পঠাপ নচিংবা তত্ত্ব কয়ামুকী বিচার মনুস্মৃতিদা তৌই।

মনুস্মৃতি গী টিকা কয়ামুক তৌখি মতুগী মনুংদা, মেধাতিথি, গৌবিন্দরাজ অমসুং কুল্লুকনা ইরম্বা টিকাশিং মরিং চংলি।

যাজ্ঞবলক্য—স্মৃতি

প্রাচীন ভারতীয় সাহিত্যদা যাজ্ঞবলক্যবু বিদ্বান অমা অমসুং বৈদিক ঋষিশিংদা চল্লি। যাজ্ঞবলক্য শুক্লযজুর্বেদ গী বাজসনেয়ী শাখা গী জ্ঞাতা অমদি পাওতাক পীবা অমা ওইনা মমিং চংলি। মহাভারত কী শান্তি পর্ব গী মতুংদা বৈশম্পায়ন অমসুং মাগী শিষ্য যাজ্ঞবলক্য গী মরি লৈনবা মাংথিবা অমসুং যাজ্ঞবলক্য না

মুমিংকী উপাসনা অমসুং মুমিংনা শগোল কপ লৌরগা উপদেশ পীখিবগী ৱারী লৈ। মহাভারতদা নত্তনা ৱারী অমি বিষ্ণু অমসুং ভাগবত পুরাণদসু থেম্নবা খরা লৈজরবসু য়াওরি। শতপথ ব্রাহ্মণ মথক্কী ৱারী বৈশম্পায়ন অমসুং যাজ্ঞবল্কা গী মরী কক্খিবগী অমসুং মুমিংনা শগোলগী মওং লৌরগা উপদেশ পীখীববু পল্লী। বৃহদারণ্যক উপনিষদসু যাজ্ঞবল্ক্য অমসুং বিদ্বান ব্রাহ্মণ গীরুপ লৌরগা লাক্ই।

যাজ্ঞবলকা-স্মৃতি গী মমিং চংপা অমসুং অহানবা টিকা তৌবা বিশ্বরূপ খৃঃ ৮০০—৮২৫দা য়াওরম্মী। 'মিতাক্ষরা' কৌবা যাজ্ঞবল্কা গী অনিশুবা টিকা গী কর্ত্তা বিশ্বরূপ তগী চহি ২৫০ গী মতুংদনি। যাজ্ঞবলক্য না পুরাণ কয়াদা অমসুং স্মৃতিশিংদগী অয়াবা শকক লৌই। গকচ় পুরাণ না অমিগুম্বা লৌকবা অহগী অয়াবা পীরি।

"যাজ্ঞবল্ক্য মত (যঃ ১) পুর্ব ধর্ম (ধর্ম) প্রোক্তং (ভঃ ১) কর্ম ভারে! তম্মে কথয় কেবিন্ন যাথাতথ্যেন মাধব" শক্ষনা ইবা ধর্মসূত্রদা যাজ্ঞবলক্য গী মমিং পল্লম্মী অমসুং শক্ষনা ইবা অনিবু যাজ্ঞবলক্য ধর্ম শাস্ত্রকারনি থাজনৈ। বিশ্বরূপ না যাজ্ঞবলক্য গী টিকা খৃঃ ৮০০ দা ইখী, মসিনা শেংনা খঙবা ঙম্মী। মতুংদি যাজ্ঞবল্ক্য-স্মৃতি বিশ্বরূপগী অরীবনি। বিশ্বরূপনা মহাক্কী টিকা দা মহাক্কী মমাংগী টিকা ইবশিং পল্লম্মী। নীলকণ্ঠনা 'প্রায়শ্চিত্ত ময়ুখ' তা অসুম্না হায় মতুংদি আদি গুরু শঙ্করাচার্য্য না মহাক্কী 'ব্রহ্ম সূত্র' ভাষ্য দা যাজ্ঞবলক্য বু প্রমাণ ওইনা

ইরম্মী। 'ধর্ম-শাস্ত্রগী ঐতিহসিক' (ভাগ ১). লমাই-৫৩ দা শ্রীপী.বী. কানে না যাজ্ঞবলক্য স্মৃতি গী রচনা কাল 'সূত্র কয়ামুক্কী মতুংইন্না যাজ্ঞবলক্য স্মৃতি বু ঐখোয়গী খৃঃ মমাং চহি অহানবা শতাব্দী অমসুং খৃঃ গী মতুং চহি অহুমশুবা শতাব্দী গী মরক্তা থম্বা য়াই" অগুম্না ইরম্বনা মশিবু প্রাচীন স্মৃতি অমনি য়ারম্মী।

যাজ্ঞবলক্য-স্মৃতি শুক্ল-যজুর্বেদগ্গ মরী লৈনৈ, বিদ্বানশিংগী মতুংইন্না যাজ্ঞবলক্য—স্মৃতিকার অমসুং শুক্ল-যজুর্বেদ গী উপদেষ্টা যাজ্ঞবলক্য গা অমগুনি। পী.বি. কানে মহোদয়মু গ্রন্থশিংসিগী রাক্যগা মাঃবা য়াম্না য়াওই। মহাক্লা অম্মুনা ইরী য়াজ্ঞবলক্য স্মৃতি গী শুক্ল-য়জুর্বেদ অমসুং মসিগী সাহিত্যগা অচেৎপা মরী লৈনৈ' মসিদা নত্তনা বৃহদারনাক-উপনিষদা, পারস্কর গৃহ্য-সূত্র, কাত্যায়নগী শ্রাদ্ধকল্প কৌটিল্যগী অর্থ-শাস্ত্র, অসি পুরাণ অমসুং মনুস্মৃতি হায়রিবা লাইরিকশিংগসু য়াম্না মান্নবা লৈ। কানে মহোদয়না মনুস্মৃতি অমসুং যাজ্ঞবলক্য-স্মৃতিদা বিচার তৌহনা অগুম্না ইরী- "যাজ্ঞবলক্য স্মৃতি মনুস্মৃতিদগী হেন্না কজবা লাইরিকনি।" যাজ্ঞবলক্য না স্মৃতি পুমকপু শরুক অহুমদা খায়দা ক্রনা বিষয়শিংবু মখোয়গী মতিক চাবা মফমদা থম্লী, অদেম্বদা হুক্লিল-হুক্লিল হায়বগী অশোয়বা কোকহল্লি। স্মৃতি অনিমক্কী বিষয় অমত্তনি' তৌইগুনসুং যাজ্ঞবলক্য-স্মৃতি অনিসিগী মমুংদা হেন্না অশবা মওংনি। মরমদি মনুস্মৃতি গী শ্লোক ২,৭০০ মশিংনি অহুগা যাজ্ঞবলক্য-স্মৃতিদা সুপ্পা শ্লোক মশিং চাওরাক্লা

১,০৯০ থক্তনি। মনুগী শ্লোক অনিগা যাজ্ঞবলক্যগী শ্লোক অমগা মান্নে। মসি অশুম্না ওইরব্রা য়াই মতুদি যাজ্ঞবলক্যনা মাগী গ্রন্থ ইবা মতমদা মাগী মনাংদা মনুস্মৃতি লৈরম্মী, মরমদি স্মৃতি অনি অসি কন্নিগুম্বা য়াহৈ মান্নবা মতাং য়াওরকই। তৌইগুমসুং যাজ্ঞবলক্যনা মনুগী বাক্য কয়ামুক য়াদে অমসুং বাক্য কয়ামুক্তদি প্রসঙ্গ কয়ামুক্তা মনুদগী য়ান্না কোনবা বিচার তৌবা অমনি লৌই। মতাং কয়ামুক্তা মান্নদবা বিচার কয়াস্ত য়াওই, মতুদি —

মনু ব্রাহ্মণ অমনা শুদ্র কন্যাগা লুহোংবা য়াই হায়, (৩/৩১), অদুবু যজ্ঞাবলক্যনা মসি য়াদে (১/৩১), মনুনা নিয়োগগী বর্ণন তৌরগা মদুবু কন্না সমালোচনা তৌই (৫/৫৯/৬৮), তৌইগুমসুং যাজ্ঞবলক্যনা তৌদে (১/৬৮-৬৯)। মনুনা ব্যবহারগী পদ ১৮ গী মমিং লৌই, অদুবু যাজ্ঞবলক্যনা অম্না তৌদনা সুপ্পা ব্যবহার পদগী পরিভাষা থক্তং ইরম্মী অমসুং অতোপ্পা প্রকরন অমদা ব্যবহারগী তোপ-তোপ্পা শ্লোক হাপচিল্লী। মনুনা মচা পোক্তবী লৈখ্রাবীগী লন ফংবগী মরমদা তুমীন্না লৈ ভাদুগা হিরম অসিদা যাজ্ঞবলক্যনা য়ান্না শেংনা হায়, মদুদি লৈখ্রাবী নুপীবু খাইদগী অন্নাংবা মফমদা থম্মী মমনা জুরার শান্নবগী সমালোচনা তৌরম্মী, তৌইগুমসুং যাজ্ঞবলক্যনা মসিবু নিংথৌগী লৈবাক ভাকক্রোনগী চংদবা য়াদবা অমগুম শিংথাই। (২১২০০-২০৩)।'

যাজ্ঞবল্ক্য স্মৃতি পুম্নমক অনুষ্টুপ ছন্দদা ইরম্মী শৈরেংগী ওইরায়বা মওংদা ইবনি, মথং মনাও চাং নাই। মসিগী ভাষা অয়াম্বনা পাণিনী ব্যাকরণ মতুং ইন্না চৎলি।

যাজ্ঞবল্ক্য স্মৃতি কাণ্ড অহুমদা খায়দোকই: আচার কাণ্ড, ব্যবহার কাণ্ড অমসুং প্রায়শ্চিত কাণ্ড। মখোয়শিংদা আচার অধ্যায়, ব্যবহার অধ্যায়, অমসুং প্রায়শ্চিত অধ্যায়, হায়নসু খণ্ডনৈ। কাণ্ড অহুমমক্কী শন্নপ্পা মখাদা পীরি —

অহানবা কাণ্ডদা বিদ্যা মথল ১৪গী মরমদা ইরগা তুংদা ধর্মশাস্ত্রগী মনু, অত্রি, বিষ্ণু, হারিৎনাচিংবা আচার্য ১৯গী শন্নপ্পা ওইকই ধর্মগী হৌরকফম অমা দর্শন, পারষদ গঠন, মথল কয়াগী সংস্কার, ব্রহ্মচারী অমসুং মসিগী নিয়ম গৃহস্থ ধর্ম, পঞ্চ যজ্ঞ, অতিথি - সৎকার, বর্ণশিংগী কর্ম অমসুং অধিকার সদাচারগী নিয়ম ১০, গৃহস্থগী জীবিকা, গুরুকুলদা লৈবা লোয়নবগ তৌগদবা, চাবা য়াবা-য়াদবগী নিয়ম, দান, শ্রাদ্ধ, গ্রহ মাপনগী শান্তি, রাজধর্ম নিংথৌ অমসু, মন্ত্রীগী তৌগদবা লৈবাক ডাকপগী চেকশিনগদবা কর (Tax) লোবনচিংবা বিষয়শিংদ, বিচার তৌই।

দ্বিতীয় খণ্ড (অনিশুবা) ন্যায় ন্যায়াধীশ, ব্যাবহার পদ, অভিয়োগ, জামিন, ধর্ম-শাস্ত্র, অমসুং অর্থ-শাস্ত্রগী মরি লৈনবা ডিক্সনারী, লোমগী শেন্দোয়গী চাং, পুন্না লৈবা ইমুং অমসুং লোন লৌবা, অপুনবা ইমুংগী সমস্যাশিং, মথল তরানিথোইগী মচা নিপাদা শিন্নগদবা, মুপীলান অমসুং মপুরোইবা, সিমনাগী খংন চৈনবনচিংবা অতোপ্পা বিষয় কয়া অমসুং মখোয়গা মরী

লৈনবা খৎন চৈনবা অমসুং মতুংগী ন্যায় অধ্যায় অসিগী মক ওইবা বিষয়নি।

অহুমশুবা খণ্ড — খণ্ড অসিদ, প্রায়শ্চিত্ত বিষয়গী অদিক অচৌ সমস্যা খুদিংগী বিচার তৌই। অসিবা হকচাংবু মৈ থাহনা কুমহনা সংস্কার তৌবা, ঈশিংগী তপন, অরাবা ফোংদোকপগী নিয়মশিং, পোকপা শিবগী অমাংবা অমদি শেংদোকপা, মৈগী ক্রিয়া, বিপাকগী মতমদা হিংনবা লম্বী, বানপ্রস্থগী নিয়মশিং সন্যাস-নিয়ম, আত্মাগী হকচাং শিন থুংনা লৈবগী ভ্রম, হকচাং সিদা শকগী মশিং, হকচাংগী নুংদা লৈবা কায়াংশিং, ঈ পুবা শংল মশিং, মোক্ষ, তশেংবা আত্মাগী অমুক পোকপগী, পাপী যোগী, গুণ অহুমগী মথাপোনবা কর্ম, আত্মা জ্ঞানগী সাধন, পাপী অমসুং লাইনা-লাইথুং, প্রায়শ্চিত্ত-প্রযোজন, নরককী মখল ২১, মহাপাতক মঙা, ব্রহ্ম হত্যা, যু থকপা, শাংডা হাৎপা চন্দ্রায়ন ব্রতনচিংবা, শেংদোকবা উপায়, যাজ্ঞবল্ক্য-স্মৃতি পাবনা কান্নবনচিংবা বিষয়শিংদা বিচার তৌই।

যাজ্ঞবলকা-স্মৃতি হৌজিক্তি মীয়াম্না য়াম্না পান্নরকই। স্মৃতি অসিদা টিকা কয়া ইখ্রে মখোয়শিংগী মনুংদা বিশ্বরূপ, বিজ্ঞানেশ্বর, অপরার্ক অমসুং শুলপানীনা ইবা লাইরিকশিংনা অথোইবা অমদি মমিং চৎলি।

ব্রাহং ২৩ — অশ্বঘোষ কী গ্রন্থশিংগী সমীক্ষা তৌদুনা মহাকী ইবগী মওং অমসুং মহাক্কী ভাষাগী সমালোচনা তৌ।

পাওখুম ঃ অশ্বঘোষ বৌদ্ধ ভিক্ষু অমনি। মীযাম্না থাজবগী মতুংইন্না মহাক কনিষ্কগী মতমগী কবিনি। তিব্বত, চীনা, অমসুং ময়াম ওইবা এশিয়াদা শন্দোক্লিবা বৌদ্ধ মহায়ান সমপ্রাদায়গী লিংখৎপা অমা নত্রবসু, মহাক মসিগী মকোক থোংবা আচার্য অমনি। অশ্বঘোষকী পুন্সি ৱারোগী মতুংইন্না খঙবা ঙম্বী মতুদি মহাক ভারতকী ময়াই ওইবা লমদা লৈবা মীনি অমসুং মহাক পুজ্য পার্শ্বগী শিষ্য অমনি। মহাক্কী মমাগী মীং সুবর্ণাক্ষী কৌরম্মী। তিব্বতকী বুদ্ধ চরিতকী মতুংইন্না মহাক সাকেত (অয়োধ্যা) দা লৈবা মীনি। মহাক্না বৌদ্ধ ধর্মদা চংবগী হৌরককমদি পুজ্য পার্শ্ব মক্নি। মহাক্কী মরমদা মীয়াম্না অসুম্না ভাংনবা লৈ মতুদি মহাক্কী ভাষণ (*Lecture*) অসুক্কী মতিক মুঙাই মতুদি শংদোল কাওবদা শজিক থংদোক্তুনা মহাক্কী ভাষণ পারম্মী।

মী খবগী মত মতুংইন্না মহাকপু পার্শ্বজীগী শিষ্য পুর্ণযশজীনা মহাকপু বৌদ্ধ ধর্মদা দীক্ষা পীখিবনি অমসুং কনিষ্কগী শাসন কালদা বৌদ্ধ সঙ্গতি কৌবা লিংখৎতুনা মসিগী সংচালনগী ভার অশ্বঘোষদা পীরম্মী। মহাক ঙাচানবদা সর্বাস্তিবাদীগী দার্শ-নিক অমা ওইবগী, চৈতন্যমসুং তুদা মহাযান-শাখাগী অথোং-ইবশিংগী মরক্তা মহাক্কী মিংশা অনানব অমা ওইনা লৌই। মহাক য়াম্না ৱারোং ৱাবা অমসুং নাটক ইবা অমনি। কনিষ্কগী শাসন-কাল ওইবনা মহাক খৃষ্টগী অহানবা শতাব্দী ওইগনি। মহাকপু আচার্য ভাবম্নগী উপাধিসু কৌই। ইৎশিংগা কৌবা অমগী মতুংইন্না মহাক অসি অশাংবা থাক্কী ওইবা অমসুং উপ-

দেশ পীবা অমনি।

অশ্বঘোষকী হৌঙিক ফাওবদা গ্রন্থ ৭ থক ফংই, মখোয়গী মমিংদি : ১। দণ্ডি স্তোত্র গাথা, ২। সূত্রালঙ্কার, ৩। বুদ্ধ চরিত, ৪। সৌন্দরানন্দ, ৫। শারি পুত্র প্রকরন ৬। বজ্র সূচি, ৭। মহায়ান শ্রদ্ধোৎপাদ হায়রিবা গ্রন্থশিংগী মনুংদা অহুম্না মরু ওই, অহুম অহু অনিনা মহাকাব্য অমসুং অমনা প্রকরন গ্রন্থনি।

মহাকাব্য অনিগী মমিং 'বুদ্ধ চরিত' অমসুং 'সৌন্দরানন্দ' নি অমসুং অহুমশুবনা 'শারি পুত্র প্রকরন' মমিং চৎলি। হায়রিবা গ্রন্থ অহুম অসি সংস্কৃত ভাষাদা ইবনি। মতৌ অসুম্না অশ্বঘোষ সংস্কৃত সাহিত্যগী লৈকোন্দা মনম ফংশিবা চেনবা লৈগুরনি অমসুং মহাকী মিংচৎ তেনগংহনবগী মথক্তা পীখিবা মহাকাব্য অনি অমসুং অমনা প্রকরন গ্রন্থনি।

বুদ্ধ চরিত : মসি অশ্বঘোষকী খাইদগী অথোইবা মহাকাব্য অমানি। মসিগী শুংনা ইনা কোপী অমা শারদা ময়েক্তা ফংই, মহুদা সর্গ ১৩ অমসু ১৪ গী সুপ্না শৈরেং ৪ থক ফংই। চীনা লৈবাক লোন্দসু অনুবাদ তাওবারা খৃঃ গী ৪১৪-৪২১ ফাওবগী মনুংদা অনুবাদ পৌখি অহুগা মসবু ইংলিশ্গনসু অশ্বঘোষনা ইবনি হায়রম্মী। মসিগী তিব্বতী লোন্দসু অনুবাদ তৌরা অমা ফংই মসিদগী খঙবা ঙম্মি মহুদি বুদ্ধ চরিত অসিদা সর্গ ২৭ লৈ অমসুং বুদ্ধগী নির্বান কাল ফাওবা মসিগী মপুং ওইবা য়ারিনি। ইংলিশ্গনা ইবশুদগী খঙবা ঙম্মী মহুদি খৃঃ কী তরুক

শুবা অমসুং তরেৎশুবা শতাব্দীদা বুদ্ধ চরিত ভারতবর্ষগী মমুংদা তম্বা হৌরকখ্রে। মফম অসিদা গ্রন্থ অসিগী শারদা ময়েক্তা ইবা সর্গ ১৩ মপুং ফানা অমসুং ১৪ শুবা সর্গগী শ্লোক ৪ থক্তা ফংই, তৌইশুমসুং ১৯ শুবা শতাব্দীদা শ্রী অমৃতানন্দনা সর্গ ১৫ শুবগী মরীশুবা শ্লোককী মথংগী বারীশিং হাপচিন্দুনা কাব্য অসিদা বুদ্ধগী কাশীগী মমুং চনবা সারনাথ কৌবা মফমদগী ইহ'ন-ংখাগ্না উপদেশ পীবা হৌবগী বর্ণন তৌহনা হাপচিনখি।

বুদ্ধ চরিত য়াম্না বাংবা মহাকাব্য অমনি। মসিদা মহাকাব্যগী মরুওইবা উপাদান পুম্নমক য়াওই। মসিদা সুংশি-নুংশুন গী বারীগী দৃশ্য, নীতি-শাস্ত্রগী সিদ্ধান্ত অমসুং লানগী থৌদোকশিংগী বর্ণনসু য়াওই। য়াম্না মশক মতৌ ফজববী কামিনিশিংগী ইথক-ইরাং, কোনুংগী পুরোহিতশিংনা সিদ্ধার্থবু পাওতাক পীব সিদ্ধার্থনা বামদেবগা শোন্নবা লান্নচিংবা বারী পুম্নমক য়াম্না পাক শন্না কল্পনা অমসুং য়াম্না সুঙাইবা মওংগী শৈলীদা বর্ণন তৌই। মতৌ অসুম্না গৌতম বুদ্ধগী জীবন গাথা য়াম্না চীংলেম্বা মওংদা বর্ণন তৌই। অশ্বঘোষ বৌদ্ধ ধর্ম অনুয়ায়ী ওইরবসু মহাক্না পুরাণ, ইতিহাসনচিংবা গ্রন্থশিংসু মতিক চানা অধ্যয়ন তৌখি, মরমদি বুদ্ধ চরিত অসিদা পৌরাণিক অমসুং অতোপ্পা হিন্দুশিংগী বারী অমসুং হিন্দু লাইরিকশিংগী রারোল কয়া য়াওই। খুদম ওইনা মায়া সহস্রাক্ষ, ইন্দ্র, পৃথু ইক্ষ্বাকু বালমীকি, কৌশিক, সাগর, স্কন্দ, মানবতা, নহুষ, পুরুরবা শিব-পার্বতীনচিংবগী বারীশিং য়াওরী; লোয়ননা

অতিথি সতকারনচিংবা সনাতন ধর্মগী রীতি-নীতিগী রাকমস্ত য়াওই। উপনিষদশিং, ভগবদ গীতা, মহাভারত অমসুং রামায়ন গীসু মহাকাব্য অসিদা বর্ণন তৌই। মথক্কী রাকম কয়াশিনা তশেংনা খঙবা ঙম্মে মহুদি ববিনা বৈদিক অমসুং লৌকিক সাহিত্যগী জ্ঞান কংখিরম্মী।

বুদ্ধ-চরিত তা কালিদাসকী মহাকাব্যশিংগী রাহৈ কয়ামুক ফংই, খুদম ওইনা — বুদ্ধ-চরিতা সিদ্ধার্থ গী সোভা যাত্রা ইহান হানবা বজারদা থোরকপদা, নুপীশিংনা মহাকপু থোং থোংনাওদগী য়েংনবা তিল্লম্মী। কালিদাসনা ইবা রঘুবংশদা রঘুনা নগর চংবগী মতমদা মসিগা মান্নবা বর্ণন তৌই। মসিগা চপ মান্নবা বুদ্ধ চরিতা সিদ্ধার্থদা কামদেবগী লান তাসিল্লকপগী বর্ণন চপ মান্নবা মওংদা; কুমারসমভবগী শিবদা কামদেবগী লানগা মান্নে। মখোয় অনিগী বিচার অমসুং বর্ণনগী মীংয়েংদা য়াম্না মান্নে। মসিদা নত্তনা, বুদ্ধ-চরিত তুম্লবি নুপীশিংগী বর্ণনগা রামায়নগী বর্ণনগা য়াম্না মান্নে। মতৌ অসুম্না বুদ্ধ চরিত রামায়নগী প্রভাবগী মখি য়াম্না তাই।

মহাকাব্য অসি বৈদভী রীতীদা লোয়না ইবনি। মরম অসিনা সন্দোকপদা অমদি শেংনা ঙাংবদা য়াম্না স্বাভাবিক ওইনা তৌই। মসিদা য়াম্না শাংবা সমাসগী রাহৈ অমত্তসু য়াওদে। ভাষা অরায়বা, ফজবা, অমসুং রাহৈ মেংবা নুংশিবা ওই। মফম খুদিংদা পাবদা য়াবা মওংদা ইরম্মী। বর্ণন য়াম্না পানিংবা পোকপা অমসুং প্রাভাব ওইবা বর্ণন ঙাক্তনি। কাব্যগী মফম

খুদিংদা রস-মপুং ফাবা অমনি। ককা বসদি খ্বাইদগী হেন্না থম্মোয় শোকহনবগী বর্ণন তৌই। সিদ্ধার্থনা যুম থাদাক্লবা চংখিবগী মতাংদা যশোধরা অমা মায়া অমসুং শুদ্ধোধনগী অন্না তেংথা অমুক্কী থম্মোয শেংকই। মতৌ অসুম্না মহাকাব্য অসিদা অশ্বঘোষনা মহাক্কী হৈশিংলবা কলম্না কঞ্জবদা থেংবা, খোযথুম্নবা অমসুং মহাও নৈনবা পসমশিংনা থল্লবা মহাকাব্যগী বর্ণন তৌখি।

সৌন্দরানন্দ ঃ মসিদা ইতিহাসকী 'ইগা মহ কাব্যগী মতুং ইন্না বুদ্ধকী মনাও নন্দ অমসুং সুন্দরবী ফজরবা নাপী থাম্বি অমসুং মসিদা বুদ্ধগী মনাও নন্দগী সুন্দরীগী প্রেম লাদা খুববু মতৌ করম্না মহাক্কী ধর্মদ চংহনখিবা মসিদা সর্গ ০ লৈ। হৌবদগী লোয়রবা ফাংবা কংলি। মরম অসিনা মসিগ শোয়দনা অশ্বঘোষনা ইবা লাইরিক।

সৌন্দরানন্দ অমদি বুদ্ধ-চরিত অনিসিদা যান্না নক্লবা মরি লৈনবা মওং লৈ। হায়রিবা মহাকব্য অনি অসি অমনা অমগী মপু ফাহল্লী। খুদম ওইনা — বুদ্ধ চরিত অসিদা কপিলবস্তুগী বর্ণন য়াম্না হেন্না তৌই অদুগা সৌন্দরানন্দদা বুদ্ধগী সন্যাস লৌবগী বর্ণন হেন্না তৌই অদুগা বুদ্ধ চরিতনা পাক-শন্ন অসুম্না বুদ্ধ চরিত অসিদা নন্দগী বৌদ্ধ ওইখিবগী বর্ণন শম্না তৌই, অদুগা সৌন্দরানন্দদা য়াম্না শাংনা বর্ণন তৌই। অনি অসিমক্তা রামায়ন, মহাভারত, পুরাণনচিবগী বর্ণনশিংদা হিন্দু সিদ্ধান্ত কযাগী মরমদা ইরি। মতৌ অসুম্না মহাকব্যশিং অসিদা পুরাণগী বাণী

কয়ামুক্কী অমত্তা ওইনা থেংনৈ। সৌন্দরানন্দ মহাকাব্যগী মমাংদা লৈবস্না অতোপ্পা কাব্যগী মরমদা করিমত্তা পন্দে মরম অসিদগী প্রেঃ কীথকী মত মতুংইন্না সৌন্দরানন্দ অশ্বঘোষকী অহানবা রচনা অমনি. তৌইগুমমতুং অতোপ্পা বিদ্বানশিংনদি মসিগী শুম্লবদা প্রমাণ কয়া পীদুনা য়াদে। 'সুত্রালঙ্কার' কৌবা গ্রন্থদা বুদ্ধ চরিতকী মিংদি লাকই, তদুগা সৌন্দারানন্দগী মমিং য়াওদে। বুদ্ধ চরিত অসিদা মহায়ান হায়রিবা সমপ্রদায় অসিগী সিদ্ধান্ত অমত্তা য়াওদে. তৌইগুমমতুং সৌন্দরানন্দগী অরোইবা ভাগ অসিদা ববি মহাযান শাখাগী সিদ্ধান্ত খুড়বগী বাকম য়াওই। মতৌ তস্নুনা সৌন্দরানন্দদা কবিনা দার্শনিক বাদগী বর্ণন তৌই অমসুং যান্না তৈশিনবা অমসুম বৌদ্ধ সিদ্ধান্তগী শিক্ষা প্পারি। মথৰ্ক্কী বাকম কথাসিনা সৌন্দরানন্দ বুদ্ধ চরিতকী তুংদা ইখিবা লাইরিক ওইরমগনি।

লাইরিক অসিগী শের্ষ যেলঙসু সৌন্দরানন্দ তুংদা ইবা মানী, মবমদি মহাকাব্য অসিনা অশ্বঘোষকী য়াম্না মপুং ফাবা ফজবা রাহৈ শিজিন্নবা উই। তোঙনন্না সৌন্দরানন্দগী কবিতাশিংদা ভাব য়ান্না য়াওব অমসুং বাঙনা বর্ণন ফজনা য়াওই। অদুগা বুদ্ধ চরিত অসিদা চুঃ। শেরেং ওংবগী ইচম চন্না বর্ণন থংই।

সৌন্দরানন্দগী ইহীন হাম্না ফাংখিবা চহি ১৯১০ দনি। কাবা অসিগী টেকনীকলগী (ইন মেমোরিয়ম) গা চাংদমনবা য়াই। মসিদা গুণ পরিপাক মপুং ফানা য়াওই। করুণ

রসকী বর্ণনদি য়াম্না থশোয়দ। ফাওহল্লি। নন্দগী মুপী সুন্দরীগী মপুরোইবনা সন্ন্যাস ওইখিবদগী অরাবগী ত্রেংংখোন অমসুং মহাক্কী মুপীগী রাখলদা নন্দনা অরা মৈশা লাংবগী বর্ণন অসুক্কী মতিক থম্মোয়বু শোকহল্লি।

শারিপুত্র প্রকরণ ঃ প্রোঃ লুডর্স না ময়ায় থংবা এশিয়াদা গ্রন্থ খরা ফংলম্মী. মখোয়শিংদুগী মরক্তা নাটক অহুম য়াওই. হায়রিবা নাটক অহুম অসিদা 'শারি পুত্র প্রকরণ' মসিগী মপুং ফাবা মমিং 'শারদাবতী পুত্র প্রকরণ' ওইনা ফংই। মখল বয়াগী রুপকশিংগী মনুংদা 'প্রকরণ' অসিসু রুপক অমনি। হায়রিবা প্রকরণ অসি অশ্বঘোষকী অইবা অমনি থাজে. মরমদি গ্রন্থগী অরোইবা শরুক্তা সুবর্ণাক্ষীগী মচা অশ্বঘোষকী মিং পল্লম্মী। অনিশুবনা — মসিদা পদ্য অমদা অরেপ্পা লৈতবা মওং বুদ্ধ-চরিতগী লৌহুনা ইবনি। অহুমশুবা, অশ্বঘোষনা মহাক্কী 'সূত্রালঙ্কার গ্রন্থ' দা অনিরক 'শারিপুত্র প্রকরণ' গী বাক্য পল্লম্মী। রুপক অসিদগী ফজনা খঙবা ঙম্মী মদুদি মতৌ করম্না বুদ্ধনা পাখং ওইরিবা মৌদগাল্যায়ন অমসুং শারিপুত্রবু মহাক্কী ধর্মগী অনুয়ায়ী ওইহনখিবা। হায়রিবা প্রকরণ অসিগা রারী বুদ্ধ চরিতকী বর্ণনগা খরা খেন্নৈ. মরমদি গৌতম বুদ্ধগী মনাক্তা য়োরকপগা শিষ্যবু মহাক্কী ভবিষ্য বানী তাহনখি।

প্রকরণ অসি সংস্কৃতকী মৃচ্ছকটিক অমসুং মালতিমাধবগী মতৌগুম ইখিবনি। মসিদা অঙ্ক ৯ লৈ অমসুং মসি নাট্য-শাস্ত্রগী মতুংইন্না মপুং ফাবা অঙ্ক য়াওবা লাইরিক্নি। মসিগী

নায়ক (Hero) শারি পুত্র ধীর উদাত্ত কৌবা মথলগীনি। মসিদা বুদ্ধ অমসুং মহাকী শিষ্যশিং সংস্কৃত ভাংই অমসুং জোকর অমদি অতোপ্পা খরা হন্দবা পাত্রশিংনা প্রাকৃত লোন শিজিন্নৈ। বৌদ্ধ ধর্ম চৎপা শারিপুত্রগা লোয়ননা জোকরগী পাত্র য়াওনা ইবসিনা অনুমান তৌবদা অশ্বঘোষকী মমাংদগী হৌনা সংস্কৃত নাটকশিংগী ফিভম লেপ্পা ওইখিরম্মী: মরমদি মতুংদা ইবা সাহিত্যশিংদসু ফিবম অসিমক অমুন্না শিজিন্নৈ। নাটক অমগী নিয়ম মতুংইন্না মথল মথলগী পাত্র অমদি সমাজগী ফিভম মতুংইন্না মথল কয়াগী প্রাকৃত লোনা শিজিনবা উই। 'দুষ্ট' গী মাগধী প্রাকৃতনি গোয়ম' গী মগধ তদ্ধায় ওইবা প্রাকৃত অমসুং বিদুষক (জোকর গী প্রাকৃত লোন্না অনিমক য়ানশিন্নবা ভাষানি।

'শারি পুত্র প্রকরণ' দা নংনা মথক্তা পীখিবা নাটক অনি অসি প্রোঃ লুডসনা মধ্য এশিয়াদা ফংই, মতু অকায় ভতোই য়াওই হ.মসুং মতুত্তু অশ্বঘোষনা ইবা লাইরিক্কি থাজনৈ। অনিহুগী মরক্তা তমদা বুদ্দ, কীর্তি, ধৃতি, রঙ্গমঞ্চ (ষ্টেজ) দা লাক্লগা অড়গা রাবী শান্নৈ। মরম অসিনা মতু প্রতিক কৌবা নাটকী লাইরিক ওইরমগনি মসিদা নকনা অশ্বঘোষকী 'সূত্রালঙ্কার' কৌবা লাইরিক অমসু মমিং চংলি। মসিবু 'কল্পনা মণ্ডনিকা' সু কৌনৈ। মসি য়ায়া মংবা অমদি শেগাইরবা ওইনা ফংখি। মসিবু ডাঃ হ্যুবরনা ফ্রেন্স লোন্দা অনুবাদ তৌখি। মসিদা য়ায়া ফজরবা রারী মচাশিংনা বৌদ্ধ ধর্মগী সিদ্ধান্তবু তাক্ননা হোৎনৈ। কহানিশিং অসি গদ্য-পদ্য অনিমক্তা ইরম্মী।

কহানিশিং অসি য়াম্না ফজবা ওরু-তগবা ঙাক্তনি। মসিদা বৌদ্ধ ধর্মগী প্রচার তৌননবগীদমক কহানি অমমম ইনবা হোংনবদা মশাগী হৈশিংবা উৎলি। অনিশুবদনা, 'মহায়ান শ্রদ্ধোৎপাদ' কৌবা গ্রন্থদা মহায়ান সম্প্রদ য়গী হৌগৎলকপগী মতমগী সিদ্ধান্তশিংগী নিরুপন তৌই। মসিমু বৌদ্ধ ধর্মগী মরু ওইবা লাইরিক। মীয়াম্না ঙাংনবা মতুংইন্না সিদ্ধান্ত ওইবা মতাংশিং অশ্বঘোষনা ইবনি থাজনৈ। করিগুম্বা মীয়াম্না ঙাংনরিবা অসিনা অচুম্বা ওইবা তারবদি অশ্বঘোষ প্রকৃতি বিজ্ঞান শাস্ত্রদসু অচৌবা পণ্ডিত অমনি। অহুমশুবা 'বজ্র সুচি' কৌবদা ব্রাহ্মণ গ্রন্থশিংদা বর্ণ মরিগী সিদ্ধান্তবু খণ্ডন তৌই। মরিশুবদা, 'গণ্ডস্তোত্র গাথা' কৌবগী মনুংদা মথল কয়াগী ছন্দশিংগী পদ পীরম্মী। মসি গীতি কাব্য মথল অমনি। গ্রন্থ অসিদগী খঙবা অমনা অশ্বঘোষ সঙ্গীত খঙবা মীশক অমনি প্রমাণ তৌই। লোয়ননা মহাক ছন্দ-শাস্ত্র গীসু য়াম্না খঙবা অমনিসু খঙবা ঙম্মী। মথক্তা নৈনখিবা গ্রন্থ শিং পুন্নমক বৌদ্ধ ধর্ম প্রচার তৌনবগীদমক ইখিবনি।

অশ্বঘোষকী শৈলী ঃ মসিদা বিচার তৌবদা খঙবা ঙম্মী মরমদি কবিনা য়াংলায়বা লোন অমদি বৈদর্ভী রীতিবু মফম থুদিংদা শিজিন্নরম্মী। মহাক্কী গ্রন্থশিংগী ভাষা য়াম্না লায়বা অমসুং শৈলী তরু তরংবা অমদি মহাও য়াওবা কাব্যনি। মহাক্কী ব্রাহৈশিং মফম থুদিংদা চিংলেম্না অমা ওই। মরমদি মহাক্কী রচনাশিংগী মরু ওইবা পান্দমদি য়াম্না ফজবা ব্রাহৈশিং অমদি লৈতেংলবা সাহিত্য বয়ানা থম্লবা বৌদ্ধ ধর্ম সিদ্ধান্তগী মীপুম

খুদিংদা প্রচার তৌনবগীদমক্তনি। মরম অসিনা মহাক্কী ভাষাদা অরায়বা মওং অমসুং মুংশিবা বাহৈ বাতা য়াহবনি। অশ্বঘোষ গী লাইরিকশিংদা মকম অমত্তদসু য়াম্না শাংবা সমাসশী বাহৈ শিজিন্নবা উদে। মহাক্কী লাইরিক অপুম্বা য়াম্না শাশিন্নবা মানবা অমদি স্বাভাবিক ওইদবা মওংদগী থাম্লা লৈ। অশ্বঘোষনা করি-শুম্বা য়াম্না লুবা দর্শনগী বিচার ফাওবা খ্বাইদগী লাইবা লোন্দা ফোংদোক্লবা হোংলে। খুদমগীদমক মথাদা পীরিবা শৈরেংশিং য়েংসি -

দীপো যথা নির্বৃতিমভুৎপতো নৈব বনংগচ্ছতি নান্তরিক্ষম।
দিশং ন কাঞ্চিদ বিদিশং ন কাঞ্চিত স্নেহক্ষয়াত কেবল-মেতিশান্তি।

— (সৌন্দরানন্দ ১৬ ১৮)

মতৌ অসুম্না মহাক্কী ভাষা অরায়বা অমা ওইবগা লো-য়ননা খঙবদা লায়বা শৈলীদা ইবনি। বিদ্বান খরগী মত মতুং ইন্নদি অশ্বঘোষকী উপমাশিংনা কালিদাসকী উপমাদগী হেল্লী হায়। মসিবু য়াবা কাংবুনা মথাদা পীরিবা উপমাগী শৈরেংশিংনা মহাকবি অনিগী চাংদম্নবা উৎলি।

কালিদাসনা কুমারসম্ভবদা পাবতীগী মরমদা অসুম্না ইরি -

মার্গাচল ব্যতি করাকুলতেব সিন্ধুঃ
শৈলাধি রাজতনয়া ন যযৌ ন তস্থৌ।

হায়বদি —

লম্নীদা থিংদুনা লৈবা চীংগী মতৌগুম তুরেলগী ঈশিংনা চেনবা ওমদবগুম পার্বতী চংপসু তৌদে, লৈবসু ওমদে।

হৌক্লিক অমুক মতৌ অসিগুম্না অশ্বঘোষনা মহাক্কী ভাব কোংদোক্লিবা মহাক্কী উপমা য়েংবীয়ু, মসি 'সৌন্দরানন্দ' গী মরিশুবা সর্গগী ১৪ শুবা শৈরেংদা ইবনি।

সোঅনিশ্চয়ান্নাপি য়য়ৌ ন তস্থৌ,
তরংস্তরংগেষ্বিব রাজহংসঃ।

অর্থ-ঈশিংগী ইচেন্দা শান্নরিবা রাজহংস (কাঙা) গী মতৌগুম মহাক অরেপ্পা লৈতবদগী চংপসু তৌদে লৈবসু লৈতে।

বিদ্বান খরগী মতুং ইন্না ঈশিংগী ইপোমদা চাহনা লৈবা কাঙাগী অরেপ্পা লৈবসি চিংনিঙাই অমনি। মরম অসিনা মসিবু মপুং ফানা য়াবা ওমদে মরমশিনা কালিদাসতগী অশ্বঘোষকী উপমানা হেন্না ফজে হায়বসি য়ানিংদে। অমঃরোমদনা অমুক রাজা দিলিপকী বর্ণন তৌবদা কালিদাসনা অহুম্না ইরি —

ব্যূঢোরস্কো, বৃষস্কন্ধ শালপ্রাংশুর্মহাভুজঃ। (রঘু ০১/১২)

অমরোমদা নন্দ গী বর্ণন তৌবদা অশ্বঘোষনা অহুম্না ইবী :

দীর্ঘ বাহুর্মহাবক্ষ ঃ সিংহাংসোবৃষভেক্ষণঃ।

(সৌন্দ—২/৫৮)

মথক্তা নৈনখিবা খরসিদগী অনিসিগী মান্নবা কয়া য়াওরবসু অশ্বঘোষকী উপমা কালিদাসকী উপমাগুম থশোয়দা। মসি ড্রাহনবদা বাংলি। শ্রীচট্টোপধ্যায় গী মত মতুংইন্নদি —

"কালিদাসনা মক্তম অসিদা দিলিপকী মমাইরোমদা য়েংদনা সুপ্পা মৎাক্কী লেংক্তুম যনগী মক্তম মানববু য়েংলগা ইবনি। অদুবু অশ্বঘোষ কালিদাসতগীথেঙবা খরা থঙবা হোৎনবদা মশাগী অশোয়বা ওইখিবনি।"

অতুম ওইনা অশ্বঘোষনা সুন্দরী ফজবগী বর্ণন য়াম্না অরাযবা মওংদা ফজনা তৌই। অনুরাগকী আদর্শ ওইবদদি কবি অসিনা যাম্না অহিংবা মী অমগুম চিত্রণ তৌই। অতুমক ওইতুনসু অশ্বঘোষ শেমজিন শাজিনবা নত্তবা অমদি খণ্ডবদা রাদবা যমক কৌবা অলঙ্কার পামজবা অমনিঃ খুদম ওইনা —

'উদারসংখ্যৈঃ সচিবৈরসংখ্যৈঃ' মহাক তচৌবা ব্যাকরণগী পণ্ডিত অমনি মরম অসিনা মহাক্না ব্যাকরণগী থোইদোক্পা শিজিন্নদবা রাহৈশিং শিজিন্নে। খুদম ওইনা — মহাক্না উপমাগী খণ্ডননবা "অপি" নিপাত রাহৈ শিজিন্নে। সৌন্দরানন্দগী দ্বিতীয় সর্গ "লুভ" শিজিন্নদুনা য়াম্না পণ্ডিত অমা ওইবগী মওং উদুনা 'মী, মি' অমসুং 'মী' ধাতু অতুম্বকী কমনীয় সিদ্ধ ওইবগী 'মীযতে' রাহৈগী প্রয়োগ তৌই। রামায়ন, মহাভারত অমসুং অতোপ্পা বৌদ্ধশিংগী ইরম্বা মওং লৌদুনা হবদগী কবি-কবিগুম্বা দা ব্যাকরণগী নিয়ম রাংমা ইনসু য়াওদবা নত্তে। খুদম — 'কিম উত' ইগনবদা কিমবত' ইগা, 'চেতু' কী মফমদা 'চেদ' কী প্রয়োগ উবা ফংই। ছন্দগী মতাংদদি অশ্বঘোষ য়াম্না হৈ শিংবা অমনি। মহাক্না 'উদগাতা' গুম্বা ময়াম্না শিজিন্নদবা ছন্দগী প্রয়োগ মাইপাক্না তৌখি। কবিবু ওইরবসু অশ্বঘোষ

সংস্কৃত সাহিত্যদা মহাকবিশী পরেংদা লৈবদা মতিক চায়। মহাক মহাকাব্য, নাটক, কহানীকার অমসুং গীত কাব্যশিংগী অহৈবা অমনি। কালিদাস অমসুং অশ্বঘোষকী কাব্যশিংদা য়াম্না মান্নবা য়াওরবসু হৌজিক ফাওবা মসি লেপ্লা উমদ্রি। মতুংদি মখোয় অনি অসি কনানা অহানবা কবি ওইরিবনো। অহুম ওইনমক বিদ্বান খরনদি কালিদাসকী মতুং শতাব্দী অমা লৈরগা অশ্বঘোষ কী মতম লেপ্পী।

য়াহং ২৪ ঃ মহাকাব্যশিংগী পরম্পরাদা কালিদাস, মাঘ, অমসুং শ্রীহর্ষ গী মহাকাকাব্যশিংগী আলোচনা তৌ-দুনা সমীক্ষা তৌ।

পাওখুম ঃ মহাকাব্য য়াম্না মরুওইবা গুণ চেনবা অমসুং য়াম্না চাওবা গ্রন্থ অমনি। মসি সর্গ কয়া য়াওবা লাইরিক ওইগদবনি। মসিগী নাযক উদাত্ত গুণ চেনবা অকনবা শাগেগা ওইগদবনি। বীর, শৃঙ্গার নত্রগা শান্ত রসশিংদগী অমনা মরু ওইবা রস ওইগদবনি। অতোপ্পা রস মখাদা ওইগদবনি সর্গ ইতিহাস সিদ্ধ ওইগদবনি নত্রগা কনাগুম্বা অফাওবা তমগী পুন্সি য়ারী ওইগদবনি। সর্গ খুদিংদা ছন্দ অমত্তদা ইগদবনি তৌ-ইগুমসুং সর্গ লোয়শিনবদা ছন্দ হোংগদবনি মহাকাব্য সর্গ ৮ নত্রগা নিপালদগী হেনবা ওইগদবনি সর্গশিং য়াম্না চাওবসু নত্তবা অহুগা য়াম্না পীকপসু ওইরোইদবনি। সর্গগী অরোয়বদা মথং সর্গগী খুদম য়াওগদবনি। মহাকাব্যদা সনধ্যা সূর্য়ীং থোকপা থা থোকপগী, লৈটী, প্রদোষ, অমম্ব, বন, ঋতু

সম্পূর্ণ তুরেন, নচিংবা প্রকৃতিগী পোৎলমশিং য়াওগদবনি। মহাকাব্যগী লক্ষণ খুদিং মহার্ষি বাল্মীকিগী রামায়ন মহাকাব্য যেংলগা শেম্বনি, মরমদি হায়রিবা অসিনা সংস্কৃত সাহিত্যগী ইহান হানবা মহাকাব্যনি। নোংচুপ্লোমগী বিদ্বানশিংগী মত মতুংইন্না মহাকাব্য হায়বসি শতাব্দী কয়াদা কবি কয়ানা হোৎ-নতুনা চাওখৎলক্লবা অতুগা। হে জিক্লা মপুং ফানা লৈরবা অহুবু মহাকাব্য কৌগনি। মসিদা প্রাচীন রারীশিংগী মওংদা মপুং ফাবা অইবা তমা ওইগদবনি। নোংচুপ্লোমগী মহাকাব্যগী মথল অনি শুই। ১) খোমজিন্দুনা শেংহা মহাকাব্য (Epic of Growth) কয়াগী মওংদা ইবা মহাকাব্য (Epic of Art) খোমজিনবা মহাকাব্যগী মন্নংদা ইউলিসিস' অমসুং 'আদেসী' অনিসিনি, মরমদি মসি শেমদা হোমরনচিংবা কবি কয়ানা মখোয়গী রারী কয়ানা শেমখিবনি। অনিশুবা মহাকাব্যগী মন্নংদা ব্রাজিলগী 'ইলিয়ড' লৌবা য়াই, মরমদি মসি কবি অমত্তনা ইবনি। অসুম্না বর্গীকরন তৌবসিগী মতুংইন্না সংস্কৃত সাহিত্যগী মন্নংদা 'রামায়ন' মহাকাব্য অহানবা কাংলুপকী মন্নুং চল্লী। অমসুং 'রঘুবংশ' অমসুং 'শিশুপাল বধ' অনিশুবা কোটিগী মন্নুং চল্লী।

সংস্কৃত লোন্দা মহাকাব্যশিংগী হোৎরকখিবগী মতম লেপ্পসি যাম্না রাবা অমনি। তৌইগুমসুং ভারতীয় পরম পরাগী মতুংইন্না মহার্ষি পানিনিন সংস্কৃত মহাকাব্যগী অহানবা মহাকাব্য য়াইবনি থাজনৈ। মহাক্কী মহাকাব্যগী মমিং 'জাম্ব-

বন্তীবিজয়া নত্রগ 'পাতাল বিজয়' নি, মশিগী পরিচয় গ্রন্থ বয়াদা ময়েক লান। ফংই। তৌইগুমসুং হৌজিক্তি গ্রন্থ অদি ফংখিদ্রে। ক্ষেমেন্দ্রনা পানিনিগী উপজাতি ছন্দগী য়াম্না থাগৎলি বিদ্বান কয়ামুক্তি মহাকবি পানিনিবু ব্যাত্রে। ইবা পানিনিগা তোঙানবনি হায়। মরাদি মহাক্কী শ্লোকশিংদা মফম কয়াদা ব্যাকরণগী নিয়মগী রাংমদ ইরম্মী। তৌইগুমশুং রাজশেখরনা ব্যাকরণ ইবা পানিনি অমসুং জাম্ববন্তী বিজয়গী অইবা পানিনিগা মী অমত্তনি হায়না থাজরমী। পানিনিগী চাওরাক্লা শ্লোক ৫০ থক ফংই। মসি কাব্যগী মওংদা য়াম্না মহাও লৈবা অমদি অনৌ-অনৌবা অর্থ কয়া লৌবা য়াই। অনিশুবা বররুচিগী মহাকাব্য অমা 'কণ্ঠাভরন' কৌবা অমম্ন পল্লম্মী অদুবু কাব্য অসি হৌজিক্তি ফংখিদ্রে। হায়রিবা বররুচি ন: মমাং চহি মরিশুবা শতাব্দীদা মহাক লৈরম্মী অমসুং অষ্টাধ্যায়ীগী বার্তিক ইবা কাত্যায়নগা অমত্তনি হায়। তশেংনা ময়ামসি য়েংলগা থঙবদি লৌকিক সংস্কৃত মহাকাব্যগী ইবগী শ্রীগণেশ মহার্ষি বাল্মীকিনা ইহান হানবনি। বালমীকিনা ঐথোয়গী অহানবা কবিনি মহাক্কা ইবা আদি মহাকাব্য সংস্কৃত সাহিত্য লৈকোনগী হৌরকফম য়ুম্ফম্নি। রস চেনবা অমদি স্বাভাবিক ওইবদা মহাকাব্য অসি খ্বাইদগী অথোইবা অমনি। মসিদা মুংগী অমদি মপাম্লোংগী প্রকৃতি চিত্রণশিংনা পীকৎল্লা মাওবা অমদি মহাক্কী প্রকৃতি চিত্রণ মপুং ফাবা হায়বদি বিশ্ব গ্রন্থ ওই। মহাক্কী শৈলী 'রসময়ী' পদ্ধতি ওই। রামায়ন মতুংদা

মসিগী শৈরেংগী মতুং ইন্না কনাগুম্বা কবি অমা থীরবদি মহাক মহাকবি কালিদাস খক্তনি।

কালিদাস

মহাক্কী শৈরেংদা বাল্মীকিগী শৈরেংগা ক্কান্নবা অমদি অন্নাংবা থাক্কী মথক্ত মাৈয়। কালিদাস সংস্কৃত কবিশিংগী মরুংদা খ্বাইদগী চাওবা মমিং চৎপা কবি অমনি। মহাকপু নোংচুপকী বিদ্বানশিংনা ভারতকী শেক্সপিয়ারনিদ্রু হায়রৈ। তৌইঙ্গমসুং মসিগী মহক্তা শেক্সপিয়ারবু ভারতকী কালিদাস হায়বনা হেন্না খ্বাইদগী ওইগনি। ভারতীয় বিদ্বানশিংগী মখোয়গী মতম লেপ্পদবা মত য়াম্না থেম্নবা লৈ। মখোয়গী মতম নৈনবশিংগী অহান অরোনগী চহি মশিং ৫০০ গী থেম্নবা য়াওই। বিদ্বান কবি অসি বিদ্যা মথক্ত কয়া রাজধর্ম, জ্যোতিষ জ্ঞান অমদি কাম-শাস্ত্রগী মপুং ফানা খঙবা অমনি। মহাক্না নাটক গীত-কাব্য অমসুং মহাকাব্য ইরম্মী। মহাক্কী মালবিকাগ্নিমিত্র, বিক্রমোর্বশীয় অমসুং অভিজ্ঞান শাকুন্তলম কৌবা নাটক অহুম ইরম্মী। ঋতুসংহার

অমসুং মেঘদূত শীতি কাব্যনি। অদুগা কুমারসম্ভব অমসুং রঘুবংশ অসি মহাকাব্য গ্রন্থনি। মহাকবী খ্রটকী অখোইবা অমদি মখোং চৎপা নাটক 'অভিজ্ঞান শাকুন্তলম' অসিননি অহুম ওইনমক মহাকবী গ্রন্থশিংমক থাম্মা সংস্কৃত সাহিত্য ভাণ্ডারনি মহাকবী থম্মোয়দা কাব্য কলাগী মপুং ফাহনবদা বাল্মীকি রামায়ন'গী মতেং য়াম্না ওইখি। মহাকপু কাব্য-কলাগী রাখল পোকহনখিবা অমসুং থোনা পীখিবা গ্রন্থদি 'রামায়ন' অসিনি। কালিদাসকী মহাকাব্যশিংদা 'কুমার সম্ভব' না অহানবনি। মসিদা হৌজিক সর্গ ১৭ থক লৈ। বিদ্বানশিংগী মতদি কালিদাস না সুপ্পা সর্গ ৮ থক ইরম্মী। অতৈ লেমহৌবা ৯ দগী ১৭ ফাওবগী ইখিবসি কনাগুম্বা লেখক অমনা ইখিবনি। মরমদি মসিগী অরোইবা সর্গ ৯ গী শৈলী অমসুং বর্ণন তৌবগী নিয়মদা অহানবা সর্গ ৮ গী মওংগা য়াম্না খেন্নে। অনিশুবা কালিদাসকী গ্রন্থশিংদা টীকা ইখিবা মখোং মৎলবা মল্লিনাথনসু অহানবা সর্গ ৮ থক্কী প্রামাণিক খন্নুনা মহুৎসিনবা টীকা ইখি। মহাকাব্য অসিদা শিব পার্ব্বতীগী মচানুপা কুমার কার্তিকেয়গী পোকপগী বারী বর্ণন তৌই। মসিদা দেবতাশিংবু অবাবা পীনা অমসুং সকারগী অকবা অমদি শক্তবা পুবদু মাংহনবা তারক কৌবা হিংচাবা অমবু হাৎলি। অহানবা সর্গদা হিমালয়গী বর্ণন য়াম্না ফজে। অতোপ্পা অনিশুবা মহাকাব্য 'রঘুবংশ' কৌবা মহাকাব্যনি। মসিদা সর্গ ১৯ লৈ অমসুং বিদ্বানশিংগী মত মতুংইন্না অসি কবিনা মপুং ফারবা মতমদা ইখিবা ওইরমগনি, মরমদি মসিদা

শৈশবী য়াম্না অরাংব থাকী ওই ঙমসুং বর্ণন তৌবকী হেশিংবা মপুং ফানা উই। মসিগী রাগী রামায়ন অমসুং পুরাণশিংদগী লৌরনি। গ্রন্থ অসি মহারাজ দিলীপকী খঙনদগী হৌরগা অগ্নি-বান ফাওবগী ইক্ষ্বাকু শাগৈশিংগী চরিত্র চিত্রণ তৌবগী প্রসঙ্গনা মপুং ওই। মহাকাব্য অসিগী মপুং ওইবা হৌরীদি রঘু অমসুং রামগী চিংলেম্বা রাবণনা সর্গ বথাক্তা বর্ণন তৌরী।

মহাকবি কালিদাসকী কবিতাদা ফংবগীনা ফজবা, নুঙাইবগী, নুঙাইবা, রাগৈশিং অরাম্বা, অর্থ য়াম্না ফজবা, অলঙ্কারশিংগী নিংথিজবা অমদি কাব্যগী মহাওনা থজবা কাব্যগী অপ্রাংবা শান্দগী মগুন য়াওই। কালিদাস সংস্কৃত লোনগী শৃঙ্গার অমসুং সংস্কৃত সাহিত্যগী অথোইবা মহাকবি অমনি। মহাক্কী মহাকাব্যশিংদা ভারতীয় সভ্যতা অমসুং সংস্কৃতিগী মায়ু-পাক্লা বর্ণন তৌই। মহাক্কী পুকচেল শেংবা অমসুং বাথল চাওবা থম্মোয়গী অশেংবা ব্যবহার অমা ওইনা থমহন্না মহাক্না থেংনখিবা অরা নুঙাইবী কিবমশিংবু মহাক্না মহাকাব্যশিংদা ফজনা ফোংদোকই। মহাক্কী কবিতা অশেংবা থম্মোয়গী য়াম্না হকচিনবা মওংদা বর্ণন তৌহন্না অপুনবা শক্তম উংলি। মহাক্না ইরম্বা থুদিং মীয়াম্না য়াম্না পাম্মি। মসিগী মরমদি ভারতীয় সভ্যতাগী মচং ওইবা থূদিং মহাক্কী গ্রন্থশিংদা য়াওবনি। মহাক্কী প্রকৃতি চিত্রণ অসুক্কী মতিক কঞ্জে মমুদি অশেংবা মওং মাগী মাওইবা অমসুং প্রকৃতি অসিমক্কী তংন থানবা রাদবা মরী ঙমসুং অওংপা মওংদা রস পীবগী মওংদা কবিনা প্রকৃতিগী

হুংদা হুংজিনবকী চৈনবু মহাক্না য়াম্না ময়েকশেংনা উখি। মহাক্কী 'কুমারসম্ভব' গী মনুংদা ফাওবা হিমালয় বর্ণন অমসুং য়ুথুংগী তপোবন অমসুং ত্রিবেণীগী বর্ণি মহাক্কী নৈহাও নৈয়ব। কোক্তগী খোকপা কল্পনাগী ফজবগা লোয়ননা অকুপ-অকুপ্পা উশিনবগা শক্তি মহাক্কী তোপ তোপ্প' গুণশিংনি। 'মেঘদূত' কাব্যদি মহাক্কী অওকপা বুদ্ধিগী হৈশিংনন ইবা ভারতীয় সাহিত্যগী মমল নাইদ্রবা অমদি ফজরবা কাব্যনি। ঋতুসংহারদা মহাক্না ঋতু খুদিংবু য়াম্না মায়পাক্না ফজবা অমদি থাগৈশেংনা মান্নবা মঙ্গ চিত্রণ তৌরম্মী। কালিদাসনা মহাক্কী কাব্যশিংদা মীওইবগী পুন্সি অমসুং আদর্শজীবন অমগী বর্ণন তৌরম্মী। মহাক্কী মহাকাব্যশিংগী অমত্তু ওাইরবা পাওজেলদি কথোকপা, অথবা কন্নবা অমসুং তপস্যা তৌবনা মীওইববু কল্যান মঙ্গল পীনৈ হায়বসিনি। মহাক্কী পাওজেলবু 'ত' ময়েক অহুম্না হোৌবা বাহৈশিংনা ফোংদোকপা য়াই — ত্যাগ, তপস্যা, তপোবন তপোবনদা চাওরাকপা। অমদি তমকপা মীওইবনা মীওইবগী অচুম্বা অশেংবা মঙ্গল পীবা ওগ্রী হায়রবসিনি। অনেম্বা রাখলগী মশাগী ওইজবা পাহবু ত্যাগনা কোকতনবা ওস্মী অমসুং অশেংবা চাওথংপা পুবকপা তপস্যাথক্তনা ওইথোকই। সংসারদা লাক্লগা বিষয়শিংগী মনাই ওইহনা হিংবা হায়বসি মীওইবগী পুন্সিগী পান্দম নত্তে। মসিগী অশেংবা পান্দমদি অধ্যাত্মিক জীবনদা অশেংবা আত্মাগী দর্শন ফংই অমসুং মসিনা অমত্তা ওাইরবা মীওইবগী পান্দম্নি।

মাঘ

মহাকবিশিংগী পরম পবাদা মহাকবি মাঘগী মফম য়াম্না ৱাবা থাক্না লৈ। মাঘগী মিংচং উৱোং খিনখিবগী অমত্রা ডাইরবা মহাকাব্য অমখক্তনি। কাব্য অদুদি — 'শিশুপাল বধ' নত্রগা 'মাঘ কাব্য' হায়রগা খঙই। মহাকবি মাঘগী বাবগী মরমদা সংস্কৃত আচার্যশিংগী মতদি — 'কবেষু মাঘঃ রাজাসু রামঃ, নগরীষু লঙ্কা, পুরুষেষু বিষ্ণুঃ, কবেষু কালিদাসঃ।' হায়বদি কাব্যশিংদা মাঘগী কাব্য, নিংথৌদা রাম, সহরশিংদনা লঙ্কা, রূপাদনা বিষ্ণু, কবিশিংদনা কালিদাস হায়বগী অথদি মাঘগা শিশুপাল বধ কাব্য অথোইবা কাব্য অমনি মসিগা লোয়ননা অমুকস্তু — "উপমা কালিদাসস্য ভারবেরর্থগৌরবম। নৈষধে পদলালিত্য মাঘে সন্তি ত্রয়োগুণাঃ।" হায়রিবা পাওরো শৈরেংসিনা খঙবদি মাঘ মহাকবিশিংগী মনুংদা য়াম্না ৱাংবা মফম ওইরি। করিবু ওইরম্ব সংস্কৃতকী মহাকবি মঙাগী মনুংদা মাঘকী 'শিশুপাল বধ' গী মমিং য়াওরি। হায়রিবা মফওইনা মহাকাব্য মঙাগী মমিংদি: রঘুবংশ, কুমারসম্ভ, কিরাতার্জুনীয়, শিশুপাল বধ, অমসুং নৈষধ চরিত।

মহাকবি মাঘনা মহাক্কী পুন্সিগী মরম্ম। মহাক্কী কাব্যদা ইঙ্গিত তৌরম্মী। মসিগী মতুংইন্না খঙবা ওম্মী মহুদি কবি অসি দত্তককী মচামুপানি অমস্তুং সুপ্রভদেবগী মশুনি। সুপ্রভদেব গুজরাতকী মহারাজ। বর্মলাতকী প্রধান মন্ত্রী ওইরম্মী। মাঘগী জন্ম গুজরাতকী প্রসিদ্ধ নগর ভীনমালদা পোকপনি। শিশুপাল বধদা আশ্রয় ওইরম্বা রাজাগী মিং কয়া ফংই; খুদম ওইনা — ধর্ম নাথ, ধর্ম নাভ; ধর্মনাত, ধর্মলাত, ধর্মনাভ নির্মলান্তনচিংবনি মরম অসিনা শিশুপাল বধকী মতুংইন্না রাজাগী অরেপ্পা মমিং খংদে। হোয! প্রভাব চরিত্রদা নিংথৌ অসিগী মিং শোংনা বর্মলাত হায়না পীরি মরম অসিনা মসি চুমগদরা খল্লী। মসিদা নত্তনা বলাল মীশ্রনা ইবা 'ভোজপ্রবন্ধ' অমস্তুং জৈন মেরুতুঙ্গাচার্য না ইবা 'প্রবন্ধ চিন্তামনি' কৌবদা মসিগী বর্ণন তৌরম্মী। মহাক্কী কাব্যগী মওং য়েংলগা খঙবা ওন্নদি মহাক ব্যাকরণ ফজনা খঙবা, নীতি শাস্ত্র খঙবা অমদি য়াম্না হৈশিংবী মীওই অমনি। লোয়ননা সাংখ্য বেদান্ত, যোগনচিংবা দর্শন উপনিষদ স্মৃতিশিং পুরাণ অমসুং মহাকব্যশিংগীসু মহাক্না য়াম্না নীংথিনা অধ্যয়ন তৌখি। মহাক্কী কবিতাসী মতম খৃঃ ৬৭৫ গী অহুরাইদা ওইগনি মরমদি মহাক্না য়াম্না ফজনা নৈনখি। মহাভাষ্য অমসুং কোশিকাবৃত্তিগা লোয়ননা 'ন্যাস' গীসু মাসদা পল্লী অমসুং ন্যাস ইবগী মতম খৃঃ ৬৫০ গী মরাদনি। মরম অসিনা মাঘগী মতম তরেৎশুবা শতাব্দীগী অরোয়বদা ওইবসিনা অচুম্বা ওইগনি।

মাঘনা শিশুপাল বধ কৌবা মহাকাব্যগী রচনা সর্গ ২০ দ শেমখি। মসিদা যুধিষ্ঠিরগী রাজসূয় যজ্ঞ লোয়বগা শ্রীকৃষ্ণনা শিশুপাল হাৎপগী মহাভারতকী ৱারী ফাওবগী লাইরিক্নি। দণ্ডিগী সাহিত্য দর্পণদা মহাকাব্যগী লক্ষণ পীরিবশিং পুম্নমক মহাকাব্য অসিনা পল্লী। শ্রীকৃষ্ণগী পুন্সিগী মরু ওইবা থৌদোক মসিদা বর্ণন তৌরি। মসিগী সর্গ ২০ অসিদা সর্গ অমদা শ্লোক ৫০ দগী ১৭০ ফাওবা য়াওই। সর্গ অমদা ছন্দ মখল অমখক্তদা শিজিন্নই অমসুং অরোইবদা ছন্দ হোংই। মরীশুবা সর্গ খক্তদি মখল মখলগী শ্লোক য়াওই। মফম কয়াদা প্রকৃতি বর্ণন তৌবশিং য়াম্না ফজবা পুক্নিং চুনিঙাই ওই; খুদম — মরিশুবা সর্গদা রৈবতক চিংগী বর্ণন, তরুকশুবা সর্গদা ঋতু তরুক্কী বর্ণন, তরেৎ অমসুং নিপালশুবা নৈ হেকপা অমদি চিংশিংদা শাম্নবগী বর্ণন অমদি মাপলশুবা সর্গদা সমুদ্রগী ইথক হৌবা অমসুং থানা থোরকপগী বর্ণন য়াম্না পুক্নিং চুনিঙাই ওই। তরামাথোইশুবা সর্গদা অয়ুক্কী বর্ণন অসুক্কী মতিক ফজে। দ্বারকা নগর অমসুং লানগী বর্ণনসু য়াম্না নীংথিজে। শ্রীকৃষ্ণ অমদি শিশুপাল অনিগী লান শোরবগী বর্ণন য়াম্না পুক্নিং থুক লাংবা পোকহল্লি। তৌবদবু কাব্য অসি সংস্কৃত মহাকাব্যগী নিয়ম মতুংইন্না ইথিবনি অমসুং মরম অসিনা মসিদা থরা তম্বগা অমদি তপ্পগী মরম উই। অদুম ওইনা কবিনা কার্য সংকলন (Unity of action) গী মতিক চানা মিৎয়েং চংই। বারী অসিগী মপুং ওইবদি মহাভারতগী লৌজরবসু কবিনা মহাকী

হৈশিংবা উক্লুনা মসিদা ফজ-ফজবা রা ভাংনবগী মতৌং শেমগৎনা মহাকাব্য অসিদা অথোইবা অমা ওইহল্লি। মফম খরগী য়াল্লীদি মহাক্কী কল্পনাদগী থোরকপনি। শ্রীকৃষ্ণ নার্দগা য়ারী শান্নবা. শ্রীকৃষ্ণ উদ্ধব অমসুং বলরামগী অকনবা য়াহৈ শিজিন্নহনা ভাংনবা পুন্নমক কবিনা মহাকাব্যগী ভূমীকা ওইনা ইবনি। অয়োইবা সর্গশিংদা মহাভারতকী য়ারীদগী থৈদোক্লুনা ইবনা মহাকাব্য অসিদা চংখোনবা হেনহনলি।

মহাকবি মাঘ শেমজিনব হৈবা অলঙ্কার পাল্লা কলাখিৎতা কবিতা ইবা অমা ওইনা হোরকপনি অমসুং মশামক হায়রিবা কলাখিৎতা গুণগী হৌদোকপা মীশক অমনি। কবিতা অসি বিক্রম সং ৩০০ দগী ১১০০ খ্রিঃ ফাওবা লৈরম্মী। যুগ অসিদা ইবা কবিতাশিংদা কল্পনাগী অৱাংবা উৱান, শেমজিনবা অমসুং বর্ণন তৌবগী হৈশিংবা উংপা অমসুং য়াম্না হকচিনবা ভাবনা ফোংদোকপা মতংগী কবিতাশিংগী মশিংনা য়াম্বা হেন্নী। যুগ অসিগী কবি অয়াম্বনা অচম্বা, স্বাভাবিক ওইবা অমদি লায়না থওবা য়াবা কবিতাশিংদগী থাপ্লা থৈহনা য়াম্না অডকপা শৈলীদা কল্পনাগী অৱাংবা অভিয়াদা পাইবা হৈনরম্মী। মতম অসিগী অশেংবা হায়ববু মখোয়গী য়ারীশিং অয়াম্বনা পুরাণশিংদগী লৌনা ভাক্কা ওইবশিনি। মহাকাব্য নত্রগা খণ্ড কাব্য পুন্নমক কাব্য শাস্ত্রগী সিদ্ধান্ত মতুংইন্না ইরম্মী অমসুং মসিদা অলঙ্কারশিং অমদি ছন্দশিং মতিক মগুণ ফোংদোকপনা অয়াম্বনি। মতৌ অমুম্না কলা শান্বনা মপুং ওইবা যুগ অসিগী কবিতাশিং অয়াম্বা মওং-

দগী থাপংেগ্ৰুনা অকবা, কলাপ্ৰিয়, অমসুং অঙক-অঙকপা থৌ-পোক উৎপনা মতম তসিগী চংনবী অমা ওইরমমী। মতম অসিদা কালিদাসকী মতৌগুম সরলতা, স্বাভাবিক ওইবা কবিতা উবা ফংলমদে মসিগী ওন্নবদা কল্পনাগী শেমজিনবা বাহৈনা হৈন-বী ওইবমী হায়বিবা শেমজিন শাজিনবা তসুকী মতিক হেন-গৎলকখি। মহুদ থাংশাংগী মওংদা পদ্য শেবা, ষনগী মযুং মান্না শেপ বাহে পরেংশিং শেমহনা ইনরম্মী অমসুং বর্ণন তৌ-নগী অনৌ অনৌবা মওংদা কাংইমা শিংথবা বাহৈনা কবিতা-শিংগী কালাগী হৈশিংবা তাংবমী। মসিনা মথৌয়গী মান-সন-মান ফংনরুমী। মহাকবি মাঘদসু বুগসিগী মঙাল কন্ননা তারম্মী মাঘগী মমাংগী মহাকবি ভারবীনা তসিগুম্বা কল্পনাগী মওংনা থনব কাব্যশিংগী শ্ৰীগনেশ তৌবনি মহাক্কী মপুক্লিংদি অশেংবা রাবী থাদোকুনা কাব্যগী বাহৈ নৈশি-লৈথোন্দুনা ইবনা থরা হেন্না শামজবমী। মহাক্কী কবিতাশিংদা ভাষাগী বিচারদা অধিকার য়াংনা লৈবমী মাঘগী মংমদা ভারবী মহাকবিগী মমিং য়াম্না চংলমী। মাথনা ভারবী কবিবু শাইখিবা পানব-গীদমক কাব্য রচনা তৌখিবানি। অসুম্না হায়নৈ মহুদি থবক অসিদা মায়সু পাকখি। বিদানশিংগী মত মতু ইম্না কবি অসিনা মমিং 'মাঘ' হায়না যোনবস্তু ভারবি' কবিবু মথাদা থম্নবা অমনি মরমদি মাঘ হায়বদি 'শীত কাল' নিংথমথা, ভারবি হায়বদি 'সূর্যগী প্ৰকাশ' নুমীৎকী মঙাল, মরমদি মমিংকী মঙানবু নিংথন থাদা নেমহল্লি।

মাংগী কবিত্ব-শৈলী মপা লৈতে। মহাক অসি অলঙ্কার পামজবা, ৱাহৈ তপশিনবনা য়াম্না শিজিন্নবা, অঙকপা থোৎলোক ইবদা হৈনবা, যাম্না খুদোংথীবদগী লাক্রবনচিংবা মহাক্কী থোক-লোকপা গুণশিংনি। মাঘনা চিত্রালঙ্কারশিংগী ৱাহৈ সমর্থন হায়-রিবমখৈ শিজিন্নখি; মসিনা করি কবিত্বনা মকমশিংদা কানা খঙবদা য়াম্না অৱাবা ওইহনী। ছন্দ কয়ানু মখেক অনিদা শেম্মী; — খুদম 'ৰ' দগী শেম্বা মথাগী শোক য়েংবীয়ু

রাজরাজী রুরোজরাজ রাজিরঅরোঅরাজাঃ।
রেজারিজুরজোজ'াজী ররাজজু'রজজুর' ॥

মসিগা লোয়ননা শ্লেষালঙ্কারগী প্রয়োগসু যাম্না শেম্লী। অতুম ওইনা প্রকৃতি অমসুং মীওইবগী পুন্সিগী বর্ণনশিংদসু অঙ-কপা ফজবা উৎপা ঙম্মী। প্রকৃতি চিত্রণ তৌবদা স্বাভাবিক ওইবগা লোয়ননা প্রকৃতিবু কুপ্না য়েংবগী শক্তিসু য়াম্না লৈ। রৈবতক চীঙ, ঋতু, ঈশিংদা শান্নবা, থা থোকপগী বর্ণন পরম পবা ওইববসু অঙকপা ফংবা ফজে। মাঘগী শব্দগী পুকৈ যাম্না চাওই। সংস্কৃত লোন অসিদা মপুং ফানা অধিকার লৈ। মহাক্কী কাব্যশিংদা অনৌ-অনৌবা ৱাহৈশিং মফম খুদিংদা যাউ "নবসর্গগতে মাঘে নবশব্দো নবিদ্যতে" — হায়বাদ মাঘগী অনৌবা সর্গশিং পাকরগা অতোপ্পদা অনৌবা ৱাহৈশিং কংদে - মত অসি লোনগা সংস্কৃতকী প্রাচিন বিদ্বানশিংগীনি মখোয় মাবগা মরি লৈনবগী খুদম্নি।

মতৌ অসুম্না মাঘ মহাকবিগী মপা লৈত্রবা ৱেংশিংবা

অমসুং লাইনিক নৈনব বনদগী মপুং ফানা শক তাক্লিবা 'শিশুপাল বধ' সংস্কৃত সাহিত্যগী য়াম্না মতিক মগুণ লৈবা মহাকাব্য অমনি। কাব্য অমখকশিনা মাঘ মহাকবিনা য়িংচৎ যাম্না চাওনা ফংখি। মসিগী অতোবা মরুমদি মাঘনা মতমতুগী কাব্যগী চংনবী অনাম্বদু লৌতুনা চৎপনি। মতমতুগী কবিতা ইবগী মিনমশিং য়ানা চংপা অমসুং মপুং ফাইবা য়ারীদগী কাব্যগী মপান্থোংগী লৈশী-লৈতোনগী মওম য়াম্না পীথিবা অমনি। মসি-গা লোয়ননা পোদোকশিংগী বর্ণন তৌবগী মহুত্তা খোদোকশিংগী মশিং থীবনা হেন্না পুরিং চৎই। মতৌ অসুম্না মহাক্কী কবিতা-শিং ভারবি কবিদগী হেন্না শেমজিন শাজিনবা বাহেং কলা য়াম্না যাওবা অমদি অলঙ্কার য়াম্না য়াওই। পণ্ডিত অমগী মতংদদি মহাক্কী লম্বা থীবদা রানা থোক্কনি। কবি অসিগী কাব্য শৈলী-শিং পাকশোক ফাওথোকহনবা অমসুং অরাংবা বিচারদা তেনবা কল্পনাদা রাংনা লৈবা অমদি য়াম্না লুর-লুরবা ভাবনা য়াওবা কবিতা ইবদা পামজবা মহাকবি অমনি

শ্রীহর্ষ

শ্রীহর্ষনা মহাক্কী জীবন পরিচয় মহাক্কী প্রসিদ্ধ মহাকাব্য

'নৈষধীয় চরিত' অসিদা পীরম্মী। মহাকাব্য অসিগী মতুংইন্না খণ্ডবা ভম্মী মত্তদি মহাক্কী মপাগী মীং শ্রীহর্ষ অমসুং মমাগী মীংনা মামল্লা দেবী কৌরম্মী। মহাক কান্নৌজগী নিংথৌ জয়চন্দ্র গী রাজদরবারদা লৈরম্মী। রাজা জয়চান্দগী শাসন খৃঃ ১১৬৯ দগী খৃঃ ১১৯৫ ফাওবনি থাজনৈ। মরম অসিনা শ্রীহর্ষগী মতমস্ত ১২ শুবা শতাব্দী ওইরমগনি। মহাক্কী মিংচৎ কাশ্মীর প্রদেশতা হেন্না চংলম্মী। মরমদি মতম অতুদা কাশ্মীর প্রদেশ অসি সংস্কৃত ভাষাগী কেন্দ্র ওইরম্মী। বিদ্বান খরগী মতিং শ্রীহর্ষ, মাঘ অমসুং ভারবি কবিশিংদগীসু হেন্না মীং চৎপা কবি অমনি। অমসুং মখোয়না মসি ফাওবা ইহুনা হায়রম্মী — 'উদিতে নৈষদে কাব্যে ক্ব মাঘ ক্ব চ ভারবিঃ।' হায়বদি নৈষধ কাব্যগী মমাংদা মাঘ অমসুং ভারবিগী মহাকাব্য কয়ত্নু নত্তবগুম্বনি। অসুম্না হায়রৈ মহুদি মহাক 'চিন্তামনি' মন্ত্রসিদ্ধ তৌই। ভগবতি ত্রিপুরা দেবীগী আরাধনা তৌহুনা মহাক অখণ্ড (খণ্ডবগী মপা। লৈতবা) পণ্ডিত ওইবগী বর ফংখি। প্রসিদ্ধ ওইবা কারী অমনা মহাক মম্মটাচার্যগী মমাকনি অমসুং মসিসু হায়রৈ মহুদি কনাগুম্বা অকাওবা পণ্ডিত অমদি ন্যায়গী আচার্য মিথিলাবাসী উদয়নাচার্যগা মহাক্কী মপা শ্রীহরি শাস্ত্রার্থ তৌনবদা মাইথীখি। মপানা শিরমদাইদা মচানুপা শ্রীহর্ষদা অসুম্না হায়রম্মী মহুদি নং ঐগী অশেংবা ইচা ওইরবদি উদয়নাচার্যবু শাস্ত্রার্থদা শোয়দনা মায়খিবা পীযু মরমদি মতম অমদা ঐহাক মাগী মথক্তা মায়থিবা নংখিবা অত্তুনা হৌজিক ফাওবদা পুক্নিংদা

অরাবসি ফাওরি। প্রসিদ্ধ ওইরবা রাকগ্নি মহুদি শ্রীহর্ষ মংক চাবা বিদ্বান অমা ওইরবা মহুংদা 'খণ্ডন খণ্ডখাদ্য' কৌবা গ্রন্থ অমা ইরগা লাইরিক অসিগী মতেংনা মহাকী জয়ন্ত কৌব নিংখোগী দরবারদা মহাকী মপাবু মায়থীবা পীখিবা ন্যায়গী মহান পণ্ডিত উদয়নবু মায়থীবা পীহন। লমন খুমখি। অসুম্ব চাওবা বিদ্বান অমসুং পণ্ডিত অংথোইবসিগী মতুং চহি ৮৫০ ফাওবদা অম্না পণ্ডিতরাজ জগন্নাথ নত্তবা সংস্কৃতকী মহাকবি অমত্তা পোকখিদরি।

শ্রীহর চুম্নগী কবি নত্রগা পণ্ডিত অমা নত্তে, তৌইগমসুং য়াম্না চাওবা সাধক নত্রগা য়াম্না রাংবা যোগী অমনি। চিন্তামনি মন্ত্র সিদ্ধ তৌনবগীদমক্তা ভগবতি ত্রিপুরাবু হবাওনবগীদমক যোগ সাধনা তৌখি। মহাক্না চাওরাক্না গ্রন্থ ৯ ইখি, মখোয়গী মামংনিংদ অসিনি।

স্থৈর্য বিচারন প্রকরন, বিজয় প্রশস্তি, খণ্ডন খণ্ডখাদ্য, গৌডোর্বিহলীয় প্রশস্তি, অর্ণববর্ণন, ছিন্দ প্রশস্তি, শিব শক্তি-সিদ্ধি, নবসাহসাঙ্ক চম্পু, নৈষধীয় চরিত। অদুবু মহাকী মিংচৎ পংখিদা, মন্থ অনিথক্কি মহাদি — নৈষধীয় চরিত অমসুং খণ্ডন খণ্ডখাদ্য। অহুম্নগী গ্রন্থ মহাকাব্যনি অনিশুবনা বেদান্তগী শাস্ত্রনি। খণ্ডনখণ্ডখাদ্য হায়রিবা লাইরিক অসিদি মথক্কী পনখরে, মতুদি মশাগী মিংচৎ থীবা কোক্রবগীদমক ইখিবা লাইরিক্নি মসিদা ন্যায়গী বিদ্বাংশিংনা ইবা তর্ক প্রণালি ইন্দুনা মখোয়গী সিদ্ধান্তবু খণ্ডন তৌখি অদুগ অদ্বৈত বেদান্তবু সমর্থন তৌই।

অতোপা। গ্রন্থশিংদি অহূক মমিং চংহিদে।

শ্রীহর্ষগী খাইদগী মমিং চৎপা অমদি মরুওইবা গ্রন্থদি 'নৈষধীয় চরিত' নি। মহাকাব্য অসি নিষধ দেশকী রাজা নলগী পুন্সিদা যুক্ত ওইবনি। মসিদা সর্গ ২২ লৈ অদুগা শ্লোক ২৮৩০ য়াওই। রাজা নলগী পুন্সিগী থোদোক রাথোক পুন্নমক য়াওবা লাইরিক্নি। মসিদা কবিনা রাজা নলগী বারীনা হৌরগা নল দময়ন্তীগী ইহান হায়রা উনবগী অহিংগী বর্ণন তৌরগা গ্রন্থ লোইশিন্নি। বারী অসি পুরাণগীনি। বারী অসিগী মতাংদা শ্রীহর্ষনা অমম্না হায় 'শৃঙ্গারামৃত শীতগুঃ' হায়বাদ শৃঙ্গার রসগী অমৃতগী চন্দ্র হায়না শিংথারী। মহাকাব্য অসিদা ফজবগী অমসুং য়াম্না ফজরবা অলঙ্কার কয়াগী প্রয়োগ তৌনা সনাদা মনি হাপ্লগুম অমুক্তা হেন্না ফজহল্লি। মহাকাব্য অসিদা কবিগুগী ভাবনাগী নিয়ম খুদিং ওাপা চংলি। ফজবা রাতৈ শিজিন্নৈ, কল্পনাগী অাংবা অতিয়াদা অমদি প্রকৃতি চিত্রণদা, ইকচিন্না ফজবা মফম কয়াদা উই। কবিগী লৈহাও লৈববা কোক্তগী থোরকপা শৈরেংশিংনা মফম মফমদা অনৌ-অনৌবা মহাওগী প্রদর্শন তৌবদা মায পাকই। বিষয় অমগক্তদা শৈরেং কয়া ইহুনা মথল কয়াথোক্না বর্ণন তৌই অমসুং মফম খুদিংদা ইনৌত। নৌংনবা অমদি রাহৈ শৈলীদা য়াম্না ফজবা ওই। কাব্যগী মফম খুদিংদা শব্দ অমসুং অর্থগী য়াম্না চানবা অমদি ফজবা মওংদা ইরুম্মী। মহাকাব্য অসিদা অলঙ্কার অতিশয়োক্তি, উপমা, রূপক, য়মক, বিরোধ ভাস লেপ, অমসুং

অনুপ্রাস নচিংবা অলঙ্কারশিংগী ইবদদি শ্রীহর্ষগী মমাংদা অমুক্ত ইথিদ্রি অমসুং শৃঙ্গার রসকী থুরুব। ব্যঞ্জনাদা অঙকপা থম্মোয় চাওবা উংলি। খুদম ওইনা দময়ন্তিগী ফজবা শিংথাবদা কবিনা অসুম্না ইরী —

হৃতসারমিবেন্দুমণ্ডলং দময়ন্তীবদনায় বেধসা।
কৃতমধ্যবিল বিলোকতে ধৃতগম্ভীরখনীখনীলিমা ॥

হায়বদি দময়ন্তিগী মায়থোংগী ফজবা শেম্নবগীদমক্তা ব্রহ্মাজিনা থাগী ফজবা শরুক মখে লৌহুনা শেম্বনি। মরম অদিন থাগী মখাইদা অমুবা অংহাবা উরিবসিনি। অসিগুম্বা অমুবা কলঙ্ক অসি করিগীনা হংবদা মশিদি অতিয়াগী অশংবা যেংলবনি। মতৌ অসুম্না দময়ন্তীগী থবাকী বর্ণন লৌই। মহাকবিনা মহাকাব্যদা রাবীবু কাহেন্না পাকথোকহল্লি অমসুং মরুওইবা বিষয় থাদোক্লগা, মশাগী ওইবশিংগী বর্ণন কাহেন্না লাকখিদনি। অনিশুবা সর্গদা কবিনা দময়ন্তিগী বর্ণন কাপ্তাগী মচিন্দগী হৌহনখ্রবনি, অতুবু চুক পেন্দহনা শেবংশুবা সর্গদা অমুক্তা দময়ন্তিগী খোংবীগী খুজিন্দগী শিখা লরাই লেপ্ফু ফাওবগী বর্ণন লৌই। মহাভারত, নল দময়ন্তিগী প্রেমগী রাবীগী বর্ণন য়াম্না শংনা হৌই হৌহনমসুং শ্রীহর্ষন নৈষধীয় চরিত অসিদা মসিবু অতুকী মতিক আকে অমো অমদি কাম বাসনা থল্লবা রাবী অমা ওইহল্লে। মহাভারতকী রাবীদা নলবু দেশ-তগী শাখোকপগী পুন্সিগী নকল। অমসুং থাগায শোক্তা রাবগী বর্ণন মহাকাব্য অসিদা পংথাওবা পামেচ নৈষধগী নুংাই-

বগী লৈকোন্দা পুন্সিগী লুরবা উপান্বী অমত্তসু হৌনবা জগা লৈতে।

'নৈষধীয় চরিত' কী মফিং মহাকাব্যশিংগী 'বৃহৎত্রয়ী' গী মতুং চল্লী। অদুবু ওইনা কাব্য অসিগী বাহৈশিং অমদি শৈশক শৈথাদি মপা লৈতে। প্রকৃতি চিত্রণগী মতাংদা তুংচক উয়াশিংগী ইচম-চম্না শান্নবগী ফজবা বর্ণন মহাকাব্য অসিদা ফংই। পুক্নিংগী ভাবনাগী চিত্রন্দসু শ্রীহর্ষ সিদ্ধ হস্ত অমা ওইবগী হৈশিংবা উৎলি বাহৈশিং লোক্নুনা ফাংনা শুন্নবা অর্থদা বাহৈশিংনা কবিতা অসিদ। অঙকপা মওং হাপ্পী। মসিদা মহাক্না শাস্ত্র হৈবশিংবু অমুকা নোক্নবগুম ইরি, খুদম ওইনা পানিনিগী অষ্টাধ্যযগী 'অপবর্গ তৃতিয়া' সূত্রগী করেংবা ওইনা ইরি মতুদি অহুমশুবা বর্গ হায়বদি নপুংসক হাযবনি। শ্রীহর্ষ য়াম্না চাওবা দার্শনিক অমনি। মহাক্না মহাকাব্যগী ১৭ শুবা সর্গদা দর্শন গী বর্ণন অচৌবা বিদ্বান দার্শনিক ওইবা উৎলি, অদুগা অতোপ্পা সর্গশিংদসু মহাক্না দার্শনিক ওইবগী খুদম শেংনা উবা ফংই। মহাক্না শ্লেষ অলঙ্কার প্রযোগ তৌবদি অসুক্কী মফিক কনা উৎলি মতুদি মহাক্কী কাব্যগী যজবা চেতোপ্পা চমা থীবা ফংলোই। ১৩ শুবা সর্গদ 'পঞ্চনলী' মতুংদা কবি অসিনা শ্লেষ অলঙ্কারদা শৈরেং অমখওদা নল মডামক্কী বর্ণন তৌরি। মহাক অসি বর্ণন তৌবগী হৈশিংবা অমদি অর্থ গম্ভীর ওইবদা মহাকক্কী মপা লৈরে। মহাক্না মশাগী কাব্যবু থাগৎনা অহুম্না ইরম্মী — 'মহাকাব্য'

'চারু', নিসর্গোজ্জ্বল, নব্য, অতিনব্য নচিংবা। মহাকবি অসি মশাবু মশামক্লা থাংহনবা পাম্বা মীশক্কি। মহাক্লা মশাবু অমূ-নচিংবা রূপ ১৪ থোকযম ওইবা ক্ষীর সাগরনি অহুগা অতৈ কবিশিংনা নেংমা নীনিদা কংখিদবা তুরেনগী হৌরকফম ওইবা চীওমচা থাক্তনি হায়না ইরম্মী।

মহাক্কী কাব্যশিংদা বাহৈ সমর্থন য়াম্লা অমদি অলঙ্কার য়াম্লা পাম্বা নত্তনা মীওইবগী পুন্সিগী অংশং অশেংবা অরাবা বর্ণন য়াওদে মহাক্কী কাব্যদা নাকল অমত্তগী ওইবা শৃঙ্গার রসকী বর্ণনা অয়াহনি। চরিত্র চিত্রণ অমসুং রারাবু কলা ওইহন্নবগী কাব্য রচনাদসু শ্রীহর্ষ য়াম্লা হৈশিংবা অমা নত্তে। মহাক হৌরকফম ওইবা ভাব ইবনসু হৈবা রাংহনি। মরম অসিদগী মহাক্কী কাব্যদা ভাব অমগক্তবু বাহৈ লোন্তান লোন্তানবদা ইহুনা কয়ারক হুপ্পিল্লা ইরি মফম খুদিংদা হক্ক অবাবা কল্পনা অমসুং অতিশয়োক্তি বর্ণনগী হৈনবী অমসুং শেমজিন শাজিনবনা মহাক্কী কাব্য খঙবদা লন ওইকই। করিগুম্বা মফম খরদদি অচোপ অরেং য়াওবা মওং য়াওই কাব্যগী অরাবা মওংদা ইবগী মনম শ্রীহর্ষনা অরোইবা মসমক্কী অদুগুম। ইবি —

গ্রন্থ গ্রন্থিরিহ ক্বচিংক্বচিদপি ন্যাস প্রয়ত্নান্ময়

প্রাজ্ঞংমন্যমনা হঠেন পঠিতি মাস্মিন্নখলঃ খেলতু।

শ্রদ্ধারাদ্ধগুরুশ্লথীকৃত দৃঢ়গ্রন্থিঃ সমাসাদয় —

ত্বেতৎকাব্যরসোর্মিমজ্জনসুখব্যাসজ্জনং সজ্জনঃ॥

হায়রবদি — কনাগুম্বনা মশাবু পাণ্ডিত অমনি হৈরে খন্দুনা ঐগী কাব্যবু নমহুনা খণ্ডনবা হোৎনরোইদবনি মরমদি ঐনা মসিদা মতাং কাংবা অরূ-অরবা খণ্ডনদা য়াবা। কিসি থম্বনি। কনাগুম্বা খংনিংবা ভক্তি লৈবনা নম্বাগা হোৎনবা গুরুগী কৃপাদগী অসিগুম্বা কিসীশিংবু খংনবা হোৎনরবদি মহাক কাব্য রস সাগরদা পুপচবা য়ংগনি।

য়াহং ২৫। উপমা কালিদাসস্য ভারবেরর্থগৌরবম।
নৈষধে পদলালিত্যং মাঘেসন্তিত্রয়োগুণাঃ॥

শ্লোক অসিগী সমালোচনা তৌ।

পাণ্ডুলম ঃ ইহান হানবদা হওন্দবা অমনা মসিগী পাপংবী ওইবা শ্লোকং অসি মাঘ কবিগী গুণমায়া থমনা হৈন লৈগনি। শ্লোকং অসিগী অর্থদি কালিদাসকী কাব্য উপমালঙ্কা-রদা থোইনা য়াংনি, অদুগা অর্থ ফজবা অমসুং পদগী বাহৈ থোংপা মেংকদনা থন্না হংবা মতৌ। ভারবি অর্থ গৌরবগী রচনাদা সিদ্ধ হৈরবা উপমা হৈবদা থরা য়াংলি নৈষধ কাব্যগী মহাকবি পদ-লালিত্যগী কল্পনাদা মপা লৈরবসু উপমা অমসুং অর্থ গৌরবদ মতিক চাবা থরা য়াংলি, মোংফ-গুমসুং দোষ থুদিংবু য়াওদনবা অংগায়নবু চুমখোংপা, উপমা ফজবা, অর্থ গৌরবদা মপা লৈজনা, পদ-লালিত্যগী সংস্থাপক মাঘ গুণ অহুমকী প্রণেতা ওইনা মশকনা। খুইদগী অথোইবা কবিনি। পাণ্ডুরোগী অর্থ হওলবা মতুংদা মথং মনাও লাইনা

বিচার তৌগি। ইগান হানবদা 'উপমা কালিদাসস্য' হায়দা বিচার তৌগি।

শৈরেং অসিদা তত্ত্ব অহুমদা শমজুনা য়েংসি। হায়রিবা তত্ত্ব অহুমগী মনুংদা কালিদাসকী কাব্যদা উপমা অলঙ্কারনা খর হেন্না শিজিন্নৈ মসিগী ফল ওইনা উপমা কালিদাসস্য' প্রমাণ চায়। কালিদাসকী কাব্যদা উপমা অলঙ্কারগী ফজবা অমদগী হেনবা ফজবা অমা থে নগনি। উপমাশিং অসি যাম্না ফজে অরাইবা মংংদা ইবা অমসুং স্বভাবিক ওই। মতৌ মান্নবা, রস য়াওবদা, অপূর্ব ওইবদা, কবিগী উপমা মপা তৈ তং না ফজে। হোংনবা কবিগী উপমাশিংগী লৌরকথমসিংদি শাস্ত্র মতম্তুগী সমাজ অমসুং ... হায়রিবা হৌরকফম অং মসিনি। মবম অসিনা কবিগী উপমাশিং হান্না অমুক্কা ইনখিচিবা অমসুং মংম শান ... কাবগী রারা অমসুং ভাষাগী মতুং ইন্না চংসি

উপমাশিং অয়াপনা ... অহুমদা যংই।

১। লোকবী গোংনা তৌবা উপমা অমসুং গুণগী গুণনা তৌবা উপমা, খুদম ওইনা — থাগী উপমাদা মায়থোংনা তৌবা উপমা — মসি পোংনা পোংকী তৌনা উপমাশিং মসিসং মমা মচাগী নুংশিনবা উপমা গুণগী উপমাশিং

২। গুণগা পোংকা তৌনবা উপমা, খুদম — নিং-

থিরবা নিংথৌমথাবু য়ায়া শেংলবা সরোবর (পাং) কা তৌবা উপমা, পাংকী মতোংম শেংবা অমসুং থাজগী মতৌগুম শান্ত ওইবনচিংবনি।

৩। পোংকা গুনগা চাংদমনবা উপমা, শুদম — পুরিংগী মতৌগুম য়াঙবগী উপমা নত্রগা হিংসাগী মতৌগুম অখোয়বা লৈইশিংনি, তদুবু কালিদাসকী উপমা অয়াম্বা মথক্কী মখল তঙ্গয়ক্তা য়ঙ্গনি অদুবু কবি অহানবা অমদি অনিগুবা মখলগী উপমানা খরা হেন্না ফজনা তৌই।

ভগবান শ্রীরামচন্দ্রগী মবুংধো তমদি রঘুবংশ শাগেগী অহা-নবা নিংথৌ অমসুং বৈবস্বত মনুগী শাগেদা পোকপা রাজা দিলিপকী উপমাদা সমুদ্রদগী থোবকপা থ.জ. দিলিপ গুণ কথাগী ভুং হুনবী মহাক্কী লোয়নবী সুদক্ষিণা। মসিগী উপমা দা কবিনা মহাক্কী উপমাদা হায়বি মতুদি হঞ্জ।। দক্ষিণাগা লৈনবা মরি পুংতুম সুদক্ষিণাবু যজ্ঞগী পুপী অমদোনা শিংথারি। অদুম্না দিলিপ তমদি সুদক্ষিণাগী উপমা য়াম্না ফজে

দিলিপ মাগী মুপী য়ানিদা লোয়ংনা মচাঙ্গপা ফংবা নন্দিনী কৌবী হনগী সেবা তেনবা অমসুং মহাক্কী পুপীগা বাজা দিলিপ বসিষ্ঠ মুনিগী আশ্রমদা সাধনা তৌংব লক্ষ্মী অম-সুং নুংগী নিংথৌ বানী নন্দিনী মংনু শক্তিক পীক্করগা দন চত্লনা শেংন্মী। রাজা দিলীপ খুাইগী মাংদা চংলি, ময়াইদা নন্দিনী

যনবী অমসুং তুংদা য়ানি সুদক্ষিণা। মতম অসিদা কবিনা মখোয় অহুমগী শোভাবু শিংথাহনা অসুম্না ইরি — সুংথিল অমসুং সুমিদাংগী মরক্কী সনধ্যাগী মতৌগুম মরমদি নন্দিনীগী মচুসু সুমিদাংবাইরমগী ভঙ্গানবা মচুনি।

"ধেনুদিনক্ষপা মধ্যগতেব সনধ্যা।"

কবিনা নন্দিনী অমসুং য়ানিগী উপমা শ্রুতি (বেদ) স্মৃতি (পুরাণ) না তৌবি — 'শ্রুতেরিবার্থং স্মৃতি রন্বগচ্ছত্‌ঃ" হায়বদি স্মৃতি পুরমক শ্রুতি হায়বদি বেদগী অর্থগী মতুং ইন্না চংলি, মতৌ অদুগুম্না সুদক্ষিণা শ্রুতিগী মাং ওইরিবী নন্দিনীগী তুংদা চংলি। উপমা অসি অধ্যাত্মিক ওই অমসুং য়াম্না ফজে। নন্দিনীগী সুমিদাংবাইগী মঙালগা মান্নবগী উপমা তৌহনা কবিনা চস্তুন্না ইরি —

'সংচারি পূতানি দিগন্তরানি কৃত্বা দিনান্তে নিলয়ায় গন্তুম প্রচক্রমে পল্লবরাগতাম্রা প্রভা পতঙ্গস্য মুনেশ্চ ধেনুঃ।'

অসুম্না য়াম্না ফজবা মওংদা বর্ণন তৌই।

অতোপ্পা অমা অমুক য়েংসি — নগরগী সুপীশিংনা রাজকুমাব অতিথীবু অসুন্না য়েংলম্মী মহূদি শরত ঋতুগী শেংলবা অতিয়াদা থোবপা থরানমিচাকশিং ধ্রুবতারাগী মতুং ইন্দুনা চংলি

উপমা অসি মতম চুম্নগী ওইব, সত্য অমদি যুথার্থবাদী উপমা অমনি —

'শরতপ্রসন্নৈ র্জ্যোতিভির্বিভাবর্য্য ইব ধ্রুবম।

ইন্দুমতি স্বয়ম্বরদা রানিনা খাদোক্লনা হেন্দোক্লা চৎখ্রবা মতমদা ওইহৌবা নিংযৌশিংগী মায়থোংগা নিরাশাগী অমুবা ওইবগী কিভমব্ কোমুংগী লম্বী মপান্দা লৈব। য়ুমগী মুমিদাংদা মৈভান পায়বনা মপা। হেন্নখিবদা মম.হৌনগা মায়বগী উপমা —

'সংচারিনী দীপশিখেবরাত্রৌ যং যং ব্যতীয়ায় পতিং-বরাসা।

নরেন্দ্রমার্গার্দ ইব প্রপেদে, বিবর্নভাব স ভূমিভাবঃ।

কালিদাসকী উপমা সমাজ অমসুং শাস্ত্র অনিসিদগী লৌহনা ইবসু যাওই খুদম —

ব্রহ্ম সরোবরদগী থোরকপা সরযু নুরেন সাংখ্য শাস্ত্রগী অব্যক্ত মূলপ্রকৃতিদগী ওইরবপা বুদ্ধি তত্ত্বগী মতৌগুম্বনি।

অনুভব অমসুং লোক ব্যবহারনা শেম্বা উপমা, দুষ্মন্তদা পীবা শকুন্তলা, সুপাত্রদা পীবা বিদ্যাগী মতৌগুম।

কামদেব মৈনা চাকখ্রবা তুংদা অন্না-মৈচাক নংলবী রতিগী উপমা ঈশিং নৈত্রবা (কংখ্রবা) পুখিদা হৌনা থম্বালগী মতৌগুম রতিগী মুর্ত্তি উপমা তৌই।

অমৃত কল্পনাগী উপমা — মমাগী তম্পাক্তা শান্নরিবা ভরতকী উপমাদা লক্ষ্মীগী শোক্তা হেনগংহল্লিবা বিনয় (নোল্লকপা) থাহৈনা পীরি।

কবিনা উপমা বিজ্ঞানগা মরি লৈনবা তত্ত্বশীসু ইরম্মী — কৌংসতা নিংথৌনা হংলম্মী মদুদি মক্ত ইমদা ঋষিশিংগী মরক্তা অথোইবা নহাক্কী গুরু কুশল-মঙ্গল ওইহৌরিব্রা; মরমদি নংনা মত্তোন্দগী বিদ্যা পুম্নমক তমখিবনি, মহাক্তি সংসারসিদা ভৌতিক ওইবশিংগী নুমীৎতগী মপুন্সি ফংলিবনি — 'লোকেন চৈতন্যসিবোঙ্করশ্মেঃ।'

মহাকবি কালিদাস কবি-কবিগুম্বদা উপমাশিংনা ইতিহাস কাংবগী টংনব হেৎনৈ



সুরদ্বিষশ্চান্দ্রমসী সুধেব।

মসিদা নন্দিনী কনবা ভুতদক্ত নিংথৌদা নোংশানা হাযরু- কপ থাইহৈনি, কাইনা মযম শসিদা নোংশানা লাক্লুনা থম্বিবা

নন্দিনীগী উপমা য়াহনা উমঙ্গনা থম্বা থাগী মতৌগুম ত্তৌরী। উপমা অসিদা মুংগী খোঙ্জেল অমম্ভু খোকই মতুংদি য়াইনা উম্লম্বা থাজ মতম খরা মহাক্কী মচান মাংগুববস্থু মতম খরা লৈরগা মচান অহু অমুক হল্লকই মতো অহুংঙ্গুহনা হনবী অহুস্থ কবিন্দুগী অশোক অপন য়াংঙনা খোরক্তুনা রাজা রানী অনিবু অপাম্বা বর পীগনি হায়না থাজহল্লি। মতৌ অম্মম্বা ইতিহাসকী ওইবা রারী ফোংদোকপগা লোয়ননা য়াম্না লুবা অর্থ য়াওবা উপমা কবিনা উংলি।

থাগী মচাল মশাগী নওে ন্নমীকুগী হংবনি। সুমীংকী মচাল ফংলগা থানা ঙাক্লবনি অত্থগুম্না অঙাং ওইবিবা রঘুস্থ মহাক্কী মপা রাজা দিলীপকী মচান অমম্বুং মপান্দগী মাইগে পুদিং হুকচাং অমদি মপুং ফাবা ফংলিবনি —

পুপোষ বুদ্ধি হরিদ শ্বদীঘিতেরস্থ প্রবেশাদেব বালচন্দ্রমা।

উপমা অসি য়াম্না ফজবা অমদি বৈজ্ঞানিক তত্ত্বগীস্থ ফোংদোকই।

কালিদাসকী শৈরেং অমথক্তুং বর্ণন তৌবগা লোইশিঙ্গগে — শকুন্তলাগী শক্তম্নি মাগী চিনবান নৌববা উনাগী মতৌগুম ঙাংতক তাবা। পাম্বোম অনি নৌববা থোংলবা অমম্বুং মখোক কারকপগী শাংকাম্নবা লৈগী মতৌগুম নিংথিজবা অমম্বুং পুক্নিং হুনিঙাইনি।

অধর কিসলয়রাগঃ কোমল বিটপানুকারিনৌ বাহুঃ।
কুসুমিব লোভনীয়ং য়ৌবনমগষু সন্নদ্ধম ।।

শম্না হায়রবদা মসি হায়বা য়ায় মহুদি কালিদাসকী উপমা মপা লৈতে, কনাগুম্বা অতোপ্পা অমত্তসু কবি অসিগী লম্বা ওইবা য়ারোই। কবিগী উপমাশিং মীয়ামা লাইনা থঙবা ঙম্মী ইচম চহা, পোৎকী মওং লৌবা মথল মথা য়াম্বা অসিনচিংবা মিৎয়েংদা মপা লৈতে। কালিদাসকী উপমাগী মহাও অমসুং রস পীবদা থম্মোয় ফাওহল্লি! উচিত অমসুং মতাং য়াম্না চাবা শৈবেংবু হেনগৎহনবা কল্পনা মহাকী কাব্য মমাংদা মতুংদা অমুক্ত থোক্লোই। মহাকী কবিতাশিং মফম অতুগী অশংবা থরনা লৈতেংবনি. চিত্র পুম্নমক লৈতেংবা ঙম্বা কবিনি। মরম অসিনা উক্তি অসি যাঃা মরম চায় — "উপমা কালিদাসস্য।"

ভবভূতিগী উপমাশিংসু যাঃা ফজে অতুবু কালিদাসকী লাম্না তৌবদি মতিক থক্লিক্তং য়াংকনি।

— ★ —

ভারবেরর্থগৌরবম

সংস্কৃত সাহিত্যদা কবি খুদিংনা করিগুম্বা অনৌ-অনৌবা

মওংঙী কবিতাগী মহাও হাপী। মহাকবি কালিদাস মহাকী উপমাগীদমক্তা জগৎ প্রসিদ্ধি ওইরবস্থ ভারবি অর্থ গৌরবগী অক্তাওবা ওইরি বাহৈ খরনা অর্থ য়াম্না ফোংনোকপা কবিতা হায়বদি 'গাগর মে সাগর' হায়নরিবা পাওরো অসি ভারবি কবিগী কাব্যদা মায় পাক্না য়াওই। কুছ কবিনা মরম অসি-দগী ভারবি কবিবু অমুম্না মাগী ভাব ফোংদোকই —

প্রদেশবৃত্ত্যাপি মহান্তমর্থং প্রদর্শয়ন্তো রসামাদধানা সাভারবেঃ সৎপথদীপিকেব রম্যাঃ কৃতিঃ কৈরিবনোপজীব্যা ॥

হায়বদি ভারবিগী কবিতা কামিনি রস-ভাব ফোংদোকপদা রীজ মার্গগী মৈ পরেংগী মতৌগুম য়াম্না ফজবা অমসুং কান্নবা অমনি। ভারবি মশামমস্থ মহাকী কবিতাশিং থাগংলি। বাহৈ খবনা অর্থ যাম্না থোকহনববু অর্থ গৌরবনি অমসুং কবিগী কবিতাশিংস্থ য়াম্না মুক্তাইহল্লি, খুদম ওইনা অফবা হিদাক খন্নবা অর্নবা লায়না কযাবু কোকহনবগুম, ভারবিগী কবিতাস্থ ওশোকপা য়াওরবা মীওইশিংগীদমক্তস্থ মুক্তাইবা পীরি —

পরিনাম সুখে গরীয়সী ব্যথকেঅস্মিন বচসি ক্ষতৌজসাম।
অতিবীর্যতীব ভেষজে বহুরল্পীয়সি দৃশ্যতে গুনঃ ॥

কাব্য অসি রাজনীতিনা মপুং ওই। কাব্যগী অনিশুবা

সর্গ রাজনীতিগী য়াম্না থুপ্না অদুবা ওন্থ ফোংদোকপা অমনি। যুধিষ্ঠির ভীমগী ভাষনগী প্রশংসা তৌই। মথাগী শ্লোক অসিদা যুধিষ্ঠিরগী মচিন্দগী ভীমবু থাগৎপগী কবিতা অসিনা কবিনা মহাকী কাব্যগী ফজবগী অয়াবা শেংনা ফোংদোকই।

স্ফুটতা নপদৈরপাকৃত ন চ ন স্বীকৃতমর্থগৌরবম।
রচিতা পৃথগর্থতা গিরাং ন চ সার্মথ্যমপোহিত ক্বচিত ॥

হায়বদি শ্লোক অসিদা রাহৈশিংশিদা কাব্যগী মপূং ওইবা বাহীগী অর্থ শেংনা ফোংদোকপগা লোয়ননা অর্থ-গৌরবস্থু মপুং ফানা য়াওই। কাব্য অসিদা অর্থ পুনরুক্তি অমসুং অর্থ-সামর্থ্য অনিমক মাংহন্দনা য়াওই।

হায়নিংবদি মসিনি মহুদি ভারবি কবিনা রাহৈ খরনা ভাব কয়ামুক ফোংদোকই। মসিগীদমক্তা বাহৈ, পদ অমসুং বাকা-কী প্রয়োগ কারিগুম্বদা অরাযুবা মওং করিগুম্বদা অরাবা মওংদা ইরম্মী। কাব্য অসিগী মহানবগী সর্গ অহুম 'পাষাণত্রয়' মুং অহুম হায়না অরাবা কাব্য ওইবনা মীয়াম্না কৌনরম্মী। মসিগী অরুবা মওংগী কাব্যগী মরমদা প্রসিদ্ধ টিকা ইবা মল্লিনাথনা কাব্য অসিবু য়ুবীগী ফলগা চাংদয়ে, মরমদি য়ুবীগী অকনবা মকু থুগাইরবা মতুদা মমুংদা মনম মুংশিরবা য়াম্না হাওবা হকচাং ফংনবগী মহাও ফংবগুম কাব্য অসিবু থাগৎলি।

রাহৈ অরাবা ওইরবসু কাব্য অসি মধুর ভাবার্থ ফোংদো-কপা শ্লোক খরা মথাদা পীরি —

সহসাং বিদধীত ন ক্রিয়মবিবেকঃ পরমাপদাং পদম।
বৃনুতে হি বিমৃশ্যকারিনং গুনলুব্ধাঃ স্বয়মেব সম্পদঃ ॥

মসিগী শরুপ্পা অর্থদি করিগুম্বদা বিচার তৌদনা থুদক্লা থবক পায়থংলোয়দবনি মরমদি বিবেক য়াওদবা থুদাংথিডাই ওই বিচার তৌরগা পাংথোকপা থবক লন থুম অমদি চংওখ-ৎপা ফংই। শ্লোক অসিগী অর্থ সংসারগী মী পুম্নমক্না খঙনরবা য়ানরবা ৱাহুম অমনি মহুদি বিচার লৈতবা মীগী থুদোংথীবা শী ৱারী সংসার পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। শ্লোক অসিগা মরি লৈনবা ৱারী অমা মহুদি — শাস্ত্র থুদিং খঙ-হৈরবা ভারবি মহাক্কী মপানা মাবু মতম লৈবা খিবীক্লা নোক্নরম্মী, মসিগী মতুংদা নোংমা ভারবি য়াম্না শাওনা মপাবু যুগে হায়না খোং-জিন্দা লেপ্তুনা ইমুংদা শানবা ৱারী লোমা তাবম্মী। মতম চহুদা মপানা ভারবগী মরমদা মমাদা মহাক্কী গুণশিং খাগৎহনা শিংথারম্মী. মসি তারগা ভারবিনা অস্থুম্না খল্লি মহুদি এগী ইপানা এবু ফননবগীদমক নোক্রবনি, থোদোক অসিগী প্রায়শ্চিত তৌননবগীদমক মহাক মপাগী য়াথং মতুংইন্না মুপী মযুমদা গো-চারন ব্রত ঙাক্না চংদম্মী। নোংমা লম ফংনবা ভারবি কবিনা **‘সহসাবিদধীত ন ক্রিয়াম’** শৈরেং অসি শেম্নগা মহাক্কী মুপীদা অহগা অস্থুম্না হায়রম্মী মহুদি শৈরেং অসি য়োল্লগা পৈশা তারু। সহর অমগী ইনাক খূনবা সেঠ অমনা শৈরেং অসি মতিক চাবা মমল পীহুনা লৈরগা মহাক্কী তুম্ফম কাদা ফক্রাং-দা য়াল্লম্মী লগোনবা মীরৈবাক্তা চংলম্মী। মতম কয়া হোৎন্নবা

মতুংদা ময়ুমদা হল্লকপা মতমদা মহাক্কী মুপী অতোপ্পা মুপা অমগা তুম্মীন্নবা উবদা মহাক্কী মুপী ওক্কবী মুপী অমনি খন্দুনা ফুগে তৌরম্মী, অহুব্ মহাক্কী মিৎনা মানা য়াল্লিবা শৈরেং 'সহসাবিদধীত ন ক্রিয়াম' হায়া উন্নমী, মসিগী ফল ওইনা অহৈদগী মহাক্কা মুপীদা হংলকই — হায়ু মুপা অসি কনানো মসিগী পাওখুমদা মুপীনা খুম্নকই মুপা অসি কনাসু নত্তে মসি নহাক্কী নচা মুপানি লাইরিক তম্বা লোয়হনা মুমদা হল্লকপদা ঙাইরি। থৌদোক অসিদগী শৈরেংগী কান্নবা উবদা মহাক্কা ভারবি কবিবু কৌহনা লন-থুম য়াম্না পীহনা ইকাই খুম্নখি। মরি অসি অচুম্বা অমদি হায়বা ঙমদ্রবসু শৈরেং অসি অর্থ গৌরব, হায়বদি অর্থ চেনবা অমনি হায়বদা চিংনকম লৈতে।

ভারবি কবিগী কাব্যগী কয়াদা স্বাভাবিক অমদি ভাবনা য়াওই হায়বসি মখাদা পীরিবা শ্লোক অসিদগী খঙবা ঙমগনি —

জিতেন্দ্রিয়ত্ব বিনয়স্য কারন

গুণ প্রকর্ষোবিনয়াদবাপ্যতে।

গুণ প্রকর্ষেণ জনো

অনুরজ্যতে, জনানুরাগপ্রভাহি সম্পদঃ॥

শৈরেং অসিদা য়াওরিবা অর্থ-গৌরবদা চিংনকম লৈতে।

কবিগী সূক্তিশিং 'অর্থ গৌরব' গীদমক মম্নিং চংলি' সজ্জননশিংগী বিরোধি ওইবসু কান্নবা অমনি মরমদি মহু সাত্বিক

ভাবনা ওইগনি।

'বরং বিরোধোপি সম মহাত্মভিঃ।'

সংসারগী চৎ-নীনা কান্নগদবা নাভাং অমসুং পুক্লিং ওভাই-হনবগা অমগা অমগা চান্নদে মন্নমদি কান্নগদবা নাহৈ হায়বসি ভাবনা নুভাইদে অন্নাকপা নাহৈনি —

"সুদুর্লভাঃ সর্ব মনোরমা গিরঃ।"

"হিত মনোহারি চ দুর্লভং বচঃ॥"

সজ্জনশিংগা চৎমিন্নবা বিশ্বাস তৌবা যাই, সজ্জনশিং মায়া থুনা থাজবা পোকহল্লি —

'বিশ্বাসয়ত্যাশু সতাং হি যোগঃ।'

মফম খুদিংনা গুণ বু পুজা তৌনিঙাহনি হওন চান্নজ.বস্ন গুণ চেনবনা নুংশিনবা ওইহল্লি

"গুণাঃ প্রিযত্বে অবিকৃতা স সত্তবঃ।'

কবিগী মীৎয়েংদা,

"শঠে শাঠ্যয়ং সমাচরেৎ"

গী নীতি অচুম্বনি খল্লি। মহাক্না হায় মহুদি অপঙবা মী অহু শোযদনা লৈখা তাগনি মহাক্না ফংবা মীবু ফত্তবা থৌওংনা লম্মন খুমদ্রবদি, মবমদি কবচ য়াওদবা ৎকচাংদা তেন চংবা ওম্মী মসিনা মরম ওইহুনা শিবগী খন্নাত্তা তাহল্লি, মতৌ অস্নুনা ফত্তববু মাংহনগদবনি, মরম অসিনা ফত্তবা ব্যবহার তৌবনা

অচুম্বনি।

ব্রজন্তি তে মূঢ়ধিয় পরাভবং ভবন্তি

মায়াবিষু যেন মায়িনঃ।

প্রবিশ্য হিঘ্নন্তি শঠাস্তথাবিধাঃ

ন সংবৃতাঙ্গন্নিশিতা ইবংশবঃ।।

কাম ভাবনা ভাইহাক্কী নুঙাইছনবনি অছবু মসিগী ফল অরাবা পীনবনি।

'আপাতরস্যা বিষয়াঃ পর্য্যন্তপরিতাপিনঃ।''

ভারবি কবিগী মত মতুংইন্না য়েক্লববু মাইথিবা পীনবগীদমক খ্বাইদগী ফবা অমদি লাইব। থুংলাইদি কাম-বাসনানি, মরমদি কাম-বাসনা মসিগী ফল অরাবগী মশক্কি —

'কামাক্রুষ্টা হিসাধ্যাঃ শত্রবঃ।

'সত্যাংতি বাণী গুণমেব ভাষতে।''

'ভবন্তি গোমায়ু মখা ন দন্তিনঃ।''

''ন তিতিক্ষা সমমস্তি সাধনম।''

অসিনচিংবা শৈরেংশিং কবিগী অর্থ গৌরব ওইবগী খুদম্নি।

কবিগী 'অর্থ গৌরব' গী ৱাফম খন্নবা মতমদা নিংশিংগদবা ৱাফম অমনা কবি রাজনীতিগা মরী লৈনবা কাব্য ইরিবনি হায়বসিনি, মরমদি মহাক্কী শ্লোক খুদিংদা রাজনীতিগী ভাব শোন্নদনা য়াওগনি।

কবিনা মহাকী কাব্যদা বাহৈ খর৩না খ্বাইদগী মমল য়াম্ব। কক্কবা ভাব কোংদোক্লবগীদমক্তা অলঙ্কার কয়ামুক শিজিনৈ। মরম অসিনা কবি অসি অলঙ্কার কাব্যশিংগী হৌদোকপা অমনি, অত্তবু অলঙ্কার কাব্য ওইরবসু — অর্থ-গৌরবকী অয়াংপা লৈতে।

কাব্য অসিদা কক্কবা শিংথাবা য়াবা কাব্যনি। অর্থ গৌরবগা লোয়ননা য়াম্না ময়েক শেংবা অলঙ্কার শিজিন্নবনা 'মনিকাঞ্চন সংযোগ' গী আদর্শ ডাকই।

কালিদাস, মাঘনচিংবা কবিশিংদসু অর্থ-গৌরবগী কাব্য য়াওই অহুম ওইনা মসিদি শেংলবা বাফম্নি মহুদি মখোয়গী অর্থ-গৌরব য়াওবা শৈরেংশিং ভারবিগী কাব্যগা চাংদম্নবা য়ারোই।



নৈষধগদলালিত্যম্

বাহৈ পরেং মতেক অসিগী শয়ল্লা অর্থদি ঃ

শ্রীহর্ষনা লেংবা কাব্যদা বাহৈশিং থোং মেংবা বাহৈনা মপুং ওই। শ্রীহর্ষনা কল্পনা অমদি শব্দ শিজিন্নবা হৈবগী অচৌবা

কলাকার অমনি। মরম অসিনা মহাক্কী কাব্যদা কবিগুম্বা পদ অমা শাওবা অলঙ্কারগী অমুং-অরাক য়াওদবা লৈরম্লাই অমসুং পদ খুদিং অনৌবা অমদি অর্থ চেনবা ওইগনি। মসিনা কবি মশামক্না কাব্যগী মরমদা অস্মুম্না ইরম্মী —

কাব্য অসুক্কী মতিক রস য়াওবা, হায়্যা মহাও য়াওবগা লোয়নবা অনৌবা অর্থচেনবা নত্রগা খৌদোকশিং য়াওদবা জগা য়াওরম্লোই —

'একামত্যজতোনেবার্থ ঘটনাম''।

কবিগী কাব্যশিংদা শব্দালঙ্কারগী থুম্না বাইশিংনা মফম খুদিংদা লৈনম শব্দোত্তুনা পারিবশিংগী পুক্লিং হুৎল্লি। কবিগী পদলালিত্য (বাহৈ ফজবা) সংস্কৃত সাহিত্যদ্য মমিং চংলি অতুবু দণ্ডী কবিবস্ম সংস্কৃত সাহিত্যদ পদলালিত্যগী ওইনা মমিং চংপা অমা শ্রীহর্ষবস্ম মহাক্কী কাব্য নৈষধ চরিত শুম্না থোংপা ফজবা উমদে। নৈষধীয় চরিত অসিদা অশেংবা কাব্যগী ফজবা অলঙ্কারশিং 'মনিকাঞ্চন সংয়োগ' গী মওংনি। বাহৈশিং মফম চানা হাপ্না অমসুং শাবয়াওবা কবিতা ওইবনা নৈষধীয় চরিত অনিশুবা কাব্যনি। অশেংবদি মফম অসিদা পদলালিত্যগী বাহৈনা শেম্বা অলঙ্কার কাব্য ওইনা লৌগদবনি, মসিনি মথক্কী বাহৈশিংগী অথ। মিংথং অসিদা নৈষধ কাব্যগী অলঙ্কারশিংগী অউকপা ফজবনা লৈরংবা অমনি। কাব্য অসিদা শিজিন্নবা অলঙ্কার যাম্না ফজবা অমদি পুক্নিং হুনিঙাই ওই, অতিশয়োক্তি অলঙ্কার শেম্বদা উপমা, রূপক, য়মক, অনুপ্রাস,

উৎপ্রেক্ষা, বিরোধাভাস, শ্লেষ অলঙ্কারশিং শিজন্নবদা কাবা অসি পুন্নমক্রুগী অাগোইবা অমনি। হায়রিব ৱাফম অসিবু খুদম খর পীজনা হৌনবা য়োৎনশি --

তাবদা হুংঙাইবা শব্দালঙ্কার —

ঈশানিথৈশ্চন্দ্র বিবস্ত মধ্যে লোকেশালোকশুন্নোব মধ্যে।
তির্য্যক্রমপ্যক্র মুগানভিজ্ঞরন্সঞ্জতোপঞ্জ সনজ্ঞসঞ্জম॥

য়মক অলঙ্কারগী কন্দর্প স্তুতি তেংবদা বয়াদা য়জরবা পদলালিত্যগী খুদম —

লোকেশ কেশব শিবানপিয়ক্কার সংসারসাগর ভূশাগর ভাবান।

পঞ্চেন্দ্রিয়াতিত গতামিযুপঞ্চকেন সংক্ষোভয়ান বিতনুতাং বিতনুর্মদঃ বঃ॥

শ্রীহর্ষ শ্লেষ, য়মক অনুপ্রাস অলঙ্কার রচনাদা মপুং ওইনা মাইপাকপা কবিনি। অপোংবমক্কি মশাগী মিং ৭১ আসবু 'পরিরস্তকিংডাচরনশিরনা' হায়না শিংথাই ১৩ শুবা সগ শ্লেষালঙ্কারগী চমৎকার য়েংবা য়াবা অমনি মফম অসিদা পদা অমখক্তদা অর্থ মঙা থোক্না হৌনবা য়াবা মওংদা ঈরি শ্লোক অসিদা অমরোমদা দময়ন্তিবু লৌশিন্নবগীদমক দেবতা মঙাগী ভাবনা ফোংদোকপ অমদি অর্থ গীদমক অমুক নৈষধ রাজাগী ভাবনাবুসু ফোংদোকপা ওই অসুমনা কবিগী রিতি শ্লেষালঙ্কার অথোক্ইবা অমনি অকবা অর্থ ফোংদোকই। ১৬ শুব সর্গগী পদলালিত্য শ্লৈব অলঙ্কারগী অয়োবী থাক্ক ফজে। ৱাফম

অসি হয়াম্বা নিঙ্গংশিংনা যাবৈ অমসুং কাথ মহাদয়না অসি যাংবা থিংনবগী গোংনা হায়বগী মতুংদি সংস্কৃত জ্ঞান লৈরবস্তু টিবা য অদনা দম। তৌবা শরেংশিং অসি অর্থ কবম্না পীরমগনি।

অনুপ্রাস অলঙ্কারগী, মখংদা কাব্যগী শৈবেং খুদিং অনুপাস যাওদনা লৈবগোই। শব্দবিবা অলঙ্কার অহুমগী মপুং ফানা শিজিন্নব অসিনা মহাকপু অদলানিংগী হায়নরিব। অসিদা মাই-থ ক্রিবনি।

শ্রীহর্ষনা ইবা অলঙ্কারশিংদা অপাকুত (ফোংদব রাহ) গী চৎপনবা, ব্যাকরণ, কামশাস্ত্রনচিংবনা মপুং ওইনা ইরম্মী। অদুম ওইনা মহাকা কাব্য পাণ্ডিত্য ওইবগী শিংথাংবা অমনি, মসিগী ফল ওইনা অলঙ্কার অমদি শব্দগী মিংথংদা মহাকী কথা ইনৌ নৌই কবিগা শাস্ত্রীয় উংপেক্ষা উফল-মরিকী মতৌ-রপ প্রকৃতিগী মপী শাগাল গী মখোং মশিং থীবগুম তৌই।

ভাংগন ভূমিংষ্টৈঃ নাতিথিতৈঃ উপাস্যমান চরনেষ রেণুভিঃ
রয়প্রনার্ধ্যয়নাথমাগতৈঃ জনস্যচেতোভিরিবানিমাঙ্কিতে।

অমন বস কী কঙ্কবা অথাক শিংদা ললিত পদগী প্রয়োগ য়াম্না শিং চিংশিন্নি — "পদে পদে সন্তি ভটারনাভটাঃ।"
শ্রীহর্ষ কী ললিত পদশিং রসিক পাঠকশিংবু চিংশিনবা উমদবরা। অমসুং ব ফমদি নৈষধ কাব্যগী পুরিং হবগী মশক রস-ভাব ওন্না যাও অদলালিংগী অতোপ্পা কবিশিংদা রানা উগনি। কবিগী ভাবগী মশাক না পাঠকশিংবু বস কী অমরানন্দ গী সমুদ্রদা লুপকনী

নৈষধীয় য়স্য ক্ষিতিরক্ষিনাকথা স্তথাদ্রিয়ান্ত নবুধাঃ সুধ'মপি। নল সিতচশত্রিত কীর্তিমণ্ডলঃ স রাসিৎ মাহসাং মহোজ্বলঃ।

কয়াদ। ফজগ্রবা রূপক অলঙ্কারনা মসিনা কোক্লা সনাগী লুহুপ্পা লৈতেংবগুম্নি।

শ্রীহর্ষগী কাব্যদা পদ গী স্বাভাবিক ওইবগী ফজবা রাহৈশিংগী পবেংশিং য়েংবদা পেগ্রী -

নলিন মলিনং বিবৃনবতী পৃষতীমস্পৃশতভি তদীক্ষনে।
অপি খনজনমনজনানজচতে বিদধাতে রুচিগর্বদুর্বহম॥

অনস্ —

ক্ষিতি মণ্ডল মণ্ডনায়িতং নগরং কুণ্ডনমণ্ডজৌ য়য়ৌ।
লতাবল্লালাস্য কলা গুরুস্তরঃ প্রসূন গন্ধোৎকরপশ্যতোহর
অমস্থ — 'তমঃ সমচ্ছায় কলকং সংকুলং কুল সুধাম॥-
শোর্বহল বহন বহঃ' নচিংবা শ্লোকশিং পদ লালিত্য গী কাব্যশিংগী মনুংদা থম্ব: য়াই।

শম্মা হায়বদা, এখোয়না মসি খঙবা ঙম্মী মতুদি পদ-লৈংবা অমসুং ছন্দ, অলঙ্কার গী হৈশিংবদা নৈষধীয় চরিত মপুং ফাবা অমনি। নৈষধগী পদ বিন্যাস ভাবার্থগা লোয়ননা মপুং ফানা অলঙ্কারগী জগোই শাবা ঙম্মী। মথক্তা পীখিবা 'নৈষধে পদ লালিত্যম' পাওরো অসিগী অর্থনি মসিনি মতুদি পদশিংদা থোৎ-নৌবগা লোয়ননা অলঙ্কারগী মওংস্থ শৈরেংশিংদা রাহৈগা চানৈ। কবিগী অসিগুম্বা অথোইবা মওংনা ভারবি অমসুং

মাখদগী থাক বাংলা লৌনবিনি — ভারবিগী মতিক-ময়াই মাঘগী কাবা লৈত্রিভৈদা ভাদম্মী। অদুবু নৈষধ কাব থোরকপদগী মাঘ অমদি ভারবি বদায় চংত্রে কনাসু থউদে। -

তাবদভা ভারবের্ভাতি যাবন্মাঘস্যনোদয়ঃ।

উদিত নৈষধি কাব্যে ক্ক মাঘঃ ক্ক চ ভারবিঃ॥

মাঘে সন্তি ত্রয়োগুণাঃ

উপমা অর্থ গৌরব অমদি পদলালিত্য গুণ অহুম অসিনি, মথক্কী পাণ্ডরো-শেরেংসিনা ফোংদোক্লিব। উপমা, অর্থ গৌরব অমসুং পদলালিত্য গুণ অহুম খুদিংদা কৈগদবনি। শব্দার্থো কাব্যম ' অমসুং ' শব্দার্থো সংকবিরিব দ্বয়ংবিদ্বানপক্ষতে ' মথক্কী ৱাকমশিংসি লৈবন, ঐখোয়না চিংনংনা হায়বা ওন্মী মহুদি সংস্কৃত সাহিত্যগী কাবা খুদিংমক্তা মথক্কী গুণ অহুম অসি যাওই। তৌগুমসুং কালিদাস কী উপমাশিংদা মীয়াম খঙবদা য়াম্না লাইবা মওংদা লৈরগুম ভারবি কবিগী কবিতাশিংদা য়াওদে অদুগা ভারবি কবিদা থোইদোকপা কবিতা গী গুণ য়াওরিবা অদু কালি- দাসদা য়াওদে। অদুগ দণ্ডী অমসুং শ্রীহর্ষ কাবশিংদা থোই- দোকপা গুণশিং মথক্কী কবিশিংদা য়াওদে, তৌহৌমসুং মাঘ কাব্যদা মথক্কী গুণ অহুমক অসি ঙনা ফংবা ওন্মী

উপমা শব্দ য়াদৈনা মকম অসিদা ফোংদোক্লিবাদি অলঙ্কার শব্দবু খঙনগনি। উপমা উপলক্ষন মাত্র খক্তনি। অলঙ্কার -শিংগী তৌবদা মাগনা ভারবি কাব্যগী হেন্নি। অদুবু মাঘ কবিগী কালিদাসকা চাংদম্নবদি য়ারোই, মরমদি কালিদাস কা

উপমা অমদি মাঘকী অলঙ্কার বিধানগী খেন্নবদি কালিদাসবী বসনা থম্বা কাব্য রচনা অমনি ততুগা মাংনা অলঙ্কারনা প্রধান ওই। কালিদাসকী উপমা অলঙ্কার চিংনবা য়াম্দনা হায়বা ওম্মী মতুদি মহাক্কী অলঙ্কার বাক্য রস মপুং ফাবা অমনি। মহাক্কী উপমা যাম্না স্বাভাবিক, অবায়বা মওং উপমেয় (উপমা পৌতনা থাদ্রিবা পোৎ) অতুগী ফজনবদা চনগংহন্নবা অমনি মপুন্নাইবগী মতুং ইন্নীবি মপী বু 'শ্রুতেরিবার্থং স্মৃতিরণ্বগচ্ছৎ' অম্মা হায়নবা মসিগী অর্থদি মপুম্বাইবব্ অবোইবা অমনি অমম্ব মপুম্বাইবা শিংবী অমগী অথোইবা গুণগী চিত্রণ তৌই, অমরোমদা অম্নক ভারতীয় সংস্কৃতিগী অংন-থানবা যাম্রবা রূপপু পাক শিংগী মমাংদা থম্বনি। মফম অসিদা মাঘ কালিদাসকী মগুণ যৌবা চমদ, অতুন শইনা হায়রিবা আদর্শ ওদি ... ইবা মাঘত্ত ওম্মী। মহাক্কী উপমা থবা মথাদা য়েংঙাস

উনগী মতৌগুম ঙৌবা হকচাং ওইবা নারদ দা খুংমর চৌংদা হৌবা লতাশিং নীংথৌরবা শাংলবা লংগী মওং লৌরিবা অদুনা মহাক্কী যজ্ঞোপবীত (লুগুন) ওইনা খোল্লিবা। মরম অসিনা নারদগী শোভানোংথাংনা নৌতেংবা শরদ ঋতুগী নোংগী মতৌগুম্মী— 'ঘনং ঘনান্তে তড়িতাং গ গর্নেরিবী " অঙৌবা নোং অমসুং নারদ· নোংথাং অমসুং ওঙ্গানবা লতাশিংগী উপমা য়াম্না ফজে।

থম্মালগী নৈরিক্কী মশক, হঙ্গামপান মচু, জটাশিং পুরিবা শরত কালগী থাজগুম, স্ফটিক মনিগুম ঙৌবা

মারদনা অস্থুয়া উরম্মী, মদুদি মমুল ফাংবা সনামচুমানবা উরিশিংনা লৈতেংবগুম হিমালয়গী মতংনি—

বিপাকপিঙ্গস্তুহিন স্থলীরুহো ধরাধরেন্দ্রং ব্রততীততীরিব।

ভগবান কৃষ্ণগী কুচু থাগী ময়ায়গী অমুবা মচুগী নীল মচু অমসুং মহাক্কী সমুদ্রদা হৌরকপা মৈরীগী মতৌগুম নীংথিজরি — সতপকাত স্বরভাস্বরাম্বরঃ কঠোরতারাধিপ অচ্ছনচ্ছবিঃ। বিদিদ্যুতে বাডবজাতবেদসঃ শিখাংভিশ্লিষ্ট-ইবাম্ভসাংনিধি॥ ঈশিংগী মচুমানবা নীলা মচুগী মনি-মুক্তা শিংনা লৈতেংবা কৃষ্ণগী থবাক্কী শরুক চাংদমদুনা অকাস কী গঙ্গা কয়াদা পুক্রিং হুবা উপমা পীরিবা।

উভৌ যদি ব্যোম্নি পৃথক প্রবাহাকাশ গঙ্গা পয়সঃ
পতেতাম।

তেনোপমীয়েত তমালনীলমামুক্তালযস্য বক্ষঃ॥

মাক অংনবগী উচেকশিংগী মুংশিরবা খোঙ্গেন চমুনা ঈশিংদা লুপশিনবদা থোকপা খোংগেন মনি য়াম্না ফজবা মওংদা বর্ণন তৌই। অয়ুক অংনবদা মুংশিংগী মুংশি মুংশি মেঙান নোং-ঙাল্লবদাই উইকুম লৌবগী মিংনী মওংনি। শিশুপালগী লামী-শিংগা শ্রীকৃষ্ণগী লাম্মীগা লান থেংনবদা তৌবা বর্ণনদা অসুম্না তুরেলগী ইচেলগা মহাসাগরগা বাংলবা ইথক-ইপোমশিংগা থেংগা ইনবগুম্বনি

মাবগী উপমাশিং য়াম্না ফজে অদুবু মসি স্বাভাবিক ওইদে নমহুনা উপমা ওইহনবগুম তৌই;

পুদম শক্টনা – "কুথেন নাগেন্দ্রমিবেন্দ্র বাহনম"

